সলাই মৈহৌরোন



ইরাবোৎ নিংথৌজা

ꯁꯅꯥꯏ ꯃꯩꯍꯧꯔꯣꯟ

সনাই মৈহৌরোন

ইরাবোৎ নিংথৌজা

লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন, চীংমৈরোং

সলাই মৈহৌরোন

(সলাই ৭ হৌরকপগী পুৱারী)

খোরিবা : ইরাবোৎ নিংথৌজা

ফোঙদোকপা : নিংথৌজম ওংবী ইবেনি দেবীনা লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন চীংমৈরোং, ইমফালগীদমক ফোঙবা

ফোঙবা চহী : ২০১৫

অনিশুবা ফোঙবা : ২০১৭

কোপি মশিং : ১০০০

মমল : লুপা ২৫০ /-

মখুম য়েকপা : অমুয়াইমা খাবা

© : অইবা

ফংফম : লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন, চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

ISBN - 978-81-923222-9-2

নমফম : **Monica Printers, Keisamthong Bazar, Imphal.**

লাইওইস্রবা ঐবু পোকপীরম্বা এনঃ **মঙ্গী সিংহ** পনথৌগী মফমদা

নচানা

সলাই মৈহৌরোন কৌবা লৈরাংসি কৎচরি...

ইরাবোৎ নিংথৌজা

সলাই হৈয়ুরোন

লাংচিৎ হুইরেন মতাইঙৈ। খৈরোই লাংচিং মওইরেন। খাংবী মৈরেন মতাইনা চুকফা লাইহৈ মওইরেন। নোংথৌ শিংকুম অরাবা। য়ুহেন লাংচিং য়ুহেম্বা। খাংওই মৈরেন লাংকোইবা। চাবু লৌশি পালোয়বা। হৈয়িঙৈদা নোংতম্বা। হয়া মৈরেন নোংখাইবও। পাম্বু হৌসু পীনাইরেন। শিংকোই লাংচিং হৈরেনবও। নফম ফমলেন মতাইনা নোংখোং হুইরেন মশানা। তাইবু নমখাং চাইজিবাও। কোরৌ লাংশিং মাওইরে। সিতপা লাই নোংতমএ। য়াইবী লোক্কী ইনুংকোন্দা। সিতপা মাউ মরিংএ। চকশিং লাংশিং লাংতাইরে। কোরৌ মালেম নোংতমএ। হয়ারেন্দি মালেমনি। কোরৌ নোংখোং মতাইরে। চীংউ লাইদি সিতপানা হয়া মালেম হৈয়ুরেন নোংতমএ। কোরৌ লাংশিং লাংতাইরে। অনেমপা মালেমতা নোংকুম। কোরৌ লাইয়াম পুম্বদো। অনেমপা মালেমতা কোরৌ লাইয়াম পুম্বাদো ফম্বাল য়াইবু নোংতমএ। লাইয়াম পুমপা হরাও মথোয় কাই,। মতু নোংকী ৱাপু হরাওরোন কোনয়াই থাইএ। তাওজিং মরু লিংএ। লৈরাং লৈশাং তমএ। মপুরেন সিতপাদা মহংএ লাইয়াম্না করি নুংকী অনেপা মালেমদা হৈয়ুরোন নোংতমপানে। হৈরুনা মপুরেন লাই সিতপানা হায়এ লাইয়ামপু য়েংতুনা হায়এ। মপুনা নোংতমপিখি। হৈয়ুরোন অনেমপা মালেমতা মাউ লিং মালেমতা হৈপাল লৈরোইএ। হৈপাললোনকী য়াৱাপু নোংতমপীয়ো হায়না মপুতা হংগৎচৈ। তারো লাইয়াম পুমপা হৈয়ুরোনগী নুংলোন্ন ৱাপু মহায়কে- হৈয়ুরো নসলাই ৭ মক্কী মাউ ওইনা লেপকনি। মরুনা মঙাংনি। মায়োন্না লুৱাংনি। মাউনা খুমন্নি। মশানা অঙোমনি। মনানা মোইবাংনি। মপান্না খাবা ঙানবনি। মহৈনা সরাং লৈশাংথেমনি।সলাই ৭ মক হৈয়ুরোন্না নোংতম্বীরিএ। অদু নোংকী য়াৱা তাবদা লৈশেমকোনগী লাইয়াম পুম্বদো হরাও নোক্তুনা সিতপা লাইগী ফম্বাল নাক্ত চংজখিএ।

ইরাবোৎ নিংথৌজা

সলাই ৱাবুরোন

ৱাবুরোন ৱাপু নোংদমজরক্কে। হা পৌশি ৱাংঙমপাও। নঙবু তাইনা মতাইরে নোংকী য়াৱা কাওফরোই। সলাইরেনতি সিতপা ময়াথংপু মকাউফদে। মহান নোংকি সিতপা লাই ঐহাক্না সলাইরেন্তা ৱাইশিননৈএ। য়াৱা মাপু মহায়কে তারো সলাইরেনও, অনেমপা মালেম লৈশেমকোন্দা কোরৌ মপু সিতপানা কোরৌগী হৈবাং লৈরাং লৈচু ৭ তো অনেমপা মালেম লৈশেমকোন্দা নোংতমও হায়না লাংচিখি। (শিন্নবা) সলাইরোন নোংতমপা লাইকী মফমতা হোয়াজখি। সিতপা সলাইরেন মপুনা য়াৱা মাপু ইঞ্জনা অনেমপা মালেমদা নিংথিবা লৈরাং চাবদো, লৈশক লৈচু নাইবদো সিদবা লাইনা নোংদম্বীবা, হয়া মালেম লৈশেমকোন্দা সলাইরেন সিদপনি। নোংদম্লকখি সিতপা লাই সলাইরোন মালেম লৈশেমকোন য়ৌরবদা। লৈশেমকোন মালেমদা কোরৌদগী পুরকপা লৈচু নাইবা লৈরাং ৭ অদো লৈশেম্বা মপু সনামহিগী লৈকোন্দা নোংতমখিএ। লৈরাং চরা ৭ তো মপুগী ফম্বাল নাক্তা লৈশাৎ নোংদমখি। লৈশেমকোনগী লাংহৈদ। মপুনা নোংদম্বীখিবা অচৎ চৎত কয়ানি। অচৎ চৎতগী মরক্তা লৈশাৎ তমলিবা লৈরাং ৭ তো সলাইরেন মানা কোরৌদগী পুরকএ হায়বগীদমক, লাইনিংথৌ সনামহিগী লৈকোন্দা লৈরাং ৭না লৈশাৎ তমলে হায়বগীদমক কোলোয় মীংলেন অদো সলাই হায়না নোংদমবীখি। লৈরাংনা খোঙ্খোক তল্লকপদা ফম্বাললেম্ব উজখি। খোইয়ুম কনাগী ফম্বালনো লৈরাং ৭ না হংজখি। মপু ওইবা সনামহিনা য়াৱা অসুম্না নেংদমখি। ঐনা নখোয় ৭ মকপু শেন্নদুনা লৈরিবনি। অদু নোংগীদমক্ত সলাইগী লৈরাং ওইবদো মচু ৭ নাইবদো লাইনিংথৌ খোইয়ুম সিদবদা পাম্থৌ হায়না কৌজখি। সলাইগী মপা ওইরিবা লাইনিংথৌ সনামহিনা লৈরাংবু চেৎনা চান্না ফম্বালনুংদা থম্বীখি। সলাই ৱাবুরো নোংদম্বীবা ৱানি ॥

লৈহাওরুংবম অমুয়াইবা খাবা
পব্লিসিটি সেক্রেটরী,
লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন, চীংমৈরোং৷

হিরম-লমায়

১।	মঙাং মৈহৌরোন	১
২।	মঙাং অপোকপা শঙমাই থেন	৪
৩।	মঙাং অপোকপা ৱাপু হায়কে	৫
৪।	মঙাং য়েক সলাই	৬
৫।	মঙাং সলাইদা শাগৈ মীখৈ পীখিবা ৱাবু হায়গে	৫৫
৬।	মঙাং য়েক সলাইদা পুন্বা সাগৈশিং	৫৮
৭।	মঙাং য়েক সলাই অপোকপা	৬১
৮।	সলাই লাংজৈ	৬২
৯।	লুৱাং মৈহৌরোন	৬৩
১০।	লুৱাং অপোকপা শঙমাইথেন	৬৬
১১।	লুৱাং অপোকপা ৱাপু হায়গে	৬৭
১২।	লুৱাং লোন্দি	৬৭
১৩।	লুৱাং ঈচৈল চীং তোংপারোন্দি	৭৬
১৪।	লুৱাং লাংমাইচীং তোংপারোন্দি	৭৬
১৫।	লুৱাং সলাইদা সাগৈ মীখৈ পীখিবা ৱা হায়গে	৭৭
১৬।	লুৱাং সলাইদা পুনবা সাগৈশিং	৭৯
১৭।	লুৱাং য়েক সলাই	৮১
১৮।	সলাই লাংজৈ	৮১
১৯।	খুমন মৈহৌরোন	৮৩
২০।	খুমন অপোকপা শঙমাইথেন	৮৬
২১।	খুমন অপোকপা ৱাপু হায়কে	৮৬
২২।	খুমন লোন্দি	১০১
২৩।	খুমন সলাইদা মীখৈ পীখিবগী ৱাবু হায়গে	১১৪
২৪।	খুমন সলাইদা পুনবা সাগৈশিং	১১৬
২৫।	খুমন য়েক সলাই	১১৯
২৬।	খুমন সলাই লাংজৈ	১১৯
২৭।	অঙোম মৈহৌরোন	১২১
২৮।	অঙোম অপোকপা শঙমাইথেন	১২৪
২৯।	অঙোম অপোকপা ৱাপু হায়গে	১২৪
৩০।	অঙোম লোন্দি	১২৫

৩১।	অঙোম সলাইদা মীখৈ পীখিবা ৱা হায়গে	১৩১
৩২।	অঙোম লোনবু হায়জরক্কে	১৩৬
৩৩।	সলাই অঙোম নুংলোন	১৩৮
৩৪।	অঙোম সলাইদা পুন্বা সাগৈশিং	১৫০
৩৫।	অঙোম য়েক সলাই	১৫১
৩৬।	অঙোম সলাই লাংজৈ	১৫২
৩৭।	মোইরাং মৈহৌরোন	১৫৪
৩৮।	মোইরাং অপোকপা শঙমাইথেল	১৫৭
৩৯।	মোইরাং অপোকপা ৱাপু হায়গে	১৫৭
৪০।	মোইরাং লোন্দি	১৫৮
৪১।	মোইরাং সলাইদা পুন্বা সাগৈশিং	১৭০
৪২।	মোইরাং য়েক সলাই	১৭১
৪৩।	মোইরাং সলাই লাংজৈ	১৭২
৪৪।	খাবা ঙানবা মৈহৌরোন	১৭৩
৪৫।	খাবা ঙানবা অপোকপা শঙমাইথেন	১৭৬
৪৬।	খাবা ঙানবা অপোকপা ৱাপু হায়গে	১৭৭
৪৭।	খাবরোন্দি	১৭৭
৪৮।	ঙানবরোন্দি	১৭৮
৪৯।	খাবা ঙানবা সলাইদা সাগৈ মীখৈ পীখিবা ৱাপু হায়গে	১৮২
৫০।	খাবা ঙানবা য়েক সলাইদা পুন্বা সাগৈশিং	১৮৪
৫১।	খাবা ঙানবা য়েক সলাই	১৮৪
৫২।	খাবা ঙানবা লাংজৈ	১৮৫
৫৩।	সরাং লৈশাংথেম মৈহৌরোন	১৮৭
৫৪।	সরাং লৈশাংথেম অপোকপা শঙমাইথেন	১৯০
৫৫।	সরাং লৈশাংথেম অপোকপা ৱাপু হায়কে	১৯১
৫৬।	সরাং লৈশাংথেম লোন্দি	১৯১
৫৭।	চেঙলৈরোন্দি	১৯৩
৫৮।	লৈশাংথেম লোন	১৯৫
৫৯।	সলাই অপোকপা মশক তাকপা	২০৪
৬০।	মঙাং লাংপুম অরিবা	২০৪
৬১।	লুৱাং লাংপুম অরিবা	২০৪
৬২।	খুমন লাংপুম অরিবা	২০৫
৬৩।	অঙোম লাংপুম অরিবা	২০৬

৬৪।	মোইরাং লাংপুম অরিবা	২০৭
৬৫।	খাবা ঙানবা লাংপুম অরিবা	২০৮
৬৬।	সরাং লৈশাংথেম লাংপুম অরিবা	২০৯
৬৭।	য়েক ৭ কী সলাই অপোকপা থৌরমলোন	২০৯
৬৮।	য়েক ৭ কী পীবা অপোকপা থৌরমলোন	২১০
৬৯।	য়েক ৭ কী শঙ ৩ গী থৌরম থৌখাইরোন	২১০
৭০।	অপোকপা মখল ৪ গী থৌরমরোন	২১০
৭১।	পোকলেন পোকপা অপোকপা	২১০
৭২।	ফুঙ্গা পোকপা অপোকপা	২১১
৭৩।	সাগৈ সলাই অপোকপা	২১১
৭৪।	কাশা পোকপা অপোকপা	২১১
৭৫।	মঙাং য়েক সলাইদা লৌনা লৈনবা য়াদবা সাগৈশিং	২১৪
৭৬।	লুৱাং য়েক সলাইদা লৌন লৈনবা য়াদবা সাগৈশিং	২১৫
৭৭।	খুমন য়েক সলাইনা লৌন লৈনবা য়াদবা সাগৈশিং	২১৬
৭৮।	অঙোম য়েক সলাইনা লৌন লৈনবা য়াদবা সাগৈশিং	২১৭
৭৯।	মোইরাং য়েক সলাইনা লৌন লৈনবা য়াদবা সাগৈশিং	২১৭
৮০।	খাবা য়েক সলাইনা লৌন লৈনবা য়াদবা সাগৈশিং	২১৮
৮১।	সরাং য়েক সলাইনা লৌন লৈনবা য়াদবা সাগৈশিং	২১৮
৮২।	চারৌ মৌরৌনবা য়াদবা সাগৈ সলাইশিং	২১৯
৮৩।	য়েক লৌনবদগী থোকপা অমাংবশিং	২১৯
৮৪।	চারৌ মৌরৌনবা য়াবা য়েকশিং	২২০
৮৫।	য়েক থোক্তবা সাগৈ সলাইশি	২২০
৮৬।	বামোন খুম্বোকলোন	২২০
৮৭।	কংলৈপাক্কী অপুনবা শক্তম	২২৭
৮৮।	কংলৈপাক মৈতৈ লৈপাক্তে পুন্না খুন্দামিন্নরিবা জাতিশিং	২৩৩
৮৯।	লৈথক লৈখারোন	২৩৩
৯০।	কংলৈপাক্কী মৈডিংঙু লাই ওইবা ৭ না পানখিবা ৱাপু হায়গে	২৪১
৯১।	চকশিংকোন্দা পানবা লাই ওইবা সলাইগী ৱাবু হায়গে	২৪২
৯২।	কংলৈপাক্কী নিংথৌরেন ৬৯ দা মাদোম লোমএ	২৪৪
৯৩।	The People of Kangleipak	২৫০
৯৪।	কংলৈপাক্কী মৈহৌরোন্দা ঙমখৈ	২৫৭
৯৫।	সলাই ৭ কী য়েলহেলশিং	২৬৩

"মঙাং মৈহৌরোন"

নুমিৎ থা অনিমকপু ইকোক নোন্না খুরুমজে। মঙাং সলাই মৈহৌরোন ৱাপু হায়জগে। অরান অহুই পুম্নমকপু তাথিবীগনো হায়না মপু ওইবা সিদবদা ইকোক নোন্না থৌনিজে। লুমাং তা শন্নাংনা, লুতুং ৱাইশিন্নববু, লুতুং তাবা শন্নাংনা লুমাং ৱাইয়েৎনববু অরান অহুই পুম্নমক মপুরেন সলাইরেন সিদবনা তাথিবীগনো হায়না সলাইচানা হন্ন-হন্না কোনোঙ্গনা ইজরককে। হয়াক সিদবা - মপুরেন নোংদা লাইরেন পাখঙবা কংলৈ ফম্বাল মপুরেন্না পাখঙবা সলাই ৭ পানবা মতম, খুঃ তগী নিমাংলোয় মপুরেন সলাই পাখঙবনা, পাখঙবা ঈথাংলোই ৭ মথং মনাও নাইনা মপুরেন সলাই সিদবগী মপারী ৭না মথং মনাও নাইনা মৈডিংঙু ফম্বাল লাই ওইবা ৭না কংলৈ লৈশেমকোনগী পুংকোইদা লাইগী নিংথৌ ওইদুনা পাল্লকখি। পাখঙবা সলাই ৭না লাইগী নিংথৌ ওইদুনা পানবা মফমবু হান্ন কংএ হায়বগীদমক ফমলেন কংলা হায়না মীংকৌখি। কংবা মফমবু পাকশন্না লৈএ, লিখি হায়দুনা কংলৈপাক হায়না মীংথোনখি। কংলাগী অকোইবদা পাক্লা শংে দাকখিবা ফমলেনবু কংলৈপাক হায়বনে। নোংদা লাইরেন পাখঙবনা মথং মনাও নাইনা পাখঙবা সলাইবু কনাদা নোংদমসিগে হায়বদা পীবুকনুংদা খনখিএ। ময়ামবুং লাই ওইবা সনা মহিনা মীতমলিবা পোং সলাইদা খোইয়ুম ঐখোয়গী লিথাংলোন। অসি নোংদম্বীদুনা পোং সলাই য়েলহৌমী অসি লাই ওইবা ঐখোয়গী ঙমথংলেন সলাই মপোক নোংদমবীগে হায়না মপু ওইবা নোংদা লাই পাখঙবনা পীবুকনুংদা মমি তমখি। মপু ওইবা পাখঙবনা পোং সলাই য়েলহৌমী ওইবদা নোংদম্বীরগে হায়না মপু ওইবা পাখঙবনা, পাখঙবা সলাই ৭পু ৱাইশিন্নরগে হায়না লাই ওইবনা নোংদমলকখি।

মথং মনাও নাইনা চকশিংকোনগী লাংহৈদা সলাই সিদবগী ফম্বালকোন কংলা য়াইবীরেন ফম্বাল কংলা মেন তোংখি। অহান্বদা নোংদা লাইরেন পাখঙবা, অনিশুবদা তোমপোক, অহুমশুবদা তাওথিংমাং, মরিশুবদা খুই নিংঙোম্বা, মঙাশুবদা পেংসি, তরুকশুবদা কাওখংবা তরেৎশুবদা নাওখম্বনি। পাখঙবা সলাই ৭না মথং মনাও নাইনা কংলা য়াইবীকোন্দা মপুরেন সলাই সিদবগী ফম্বালকোন্দা লাইগী নিংথৌ ওইনা পাল্লবদা, লাইওইবা মৈডিংঙু ৭না কংলা পোকএ। মাগী

ফম্বাল ঈনুংকোন্দা হঞ্জিন্বা মতম ওইরক্লবদা নোংদা লাইরেন পাখঙবগী খোইয়ুম লাংওন ওইরিবা লৈনুঙ খরোবা, লৈনুঙ লৈশিরেম্বী মপারী শেত্রেং, কুত্রেং পাইমা পীবুক্কুংদা মপারী অনিবু কৌখৎকে নিংলমই। পাখঙবনা কংলা ফম্বাল লাংদ্রিঙৈ মতমদা লৈনুঙ লৈশিরেন পাখঙবা মশানৌ লাইরেম্বী লৈশিরেম্বীগী মনাক্তা খোঙদোই হুল্লমই। মালেম লৈশারোন ৭ মক্তা মপল পল্থৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবগী য়ারাতবু ঙাইদুনা লৈরিবা মপারি সেত্রেং কুপত্রেংনি। পাখঙবনা লৈনুংলোন য়ৌরবদা লৈশিরেম্বী উনখি। মপারি অনি কদাই লৈবগে হংজখি, লৈশিরেম্বী লাইরেম্বীদা। লৈশিরেন লাইরেম্বীনা খুমজখি মশাবীবু য়েংদুনা, করিনুংগী য়ারা লৈবগে পারী সেত্রেং কুপত্রেং অনিবু তহা তহানা নোংদম্বীববু হায়না মশাবী ওইবীনা পাখঙবদা হংগৎচখি। মপন পল্থৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবগী য়ারা মপাও খোঞ্জেল তাবদা লৈনুঙলোন লাই ওইবা সেনত্রেং কুপত্রেং অনিনা থোক্লত্তুনা মপন পল্থৌদা কোকনোঞ্জরমই। মপন্না মপারী অনিবু য়েংলগা হায়রকই - নুংশিদা পারী অনি / সেনত্রেং কুপত্রেংবু ইপানা লৈরোন নুঙদা লাকপগী রাবু হায়রগে মুন্না তারো নখোয় অনিমক - ইপাগী ফম্বাল লাংবা মতম লোইরে। পাখঙবা সলাই ৭ নোংদম্লমই। সলাইরেন সিদবগী ফম্বালকোন্দা - তারো নখোয় অনিমক ইপা লৈনুঙলোন্দা নোংদম্লগে। ইপানা ফম্লম্বা ফম্বাল অদো মচু ৭ নাইবনি। মচু ৭ অদুবু পাখঙবা ঈথাংলোই সলাই কৌবনি। পারী ইবুংঙো সেনত্রেং, কুপত্রেং নখোয় অনিনা তিনবীরেন তাওরোইনাই খোয়ুম লাই ওইবা ৭কী শুরুং অদু ইপানা ফম্বাল লাংলম্বা মফম অদুদা লৈবনি। শুরুং অহুম অমদি সেনত্রেং নঙগী শরুকনি। মখোয়বু নহাক্লা নাওকোনবীয়ু। মখোয় অহুমগী কোলোয়দি ইপানা হায়রগে তারো - মঙাং, লুৱাং, খুমন হায়না মকৌবনি। সেনত্রেং নহাক্কী নাওকোল্লোননি। পারী কুপত্রেং অতোম্বা খোইয়ুম নহাক্কী থৌশিনকোন ওইগদবা পুম্নমক হায়বগে - নহাক্কী লোয়নগদবা তিনবীরেন লাই ওইবা তাওরোই মরিনি। ইপানা ফম্লম্বা কংলা মেনখোঙদা শুরুং মরি লৈবনি। মখোয় মরিগী লাইয়ুমথেন শুরুংনুঙগী তাওরোইনাই খোইয়ুম ওইবা মহক্কি মীখৈ হায়রগে তরো পারি - নহাক্ক লোয়নবা ওইগদবনি হায়না তকপীখি। তরো কুপত্রেং - মখোয় মরি অদুগী মীখৈদি অঙোম, মোইরাং, খাবা ঙনবা, সরাং লৈশাংথেম খোইয়ুম ওইবা মরিগা কুপত্রেং নহাক্ক লাংগোই ওইগনি। মসি য়ারা পুম্নমক পল্থৌ মপানা তাকপিরবদা নুমিৎ থাগী মশক ওইরিবা কুপত্রেং, সেনত্রেং অনিনা মপন পল্থৌগী হৈরেম হিয়াম মারোম ময়মনে। শংলেম চাইবা ময়মনে। কোংখাম

য়াৰাবু চরৈ ফীগাও শানা হোয়াজখি। অসিনসু মদোমদ্রি মপারী অনিবু য়েংনা নোংদম্বীখি। মপন পম্লৌ সিদবদি পাখঙবনা তারো হায়রগে - হৌজিক্তি লাংবা চকশিংকোন লোয়রদুনা কোম্বা চকশিংকোন মহৌরেদো। লাইনিংথৌ সনামহি য়াম্বুংনা খোইয়ুম মপুরেন ওইবনা পোং সলাই পুম্নমক মীতমরোন পুথোকখ্রে। পোং সলাইনা নিংথৌ ওইদুনা ফম্বালকোন্দা পাখঙবা সলাইগী মমিবু লৌগদবগী ঙাইদুনা লৈরি। খোইয়ুম লাই ওইবা ৭কী ঙমথংদা পোংনা নিংথৌ ওইগনি। পোং নিংথৌ ৭না মীগা লাইগা পুন্দুনা কংলা ফম্বাল লাংগনি। ৰারম খিবীক অসি লৈবনা ইপানা নখোয় অনিদা থৌশিন থৌদা অসি হায়বনি। পম্লৌ মপাগী ময়াথংলেন ফংলবদা সেনত্রেং, কুপত্রেং অনিদো লৈথকরোন্দা নোংদমখি। লৈথকরোন য়ৌরবদা য়াইবীকোন্দা সেনত্রেং লাই ওইবনা মঙাং, লুৱাং, খুমন শুরুংনুঙদা ঈতমখি। কুপত্রেংসু অঙোম, মোইরাং, খাবা ঙানবা, সরাং লৈশাংথেম শুরুং ৪ নাওকোনখি। খৃঃ অহান্বদা পানবা নিংথৌদি মঙাং পোং নিংথৌ কংলৈ ফম্বাল লাংদুনা সলাই ফম্বাল লাংবা হৌএ। মীওইপোক্তা পোক্লিবা মঙাং নিংথৌপানা খোইয়ুম লাইগী ঙমথংদা পানবা নিংথৌনে। মঙাং নিংথৌপানা পানবা মতমদা খোইয়ুম লাইগী থৌশিনবু ইঞ্জদুনা লৈপাক্কী থৌখাই পুইএ। মঙাং পোংহন নিংথৌনা লাই ওইবা সেনত্রেংগী ইনুংকোন্নে। মঙাং নিংথৌপানে; লাই ওইবা পাখঙববু ইরাৎচদুনা খোইয়ুম লাইওইবা পাখঙবনা পেনবীদুনা মঙাং অপোকপাবু নোংদম্বীখি। অদু নোংদা খৃঃ ১৪ হৌবদা কংলা য়াইবীকোন্দা মঙাং পোংহন্বনা মঙাং লাই অপোকপা ঈরাৎপা হৌখি। অদু নোংদগী সলাই মঙাং পোং নিংথৌ ৱাঙম্বগী থৌশিনরোন, চীংউ লাইগী থৌদারোন পোংনা থৌঙম পাংদুনা নিংথৌপাগী সলাইবু মঙাং সলাই হায়না খঙখিএ। পাখঙবা ঈথাংলোই সলাইনে। মঙাংনা থুপখ্রবদা লুৱাং পোং খমলেম্বনা কংলৈ কংলাদা পোং নিংথৌপা ওইদুনা লুৱাং অপোকপাবু ঈরাৎ থৌনি তৌদুনা পাল্লকখি। লুৱাংনা নিংথৌ ওইবা হাক্তক্তা লুৱাং সলাই অপুম্বা ওইখি। লুৱাং পোংহন অমুক হঞ্জিনখ্রবদা খুমন লমঙাম্বনা পোং নিংথৌগী ফম্বালকোন ফংজখি। খুমন্না অপোকপা লাইবু মশক খংজদুনা খুমন সলাইগী অমত্ত ওইবা নিংথৌপানা পোং মীয়ামদা মশক তাকখি। খুমন কংলা ফম্বাল ফংজখি। অঙোম সলাই মশক খংনবগীদমক অঙোম সলাই অপোকপবু ঈরাৎচখি। লাইগী মীগী থৌশিন থৌদাবু অঙোমনা থৌপাংলমই। অঙোম ফম্বাল হঞ্জিনখ্রবদা মোইরাং পোং নিংথৌ ওইখি। লাই

ওইবা মোইরাং লান্থবা পোংনা মোইরাং সলাইবু অশেংবা মশক খঙজগে হায়দুনা অপোক লাই ঈরাৎখি। লৈপাক্কী থৌরম থৌদা কয়া অমা পাংজখি। মোইরাং নিংথৌনা ফম্বালকোন্দা হজিঁনখ্রবদা খাবা ঙানবা পোংহন্ব মচিন মনাও অনিনা কংলৈপাক্কী নিংথৌরেন ওইদুনা খাবা ঙানবা সলাই মশক খঙদোক্কে হায়দুনা অপোকপা লাইবু ঈরাৎখি। অদু নোংদগী খাবা ঙানবা সলাই মশক খঙজখি। খাবা ঙানবনা ফম্বালকোন্দা হজিঁনখ্রবদা সরাং লৈসাংথেম পোংসু হন্বা মচিন মনাওনা পাখঙবা ফম্বালকোন কংলাদা ফম্বাল লাংএ সরাং লৈসাংথেমসু অপোকপা লাইবু ঈরাৎচদুনা লৈসাংথেম সলাই অপুনবা ওইখি। সরাং লৈসাংথেমনা খৃঃ ৪২৫ ফাওবা কংলৈ নিংথৌ ওইদুনা কংলাদা পানখি। সরাংনা হজিঁনখ্রবদা খৃঃ ৪২৮দা ইনিংথৌ ইবুংঙোনা সলাই নিংথৌ ওইখি।



মঙাং অপোকপা শঙলেন শঙমাইথেন

মঙাং অপোকপা ৱাপু হায়কে

সলাই মঙাংগী মৈহৌরোন লাতমনা অসুম্না নোংতম্বীএ। ইনিংথৌ ইবুংঙো নাওফাংবা সনা হাক্তক সলাই য়ুমদারোন মাইচৌ অপোইনা খোরিপিএ। সলাইপু নুঙরোন ৱাপু মতাইনা নোংদম খিবীক মপীএ। অসি নোংদা সলাই পুম্বা য়ুমচংএ। অপোকপা লাইগী মঙাং শঙমাইথেন পুয়ানা খোরিদুনা লাংঙাচৈ চৈরেন লাংপুমএ। অপোকপা লাইপু মঙাং সলাইনা থৌনি থৌখাই, ঈরাৎরোন পাংবা থাশিং মাবু খোইয়ুম অপোকপদা মহংবীনা নোংদম্বীয়ে। মঙাং অপোকপানা মীৎ পাংবা থাদি ইঙাগী ১৫নি পানবা থানিল শগোলসেন, নুমিৎ য়ুংবদা মঙাং পোকএ। মঙাং অপোকপাগী লোয়নবীদি নুমিৎ লৈমানে খঙও। মচুদি অঙাংপানে। ঈশিংদি নুঙজেংকী ঈশিংনা অপোকপা অপোকপী চাইথগনিএ। অপোকপা চাকরোন থোংবদা নুঙজেংগী ঈশিং শিজিন্নগনিএ। অপোকপগী লাদি থম্না খেঞ্জোং শাবা অহুম থাকানিএ। মঙাংগী অপোকপাগী লৈদি থম্বাল ১০৮ নে। অহুম কৎপিগনিএ। অপোকপা লাই ওইবগী হৈদি থমচেৎনে। অহুম কৎপিগনিএ অপোকপাগী ঙাদি শারেং ময়াংলেন অঙাংবা চেম্বনে। অপোকপাগী শিংদি শাহিনে। মৈথাংলোনদি তরেৎ লৌগনিএ। মঙাং সলাই থাঙদি চাকথাঙনে। নাহৈবদি উয়ুমনে। হায়রিবা অপোকপাগী পোৎলম অসি য়াওনা সাগৈগী পীবানা থৌরাংবীদুনা থৌপাংবীগনি। অসুম তৌনা মঙাং য়েক্তা লৈরিবা সাগৈ খুদীঙমক্রা অপোকপাগী থৌরম থাশিং কুমশিং কাইদনা থৌরম থৌদা থৌপাংজরবদি সাগৈ সলাই চাওখৎপতা নৎতনা সলাই মশক খঙএ। পুরোন পারোন পুন্নমকপু খঙবা ঙমএ হায়তুনা সলাই য়ুমদারোন্না পীরি।

মঙাং য়েক সলাই

লাইয়েক লাইখোং চনুনা কুপত্রেং সেনত্রেং অনি মানে, কুমত্রেংনা অঙোম সলাই অয়াম্বা পোকএ। সেনত্রেংনা নিংথৌজা সলাই অয়াম্বা পোকএ। পীথেৎনু, অহুমনু মাইরেল হাওবা চনূ, নোংদা নোংখললেম্বী য়ুমজাও লৈমা ওইবী লৈমা অহুম থক্তা তানফংবী নিংথৌ অহুম পানফবী লৈনূং য়াইবী লোকনা, নোংদা লাইরেল পাখঙবা লাইম্না কুয়োই তোমপোকপা নোমোইনুনা তাওথিংমা, হাওনুখুনা খুইনিংঙোলবা। হাওনু হন্না পেংসিবা লাইতোংখুনা কাওখংবা, লাইতোহন্না নাওখমবা মৈদিংঙু নাওখমবনা য়াওরোইবম চনূ পান্নদুনা নাওফংবা পোকএ। সামৈরাংনা নিংথৌ ওইয়ে (১)। থমংলাংনা য়াওরৈবম চনূ পান্নদুনা, চিংমৈশু কোইরেম্বগা শরিক লৈখমবগা অনিমা পোকএ। চিংমৈশু কোইরেম্বনা চিংগাংবম চনূ পান্নদুনা খোংনামবগা নোংইন ফাবগা অনিমা পোকএ। খোংনামবগী ঈদি য়েংখোম শিননাইবম, মরিংময়ুমনে। নোংইনফাবগী ঈদি নোংইনবম, কৈথেললাকপম, মারেম ময়ুমনে, ফিশাবা তোনসোন ময়ুমনে, পানা খাংবম, লাইবা ময়ুমনে। থাংগম শাবম, অমা ময়ুমনে। সরিকপা লৈখমবগী ঈদি খোইরোম অশৈবা ময়ুমনে। খোইরোম শিননাইবা মংলেম ময়ুমনে। অহৈবম, খোইরোম হোংবা ময়ুমনে, নাহাকপম মোনশামবা ময়ুমনে, চকখা শংবম মোইরাংবা ময়ুমনে। মৈদিংঙু শামৈলাংনা নিংথৌ ওইয়ে (৩)। শামৈলাংনা কমবোং থিংকমবোং ৱায়াবনা পোকপী লাইলৈমা পান্নদুনা উর কোনথৌবা পোকএ। নিংথৌ ওইয়ে (৪)। পুংমাইগা অনিমা পোকএ। পুংমাইগী ঈদি ৱাংখৈ ফলামবা ময়ুমনে, থোংগাবম হনু ময়ুমনে, মোইরাং মাইরেমবম অথোই ময়ুমনে। ফিলেম হাংবা ময়ুমনে। মোইরাং শালমবা মুবা ময়ুমনে। মৈদিংঙু উরা কোনথৌবনা খাবরোল নোংত্রেল শুনে, নোংবাল হোয়ামবী অনিমা পান্নদুনা খাবরোলগা নাওহলনে, লোইদারোলনে। নাওথিংখোংনে। নিংথৌ লাংঙানে মরিমক পোকএ। নোংবাললোল হোয়ামবীনা ফৌরা য়াং লাইকোকশু পোকএ। নাওথিংখোংনা নিংথৌ ওইয়ে (৫)। নাওহলনা, খুনদোং নাওথং চনূ পান্নদুনা অথিং হৈরোংবগা নুংথোলবগা অনি অমা পোকএ। অথিং হৈরোংবনা লংমাই ৱাব চিংজা চনূ পান্নদুনা হৈরেম খুনজানা তাবা পোকএ। মাগী ঈগী

মেরা ময়ুমনে। নাওকলশংবম ময়ুমনে, থিংকোলবনা মোইরাং চনূ তাইখুরেম্বী পান্নদুনা তাইখুরেম্বা পোকএ। মাগী ঈদি তাইমজম শাজৌ ময়ুমনে। কৈরেলশংবম অথোই ময়ুমনে। ফৌরা য়াংলাইকোকশুনা অঙোম চনূ তাশোম ঙম্বী পান্নদুনা লাংজা হনবা পোকএ। মাগী ঈদি লৌরেংবম অৱা ময়ুমনে। লৌরেমবম খোংনাংথাবা ময়ুমনে। লৌরেমবম য়েনদ্রেন হনবা ময়ুমনে। য়োইজারোলনে নিংথৌ লাংঙানে অনিমদি শোইনাইনে। মৈদিংঙু নাওথিংখোংনা, পেতংঙানে ফমশুরোলনে, কৈরুহাংবীনে খোইরুলাংমৈ চনূনে, নিংথৌ কুরাউবা চনূনে, নোংবাল শরীমোম্বীনে লমতু লমহোংবীনে, নামুল চাউবীনে, ঈরেম কোলফাবীনে মাপলমা পান্নদুনা পোতংঙানে, নামুল চাউবীনে, ঈরেম কোলফাবীনে অহুম মাদি শোইনাইদে। খমশুরোলনা খোংতেকচাগা পুমফৈ লানথাবগানি অমা পোকএ। খোইরু লাংমৈ চনূনা থিংকোল ঈকুমবী পোকএ: সংখুবী লমতুহোংবীনা থিংনাংশংকলচামবা পোকএ। নোংবাল লোল শরি মোমবীনা নারিল খোমবা পোকএ। খোংতেকচানা নিংথৌ ওইএ (৬)। পুংফৈ লালথবগী ঈদি ঈপুশংবম শমু লোকপা ময়ুমনে। লৈয়ুশুংবম লৈথোল ময়ুমনে, মেনুংহলনা অঙৌবা চনূ লমলেন খোনবী পান্নদুনা খুমন লানথবা পোকএ। মাগী ঈদি খুমনলমবম খোইদোং ময়ুমনে। খোইস্নাম পলিং ময়ুমনে। সিক্কাম ক্লান পান ময়ুমনে। লাইতোনজম তোনা ময়ুমনে। মেনলোংখুনা চাওবা লুওংশুগী মচা য়াংগেন চাওবী পানদুনা মোইরাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি মোইরাম্বা ময়ুমনে। মাইয়াংলমবম মাইচৌ ময়ুমনে। নাওরোইবম লাবা ময়ুমনে। হাওদৈজম চারোল ময়ুমনে। চংনিংহেনবম চাইবী ময়ুমনে। কাংঙশেনবম কবো ময়ুমনে। থিংনাং শংকল চাম্বনা অঙোম চনূ চলমারি হাংঙমবী পান্নদুনা ঙাবং লানথাবা পোকএ। মাগী ঈদি খুনচম খোনবা ময়ুমনে। ঙারংয়ানবম পশা ময়ুমনে। লোইতাম লাইনাই ময়ুমনে। নাওতম তোন পুং ময়ুমনে। নিংথৌ মকা তামবনা অঙোম চনূ ঈরেম কোনফীবী পান্নদুনা খমলাং পোনথাবা পোকএ। মাগী ঈদি খমলাং খোমশংবম খোম্বা ময়ুমনে। ইরোম্বা ঙল ময়ুমনে। নামোইজম মোইরাম্বা ময়ুমনে। লাইশংবম লাইবা ময়ুমনে। থিংনাং শংগল চাম্বনা অশাংবম চনূ মীংলেনখোম্বী পান্নদুনা চিংলেল তেলহৈবা পোকএ। মাগী ঈদি শিননাইবা হনজবা ময়ুমনে। থিংনাইবম মোনশাবা ময়ুমনে। থিংনাইবম তোনবুং ময়ুমনে। নারিলখোম্বনা লংমাই চনূ শংখোম্বী পান্নদুনা খোম্বী

ঈদি অখোম ময়োল ময়ুমনে। মৈদিংঙু খোংতেকচানা পুককৈরেল চনূ পান্নদুনা কৈলেম্বা পোকএ। মানা লোইচাবা চনূ য়াইরেলখোমবী পান্নদুনা য়ারবা পোকএ। মানা লম্বাশু লৈশংঙম্বী পান্নদুনা অয়াংবগা হাওবগা অনি পোকএ।

অয়াংবনা নিংথৌ ওইয়ে (৭) হাওবা কোককী ঈদি খুনদ্রাকপম খুনথৈ ময়ুমনে। কাংঙাবম ঙাংবা ময়ুমনে। লাইকাংবম চাইবা ময়ুমনে। হাওমখো মানশৈ ময়ুমনে। শানৌজম ললহাং ময়ুমনে। ৱাইরোকপম ৱাংলেল ময়ুমনে। লৌরাংবম লাবা ময়ুমনে। য়াংনুয়েবম নোইবা ময়ুমনে। ফিজম তেনবা ময়ুমনে। মৈদিংঙু অয়াংবনা লম্বাশু লমলেখোম্বী পান্নদুনা, নিংথৌ চেংগা, খমদৌবগা অনিমা পোকএ। নিংথৌ চেংনা নিংথৌ ওইয়ে (৮) খমবৌনা অঙৌবা চনূ শিরেম্বী পান্নদুনা, কাইরেল শাইথিলবা পোকএ। মাগী ঈদি শাইরেম মোইরাম্বা ময়ুমনে। মৈদিংঙু নিংথৌ চেংনা লম্বাশু লমলেন খোলবী পান্নদুনা, চেংলৈ ঈপাল লানথবা পোকএ। নিংথৌ ওইয়ে (৯)। মৈদিংঙু চেংলৈ ঈপাল লানথবনা লম্বাশু য়াংলৌ লালথবী পান্নদুনা য়াংলৌ কৈফাবা পোকএ। নিংথৌ ওইয়ে (১০) মৈদিংঙু কৈফাবনা খোংলৈমা পান্নদুনা ঈরেংবগা নাওহুই পানবগা অনি অমা পোকএ। মাগী ঈদি সোইয়াম শকথী ময়ুমনে। মৈদিংঙু ইরেংবনা হাওরৈমা তমহৈবীগা, হাওরৈমা পিদোংনু ফাবীগা অনিমা পান্নদুনা হাওরৈমা তমহৈবীনা লোইয়াম্বা পোকএ। পিদোংনু ফাবীনা খমলাং পামশাবা পোকএ। লোইয়াম্বনা নিংথৌ ওইএ (১২) খমলাং পামশাংবনা অঙৌবা য়ানথবা চনূ পানবা ফাবী পান্নদুনা লৈরেলহনবা পোকএ। মাগী ঈদি মুতুম লৈশা পামবম থিনবা ময়ুমনে। হুইরোংবম মুবা ময়ুমনে। মুতুম পনশা ময়ুমনে, কোংবচম ৱাকোং ময়ুমনে। নহাকপম অকোং ময়ুমনে। খুমনথেম পনশা ময়ুমনে। হৈস্নাম তোনবা ময়ুমনে। ফিবা তোনবা ময়ুমনে। চোমচনবম অর্জ্জুন ময়ুমনে। শিননাইবম মোনশাং ময়ুমনে।

অহন্থেম পামশা ময়ুমনে। হয়িংথেম হাওবা ময়ুমনে। ইরোম শাজৌ ময়ুমনে। মৈদিংঙু লোইয়াম্বা শুমলৈমা লমমেংহোংবী পান্নদুনা লোইতোংবগা ফিশুখোং তাবগা অনি পোকএ। লোইতোংবনা নিংথৌ ওইয়ে (১৩)। ফিশুখোং তাবনা অঙৌবা চনূ পান্নদুনা কৈশিংঙম্বা পোকএ। মাগী ঈদি কৈশাম শমু লোকপা ময়ুমনে। লৈচোনপম খুল পামবা ময়ুমনে। ইরেংবম চেংঙা ময়ুমনে। শাদোকপম শাইপু ময়ুমনে। চরোইবম কামবা ময়ুমনে। ৱাংখৈবম মচোল ময়ুমনে। মৈদিংঙু

লোইতোংমনা শংলৈমা পান্নদুনা অতোন য়োইরেলবনে হেমদৌ ইয়ুরাল থাবনে, শারাবনে অহুম পোকএ। অতোম ইয়ুরেম্বনা নিংথৌ ওইয়ে (১৫)। মৈদিংঙু অতোম ইয়ুরেম্বনা খায়োমরোল লিকলাং খোমহনবী পান্নদুনা তৌরেন খুবগা, তৌরেল হনবগা অনিমা পোকএ। তৌরেন হনবদি শোইনাইদে। তৌরেল খুবনা খুমনথেম চনূ তোমপোকপী পান্নদুনা, অতোমনহা সংগাইপামবা পোকএ। হেমদৌ উয়ান থাবনা নিংথৌ ওইয়ে (১৬)। সারাবনা পুংগ্রাইবম চনূ ক্লাঙমবী য়োয় থোংনাইয়ে সেরানে, চনানে, কলাবনে, পাংগ্রানে, মঙামক-পোকএ। য়োয় থোংনাইগী মচাদি লোইতোংবম নোইবা ময়ুমনে। মচাগী ঈদি লোইতোংবম চাঙান পানবা ময়ুমনে। কলাবগী ঈদি ৰাঙুগী লোইতোংবম ক্লাকপা ময়ুমনে। পাগ্রাগী ঈদি লোইতোংবম পরৌ ময়ুমনে। মৈদিংঙু হেমদে ইয়ুরান থাবনা খুরোইঙম্বীগা অঙোম চনূ হেমখু ঙম্বীগা অনিমা পান্নদুনা, খুরোইঙম্বীনা খুরোংবা পোকএ। থৱান থাবা সুং মেংসানহা সংগুখয়া চাইবা সুং নিংথৌ পোংনাও তাবা সুং মরিমা পোকএ। হেমখু ঙম্বীনা চকলাই হোংখু ঙম্বা পোকএ। মাগী ঈদি পাওনম লাইঙম্বা ময়ুমনে। থাংজম চেকশা ময়ুমনে। খুরোম্বগী ঈদি ইরুংবম খারোই ঙম্বা ময়ুমনে। লুক্রাম তেনবা ময়ুমনে। স্বারারেল শংবম সেবা ময়ুমনে। নোংথোনবম পুংথোল ময়ুমনে। নিংথৌ পোংনাউ তাবগা মিংসা নহঙ মুংয়াইচাইবগা অনিমাদি সোইনাইদে। মৈদিংঙু থৱান থাবনা তৌগাইঙম্বী পান্নদুনা চিংথাং লানথাবগা সামৈসুগা অনিমা পোকএ। চিংথাং লানথবনা নিংথৌ ওইএ (১৮)। সামৈসুগী ঈদি ফমদোম শমু লোকপা ময়ুমনে। চরোইবম চাইবা ময়ুমনে। চিরোম ওমবা ময়ুমনে। খোইদোংবম চিয়ামবা ময়ুমনে। মৈদিংঙু চিংথাং লানথবনা নিংথৌ পোকপী পান্নদুনা পুরালথাবগা, খুমোমবগা অনিমা পোকএ। পুরাল থাবনা নিংথৌ ওইএ (১৯)। মৈদিংঙু পুরাল থাবনা য়াওশোমবী পান্নদুনা কোকপগা স্না লোকবা অনিমা পোকএ। খুমোমবনা নিংথৌ ওইএ (২০)। স্না লোকপগী ঈদি নামৈরাকপম মোইরাম্বা ময়ুমনে। মৈদিংঙু খুমোমবনা য়াংলৈ ঙমবি পান্নদুনা মোইরাম্বগা তাকনোংগা অনিমা পোকএ। মোইরাম্বনা নিংথৌ ওইএ (২১)। তাকনোংনা লাংমাই ৰাবা চিং চনু ময়োল ঙম্বী পান্নদুনা হৈজাংপাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি নামৈরাকপম হাওসোমবা ময়ুমনে। মিদিংঙু মোইরাম্বনা খুমন খোম্বীনে, অঙৌবা উশম চনূ মেতেক ঙম্বীনে। য়াওরৈবা চনূ অরৈনু নু ফাবীনে, অহুমগা পান্নদুনা খুমন খোম্বীনা থংবী লানথবা পোকএ। লানথবনা য়োইরাংপোক পুন্সিবগী মনাউ

নিংথৌ ওই (২২)। উসম চনুনা লোইজা অমবা পোকএ। মাগী ঈদি হুইদ্রোম লুকোক ময়ুমনে। য়াওরৈবী চনুনা য়াংলৈ ঙম্বা পোকএ। মাগী ঈদি য়ুম্লাম, মোইবুংলোকপম, মাইচৌ ময়ুমনে। য়ুম্লাম শিনাইবদা লৈবী কোইরেম্বা ময়ুমনে। মৈদিংঙু থংবী লানথবনা মোইরাং লৈমা য়ুরেন তোমপোকপীনে, লৈমা খুবী অঙৌ নিংথৌ তরা চনূ মিংশেল ঙম্বীনে। য়ুংখু চনু শংগোইরেম্বীনে, য়াংগোইসু মেনখু লেম্বীনে থোংবম চনূ কশোম ঙম্বীনে, লৈমা থংতা খুনৌবম চনূ তাকনোং নোংশাবীনে, তরুকমা পান্নদুনা য়োইরেল তোমপোকপী, খুমন খোম্ব, পুনিংনাইবা পোকএ। মাগী ঈদি নোংথোম্বম খাং পোং ময়ুমনে নিংথৌ তরা চনুনা স্না ঈনলেন খানবী পোকএ। মাগী ঈদি খুমন চরাকপম লমফেল ময়ুমনে। অহৈবম সাখোমবা ময়ুমনে, য়াংগোইসুনা স্না লেমবা পোকএ। মাগী ঈদি লাংপোকলাকপম তেনবা ময়ুমনে। নিংথৌজম ক্রামবা ময়ুমনে। নাকনবম পুংধোল ময়ুমনে। হাওমোম মোইরাম্বা ময়ুমনে। থোংবম চনূনা লোইজা ঙমবা পোকএ। মাগী ঈদি নিংথৌজম থোইবা ময়ুমনে। চিংবম পাংঙল ময়ুমনে। য়ুমনাম কবোদা লৈবা ময়োল ময়ুমনে। স্বারারেল শংবম য়ুমনাম ক্রামবা ময়ুমনে শনজেলবম অরোই ময়ুমনে। সেরাম লাংমৈ ময়ুমনে। য়েনশেনবম হাওজৌ ময়ুমনে। য়ুমখুবম চনুনা ক্বাকপা থব্রাল থাবা পোকএ। মাগী ঈদি থৌদাম লমথোক ময়ুমনে। ক্বাকপা থব্রাল থাবনা ময়াংদা পোকলুইয়ে। থোংনাংখোং মরিমচা চিংখু লেমবীনা পোকপদি হাদিকানে, হাদংনে অনিমা পোকএ। হাদিমাগী ঈদি শগোলশেমবম সামারাম ময়ুমনে। ঙাথেম পুকচাও ময়ুমনে। শগোলশেমবম অমোম শেনবম, হাওচৌ ময়ুমনে। হোদংগী ঈদি স্না চম মানসৈ ময়ুমনে। হোরদাম হোংবা ময়ুমনে, শাইখোই খুললিং ময়ুমনে। মৈদিংঙু কোংয়ামবনা নিংথৌ ওইএ (২৩)। মৈদিংঙু কোংয়ামবনা নোংবানলোল খম্বা শাবীগা কবো চনু খে খোম্বীগা অনিমা পান্নদুনা খম্বা ফবীনা তেলহৈবগা তোনাবগা অনিমা পোকএ। কবো চনু স্নারা পোকএ। তেলহৈবাসুং তোনাবসুং নিংথৌ ওইয়ে (১৫-১৬)।

মৈদিংঙু তোনাবনা লাংগোংশু কোংয়ামবী পান্নদুনা কোংয়াম্বা পুনিংনাইবা পোকএ। খুইবা শুং অনিমা পোকএ। কোংয়ামবগী ঈদি সনথাম লাবা ময়ুমনে। খোইরিয়ানবম থোইবা ময়ুমনে। খুল পাম অখোল ময়ুমনে। খোইবগী ঈদি নিংথৌজম শকথী ময়ুমনে। নুমিৎলৈম শংবম ময়ুমনে। সাংগাইশেলবম অখুল ময়ুমনে। সৌগ্রাকপম চিংশোমবা ময়ুমনে। মৈদিংঙু হওনুহন্না পেংশিবা ১।

তেলহৈবনা স্না লেমবী পান্নদুনা তবুংবগা স্না শাংনু খোইরাকপগা অনিমা পোকএ। তবুংবনা পিকলিঙৈদা তোনাবনা নিংথৌ ওইএ (২৬)। মৈদিংঙু তোনাবনা শেমবুং লোকপী পান্নদুনা খাংশু নহা অতোনবা পোকএ। মাগী ঈদি খাংশুলাকপম তোনশেন ময়ুমনে। ফি শাবা লৌক্রাকপা মাইচৌ ময়ুমনে। স্না পুরাম্বা মশা ময়ুমনে। শৌগ্রাকপম মানশৈ ময়ুমনে। তবুংবনা চাওরকলবদা তোনাবনা ফম্বাল কুমদুনা তবুংবনা নিংথৌ ওইএ (২৭)। স্না য়াংনুগী ঈদি তৈলহৈবম তেনবা ময়ুমনে। মৈদিংঙু তবুংবনা নামফৌ ঙম্বী পান্নদুনা লাইরেম্বগা পুনশিরগা অনিমা পোকএ। লাইরেম্বনা নিংথৌ ওইএ (২৮)। শোইনাইদে। পুন্সিবনা অমরক নিংথৌ ওইএ (২৯)। মৈদিংঙু পুনশীনবনা লামবাশু লিকলাই ঙম্বী পান্নদুনা নিংথৌ খোম্বা পোকএ। নিংথৌ খোম্বনা নিংথৌ ওইএ (৩০)। মৈদিংঙু নিংথৌ খোম্বনা মীংথোইঙম্বী পান্নদুনা ক্রামবগা শানোংবগা, ৱাংখৈরাকপগা অনিমা পোকএ। ক্রামবনা নিংথৌ ওইএ (৩১)। সানোংবা ৱাংখৈরাকপগী ঈদি ক্রামপম লোকপা ময়ুমনে। মৈদিংঙু ক্রামবনা শেনবুং লোকপীনে লৈশাং নিংথৌ চনূ লৈত্রেংঙম্বীনে অনিমা পান্নদুনা, শেনবুং লোকপীনা লমগাইঙম্বা পোকএ। নিংথৌ ওইএ (৩২)। লৈশাং নিংথৌ চনূনা নোংথোনবগা অৱাংথোংলন লানফবা য়াইমবা স্না কৈথেল লানথবগা অনিমা পোকএ। হিজম চনূনা খম্বা, অকোইজম তাবা পোকএ। থাংজম চনূনা খমলাং পামসাংবা ৱাংখৈরাকপা পোকএ। মুংয়াম্বা খুরাই লাকপা অনিমা পোকএ। মৈদিংঙু পামহৈবনা নিংথৌ ওই (৪৩)। লোইয়ুম্বনা হাওবম চনূ শিললেমবীগা ময়াংলমবমচনু থবাবীগা অনিমা পান্নদুনা স্না মোইরাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি কৈ, থল্লাকপমগী কিশোর সাই ময়ুমনে। ময়াংলমবম চনূনা অভিরাম পোকএ। মাগী ঈদি তখেললম্বম মরকুন্দ সাই ময়ুমনে। খমপামবনা শাৎপম চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি অকোইতাবা রামচরন ময়ুমনে। খামলাং পামশাবা ৱাংখৈরাকপনা সাৎপম চনূ চরাইবীগা খাম্রং চনু সংলৈবীগা অনিমা পান্নদুনা সাৎপম চনূনা ধনি সাই পোকএ সোয়নাইদে। খাম্রং চনূনা গরিবনসাই পোকএ। খামলাং পামসাংবগী ঈদি ৱাংখৈরাকপম ভরগা পনদা সিং ময়ুমদা মোংয়াম্বনা উসম চনূনে কবো সেনলুংবম চনূনে য়াইখোম চনূনে, তাওরেম চনূনে, মরিমা (পান্নদুনা উশম চনুনা রশিকা নন্দনে, তানজৌনে অনিমা পোকএ) অনিমা সোনাইদে। য়াইখোম চনূনা রাম মরাল সাইনে, মুকুন্দ সাইনে, কৃষ্ণ সাইনে। অহুমনা পোকএ। রাম মরাই সাইগা মুকুন্দ সাইগা অনিমা সোইনাইদে। কবো ওইখিয়ে। লাইনিংথৌ খুনজাওবনা

সেংলুংবম চনূনা নন্দ পোকএ। মহাকশু সোইনাইদে, তৈরেম চনূনা মুকিন্দ নন্দ পোকএ। খুরাইলাকপা মোংয়াম্বগী ঈদি পাৎচা হনবমগী শ্যাসাই ময়ুমনে। মৈতৈ লৈমা সাৎপম চনূ নুংথেল চাইবীনা মৈংদিঙু পামহৈবা অরা থোংলেন লানদাবনা মৈতৈ লৈমা য়োইরুমলোল লমবাশু তাইবং লানথাবীগা মৈতৈ লৈমা কৎতরান চনূ মরক ঙম্বীনা লৈমা খুবী য়াওহনবম চনূ তরসেং ঙম্বীগা চিংঙাখম চনূ অপানবী ঙম্বীগা য়াইখোংঙম্বীগা, লৈমা খুবী মাইবম চনূ লোইবী সরাই ঙম্বীগা য়ৌইরুমলোল লম্বাশুগা তরা মক পান্নদুনা মৈতৈ লৈমা লম্বাসু তাইবং লানথবীনা মৈদিংঙু ঙাইনা চিংশোমবা নোংপোকবগা পাইলাকপা পোকএ। লৈমখুবম য়াহৌবম চনূনা তারসোম ঙম্বীনা লম ক্রামবা পোকএ। ঙাংবম চনূ পাংগা কৈথেল থানবীনা খমলাং পামশাবা পোকএ। মীংথোই ঙম্বনে, লোয়ামবনে, মঙামা পোকএ। চিংঙাখনবম চনূনা হরি চরন পোকএ। ক্রাপ্রাৎ থোনসাইশুং, দুহোল সাইসুং অহুমমক পোকএ। য়াইখোম চনূনা হরিসাই পোকএ। লাইরিকয়েংবম চনূনা লৈরি খোনবা পোকএ। লৈম খুবম মাইবম চনূনা ধরসাই পোকএ। শোইরুমলোল লম্বা শুনা মেধ শাইগা তুলসি শাইগা অনিমা পোকএ। লমক্রামবগী

ঈদি ক্রেকুপান্দা তাবা প্রেমচান্দ ময়ুমনে। খম্বা পামদি সোইনাইদে। মৈদিংঙু মেংখোম্বদি নিংথৌ ওইয়ে (৪৪)। মাগী ঈদি দেপ্রাসাইনে। ময়াংলমবম মকাদা চংখ্রে থমংলাংশুং ময়াংদা চংখ্রে। মাগী ঈদি লবঙ্গা সাই ময়ুমনে। সমৈরাংদি সোইনাইদে। মোংয়ামবগী ঈদি লাইশংবম গোবিন্দ সাই ময়ুমনে। মৈদিংঙু মিংথোই ঙম্বনা নিংথৌ ওইয়ে (৪৫)। মাগী ঈদি কর্ম্মালা নন্দ ময়ুমনে। অরাদা চংখ্রে। লোইয়াম্বগী ঈদি কবোতাবা হরিচরণ দগী ঈদি ব্রাংখৈরাকপম চগাতা ময়ুমনে। গরদাধর সাইগী ঈদি খুরাইলাকপম প্রেমচান্দ ময়ুমনে। লৈরি খোমগী ঈদি মন্ত্রি ময়ুমগী কোকিলা নন্দ ময়ুমনে। ধরসাইগী ঈদি খ্বাইরাকপা ভবধা ময়ুমনে, মেঘাসাইনে। তুলসি সাইনে অনিমা সোইনাইদে। মৈতৈ লৈমা লম্বশু তাইবং লানথবীনা মৈদিংঙু কাইনৌ চিংশোমব নোংপোক নুংগা পাই লানথবনা মৈতৈ লৈমা ঈরাংলোন মরিং লোইখোম্বী পান্নদুনা মৈদিংঙু ভবানন্দগা মরিমা পোকএ। মৈদিংঙু মরাম ঙম্বনে, মৈদিংঙু চিংথং খোম্বনে অনিমক নিংথৌ ওইএ (৪৭)। মৈদিংঙু মরামবদি শোইনাইদে। মৈদিংঙু লোইখোম্বীনা নিংথৌ য়োইরেল তোমপোকপা ম্না ঈদা কাফবা মৈদিংঙু লাইরেল মৈদিংঙু কাইনৌ চিংশোমবা পাইরৈ নিংথৌ হনবা নিংথৌরেলনে। কোইরেম্বগা অনিমা পোকএ। নোংথোনবদি শোইনাইদে। কোইরেম্বনা নিংথৌ ওইএ (৩৩)।শোইনাইদে।

মৈদিংঙু ক্রামবনা চকখা তাংখুল ঙম্বীগা চংনিং ফাবীগা লৈশাং নিংথৌ চনূ নোইন ফাবীগা অহুম মক পান্নদুনা চকখা তাংখুল ঙম্বীনা কবোমবা পোকএ। চংনিং ফাবীনা নোংইনবা পোকএ। নিংথৌ ওইএ (৩৪)। শোইনাইদে। মৈদিংঙু কমবোংবশু নিংথৌ ওইএ (৩৫)। মৈদিংঙু কমবোংবনা থিংবী ঙমবী পান্নদুনা লিশিং চাইবা পোকএ। লাই ওইখরে (৩৬)। মৈদিংঙু তাংখোম্বীনা অঙোম চনূ স্না চেমলেম ঙম্বী পান্নদুনা শাওমচম্বা পোকএ। মাগী ঈদি লোইতোংবম মন্ত্রি ময়ুমনে। খুমন খোমবীনা থংবী লানথবা ঈৱাংলোন য়োইরেন তোমপোকপীনা খুম্মোমবা পোমমিংনাইবা, নোংজেংপুনা খোংজোমবা, খম্বা ফাবীনা নোংথোনবা থেঙ্গুরাই ফাবা য়াংগোইশুনা স্না লেমবা, ওমবু শাকং লাকপম চনূনা পুমিংনাইবা খোমজোমবা, লৈরোংলাকপা তোলোংখোমবা চনূনা সালুংবা লাললুমখোংবা, সানোংবা লাললূংঙম্বনা হাওচোম ঙম্বীগা লৈচোল লাকপা তোলোংখোমবা চনূ তরুঙম্বীগা অনিমা পান্নদুনা হাওচোংঙম্বীনা খোংনামবগা, চলামবগা অনিমা পোকএ। চলামবনা নিংথৌ ওইএ (৩৭)। লৈচোম লাকপা তোলোম খোম্বা চনূনা চিংয়া য়াংবগা পুরান থাবগা অনিমা পোকএ। খোংনামবগী ঈদি ৱাংখৈলাকপম কোংয়াম্বা ময়ুমনে। চিংয়া য়াংবগী ঈদি ৱাংখৈ পুখ্রমবা ময়ুমনে। পুরানথাবগী ঈদি মোইরাং নিংথৌ য়ুরুংবমনে। মৈদিংঙু চলামবনা মৈতৈ লৈমা লেমফেল ঙম্বীনে, লৈমা খুবী ওংবম চনূ তোলোংখোম্বীনে অনিমা পান্নদুনা লমফেল ঙম্বীনা মোংয়াম্বা পোকএ। নিংথৌ ওইয়ে (৩৮)। কোংয়াম্বা চনূনা খ্বাইলাকপা লাললুম্বা পোকএ। মাগী ঈদি খ্বাইরাকপা তাংখোম্বা ময়ুমনে। মৈদিংঙু মোংয়াম্বনা মৈতৈ লৈমা চাংবোমবীনে, থোকচোম চনূ খোমলেন হোংবীনে অনিমা পান্নদুনা, মৈতৈ লৈমা চাংবোংবীনা লাইনিংথৌ খাগেম্বগা খুরাইলাকপা চিংশোমবগা, সানোংবা য়াইসকুল্লাকপগা অহুমমা পোকএ। খাগেম্বনা নিংথৌ ওইত্রে (৩৯)। থোকচোম চনূ খোম্বা পুখ্রনবা পোকএ। মাগী ঈদি নোংমৈকাপম অরোই ময়ুমনে। তেনশুবম কোংয়াংবা ময়ুমনে। খুরাইলাকপা চিংশোম্বগীদি খ্বাইলাকপম অচৌ ময়ুমনে। মানা শোইনাইদদুনা শানোংবগী ঈনা য়ুম লেপখিয়ে শানোংবগী ঈদি খ্বাইলাকপম লোকপা ময়ুমনে। থংবী য়ুমখাইবমনে। লাইনিংথৌ খাগেম্বনা মৈতৈ লৈমা তাইবোমবীনে অঙোমচনু নোংথেল চাইবীনে, অনিমা পান্নদুনা তাইবোম্বীনা লৈশাম হিদেন তাবা অহল চোম্বগা খুলজাওবগা তোনাবগা অহুমমা পোকএ। নোংথেল চাইবীনা লাইনিংথৌ তাইবং খাইবা পোকএ। লাই

নিংথৌ ওইএ (৪০)। শোইনাইদে। খোংজোমবশু শোইনাইদে। মৈতৈ লৈমা তাইবোংবীনা মৈদিংঙু তোনাবা পোকএ। মৈদিংঙু তোনাবনা নোংপোক খোংফেল থৌবনা মৈতৈ লৈমা নাওশোম চনূ তাংজ খোম্বীনে, অঙোম চনূ পোরোম ফাবীনে শোইবম চনূনে, মরিমা পান্নদুনা মৈতৈ লৈমা তাংজ খোম্বীনা য়াইসা খুল্লাকপা স্না হি হোলহনবা লাইনিংথৌ পাইখোম্বনে, তোনশেন ঙমবা অহুমমা পোকএ। শোইবম চনূনা চাম ফাবনে, তাংখোমবনে, কবোমবনে, অহুমমা পোকএ। অহুম্মক শোইনাইদে। পোরোম ফাবীনা য়াইসকুললাকপা অচৌনে, সমৈরাং অতোমবনে অনিমা পোকএ। অনিমক শোইনাইদে। লাইনিংথৌ পাইখোম্বনা নিংথৌ ওইএ (৪১)। মানা হাওবম পোমলেন খোম্বী পান্নদুনা শোইনাইদে। স্না হিহোলহনবশু শোইনাইদে। মৈদিংঙু তেনশেল ঙম্বনা মৈতৈ লৈমা ঙাংবম চনূ ঙাইখোংঙম্বী পান্নদুনা লাইনিংথৌ চরাইলোংবা পোকএ (৪২)। মৈদিংঙু চরাইরোংবনা মৈতৈ লৈমা সাৎপম চনূ নুংথেল চাইবী, মকক লোইখোম্বীনে, হিজম, নোংথোম্বম চনূ শেঙ্গোই ঙম্বীনে, থাংজম চনূ থবা ঙম্বীনে অহুমমক পান্নদুনা মৈতৈ লৈমা নোংথেল চাইবীনা মৈদিংঙু পামহৈবা পোকএ।



লৈনুংয়াবীরোকনা নোংদা লাইরেন পাখংবা ১। লাইস্নানা খুইয়োই তোম্পোক ১। নোংমোইনুনা তাউথিংমাং ১। হাওনুখুনা খুইনিংঙোনবা ১।

লাইতোংখুনা কাউখংবা ১। লাইতোংহন্না নাউখম্বা ১। তরেৎমা অসিদি লাই ওইখিয়ে ॥০॥

য়াওরৈবা চনূনা নাউফংবা ১। কাইরৈমানা শামৈরাং ১। লাইরৈমানা কোম্থৌবা ১। খাবরোন্না নাউথিংখোং ১। খমসুরোন্না খোঙতেকচা ১। পুকৈরেন চনূনা কৈরেনচা ১। লোইচাবা চনূনা য়ারাবা ১। লাম্বাশূনা অয়াংবা ১। লাম্বাশূনা চেংলৈ ইপান লাম্থবা ১। লাম্বাশূনা য়াংলৌ কৈফাবা ১। খোংলৈমানা ইরেংবা ১। হাওরৈমনা লোইয়ম্বা ১। সুমলৈমনা লোইতোংবা ১। নোংবাল্লোন সংলৈমনা অতোম য়োইরেনবা ১। শংলৈমনা ইৱান্থাবা ১। লিনঙরোন খুরোইঙম্বীনা থৱান্থাবা ১। তৌগাইঙম্বীনা চীংথাং লাম্থবা ১। নিংথৌপোকপীনা পুরান্থাবা ১। নিংথৌপোকপীনা খুমোম্বা ১। য়াংলৈঙম্বীনা মোইরাম্বা ১। খুমন খোম্বীনা থংবীলান্থাবা ১। য়াওশোম ঙম্বীনা কোংয়াম্বা ১। খম্বা ফাবীনা তেলহৈবা ১। তোনবা ১। স্নারেম্বীনা তবুংবা ১। লম্ফেন ঙম্বীনা লাইরেনবা ১। লম্ফেন ঙম্বীনা পুনশিবা ১। লাম্বাশূনা নিংথৌখোম্বা ১। লিম্থোই ঙম্বীনা ক্যাম্বা ১। লৈশাংথেম চনূনা কোইরেম্বা ১। শেনবুং লোকপীনা লমগাই ঙম্বা ১। খয়োইরোন চংনিংফাবীনা নোংয়িন ফাবা ১। চাখা তাংখুল ঙম্বীনা কবোম্বা ১। লৈশাংথেম চনূনা অতাংজাম্বা ১। হাওচোং ঙম্বীনা চলাম্বা ১। লম্ফেল ঙম্বীনা মুংয়াম্বা ১। কাইনৌ চাংপোম্বীনা খাগেম্বা ১। কৌবরোন তাইরোং ঙম্বীনা খুঞ্জাওবা ১। তাংজাখোম্বীনা পাইখোম্বা ১। ঙাইখোং ঙম্বীনা মহারাজ চরাইরোংব ১। খয়োইরোন নুংথিনচাইবীনা মহারাজ পামহৈবা ১।ইৱাংলোন চাখা মরিং লোইখোম্বীনা মহারাজ মরাম ঙম্বা ১। (ইরাংলোন চাখা মরিং লোইখোম্বীনা মহারাজ চিংথংখোম্বা ১। খয়োইরেন) লীকলাং খোম্বীনা লোইরেন খোম্বা (খয়োইরোন মেতু লোইখোম্বীনা তমলেন খোম্বা ১।) চিনফুরোন সেকপাওঙম্বীনা মহারাজ নোংচুপ ফাল্লোক ৱাইরংপামহৈবা ১। খয়োইরোন নুংথিল চাইবীনা মহারাজ নোংপোক ৱাইরংপামহৈবা ১। নোংসুরোন খুম্বোংশূনা মহারাজ চীংলেন নোংদ্রেনখোম্বা ১। য়োইরুমলোন পোংলেন খোম্বীনা মহারাজ নাউজিংলেন নোংদ্রেনখোম্বা ১। ইৱাংলোন লোয়ম চাপু হোঙপা চনুনা মহারাজ লৈরেন নোংলেন শেন্দ্রেং মনিক খোম্বা ১। য়োইরুমলোন খোংলৈমনা মহারাজ মনিক নুংলেন খোম্বা ॥০॥

য়াওরৈবা চনূনা নাউফংবা। মৈদিংঙু নাউফংবনা খূমন নিংথৌ

কচেং খুয়াবনা পোকপী কাইরৈমাগা য়াওরৈমা চনূগা অনীনা পান্নদুনা কাইরৈমনা শামৈরাং পোকএ। নিংথৌ ওইএ। য়াওরৈমা চনূনা থমংলাং পোকএ। থমংলাংনা য়াওরৈবা চনূ পান্নদুনা চীংমৈসু কোইরেম্বগা শরিকপা লৈখম্বগা অনিমা পোকএ। চীংমৈসু কোইরেম্বনা চীঙ্গাংবম চনূ পান্নদুনা খোংনাম্বগা নোংয়িন ফাবগা অনিমা পোকএ। খোংনাম্বগী ঈদি য়েনখোম শিনাইবা খোরিগী ঈ। লম্বুন তাবা কৃতিধ্বজ ময়ুমনে। কৃতিধ্বজদগী খাইবা তাম্রসিং ময়ুমনে। য়েনখোম নন্দ ময়ুমনে। ককব্রা তাবা বীরসিং ময়ুমনে। এনখোম কোনশাবা গৌর লাক্তে। এনখোম য়াইরিপোক তাবা বলরাম ময়ুমনে। হঙ্গুন তাবা গঙ্গারাম লাক্তে। অঙোম নাই মুকুন্দ লাক্তে। এনখোম ককচীংদা লৈবা হেরাসিং ময়ুমনে। খোমদ্রাম তিন্নবা এনখোম লৈশাংথেম তাবা তুলসিং ময়ুমনে। এনখোম থাঙ্গংশাবা লম্ফেন মপান তাবা শামু ময়ুমনে। এনখোম পোৎশংবদা লৈবা থাঙমৈবন তাবা শাজৌ ময়ুমনে। (এনখোম উমং শঙবা শোইরবোন থিঙেন তাবা শামু ময়ুমনে।) এনখোম তেংখন্দা লৈবা খোরি লাক্তে। খোইরোমদগী খাইবা এনখোম খোইয়থোং তাবা আর্জুৎসিং ময়ুমনে। এনখোম শগোলবন তাবা পদ্মসিং ময়ুমনে। এনখোম হীদাকশুবা মোইদাংপোক তাবা লোকনাথ ময়ুমনে।।০।। মনাউ নোংয়িনবগী ঈদি কৈথেল্লাকপম রামগী ঈ নম্বুন তাবা চিংবা ময়ুমনে। কৈথেল্লাকপম ব্রাংখৈ লৈকাই তাবা ধর্ম্মসিং ময়ুমনে। ফি শাবা খুরাই তাবা জয়সিং ময়ুমনে। ফোইজিং তাবা এনখোম শ্বরসিং চোথেনে।।০।। শরিক লৈখমগী ঈদি খোইরোম হেমগী ঈ কংদোংবী তাবা তুলসিং ময়ুমনে। খোইরোম য়াইরিপোক তাবা চাউবহন ময়ুমনে। থাঙ্গা খোইরোম অচৌ ১। চাখাবা শঙবা রূপসিং ১। য়ুমলেনবম তিন্নবা অকোং লাক্তে। চান্দ লাক্তে। সুগ্নুগী খোইরোম কিয়াম্বা লাক্তে। নাহাকপম থম্বাল লৈমনাই তাবা মাইব খনবা কুকিলা ময়ুমনে। ময়াং কৈনৌ তাবা লখন লাক্তে। খোইরোম পোৎশংবদা লৈবা থৌবান লাক্তে।।০।। নাউরেমদা পকপা তেনবা লুংবগী ঈদি ব্রাইখোম হিনাউ হনবা ললহাম্বা লাক্তে। ব্রাইরোম হরিচরন লাক্তে। ব্রাইরোম হীদাকফূ ফানবদা লৈবা অকোই লাক্তে ।।০।। মৈদিংঙু শমৈরাংনা কম্বোং নিংথৌ চনূ লাইরৈমা পান্নদুনা মৈদিংঙু উরা কোম্থৌবগা পুংসাইগা ২মা পোকএ। মৈদিংঙু উরাকোম্থৌবনা নিংথৌ ওইএ। মনাউ পুংসাইগী ঈদি ব্রাংখৈ ফলাম্বা লৈমানাই ওইরিবসুং লাক্তে। য়ুমঙাকপা নেত্রসুং লাক্তে। তোঙ্গাবম মুহোন লাক্তে। শংলেন পশি লাক্তে।

মোইরাং মাইরেনবম খোংলেমগী ঈদি উরিবা ময়ুমনে। মোইরাং মাইরেনবম কৃষ্ণান্দ ময়ুমনে। মোইরাং ফেলেম লবঙ্গ ময়ুমনে। ফেলেম থোইবা ঙাংলৌরাকপা ময়ুমনে ॥০॥ মৈদিংঙু উরাকোম্বৌবনা খাবারোম নোংজেংশূনে নোংবান হোইয়াম্বীনে ২মা পান্নদুনা খাবরোন্না নাওহন্নে, য়োইচারোন্নে নাউথিংখোংনে, নিংথৌরাংঙানে ৪মা পোকএ। নোংবান হোইয়াম্বীনা ফৌরাংয়াং লাইকোকসু পোকএ ॥০॥ মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা নিংথৌ ওইএ। নাওহন্না খুন্দোং নাউশং চনূ পান্নদুনা অথিং হৈরোংবগা নিংথোনবগা ২মা পোকএ। অথিং হৈরোংবনা লংমাইথেম চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি হৈরোম মৈরৈমা শঙবম খুরায় তাবা পাঙন ময়ুমনে। ককচীং ৱাইরী মুরারিগী ঈদি সদানন্দ ময়ুমনে। খুলেন কোংয়াম্বা লাক্কে। ৱাইরী শকথি লাক্কে॥০॥ মনাউ নিংথোনবম মোইরাং চনূ তাইখুরেম্বী পান্নদুনা মাগী ঈদি তাইমজম মোইরাংখোম তাবা থাবাগী ঈদি মেঘ ময়ুমনে। কৈরেন শংবম তাইজম খেমাসিং ময়ুমনে। তাইমজম শাৎপমদা লৈবা চরোই লাক্তরে। পাঙ্গনবম অচৌ লাক্কে। তাইমজম খেমা ময়ুমনে। তাইমজম নাউরেম চাপ্রৌ তাবা পুরুমতোমগী ঈদি বীরসিং ময়ুমনে। হুইরোংবম তিন্নবা চীংঙামখা তাবা তাইমজম ভাগিরোৎসিং ময়ুমনে। তাইমজম নাউরেম কাহ্নগী ঈদি ঔৱাদা লৈ। মথং ককৱাদা লৈবা যগদানা য়ুম ঙাকলিয়ে। অরোংদগী লাকপা তাইমজম লৈশং ময়ুমনে। খুন খাইবা পাঙ্গন লাক্কে। অরোং খুন খাইবা খুন্নিংগী ঈদি লৈশংদা তিল্লে। তাইমজম চীংঙামখা তাবা চাউবা ময়ুমনে। অরোংদগী তাইমজম মোদোন ময়ুমনে। ময়াং কৈরেন শংবা তখেম্বা লাক্কে। ৱাকচীংকৈ তাবা লাক্কে। লমলোঙ্গৈ লাক্কে। ইরোইশেনবা তাবা লুৱাংবা লাক্কে। তাইমজম শকথি লাক্কে। অঙোম নাই মরেম লাক্কে। চঙাংগৈ তাইমজম লাক্কে। তাইমজম চেংবা লাক্কে। থিনুঙ্গৈ হোংবা লাক্কে। শামুরৌ তাবা তাইমজম বীরসিং ময়ুমনে। চরাংপাৎ তাবা তাইমজম লাক্কে। হাওবমদা লৈবা অচৌ লাক্কে। শঙ অহনবগী তাইমজম জয়সিং ময়ুমনে। চীংজরোইবী মনাই লুৱাং লাক্কে। চীংঙাখমদগী তাইমজম পূর্ণসিং ময়ুমনে। নাওহনগী ঈনি হায়না নৌনা নাউরেমদা পকপা তাইমজম ঙৌবা ১। খোইনাই ১। লাপন্নে। তেম্বাগী তাইমজম ছত্রেশ্বর ময়ুমনে। চুম্বাদগী তাইমজম লাক্কে॥০॥ ফৌরাংয়াং লাইকোকশূনা অঙোম চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি লৌরেম্বম খুমোম্বমগী ঈ। ৱাংখৈ লৈকাই তাবা ঔৱা লৈমা মপাম দুর্লভসিং ময়ুমনে। লৌরেম্বম খোংনাংথাবম খোংমন তাবা রুপসিং ময়ুমনে। শোরাগী ঈদি লোইতোংবম

মাইবা থিয়ামদগী লাইমু লাক্কে। লৌরেম্বম য়েন্দ্রেনহনবম ভবানসিং ময়ুমনে। লৌরেম্বম ৱাংখৈ লৈকাই তাবা জন্মসিং ময়ুমনে। জন্মসিংদগী খাইবা লৌরেম্বম ভীমসিং ময়ুমনে। জন্মসিংদগী খাইবা লৌরেম্বম বেদসিং হাজারি ময়ুমনে। জন্মসিংদগী খাইবা ফুরা তাবা লৌরেম্বম চুড়াচান্দ ময়ুমনে। থিনুংগৈদগী লৌরেনবম তোনবা লাক্কে। চিংবান লৈমদগী অরোই লাক্কে। তোলোং লৈকাই তাবা লৌরেম্বম দামু ময়ুমনে। লমশাংদগী লৌরেম্বম সুরুবা ময়ুমনে। ৱাইখোংতাবা লৌরেম্বম চেকয়াম্বা লাক্কে॥০॥ মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা খমশুরোন চীংয়াইশূনে পীতাংঙা লংমাই নিংথৌ চনুনে। কৈরু হাংবীনে, নামুন চাউবীনে, সংখুবী লমদু লৌহোংবীনে খোইরু লাংমৈ চনূনে, নিংথৌ কুরাওবা চনূ লৈমা লাংখোং তেনবীনে, নোংবান শরি খোন্বীনে, ইরেং কোনফাবীনে ৯মা অসি পান্নদুনা খমসুরোন্না খোঙতেকচাগা পুংফৈ লাম্বাবগা ২মা পোকএ। পীতংঙাদি শোইনাইদে। নামুন চাউবীনা মচানুপী অমা পোক্কুনা পামংদা শিরে। কৈরুহাংবীনা নিংথৌহনবগা নিংথৌখুবগা ২মা পোকএ। খোইরু লাংমৈ চনূনা থিঙ্গোন য়ুমকুম্বা পোকএ। নিংথৌকুরাও চনূ লৈমা লাইখোং তেনবীনা নিংথৌ মকাম্বা পোকএ। সংখুবী লমদু লৌহোংবীনা থিংনাং শংগনজাম্বা পোকএ। নোংবান শারিখোম্বীনা নারিখোম্বা পোকএ। নামুন চাউবীনে ইরেং কোনফাবীনে ২মাদি শোইনাইদে॥০॥ মৈদিংঙু খোঙতেকচান নিংথৌ ওইএ। মনাউ পুংফৈ লাম্ববগী ঈদি ইপুংশংবম ১। ইপুশংবম খুরাইতাবা পার্থ ময়ুমনে। শাজৌদগী খাইবা ইপুশংবম মোনশাম্বা ১। ইপু শংবম কোম্থাফুংগা ১। কোম্থা কবুই ১। মুকিন্দ ১। ঙাংবা ১। দয়ারাম ১। খুৱাইস্নাম শ্যামহরি ১। শেকওম্বা ১। লাপান্নে। মেন্নোং হনবনা অঙোম চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি খুমনলম্বম মরাম্বগী ঈ চীংদোংতাবা পূর্ণসিং ময়ুমনে। খুমনলম্বম মোইরাংখোম তাবা বলদেব ময়ুমনে। খুমনলম্বম লাশোই তাবা মোনশাম্বা লাক্কে। খুমনলম্বম মাক্তিং তাবা রূপ ময়ুমনে। মৈতৈ হাওজোংপন তাবা তোলেন খোম্বা ময়ুমনে। খোইস্নাম রসগি ঈ খ্বাই তাবা চীংশোম্বা ময়ুমনে। খোইস্নাম পোৎশংবদা লৈবা য়ুমদাগী ঈ য়ায়রেকশঙ কাবা বীরসিংদি য়ুমলেন্দা তিল্লে। শিনাইবা খোংমরি শগোলবন্তাবা চাউবা ময়ুমনে। খোংমরি মুবা লাক্কে। সুখাম চাউবগী ঈ শগোলবন্তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং চৈতন্য গোপান্না য়ুম ঙাকলিএ।

শিখোংদগী সুখাম খোংমন তাবা কুন্দসিং ময়ুমনে। লাইতোঞ্জম চন্দ্রসিং

ময়ুমনে ॥০॥ মেনোংখুনা চাউবা লুৱোংসুগী মচা পান্নদুনা মাগী ঈদি নামোইজম পাশোই তাবা চক্রপানি ময়ুমনে। ৱাকচীং কৈন পানা থোকপা শগোলবন্দা লৈবা রতন মনি ১। ময়াংলম্বম মুবগী ঈ নম্বুন তাবা পিবাদি ওৱাদা লৈ। মথং তুলসীনা য়ুম ঙাকলিএ। ময়ালম্বম লনহাম্বুং তাবা জীবনসিং ময়ুমনে। ময়াংলম্বম খুলেন লাক্তে॥০॥ নাওরোইবম মুরারিগী ঈ লমজাউ তোংবদা লৈবা চৈতন্যনন্দ ময়ুমনে। নাউরোইবম খেলাসিং ১। নাওরোইবম পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং জিবনসিংহন য়ুম ঙাকলিএ। ময়াংলম্বম অরোংবদগী চীংঙামখা তাবা নীল ময়ুমনে। নীলদগী খাইবা নিংথৌবা ময়ুমনে। অচাম্বিকৈদগী লাংমৈ লাক্তে। চংনিংশেনবম ঙাঙোম কোদোমপোকপী তাবা সেখরসিং ময়ুমনে। মোংশাংগৈ তাবা কাংঙাশেনবম লাইশংবম খেলরাম লাক্তে॥০॥ থিংগোন য়ুমকম্বনা অঙোম চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি খোইনুজমহাওমুগী ঈদি ময়াংদা লৈ। মথং শগোলবন তাবা গৌরসিংন য়ুম ঙাকলিয়ে। লোইতাম লমলোইগী ঈদি লম্বুতাবা দুর্গসিং ময়ুমনে। অহন্দি হাওজৌনে, নোন্নে। অঙোম নাই খোইনুজম লৌমি লাক্তে। খোইনুজম হাওগৈ তাবা অভিরামনে লাক্তরে। খোইনুজম মরাম্বা কৈহিদং লাক্তে। নাওতম ফিশাবদা লৈবা লেম্বগী ঈদি অৱাংখুনৌ তাবা মদনসিং ময়ুমনে॥০॥ নিংথৌমকাম্বনা অঙোম চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি খমলাংবা শংবম মরারিগী ঈ ইরোম সিনাম তুম্বসিং ময়ুমনে। ইরোম শিনাইবা বনমালী লাক্তে। ৱাকচীংকৈদা লৈবা নামোইজম বিনিন্দ্রাম ময়ুমনে। মোংশাংকৈদা লৈবা লাইশংবা খেলরাম লাক্তে। খমলাংবা শঙবা গঙ্গাচরণ লাক্তে। হাওবমদা লৈবা ইরোম পিবাদি য়াংদা লৈ। মথং কৃতিবাসীনা য়ুম ঙাকলিএ॥০॥

থিংনাং শংগনজাম্বনা অশাংবম চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি শিনাইবা লোইজাগী ঈ থিংনাম খুরায় তাবা দেবান্দ ময়ুমনে। থিংনাম তম্পাম য়ুমদা লৈবা লমফেন মপান তাবা কাহ্নাইগী ঈদি ময়াংদা লৈ। মথং পাঙনদোন্না য়ুম ঙাকলিএ। থিংনাম মোনশাং লাক্তে। ককচীংদগী লাকপা থিংনাম খ্বাই তাবা জয় ময়ুমনে ॥০॥ নারি খোম্বনা লংমাইথেম চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি অখোম গোবিন্দ লাক্তে। থাঙ্গদা লৈবা অখোম দেবরাম ময়ুমনে॥০॥ মৈদিংঙু খোঙতেকচানা পুকৈরোন চনূ পান্নদুনা কৈরেনচা পোকএ। নিংথৌ ওইএ। কৈরেন চানা লোইচাবা ঈদি খুন্দ্রাকপম দরায়ামগী ঈ। খুন্দ্রাকপম তাংখম তাবা ব্রজমোহন ময়ুমনে। থাংমৈবন্দ তাবা জয় ময়ুমনে। খুন্দ্রাকপম নরসিংদা পকপা হিরন্যসিং মুতুম লাক্তে। থাংগংশাবা মুতুম মরেম লাক্তে। (মুতুম লাংরাম চক্রপানি লাক্তে।

১। (খুন্দ্রাকপম ঙাংবা ১। লাপান্নে। খুন্দ্রাকপম নরসিং ময়ুমনে।) খুন্দ্রাকপম খুরায় তাবা দয়ানিধি ময়ুমনে। খুন্দ্রাকপম ৱাংখৈলৈকাই তাবা সভদ্রাসিং ময়ুমনে। সুভদ্রাসিংদগী খাইবা খুন্দ্রাকপম ওইনাম থিঙেন তাবা ডুম্বসিং ময়ুমনে। (খুন্দ্রাকপম থাঙ্গদা লৈবা শাজৌ ময়ুমনে।) খুন্দ্রাকপম ফোইজিং তাবা থোলাং ময়ুমনে॥০॥ খুন্দ্রাকপমনি হায়না ময়াং লৈমনাইদগী পকপা মুকুন্দ্রাম ১। শঙ্গাই ১। রামচোন ১। লিকলাই ১। হিরন্যসিংহ ১। খগিন্দ্র ১। লাইরিত থীবা দামুগী ঈ সঙ্গীত মাধব শেলুংবা ১। লাপান্নে॥০॥ কাংঙাবম তোন্নসেনগী ঈদি থঙ্গাল মেঞ্জর লাইফম লাকপা ময়ুমনে। কাংঙাবম নোংমৈবুং তাবা ধর্ম্মসিং ময়ুমনে। কাংঙাবম কোনশাবা লম্বুন তাবা তুম্বসিং ময়ুমনে। অঙোম নাই গৌর লাক্তে॥০॥ লাইকংবম খুল্লিং লাক্তে। লাইকংবম হনু লাক্তে। হাওখোম শ্যামরাম লাক্তে। নাকনবম খোংজোম্বা লাক্তে। নাহাকপম তিন্নবা হাওখোম লমলোই লাক্তে। হাওখোম লমসাংতাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং তোলেন্না য়ুম ঙাকলিয়ে। হাওখোম কৈগাবা খেলেম্বা লাক্তে। হাওখোম শগোনশেম্বা পাঙন লাক্তে। হাওখোম অরোং তাবা পত্র লাক্তে। হাওখোম লমসাংতাবা পিবাদি ঔৱাদা লৈএ। মথং চমসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। নাহাকপম তিন্নবা হাওখোম পনশা লাক্তে। শানৌজম খ্বাইতাবা পামজৌ ময়ুমনে। থিংবাদগী খাইবা তুলসি ময়ুমনে। শানৌজম থাঙমৈবন্দ তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং বাপুচান্না য়ুম ঙাকলিএ। শানৌজম হরি লাক্তে। শানৌজম লমথোক লাক্তে। ৱারেপ্পম শগোলবন্দ তাবা তোঞ্জাওবা ময়ুমনে॥০॥ লৌরাংবম থংবিজ্রাও তাবা পিরাদি ঔৱাদা লৈএ। মথং শ্যামপূর্ণনা য়ুম ঙাকলিয়ে। লৌরাংবম পুকচাও লাক্তে। নাকপপদগী লৌরাংবম হিয়াম লাক্তে। লৌরাংবম ঙাংবা লাক্তে। য়াঙৌ য়ৈবা খোম্বা লাক্তে। ফিশাবা অৱাবা শংবা তোলেন ১। চাইরেন্দগী ভুমলৌ তাবা কিয়াম্বা লাক্তে॥০॥ মৈদিংঙু অয়াংবনা লাম্বাসু পান্নদুনা নিংথৌচেংগা খমদাওগা ২মা পোকএ। মৈদিংঙু নিংথৌচেংনা নিংথৌ ওইএ। খমদাওনা অঙোম চনু পান্নদুনা মাগী ঈদি শাইরেম য়ুমলেন নানবগী ঈ খুরায় তাবা চিপাদি ময়াংদা লৈএ। মথং গৌরচন্দ্রনা য়ুম ঙাকলিএ। শাইরেম খুরায় লাকপা মনাই পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং জয়চন্দ্রনা য়ুম ঙাকলিএ। থংবিজ্রাও তাবা অখোংবম উমানন্দ ময়ুমনে। ৱাংবন্তাবা শাইরেম অপাৎ লাক্তে। শাইরেম খোংজি লাক্তে। শাইরেম অঙোম নাই খুরায় তাবা চক্রপানি ময়ুমনে। ৱাংখোংদা লৈবা শাইরেম চাউবা ময়ুমনে॥০॥ মৈদিংঙু নিংথৌচেংনা লাম্বাসু পান্নদুনা চেংলৈ ইপান লাম্ববা পোকএ। চেংলৈ ইপান লাম্ববনা লাম্বাসু পান্নদুনা য়াংলৌ কৈফাবা পোকএ। য়াংলৌ কৈফাবনা

২।

খোংলৈমা পান্নদুনা ইরেংবগা নাহুইপাম্বনা ২মা পোকএ ।।০।। মৈদিংঙু ইরেংবনা নিংথৌ ওইএ। নাহুইপাম্বনা শোইবম চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি শোইয়াম মুনিগী ঈ কবোলৈকাই তাবা নাউলসিং ময়ুমনে। কব্রং নাইবদগী কোংবা মপান তাব যদু নাথ ময়ুমনে।।০।। মৈদিংঙু ইরেংবনা হাওরৈমা তমহৈবীগা হাওরৈমা পিতোংনু নুফবীগা ২মা পান্নদুনা হাওরৈমা তমহৈবীনা মৈদিংঙু লোইয়ম্বা পোকএ। হাওরৈমা পিতোংনু নুফবীনা খমলাং পামশবা পোকএ। মৈদিংঙু লোইয়ম্বনা নিংথৌ ওইএ। খমলাং পামশবনা অঙৌবা ঙাংলৌ লাম্বুবা চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি মুতুম পুরুষতোমগী ঈ। ললহাম্বুং তাবা যুগলসিং ময়ুমনে। মুতুম তাংলৈহাদা তাবা মাইশ্রাম ময়ুমনে। মুতুম লম্বুন তাবা বীরসিং ১। মুতুম ললহাম্বুং তাবা ভবোনসিং ১। হুইরোংবম পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং তুলসীনা য়ুম ঙাকখিএ। হুইরোংবম লফুপোক তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং মলতিনা য়ুম ঙাকলিএ। লফুপোক তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং মলতিনা য়ুম ঙাকলিএ। লফুপোক তাবা মুতুম ঘনশ্যাম লাক্তে। মুতুম লম্বুন তাবা পিবাদি মংয়াদা লৈএ। মথং জয়সিংনা য়ুম ঙাকলিএ। অঙোমদা লৈবা মুতুম পাঙন লাক্তে। মুতুম খ্বাই তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং বলনা য়ুম ঙাকলিএ। মুতুম শগোলবন তাবা রুপচন্দ্র ১। কবোলৈকাইদা লৈবা ভুবোনসিং ১। মুতুম ৱাইশেম্বম পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং বলনা য়ুম ঙাকলিএ। মুতুম শগোলবন তাবা রুপচন্দ্র ১। কবোলৈকাইদা লৈবা ভুবোনসিং ১। মুতুম ৱাইশেম্বম পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং তামসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। মুতুম জয়সিং ময়ুমনে। মুতুম নাহাকপম ৱাংখৈ লৈকাই তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং মেরিসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। নাহাকপম নুংনাং খোম্বা ১। মুতুম খুরায় তাবা জয়রাম ময়ুমনে। মুতুম খোংমন তাবা যগসিং ময়ুমনে। কোংবজম অরোই লাক্তে। মুতুম হীদাকশুংবা জয়সিং ময়ুমনে। সনাখোনবদগী মুতুম তোনবা লাক্তে। লুপতরৌদগী মুতুম লাক্তে। মুতুম অয়ামহনবম পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং খুরায়তাবা তাম্রসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। মুতুম থৌবান তাবা লীলানন্দ ময়ুমনে। হাওরংতাবা মুতুম তোলেনখোম্বা ময়ুমনে। মুতুম পুকচাও লাক্তে। মুতুম কংলতি লাক্তে। শঙাইব্রৌ তাবা গঙ্গারাম লাক্তে। মুতুম থোইবা লাক্তে। মুতুম ফৌগাকচাও তাবা পুর্ণসিং ময়ুমনে। খুলেন্দগী মুতুম গোবিন্দ্রাম লাক্তে। খুন্দোবম চঙানগৈদগী পিবাদি ঔৱাদা লৈএ। মথংসু ময়াংদা লৈএ। মথং খেরানন্দনা য়ুম ঙাকলিএ। য়াইরিবোক্তগী মুতুম লাক্তে। থাংগংশাবা মুতুম মরেম লাক্তে। (মুতুম লাংরাম চক্রপানি লাক্তে।

চীরোমদগী মুতুম থোইবা লাক্তে।) হাওবমদগী মুতুম লাক্তে। (মুতুম খুৎতম্বা মরেম লাক্তে। ময়াংলম্বু মুতুম তোংগোন লাক্তে।) চীংঙা মখা তাবা মুতুম খেমাসিং ময়ুমনে। চন্দ্রখোংদা লৈবা মুতুম পূর্ণসিং ময়ুমনে। মুতুম অঙোম লৌৰাইতাবা তোলেন ময়ুমনে। খোংমন্দগী খাইবা মুতুম চন্দ্রখোংদা লৈবা মুতুম খমলাংবা ময়ুমনে। পল্লেন্দা লৈবা মুতুম লিলাসিং ১। তেংখন্দা লৈবা মুতুম তপসিং ১। অরোই ময়ুমনে। গুরুমনাই তুলশীরাম ১। পশ্চিমানে লাপান্নে।।০।। হৈরাংখোংজম রুপানন্দগী ঈ কৈরাও তাবা বলরাম ময়ুমনে। হৈরাংখোংজম লম্বুতাবা রম কান্ত ময়ুমনে। হৈরাংখোংজম অখোন লাক্তে। লানশোনবীদগী হৈরাংখোংজম লাক্তে। ককচীং খুলেন্দগী হৈরাংখোংজম ফলসিং ময়ুমনে।।০।। হৈস্নাম জয়কৃষ্ণগী ঈ গোকুলসিং ময়ুমনে। হৈস্নাম কুমুদা ময়ুমনে। কুমুদদগী খাইবা হৈস্নাম কোকচাই তাবা শগোলবন্দা তাবা চন্দ্র ময়ুমনে। মোইরাংথেমদগী হৈস্নাম আত্মারাম লাক্তে। হৈস্নাম স্নাহন্দা লৈবা সদানন্দ লাক্তে। হাওবমদা লৈবা হৈস্নাম ধনিরাম লাক্তে। থাঙ্গাদা লৈবা চাওবা ময়ুমনে। শাৎপম মুবগী ঈ নম্নুন্তাবা হরসিং ময়ুমনে। শাৎপম রামচন্দ্র ময়ুমনে। শাৎপম শোলাই তাবা তুলানন্দ ১। চিবিতাগি শাৎপম পালোই লাক্তে। ইবুংঙো য়ুমথংবদা লৈবা তুলশীরাম লাক্তে। ৰাইখোংদগী শাৎপম ভদ্রসিং ১। হকৰান্থেম তোম্বগী ঈ নম্নুন্তাবা দেবসিং ময়ুমনে। হকৰান্থেম থরোই লাক্তে। মোইরাংদগী হকৰান্থেম পিন্দা ময়ুমনে। তখেন ৰাইরিদগী হকৰান্থেম ফৈদেক লাক্তে। হাওবমদগী হকৰান্থেম মণিরাম লাক্তে। হকৰান্থেম নিঙেন্দগী সুৰাসিং ময়ুমনে। সেকমাইদগী হকৰান্থেম কোইরেং লাক্তে। ফৌগাকচাওদগী লাকপা হয়িংথেম ইরেংবম, হাওবম মরক তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথংজসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। পল্লেন্দা লৈবা অহন্থেম অরাংবা পুরেন পার্থসিং ১। পকপা লাপান্নে।।০।। ইরোন খুল্লিংগী ঈ চীংঙা মখাদা লৈবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং প্রমানন্দনা য়ুম ঙাকলিএ। ইরোম তম্পাক য়ুমদা লৈবা চীংঙামখা চোঙখানবা হঞ্জবা ইরা ময়ুমনে। ইরোম পানাখাংব খুন্তে লাক্তে। ইরোম খুয়াই তাবা চৈতন্য ময়ুমনে। ইরোম লৈশাপাম্বা লাক্তে। ইরোম ঙাসিং লাক্তে। ইরোম হাওবম মরক তাবা জয়সিং ময়ুমনে। ইরোম চীংঙামখা তাবা খুৎহৈবা হঞ্জবা বাপু ময়ুমনে। ইরোম পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং রামকান্তানা য়ুম ঙাকলিএ। ইরোম হাওবম মরক্তগী কৃতিবাসী ময়ুমনে। জয়সিংদগী খাইবা ইন্দ্রমনি

ময়ুমনে। ইরোম কৈনৌ তাবা চেকশা লাক্তে। ইরোম থাঙ্গদা লৈবা চেকশা লাক্তে। নিংথৌশেম্বা লক্ষন লাক্তে॥০॥ ইবুংশি আনন্তশাইদা লৈবা খুল্লিং লাক্তে। ইরোম নাচৌদা লৈবা ধনসিং ময়ুমনে॥০॥ মৈদিংঙু লোইয়ম্বনা সুমলৈমা পান্নদুনা লোইতোংবগা ফিসুখোংগ ২মা পোকএ। মৈদিংঙু লোইতোংবম নিংথৌ ওইএ। ফিশুখোংনা অঙোম চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি কৈশাম নন্দ লাক্তে। কৈশাম কামদেব লাক্তে। কৈশাম চক্রপানিগী ঈ নম্বুন তাবা পিবাদি ঔৱাদা লৈএ। মথংসু ময়াংদা লৈএ। মথং চাউবনা য়ুম ঙাকলিএ। কৈশাম মোইরাম্বা লাক্তে। কৈশাম পোৎশংবদা লৈবা নম্বুন তাবা তুলসীমনি ময়ুমনে। কৈশাম চীংঙামখা তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং অহোংনা য়ুম ঙাকলিএ। কৈশাম নোংমৈবুং তাবা মুক্তাসিং ময়ুমনে। শেক্তাগী কৈশাম তানজৌ ১। কৈশাম পালসিং ময়ুমনে। কৈশাম নৌনা কারন্বা নম্বুন তাবা ছত্রচান্দনে। কৈশাম নিংঙোল্দা লৈবা পুর্ণানন্দ ময়ুমনে। নোংচুপচানা কৈশামনি হায়না নৌনা পকচরবা ইরুপ্পম বলরাম ১। বলরামগী ঈদি রত্নানন্দ ১। নোংচুপনে লাপান্নে। হিদাকশুংবগী লৈচোনবম খুল্লিংগী ঈ খম্বতোন ময়ুমনে। লৈচোনবম হিদাকফানবদা লৈবা খুল্লিং লাক্তে। লৈচোনবম খোয়াথোং তাবা রসানন্দ ময়ুমনে। শঙ অহনবগী লৈচোনবম অৱাং খুনৌ তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং তিলোকসিংনা য়ুম ঙকলিএ। লৈচোনবম কৈরেন শংবম ককিলানন্দ ময়ুমনে। কৈশামবুদি লৈচোনবমনা হল্লে॥০॥ ইরেংবম লসমনগী ঈদি ইরেংবম লৌৱাই তাবা য়ুমলেন, জগনানন্দ ময়ুমনে॥০॥ সাৎতোকপম মোনশাম্বগী ঈ থৌবান্তাবা কৃতিবাসী ময়ুমনে। সাৎতোকপম শকথি লাক্তে॥০॥ চরোইবম গৌরগী ঈ কাংঙমুং তাবা তম্পাক য়ুম রঘুনাথ ময়ুমনে। লাইরেঞ্জমদগী চরোইবম প্রশুরাম লাক্তে। চরোইবম ৱাংখৈ য়ুপানবা পম লাক্তে। চরোইবম কবোৱাকচীং তাবা লাক্তে। চরোইবম য়াইরিপোক তাবা লাক্তে। লৈচাবি চরোইবম লাক্তে॥০॥

মৈদিংঙু লোইতোংবনা শংলৈমা পান্নদুনা অতোম য়োইরেনবগা হেমদৌ ইৱানথাবগা শারাবগা ৩মা পোকএ। হেমদৌ ইৱান থাবনা নিংথৌ ওইয়ে। শারাবনা পুংগ্রাইজম চনূ পান্নদুনা য়োইথংমাইনে, শেরানে, চানানে, কোবানে, পাংঙারানে ৫মা পোকএ। য়োইথংমাইগী ঈদি লোইতোংবম ঙাংবা লাক্তে। লোইতোংবম নেম্বগী ঈ অঙোম নাই অংথা তাবা অমু ময়ুমনে। ফুমলৌ তাবা লোইতোংবম খোমদোন লাক্তে। থিনুংগৈ তাবা মিৎলাও লাক্তে॥০॥

গোবিন্দ্রমাগী ঈ ৱাংখৈলৈকাই তাবা ঙাখারুংবম সুদাম ময়ুমনে। অখামদা লৈবা লোইতোংবম পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং তাম্রধ্বজনা যুম ঙাকলিএ ॥০॥ কোবগী ঈদি ৱাংঙুদগী লোইতোংবম তাংশোইরেম্বা ময়ুমনে॥০॥ পাংগ্রাগী ঈদি লোইতোংবম থিয়াম পুংখুনতা উৎখজ ময়ুমনে। নাচৌতাবা হিদাক ফানবদা লৈবা খৌজাউবা ময়ুমনে। লোকপদগী খাইবা নাহারুপ্তা লৈবা তনেসিং ময়ুমনে। ধ্বজদগী খাইবা হিয়াংথাং তাবা ধর্ম্মসিং ময়ুমনে। লোইতোংবম নাচৌ লাক্তে। ফোইজিং তাবা লোইতোংবম কামদেব লাক্তে। হয়েন্দগী লোইতোংবম কৈবা লাক্তে॥০॥ মৈদিংঙু অতোম য়োইরেনবনা খয়োইরোন লীকলাং খোমহানবী পান্নদুনা তৌরেন হনবনে তৌরেন খুবনে ২মা পোকএ। তৌরেনখুবদি শোইনাইদে। তৌরেন হনবনা খুমন্থেম চনূ পান্নদুনা অতোম নহা শঙ্গাইপাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি অতোম ৱাইশেন মপান্তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং খোংমন তাবা নরসিংনা যুম ঙাকলিএ। অতোম ৱাইশেন মপান তাবসুং সুর্দ্দানন্দনা যুম ঙাকলিএ॥০॥ জয় গরিবনিৱাজ নিংথৌজাগী শল্লাই যুমচঙববু ১গী খাইদোকপা মরুপ অসিগী গোত্রদি মার্কন্দ ঋষি শ্রীবাহব গোত্রনে। গোত্র অসিগী শল্লাই যুম চঙবা নিংথৌ মকোক্কী অহানবদি। সংলৈমনা হেমদৌ ইৱান্থাবা মৈদিংঙু হেমদৌ ইৱানথাবনা লিনসুরোন খুরোই ঙম্বীগা অঙোম চনূ হেমখু ঙম্বীগা ২মা পান্নদুনা লিনসুরোন খুরোইঙম্বীনা খুরোম্বগা থৌৱান্থাবগা নোংথৌ পোংনাউতাবগা মেংস্না হামুংচাওবগা ৪মা পোকএ। অঙোম চনূ হেমখু ঙম্বীনা চকলাই হোংখুঙম্বা পোকএ। মৈদিংঙু থৌৱান্থাবা নিংথৌ ওইএ। চকলাই হোংখু ঙম্বগী ঈদি পাওনম তোমাগী ঈ লাইয়িংথৌ ঈশিংচাইবা শংবা নাগা মপান্তাবা কৃতিসিং ময়ুমনে। পাওনমদা পুকপা অনিন্দ্রাম ১। লাপান্নে। পাওনম লক্ষন অহন নোল্লে। লাক্তে। পাওনম মুবা ১। লাপান্নে। পাওনম হাওগৈ তাবা লনহাম্বা লাক্তে। ইবুংঙো আনন্দ শাঞ্জিদা লৈবা পাওনম লেম্বা লাক্তে। এনৱাম অহোং লাক্তে। য়াইরিপোক তাবা পাওনম লাইরিক এংবম লৈকাই তাবা অনুবা ময়ুমনে। তম্পাকময়ুমদা লৈবা পাওনম পুকচাও লাক্তে। থাংজমদগী পাওনম ঙাইখোম্বা লাক্তে। খা তাবা ওংথাম বনাসিং ময়ুমনে। এনৱাম কোকচাই তাবা পিবাদি ঔৱাদা লৈএ। মথং লালাসিংনা যুম ঙাকলিএ। এনৱাম খুরায় তাবা তম্পাক যুমদা লৈবা দুর্গসিং ময়ুমনে॥০॥

খুরোম্বগী ঈদি ইরুংবম পাঙনগী ঈ চীংঙা মখা তাবা গুণচন্দ্র ময়ুমনে।

25

ইরুংবম সেখরসিং ১। হাওগৈদগী ইরুংবম অথৌ লাক্তে। অহন্দি নাই ওইরিয়ে। ইরুংবম নব লাক্তে ॥০॥ লুক্রাম চান্দগী ঈ কোম্থা তাবা পিবাদি ঔৱাদা লৈএ। মথং মেঘবর্ণনা য়ুম ঙাকলিএ। মেঘবর্ণদগী খাইবা খুরাই তাবা বলদেব ময়ুমনে। (লুক্রাম চন্দ্রা লাক্তে। লুক্রাম লুৱাংশংবমদা লৈবা কুমদসিং ময়ুমনে।) লুক্রাম পাঙন লাক্ত্রে। লুক্রাম তম্পাক য়ুম লাংপোক তাবা লৈপাক মচানে। উমানন্দদগী খাইবা তাকনা মপান তাবা শদাঙম্বা লাক্তে। লুক্রাম লম্মুন্তাবা ধনসিং ময়ুমনে। লুক্রাম কৈথেন মপান্তাবা চরণ লাক্তে। সোরারেন শঙবা পিবাদি ঔৱাদা লৈএ। মথং শীংজমৈ তাবা মুবনা য়ুম ঙাকলিএ। অহন রূপাদি নোল্লে। লাক্ত্রে। লুক্রাম তাংখোম্বা লাক্ত্রে। লুক্রাম খোংবোম্বা লাক্ত্রে। লুক্রাম মুরারি লাক্ত্রে। লমলোংকৈদগী লুক্রাম লাক্তে॥০॥ নোংথোনবম হাওবম মনাই চন্দ্রমনি লাক্তে। নোংথোনবম হৈতোনগী ঈ ফিশাবা অঙোম লৌৱাই তাবা অঙৌ ময়ুমনে। খুরাই তাবা নোংথোনবম ফিশাবা যাদবসিং ময়ুমনে। নোংথোনবম ৱাংখৈ লৈকাই তাবা তুম্বসিং ময়ুমনে। নোংথোনবম মুরারি লাক্তে। নোংথোনবম ফিশাবা অঙোম লৌৱাই তাবা তাম্রসিং ময়ুমনে। নোংথোনবম কোংবা তাবা ফিশাবা বলরামসিং ময়ুমনে। নোংথোনবম ফৌগাক লাক্তে। নোংথোনবম মেঘশ্যাম ১। নোংথোনবম বলরাম লাক্তে। নোংথোনবম নিমাই লাক্তে। নোংথোনবম পুকচাও লাক্তে। নোংথোনবম হাওজৌ লাক্তে। নোংথোনবম য়াইরিপোক তাবা হিরোম নোব্রাম ময়ুমনে। শগোলবন্তাবা নোংথোনবম হিরোম চীংজাও ময়ুমনে॥০॥

চনুনে, হাওবম চনুনে, মৈত্রম চনুনে, লাইশ্রম চনুনে), অঙোমজাম্বম চনূ ২নে ৮মা পান্নদুনা চনম চনূনাচিংনা ইবেম্মশিং ৬তি শোইনাইদে। অহন অঙোমজাম্বম চনূনা ইবুংশিজ লেহরসিং পোকএ। অঙোজাম্বাম চনূ নাহানা ইবুংশিজ অতোনবা পোকএ। ২মা অসিদি ঔৰাদা লৈএ।।০।। সনা নিলম্বরসিং ফৈরাবনা অঙোজাম্বম চনূনে হাওবম চনূনে লৌখাম চনূনে হাওবম চনূনে লাংলেনহনবম চনূনে থৌনাউজম চনূনে চোংথাম চনূনে ৭মা পান্নদুনা অঙোমজাম্বম চনূনা ইবুংশিজ মধুচিত্রসিং পোকএ।।০।। লৌখাম চনূনা ইবুংশিজ নৈরজিৎকা ইবুংশিজ গোকুলচান্দগা ২মা পোকএ।।০।। হাওবম চনূনা ইবুংশিজ ভৈরজিৎ পোকএ।।০।। লাংলেনহনবম চনূনা ইবুংশিজ কমলজিৎ পোকএ। থৌনাউজম চনূনা ইবুংশিজ দেবজিৎ পোকএ। চোংথাম চনূনা ইবুংশিজ অতুলজিৎ পোকএ।।০।। সনা তোম্পোক্কী ধারাদি ময়াংদা লৈএ।।০।

পঞ্চযুক্ত মৈদিংঙু চৌরজিৎ নোংচুপ ফালোক ৱাইরং পামহৈবা মহারাজনা মহারাণী খয়োইরোন লাইশ্রম চনূ থোংনাং লাম্বুবীনে মহারাণী খয়োইরোন ঙাংবম চনূনে, থিংগোম চনূনে মৈতানকৈশংবম চনূনে অসোম চনূনে কোনসম চনূনে মাইবম চনূনে অহোংশংবম চনূনে খুমবোং চনূনে ঙাংবম চনূ অপানবীনে নোংথোনবম চনূনে ওইনাম চনূনে লংমাইথেম চনূনে ওইনাম চনূনে ৱাহেংবম চনূনে ক্ষেত্রিময়ুম চনূনে লাইরিকয়েংবম চনূনে লাইশ্রম চনূ লৈমাখুরীনে ঙাংবম চনূ লৈমখুবীনে অঙোম চনূনে খাঙেনবম চনূনে শলাম চনূনে কদাম চনূনে কবো ইরুংবম চনূনে এন্দ্রেনবম চনূনে চবুংবম চনূনে শাইরোম চনূনে তখেন চনূনে খুমন্থেম চনূনে উসম চনূনে খুমবোংময়ুম চনু ২নে শাৎপম চনূনে খোইরোম চনূনে হাওবম চনূনে সোরোকখাইবম চনূনে থোকচোম চনূনে চান্দম চনূনে অকোইজম চনূনে মোংবিজম চনূনে শারুংবম চনূনে লাইফ্রাকপম চনূনে অচোইবম চনূনে হোংনেমশুম্বম চনূনে ওখ্রম্বম চনূনে হাপুওইবম চনূনে চাংখম চনূনে খাইদেম চনূনে শলাম চনূনে খুম্বোংময়ুম চনূনে ইবেম্মশিং ৫০ মাসি পান্নদুনা ইবেম্মশিং ৪০দি শোইনাইদে। মহারাণী লাইশ্রম চনূনা সনাহল প্রসাদসিং পোকএ। ঈ তাদে। ঙাংবম চনূ অপানবীনা সনা বৃন্দাবন তাবা সেনাপতি পোকএ। খুনবোংময়ুম চনূনা সনা ত্রিভুবনজিৎ পোকএ। খুম্বোংময়ুম চনূ য়াইমনা সনা রামসিং পোকএ। ঈ তাদে। খুম্বোংময়ুম চনূ নাহানা সনা তিলাম্ভাবা পোকএ। ঈ তাদে। নোংথোনবম চনূ নাহানা সনা ইশাময়ি পোকএ। ঈ তাদে। ওইনাম

চনূনা সনা মৈতাংতাবা হেমাঙ্গজিৎ পোকএ। ঈ তাদে। লংমাইথেম চনূনা সনা শিলোৎতাবা পোকএ। ঈ তাদে। লাইরিকয়েংবম চনূনা রনজিৎ পোকএ॥০॥ ক্ষেত্রিময়ুম চনূনা সনা নদীয়াচান্দ পোকএ।০। শলাম চনূনা সনা ধর্ম্মসেতু সেনাপতি পোকএ। সনা বৃন্দাবন তাবানা মাইবম চনূ পান্নদুনা ইবুংশিজ য়ারোং য়াইশাখুল্লাকপা পোকএ॥০॥ সনা ত্রিভুবনজিৎনা য়াইখোম চনূননে খাইদেম চনূনা ২মা পান্নদুনা য়াইখোম চনূনা ইবুংশি যুদ্ধবীরজিৎ পোকএ। ঈ তাদে। খাইদেম চনূনা ইবুংশিজ কালা পোকএ। জাবৃবন্দা লৈএ॥০॥ রনজিৎসিং চহী ৩না লাইশ্রম চনূনে হাওবম চনূনে হাওরোংবম চনূনে থিংবাইজম চনূনে হৈক্রুজম চনূনে খুমন্থেম চনূনে হাওবম চনূনে ৭মা পান্নদূনা ইবেম্মশিং ৪দি শোইনাইদে॥০॥ লাইশ্রম চনূনা ইবুংশিজা থাকা তাবা পোকএ॥০॥ (হাওরোংবম চনুনা ইবুংশিজ চাওবা পোকএ।) থিংবাইজম চনূনা ইবুংশিজ অঙৌনে ইবুংশিজ গোকুলসিংনে ২মা পোকএ॥০॥ ত্রিভুবন জিৎকী মচা কালানা খাঙেম্বম চনূনে হাওবম চনূনে ২মা পান্নদুনা খাঙেম্বম চনূনা সনাহন পোকএ। হাওবম চনূনা কোইরেংসনাগা থম্বান সনা দেবীগা পোকই। কোইরেং সনানা গুলাপ সনাগা লৈরেনসনা নিতেসনা দেবীগা গোপাল সনাগা পোকই। পঞ্চযুক্ত মৈদিংঙু মারজিৎ নোংপোকন্নাইরং পামহৈরা মহারাজনা মহারাণী কৌবরোন থোকচোম চনূ জানকী শেনবী পাইখুঙম্বীনে মহারাণী ইন্নাংলোন নিংথৌখোংজম চনূ কুমাবতী লৈরিকশাইবু ঙম্বীনে মহারাণী থাংজম চনূ পুন্যবতীনে মহারাণী কৌবরোন থোকচোম চনূ ভানুপতি নোংপোকন্নাইরং পামহৈবীনে হিজম চনূনে হিজম চনূ নাহানে লাইশংবম চনূনে মাইবম চনূনে মাইবম চনূ নাহানে অঙোম চনূনে অয়েকপম চনূনে ওইনাম চনূনে ওইনাম চনূ নাহানে মৈত্রংবম চনূনে ঙাঙোম চনূনে অকোইজম চনূনে লাইশ্রম চনূনে অঙোম চনূনে খাইদেম চনূনে আখাম চনূনে খুরাইজম চনূনে ঙাংবম চনূনে ন্নাইরোকপম চনূনে মোংজম চনূনে নিংথৌখোংজম চনূনে, য়ুমখাইবম চনূনে অহৈবম চনূনে থিয়াম চনূনে মৈয়েংবম চনূনে ন্নাহেংবম চনূনে হিজম চনূ নাহানে ইবেম্মশিং ৩১ মাসি পান্নদুনা ইবেম্মসিং ১৯দি শোইনাইদে॥০॥ থাংজম চনূনা সনা জগেন্দ্রসিংহ যুবরাজ ন্নাংখৈরাকপা পোকএ। ঈ তাদে। মৈতৈ লৈমা নিংথৌখোংজম চনূনা সনা চন্দ্রহাস যুবরাজ পোকএ। মৈতৈলৈমা থোকচোম চনূনা সঁনা খেরেন্দ্রসিংহ যুবরাজ পোকএ। মৈতৈ লৈমা থোকচোক চনূ নাহানা সনা নারানসিংহ পোকএ, ঈ তাদে॥০॥ হিজম

চনূনা সনা রাধাকান্ত খুরায়রাকপা সেনাপতি পোকএ, ঈ তাদে॥০॥ অয়েকপম চনূনা সনা বিহারসিংহ পোকএ॥০॥ মৈয়েংবম চনূনা সনা কুলাপসিংহগা সনা ইদুর্জ্জুসিংহগা ২মা পোকএ। সনা কুলাপসিংহদি ঈ তাদে॥০॥ লাইশংবম চনূনা সনা পরমানন্দ পোকএ। ঈ তাদে। (ৰাহেংবম চনুনা সনা বৈকুণ্ঠসিংহ পোকএ, ঈ তাদে।) লাইশ্রম চনূনা সনা কাহ্নাইসিং পোকএ। সনাকাহ্নাই সিংহ ৬মক্তি ভানুঘাৎ মঙ্গলপুরদা লৈএ॥০॥ অকোইজম চনূনা সনা শ্যাম পোকএ ঈ তাদে॥০॥ অকোইজম চনূ নাহানা সনা চন্দ্রসেন পোকএ। ঈ তাদে॥০॥০॥

মঙাং সলাইদা সাগে মীঙৈ পীখিবা রা হায়গে

নিংথৌজা সলাইকী সাখাই অহানবা য়েল্লি হায়বগী য়েনখোম কৌএ।।১।। কৈথেল ঙাকএ হায়বগী কৈথেল্লাকপম কৌএ।।২।। খোই লোকপা হৌএ হায়বগী খোইরোম কৌএ।।৩।। নহাক্লা চাউএ হায়বগী নহাকপম কৌএ।।৪।। থোঙকায় হায়বগী থোঙাকপম কৌএ।।৫।। নিংথৌগী সঙ সাই হায়বগী শঙলেনময়ুম কৌএ।।৬।। মাইরেন থাবা হৌএ হায়বগী মাইরেনপম কৌএ।।৭।। ফী অফাইবা সাবা হৌএ হায়বগী ফাইরেনপম কৌএ।।৮।। হৈ সিংএ হায়বগী হৈরোম কৌএ।।৯।। খোং তৌএ খোংনাম কৌএ।।১০।। নিংথৌগী মচা পোক্লবা নাউকলএ হায়বগী নাউকলসঙপম কৌএ।।১১।। নিংথৌগী তায় সেমএ হায়বগী তায়মচম কৌএ।।১২।। হোঙনেম য়োইখুনচাউনা গর্ভ কাললে নাউথিংখোং কৌএ (অঙাং নৱা অতুপ লেমএ হায়বগী নাওরেম কৌই।।১৩।। পুথিবা সঙই হায়বগী ইপুশঙপম কৌই)।।১৪।। লয়ু সুংএ হায়বগী লৈয়ুসুংবম কৌএ।।১৫।। মপেল খুমন চনূ কৈরুহাংপীগী লমচা লমবু, ওই হায়বগী খুমনলমপম কৌএ।।১৬।। নখোইরে হায়বগী খোইস্নাম কৌএ।।১৭।। সি পুন্নম সুনা হৈ হায়বগী সুখামক কৌএ।।১৮।। মপু নামোইকী মমিং লৌদুনা নামোইচম কৌএ।।১৯।। ময়াংগী লমবু ওই হায়বগী ময়াংলমপম কৌএ।।২০।। নিংথৌগী মচা অঙাং লৌএ হায়বগীদমক নাউরোইপম কৌএ।।২১।। কাংঙা সেললে হায়বগী কাংঙাসেনপম কৌএ।।২২।। মসক চংনিংমরম হেলএ হায়বগী চংনিংহেনপম কৌএ।।২৩।। ঙারেনখোই ফাদুনা য়াল্লে হায়বগী ঙারেনয়ানপম কৌএ।।২৪।। লোই চেনখিপা তামমৈ হায়বগী লোইতাম কৌএ।।২৫।। খল্লাংবা সঙএ হায়বগী খল্লাংপাসঙপম কৌএ।।২৬।। ময়ানা ময়ুমবু অমা শেংলে, মখুৎনা ই য়ুমপু ১ কোয়তুনা কুপএ হায়বগী ইরোম কৌএ।।২৭।। লাই সঙএ হায়বগী লাইসঙপম কৌএ।।২৮।। থিংঙেল থিংএ হায়বগী থিংনাম কৌই।।২৯।। অখোম লাই লাৎএ হায়বগী অখোম কৌএ।।৩০।। খুনলাকপা ওই হায়বগী খুনত্রাকপম কৌএ।।৩১।। নিংথৌগী কাংঙা শেল্লে হায়বগী কাংঙাসেনপম কৌএ।।৩২।। চীংদগী হাওনাই পুন্নমক খোল্লকএ হায়বগী হাওখোম কৌএ।।৩৩।। নিংথৌনা সিরাগা মসা অনৌবা লৌএ হায়বগী সনৌচম কৌএ।।৩৪।। লাই ফাদুনা কংহলএ হায়বগী লাইকংপম কৌএ।।৩৫।। ৱা লাৎএ হায়বগী ৱারেপ্পম কৌএ।।৩৬।। লৌসি লৌরাংবা হৈ হায়বগী লৌরাংপম কৌএ।।৩৭।। নিংথৌগী য়াংনু লৈ য়ৈতুনা সাই হায়বগী

সোয়দনবা ঙাকএ হায়বগী সোয়য়াম কৌএ॥৪১॥ মপুতু তুমকল হিপকলএ হায়বগী মুতুম কৌএ॥৪২॥ হৈরাংখোংফাবগী মমিং লৌদুনা হৈরাংখোংচম কৌএ॥৪৩॥ মপুতু হৈ-রা সুলৈ হায়বগী হৈস্লাম কৌএ॥৪৪॥ মপুদু হুইগী মথক্তা লোংনা হিপ্লা ঙমএ হায়বগী হুইরোংপম কৌএ॥৪৫॥ কোংবা মপান্দা তাই হায়বগী কোংপাচম কৌএ॥৪৬॥ নিংথৌনা সিরগা লু হান্না চামএ হায়বগী অহনথেম কৌএ॥৪৭॥ সোনলাইতা সাংলুইএ হায়বগী সাংপম কৌএ॥৪৮॥ মপুনা লৈচোন লাকপা ওইরমএ হায়বগী লৈচোনপম কৌএ॥৪৯॥ মপুনা নরক্তা কৈ সারমএ হায়বগী কৈসাম কৌএ॥৫০॥ নিংথৌগী ইরেং সিল্লকএ হায়বগী ইরেংপম কৌএ॥৫১॥ নিংথৌনা সিরগা ফুমপতাকী মরু সৎথোকএ হায়বগী সৎথোকপম কৌএ॥৫২॥ লমলক্তা য়ুম শাবা চারোইনা য়ুমদা সাহলএ হায়বগী চারোইপম কৌএ॥৫৩॥ নিংথৌগী লু-তোং চামএ হায়বগী লোইতোংপম কৌএ॥৫৪॥ অতোম নহা সঙকাই পামপাগী মমিং লৌদুনা অতোম কৌএ॥৫৫॥ পৌনা নমদুনা ফাই হায়বগী পৌনম কৌএ॥৫৬॥ মপুনা য়ু লুংঙমএ হায়বগী ইরুংপম কৌএ॥৫৭॥ নিংথৌ নোংইন ফাপানা সা তানবদা সা ফাতরপবু নোংইন ১ লুনা ফাদুনা কৎলে হায়বগী লুক্রাম নোংইন ফাপম কৌএ॥৫৮॥ মোংপা য়োয়সাকাইতাগী লৈনা লৈনা তারকএ হায়বগী লৈমরাম কৌএ॥৫৯॥ মপুনা নোংথোনপা ওইরমএ হায়বগী নোংথোনপম কৌএ॥৬০॥ ফম তোকপা ফমএ হায়বগী ফমতোন কৌএ॥৬১॥ মসক মতৌ হেলএ হায়বগী হেমাম কৌএ॥৬২॥ রা য়ান্না ঙাংববু চিরোন কৌএ॥৬৩॥ মপুদু মখোয় তোঙএ হায়বগী খোয়তোংপম কৌএ॥৬৪॥ মপু লৈসোক পামপানা লমলৈ লাকপা ওইরমএ হায়বগী লমলৈরাকপম কৌএ॥৬৫॥ তোনপা হুইত্রোনপাগী মমিং লৌতুনা হুইত্রোন কৌএ॥৬৬॥ নিংথৌগী ফমপালদা য়ুম নাই হায়বগী য়ুম্নাম কৌএ॥৬৭॥ লৈমা য়োকএ হায়বগী লৈমায়োকপম কৌএ॥৬৮॥ খুমন্দা চৈরাক কললুইএ হায়বগী খুমনচরাকপম কৌএ॥৬৯॥ নিংথৌগী ঈপু লাংপোক্তা হায় হায়বগী লাংপোকথাপম কৌএ॥৭০॥ নিংথৌগী ঈ চঙএ হায়বগী নিংথৌচম কৌএ॥৭১॥ নিংথৌগী নাউফম ফুমএ হায়বগী নাকমপম কৌএ॥৭২॥ সীং খায়হলএ হায়বগী সীঙখ্বাম কৌএ॥৭৩॥ মপুদু সভানোন কৌএ হায়বগী সোরাম কৌএ॥৭৪॥ য়েন সেল্লি হায়বগী য়েনসেনপম কৌএ॥৭৫॥ থৌথা কল্লি হায়বগী থৌতাম কৌএ॥৭৬॥ মপু হোতিকাকী মমিং লৌদুনা হোতাম কৌএ॥৭৭॥ সকোল সেল্লি

য়েন সেল্লি হায়বগী য়েনসেনপম কৌএ॥৭৫॥ থৌথা কল্লি হায়বগী থৌতাম কৌএ॥৭৬॥ মপু হোতিকাকী মমিং লৌদুনা হোতাম কৌএ॥৭৭॥ সকোল সেল্লি হায়বগী সকোলসেম কৌএ॥৭৮॥ স্না সাই হায়বগী সনাসাপম কৌএ॥৭৯॥ নিংথৌগী মনাক্তা মানা পুরকপা মোইপুংপু মীনা মুনখিএ॥ নামৈ লাক্তুনা য়াননৈএ অমসুং মপুসিংনা মোইরাং নিংথৌ ওইরমএ হায়বগী নামৈরাকপম মোইরাং নিংথৌময়ুম কৌএ॥৮০॥ পাউতা হিথেল লাৎলে হায়বগী পাউপম কৌএ॥৮১॥ মপুনা ফৌরুংহন্বা ওইএ হায়বগী ফৌরুংপম কৌএ॥৮২॥ নিংথৌগী সঙকায় সেলএ হায়বগী সঙকাইসেমপম কৌ,॥৮৩॥ নুমিৎ লৈমা সঙই হায়বগী নুমিৎলৈমা সঙপম কৌএ॥৮৪॥ মপুনা খুনচাহনপা ওইরমএ হায়বগী খুনচাহনপম কৌএ॥৮৫॥ সনা য়াম্না পামএ হায়বগী সনাপাম কৌএ॥৮৬॥ নিংথৌগী ৱাই খোমনৈএ হায়বগী ৱাইখোম কৌএ॥৮৭॥ খাংসু নাহা হায়বা তাবু লাৎএ হায়বগী খাংসুলাকপম কৌএ॥৮৮॥ নিংথৌগী য়েলহিং থাথোকপাদা অনা লাইকোকলে হায়বগী য়েনকোকপম কৌএ॥৮৯॥ ফি সাপা হৈ হায়বগী ফিচম কৌএ॥৯০॥ থাঙকং মরি সাইএ হায়বগী থাঙকংসাপম কৌএ॥৯১॥ কোল হৈ হায়বগী অহৈপম কৌএ॥৯২॥ ৱাংথৈ ফালামপাগী মমিং লৌদুনা ফৎলামপম কৌএ॥৯৩॥ তিমেন মখুৎসু ফেনপতি লেমএ হায়বগী ফেনলেম কৌএ॥৯৪॥ মপুনা লৌ উপাদা অহিংদা লাইনা লৌ য়ৈখ্রে। খরা লেমহৌএ হায়বগী লৌরেমপম কৌএ॥৯৫॥ লাইগী লমন তোল্লে হায়বগী লাইতোনচম কৌএ॥৯৬॥ মোইরিক সাইএ হায়বগী মোইচম কৌএ॥৯৭॥ লোইপী হাওকা তিননৈএ হায়বগী হাওতৈচম কৌএ॥৯৮॥ খোইরু সুংএ হায়বগী খোইনুচম কৌএ॥৯৯॥ অঙাং সাপা তমএ হায়বগী নাউতম কৌএ॥১০০॥ লাল ঙাকউ হায়না থমলমএ হায়বগী লান্থম কৌএ॥১০১॥ হাওমচা অমা ফাদুনা মহ্যাদা কোনতুনা থম্লমই হায়বগী কোন্থা হাওপম কৌএ॥১০২॥ সরারেল সঙএ হায়বগী সরেনসঙপম কৌএ॥১০৩॥ খুম্হোংয়াস লাংএ হায়বগী খুনতোম কৌএ॥১০৪॥ নিংথৌগী শীঙ খাঙএ হায়বগী শীঙখাঙপম কৌএ॥১০৫॥ মপুনা সা খোমএ হায়বগী সাইখোম কৌএ॥১০৬॥ খোয়রী শাংনা য়াল্লকপা পোকএ হায়বগী খোয়রীয়ামপম কৌএ॥১০৭॥ শাবু ৱানখোং পাননৈএ হায়বগী সৌক্রাকপম কৌএ॥১০৮॥ চোনচান হৈ হায়বগী চোমচনপম কৌএ॥১০৯॥ লাইয়িংথৌ খাকেমপানা নোংমৈ কাপ্পা তন্বী হায়বগী নোংমৈকাপ্পম কৌএ॥১১০॥ তেন শুদুনা লাকএ হায়বগী

তেনশুপম কৌএ॥১১১॥ মপুনা খ্বাইরাকপা ওইরমএ হায়বগী খ্বাইরাকপম কৌএ॥১১২॥ মৈতেংঙু মুংয়ামপনা চীংঙা য়াঙপাবু ইপাতোন নঙগী য়ুম্নাক্তি অৰাংবা খৈপা কৌএ হায়দুনা ৰাংখৈময়ুম কৌএ॥১১৩॥ মপুনা নোংথোনপা ওইএ॥ য়ু সুং লুংএ হায়বগী ইরুংপম কৌএ॥১১৪॥ মপুনা ৰাংখৈরাকপা ওই হায়বগী ৰাংখৈরাকপম কৌএ॥১১৫॥ সেকউ কাংতাগী কুম্লকএ হায়বগী কাংহচম কৌএ॥১১৬॥

ৰাংঙুরোন: নুঙরোন্দা পীরিবা মঙাং সলাইনা লেংদ্রবা উপালনি। সলাই অদুগী য়েকশিংনা মাগী মাগী থৌরম থৌদা কয়ামরুম পাংদুনা লৈপাকা নিংথৌগী থৌ কয়াবু পুনরমই। শা কৈরেন অদুনা তৌবা থৌরম অদুবু য়েংলগা লৈপাক নিংথৌনা পেঞ্জরমই। অদু নোংদগী ইনিংথৌ ইবুংঙো খৃ: ৪২৮ পানবা নাওফংবা সনা হাক্কক্তগী সাগৈশিংবু শিন্থাগী মতুং ইন্না সলাই মীংথোন পীবা হৌখি। মঙাং সলাইগী ১দগীনা ১১৬ ফাওবা মঙাং সলাই ওইবা য়ুম্নাকশিংনা ওইরমখিবা শিন্থাগী মতুং ইন্না মাগী মাগী সাগৈগী মীংথোন ফংখি। মঙাংগী য়ুম্নাকপু মশক খঙজখি।

মঙাং য়েক সলাইদা পুন্বা সাগৈশিংঃ

১। অহৈবম
২। অখেংবম
৩। অচুরাম
৪। অতোম
৫। অহন্থেম
৬। অখোম
৭। অয়েকপম
৮। ইকৱান্থেম
৯। ইখোইসংবম
১০। ইরোম
১১। ইরোমসিনাম
১২। ইরেংবম

২৮। কৈথেন পালতবম
২৯। কৈরেনসংবম
৩০। কৈসাম
৩১। কোন্সম
৩২। কোংঙচম
৩৩। কোংপম
৩৪। কোংবজম
৩৫। কোংঙবম
৩৬। কোনুহাওবম
৩৭। কাংসেনবম
৩৮। খনাম
৩৯। খম্লাংসংবম

৫৫। খ্বাইরাকপম
৫৬। খুমনকৈরাকপম
৫৭। ঙাঙোম
৫৮। ঙাংঙম
৫৯। ঙাংখরুংবম
৬০। ঙাংখরুংবম
৬১। ঙাংঙোম য়ুমদংবম
৬২। চনম্বম
৬৩। চনিংসেন্বম
৬৪। চরাইময়ুম
৬৫। চনিংহম্বম
৬৬। চাকাময়ুম

১৩। ইরুম্বম।
১৪। ইরুংবম
১৫। ইসেম্বম
১৬। ইপুসংবম
১৭। উরিখিম্বম
১৮। উরিকখিম্বম
১৯। উরিপম
২০। উসম
২১। কাইসম
২২। কাংঙাবম
২৩। কাংঙসংবম
২৪। কাম্বম
২৫। কাংহুজম
২৬। কায়েন পাইবম
২৭। কৈথেলাকপম

৪০। খাংজাপম
৪১। খুরিয়েনবম
৪২। খুরিয়েনবম
৪৩। খুনজাহুম্বম
৪৪। খুন্দোম
৪৫। খুন্দ্রাকপম
৪৬। খোংনাম
৪৭। খোইদোংবম
৪৮। খোইম্নাম
৪৯। খোইনুজম
৫০। খোইরোম
৫১। খুঞ্জম
৫২। খুমনলম্বম
৫৩। খুমনচাইবম
৫৪। খুরাইলাকপম

৬৭। চানম
৬৮। চান্নবম
৬৯। চাঞ্জবম
৭০। চরোইবম
৭১। চীংখম
৭২। চিরোম
৭৩। চোঞ্জোম্বম
৭৪। চোরিবম
৭৫। চোংথাম নিংথৌজম
৭৬। তাংইজম
৭৭। তাইমচম
৭৮। তাইবুংজম
৭৯। তায়ুজম
৮০। তায়েনজম
৮১। তোইবীসম

৮২। তোনবম
৮৩। তোনাম্বম
৮৪। তেনসুবম
৮৫। তখেলম্বম
৮৬। থাংগংসাবম
৮৭। থিংনাম
৮৮। থিংয়াম
৮৯। থেংকাপম
৯০। থোংগবম
৯১। থোংগ্রাতাবম
৯২। থৌদাম
৯৩। থোঙ্গাম
৯৪। থাঙ্গসাবম
৯৫। নাওদম
৯৬। নাথম

১১২। পুথেম
১১৩। পুনম
১১৪। পাওনম
১১৫। পাউপম
১১৬। পেবম
১১৭। পৌনম
১১৮। পেচিময়ুম
১১৯। ফমদোম
১২০। ফাইরেম্বম
১২১। ফাজৌবম
১২২। ফিজম
১২৩। ফুরিসাবম
১২৪। ফিলেম
১২৫। ফেলেম
১২৬। ফৌরুংবম

১৪২। য়েলবাম
১৪৩। য়ুমখাইবম
১৪৪। য়ুম্নাম
১৪৫। য়াংঙৌয়েবম
১৪৬। য়েনসেবম
১৪৭। য়েনকোপম
১৪৮। য়াংজ্রাকপম
১৪৯। য়ুম্নাম কোমসম
১৫০। লৈমলৈরাকপম
১৫১। লাইকংবম
১৫২। লাইচনবম
১৫৩। লাংপোক্লাকপম
১৫৪। লাইতাম
১৫৫। লাইশ্রম
১৫৬। লাইসংবম

60

৯৭। নান্দৈবম	১২৭। ফিজফিবম	১৫৮। লালথম
৯৮। নাকম্বম	১২৮। ময়াংলম্বম	১৫৯। লিউনুংবম
৯৯। নাওরেম	১২৯। মোইচম	১৬০। লৈউসুংবম
১০০। নামোইজম	১৩০। মোইরাংনিংথৌময়ুম	১৬১। লৈচোনবম
১০১। নাওকোনসংবম	১৩১। মুতুম	১৬২। লৈমাসংবম
১০২। নামোইরাকপম	১৩২। মোইবুংলোকপম	১৬৩। লৈমাপোকপম
১০৩। নামৈরাকপম	১৩৩। মাইরেনবম	১৬৪। লৈয়ুংশুংবম
১০৪। নহাকপম	১৩৪। য়াংঙম্বম	১৬৫। লুক্রাম
১০৫। নোংমাইজম	১৩৫। য়াংনুয়েবম	১৬৬। লৈসংবম
১০৬। নিংথৌজম	১৩৬। য়াংঙৌবম	১৬৭। লৈত্রাম
১০৭। নোংথোম্বম	১৩৭। য়াংঙৌয়েবম	১৬৮। লোইতাম
১০৮। নোংমৈকাপম	১৩৮। য়েংখোম	১৬৯। লোইতোংবম
১০৯। নৌলম	১৩৯। য়াইস্কুলাকপম	১৭০। লৌরাংবম
১১০। নয়াংলম্বমুতুম	১৪০। য়েনপোকপম	১৭১। লৌক্রাকপম
১১১। নুমিৎলৈসংবম	১৪১। য়েলম	১৭২। লৌরেম্বম
১৭৩। লৌরিয়ান	২০৩। সংথোকপম	২৩৩। হাওদৈজম
১৭৪। লেম্বম	২০৪। সনশাবম	২৩৪। হিরোম্বম
১৭৫। লৌরুংবম	২০৫। সনৰাইবম	২৩৫। হেম্লাম
১৭৬। লৌশম্বম	২০৬। সিংখাম	২৩৬। হোদাম
১৭৭। লৈসোংবম	২০৭। সিংখরাম	২৩৭। হোদামঙাথম
১৭৮। ৰাইখোম	২০৮। সিংখাংবম	২৩৮। হৈরাংথোকচম
১৭৯। ৰাংখৈরাকপম	২০৯। সিংখুবম	২৩৯। হিচম
১৮০। ৰাঙ্খেময়ুম	২১০। সিনাম	২৪০। হৈরোম
১৮১। ৰাইরাকপম	২১১। সিঙাম	২৪১। ইপুমসংবম
১৮২। ৰাংঙ্খেফমদোংবম	২১২। সিঙগাম	২৪২। লৈচোইবম
১৮৩। ৰাঙ্খেলৌরুংবম	২১৩। সেরাম	২৪৩। লোইতোংবম
১৮৪। ৰাংখারাকপম	২১৪। সোরাম	২৪৪। চোমজম্বম
১৮৫। ৰারপ্পম	২১৫। সোরেনসংবম	২৪৫। খুরাই
১৮৬। ৰাইরোম	২১৬। সোইরাম	২৪৬। চেরোম
১৮৭। ৰারেম্বম	২১৭। সৌগ্রাকপম	২৪৭। ফিচম

১৮৮। ৱারেপম
১৮৯। সনসম
১৯০। সনবাম
১৯১। সামসিনবম
১৯২। সগোলশেম
১৯৩। শগোলহঞ্জবম
১৯৪। সঙাইসেন
১৯৫। সংলেম
১৯৬। সংলেলময়ুম
১৯৭। সঙ্গাইসেনবম
১৯৮। সাইখোম
১৯৯। সাপম
২০০। সাইরেম
২০১। সানৌজম
২০২। সংথোকপম
২১৮। সুখাম
২১৯। সওকপম
২২০। সেঞ্জম
২২১। হুইদ্রোম
২২২। হুইরোংবম
২২৩। হুইয়োংবম
২২৪। হুইরেম
২২৫। হৈস্নাম
২২৬। হৈবীথাবম
২২৭। হৈরাংলৈশংবম
২২৮। হিরোম
২২৯। হৈরাংখোংজম
২৩০। হকৱাম্থেম
২৩১। হয়িংথেম
২৩২। হাওখোম
২৪৮। লাইতোঞ্জম
২৪৯। লৈমরোকপম
২৫০। সুইরেম
২৫১। ৱারেল্লম্বম
২৫২। সনাগাইসেম
২৫৩। হিরিংথেম
২৫৪। হৌবিয়াম
২৫৫। সনারোকপম
২৫৬। সংলেনবম

মঙাং য়েক সলাই অপোকপা

মঙাং য়েক সলাইদা পুল্লিবা সাগৈশিং অসি য়েক থোকপা ঙাক্তনি। হায়রিবা সাগৈশিং অসি লৌনহৈদে। করিগুম্বা সাগৈশিং অসি লৌনা লৈনবা থোল্লবদি অৱা অনা নংই। অপোকপা লাইগী মফমদা হৈ-লৈ কৎপা অরেম্বা ওইএ। করিগুম্বা সাগৈ য়েক সলাই পুন্না লৌনা লৈনবদগী থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্তবসু নাৎতে। লাইগী থৌরমদা য়েক তিন্নবদা লাই পুবা য়াদে। অপোকপগী চনিং শোকপা য়াদে। সাগৈ অপোকপদা কৎলিবা শারেন তুবগী শরেন লুকলেন ফংবসু য়াদে। য়েক তিন্নবনা লাইগী থৌরম থৌদাদা মকোক ওইবা য়াদে। করিগুম্বদা মশানা খঙনা থৌরম থৌদারোন অপোকপা লাইগী সাগৈ তিন্নদুনা পাংথোকপা লাইগী থৌরমদা নম হাদুনা পাংবা তারবদি মচা মগুদা শোকই। সলাই য়ুমদারোন পুয়ানা অসুম্না পীরি। অপোকপা থৌগল্লিবা মীওই অমানা য়েক থোকপা অমা লৌবা তারবদি মহাক অদো চহী ওন্দনা খঙলকপা চহী অদুদগী পীবা ফম অদু থাদোক্কনি। মঙাং য়েকনা মঙাং য়েকপু সলাই অমৎতা ওইবা চারৌ মৌরৌনবা হায়বসি মশাগী তুংদা লাক্কদবা পুম্বদা মহাক অদুতা

মাংজবতা নৎতনা সাগৈগীসুময়েং তাগনি। মমা মপা ওইরিবা য়েক থোকপা অনি অদো মখোয় অনিগী অমাংবা নৎতনা মচা মশু শুরোন চারোন, পুরোন ৭ ফাওবদি ঈচেল্লোন মাংএ হায়দুনা সলাই য়ুমদারোন্না ময়েক শেংনা পীরি। য়েক থোকপা মঙাংনা মঙাংদা য়েক তিন্নদুনা য়ুম পাল্লবদি মচা-মশু পুন্সিদবা ওই। মমা মপা ওইরিবা অনিদা লাইথুং তিনথুং তিঞ্জু লাইচুবা লৈগনি। য়েক থোকপা, পী-পা অনি পান্নহৈদে। নিঙমদবা অকাইবা কয়া থোক্লুনা মহাক্কী পুন্সিদা অৱাবা ওই।

সলাই লাংজৈঃ

পাখঙবা সলাই ৭নি। পাখঙবগী ঈথাংলোই ওইরিবা পোং সলাই ৭নি। পোংগী মচা মশু ওইরিবা মীওইপোক সলাই ৭নি। লাইনিংথৌ সনামহি লৈশেমকোন্দা পাখঙবা ঈথাংলোই ওইদুনা সনামহি লৈকোন্দা সলাই চাওদা নাওদনা নোংদমলকখি। অদু নোংগী মীওইবা সলাইনা মালেম লৈশেমকোন্দা মপু ওইবনা পুথোকলিবা অচৎ চৎতা জীব পুম্নমক্তগী মীওইবা কৌবা মপোক্লা অথোয়বনি হায়না পাখঙবা লাইহুই পুয়ানা ময়েক শেংনা পীদুনা তাক্লি। তাইবঙ পানবা মীওইবগা খোইয়ুম লাই ওইবা মপুগা অসুক্কী মতিক নক্লা লৈ হায়বসু তাক্লি। মদু নোংগী চৎনরোনবু মীওইপোক্ত পোকলিবা তাইবঙ পান্বনা খোইয়ুম লাই ওইববু নক্লনা লৈ হায়বা তাইবঙগী ৱাখল্লোন্দা নুংলোন্দা মমি তাদুনা নুংপাল অনিমক্তা তাইবঙ পানবা মীওইবগী শেন্বী শাবীরকপসি খোইয়ুম লাইনা মীওইবা ঐখোয়গী মতম লৈবা খিবীক্তা অফবদা খনবীদুনা মীওইপোকপু পোকপগী মহৈ য়ালহন্বীরি। মীওইবগা লাই ওইবগা অসুক্কী মতিক নক্লনা লৈ হায়বসি মীওইপোক্তা পোকলিবা মীপুম খুদীংমক্লা য়ানরবা ৱাফমনি। সলাই য়ুমদারোন্না অসুম্না পীরি। য়েক ৭ সলাই ৯ করিগীদমক্তা খাইরমলিবনো হায়না হংলি সলাইচাশিংনা লাই ওইবা মপু সিদবা সলাইনা য়ুমদারোন কৌবা পুয়ানা মাইচৌ অপোই মচানা খৃঃ ৪২৮দা কংলা উত্রা সঙমাইথেন্দা অসুম্না য়েক ৭ সলাই ৯গী খাইখিবা ৱাপু অসুম্না নোংদম্বীএ। সনামহি লৈশেমকোন অনেম্বা মালেমদা মপুগী নিংথিবা লৈকোন্দা লৈরাং মশিং থিঙমদনা লৈশাৎ তম্লমই। অদুগুম্বা লৈরাংদো লৈশু অমৎতা তিন্নদে। লৈরাং মাগী মতৌদা অমৎতা মান্নবা য়াওবা নৎতে। অসি নুংগী ৱারমবু সাগৈ য়েক সলাইসু হৈরাং লৈরাংগুম্না মাগী মাগী সলাই, সাগৈ, য়ুম্নাক নাইগনি হায়না নোংতম্বীএ।

"লুৰাং মৈহৌরোন"

হয়ি হয়া সিদবা, লুৰাং মৈহৌরোনবু ইকোকনোন্না লাতমজরককে। নদাইরেম ৰাংবনা লুমাং তাবা শন্নাংনা, লুতুং শৈখিবা, লুতুং তাবা শন্নাংনা লুমাং শৈখিবা। অরান অহুই খিবীকপু তাথিবীগনো হায়না কোকনোঞ্জে। লুৰাং মৈহৌরোন ৰাপু ইজরককে। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রু মমোলোয় লৈস্নানা মপন পন্থৌ অৰাং কৌব্রু অসুপ্পগী মগাই শেলোয়দা খোংদোইরক্লমই। মমোম লৈস্নানা পালেম মমা কৌনুথেন্দগী অসুম লাকপনা মপনগী লোয়বী চীংশাং লাকপদা ৰামনখিদুনা ঈরেনখোঙদা কুমথাদুনা অৰাবা মৈচাক অদু কোক্লনবা হায়দুনা ঈরেন খোঙগী লাইজ অদু খুজোক থন্না কন্দুনা লাইজ ঈশিং অদু থক্লমই। নুংশাগী মৈশা কম্বনা মমোম ওইবী লৈস্নানা ঈরেনখোঙগী লাইজ ইমাই অদুদা ঈরুপ্লুনা ঈরু শাদেংলমই। লাইজ ঈরোন্নুংদা শংলৈতোন পাখঙবনা লাংওনবা তাওরোইনাই ওইনা ওন্দুনা লাইজ ঈরোন্নুংদা শাথুপ্লুনা লৈববু লৈস্নানা ঈরু শাদেংবগী লাইজ ঈশিং ঈপোম ফংবদা তাওরোইনাই অদু মীকপ থোক্লক্লমই। খঙহৌদনা লাইজ ঈরোন্নুংগী তাওরোইনাইনা ঈরু শাদেংদুনা লৈরিবী লৈস্নাগী মনাক তান্না ঈরোন্নুং অদুদা খোঙদোইরমই। ঈরু শাদেংলিবা লৈস্নাগী খুৎওই থংবা খুজেং অদুদা য়েৎলমই। তাওরোইনাইনা ময়া য়ারেন্না ঈখেং তাবা মখৈ চীক্লমই। চৈনাখোল খাঙবা ঙমদদুনা কৌব্রুগী মমোমলোয় লৈস্না অদু লাইজ ঈশিং ঈমাইদুদগী লাইজ ঈপান্দা অকি তুংজুংবগা লোয়ননা মীৎলু মীৎস্না পীরোইননা কপ্লুনা ঈশিং খোঙ অদুদগী কাখৎলমই। লৈস্না খোঞ্জেন্না ঈরেনখোঙগী চীঙমাই অদু পুমনিল নিল্লমই। খোঞ্জেল অদু অৰাং কৌব্রু অসুপ্পনা নপাদা তাখি। খোঞ্জেল অদু তাবদা মপুরেল অৰাং কৌব্রু অসুপ্পনা তারিবা খোঞ্জেল অসি ঈরেনখোঙগী চীঙমাইথেন্দনি করিগবু থোকইগবা হায়দুনা মপুরেন অৰাং কৌব্রুনা খুৎশু থাংলেন পাইদুনা ঈরেন খোঙ অদু তান্না লাইনিংথৌনা খোংদোই হুল্লকখি। ইরেন খোঙ অদু য়ৌরবদা মমোম মদম মানবী অমানা লাইজ ঈরেনখোঙ মপান্দা কপ্লুনা লৈরমবদো উজখি। মদু উবদা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা য়াৰা চীঙ্গোই মপাউ নোংদম্বীখি। হাইমোম মানবীয়ো করিনুঙগী নহাক্না অৰাবা চৈথেং ফংলিবা, নিঙমদবা কয়া লোয়নদুনা কপ-লাওবগী খোঞ্জেল নোংদমলিবনো

চীঙ্গোই মপাউ নোংদম্নীখি। হা ইমোম মানবীয়ো করিনুঙগী নহাক্লা অৱাবা চৈথেং ফংলিবা, নিঙমদবা কয়া লোয়নদুনা কপ-লাওবগী খোঞ্জেল নোংদমলিবনো হায়না হংজখি। লৈস্না লাইরেম্বীনা মপুরেন ওইবা অৱাং কৌব্রুদা য়াৱা অমা চীংথদনা নোংদমজখি। মদোম মদম মানবীগী য়াৱা মপাও অদু তাবদা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রু অসুপ্পা অশাও পারৈনখি। মমোম শকলেন মদম মানবীবু য়েংলগা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা য়াৱা মপাও নোংদম্লকখি। ইমোম মদম মাম্বীয়ো - য়াৱা নপাও হংগে, অশেংবা য়াৱানা চীঙ্গোইয়ু। ইমোম নহাকপু উবদা ঐহাক কোক্তগী খোঙ ফাওবা তুজুংবা পোকলিবসে। ইমোম নহাক্লা পোকপা, পোকপী অনিগী কোলোয় মীংলেন হায়য়ু। অদুগা নহাক্কী কোলোয় মীংলেন্না করি কৌবগে। য়াৱা মপাও শেংনা হায়য়ু হায়না লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা নোংদম্বীখি। মমোম মদম মানবীনা কপ্পা-কপ্পা চীঙ্গোইজখি। ঐবু পোকপী পালেমদি কৌনু লাইরেম্বী হায়না কোলোয় অসি পালেম তাকপিখি। ঐবু পোকপা পম্থৌনা অৱাং কৌব্রু অসুপ্পা হায়না কোলোয় মীঙ্খে য়াৱা মপাওবু পালেম ইমানা তাকপিখি। মমোমগী কোলোয় মীংলেন লৈস্না কোলোয় মীঙগৌই। পালেম ইমানা পম্থৌগী খোঙ্গুল লিজরুগে হায়না নোংদম্বীখি মমোম ওইবীদা। মদু নোংগী য়াৱা অদু মমোম ওইবী লৈস্নাদা পম্থৌগী খোঙ্গুল লিজগে হায়না লোইবী চীঙলোন কয়া লান্দুনা নমোম্না খোঙদোই হুঞ্জরকপনি হায়না লৈস্নানা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুদা হংগৎচখি। লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা মমোম লৈস্নানি হায়বা খঙজখি। মমোম শিংলেন ওইবীনু কোনখৎপীরগা লাইনিংথৌনা চেৎনা মথানুংদা কোনখৎপীখি। ঈপাগী ঈমোম ঈবেম্মা নহাক্লা থিরীবদো ঐহাকনি। ঈপাবু নহাক্লা ৱারৌগনু। শমু নঙাই থিদে। নিংথৌপা নঙাই খঙদে ঈপাদা থোক্লরে। হৌজিক্তি ঈপা ঈচা উনরে। ঈচাগী শামু খোঙশাদা ঈগী ঈরম নোংদম্ববু খোইয়ুম লাই ওইরে ঐহাক্কী থাঙশাং অসিনা মহাক্কী য়াইবী লৌগে। য়া শারিশোন - খঙগনিদো ঙসিদি ইমোম লাংলেন লৈস্নাদা ঈরম ঈফাৎ নোংদম্বদি খঙগনি শারিশোন। মমোম শিংলেন ওইবীবু লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা য়াৱা মপাউ চীঙ্গোইরকই। ঈপাগী ঈমোম ঈবেম্মা লোকশাকোন ঈরেন অসিদা ঈচাবু ঈরম ঈফাৎ নোংদমখিবা তাওরোইনাই শাদম্বদো ঈপানা মাবু কৌখৎকে হায়দুনা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা তাওরোইনা শাদমদুনা লাইজ ঈরোন্নুংদা লৈরিবা শঙলৈতোন পাখঙবনা লাংওন্বা তাওবীরেনবু লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা তাওবীলোই মীঙ্ঘে ১০৮ হায়দুনা

লৈরিবা তাওবীরেন অদু লৈবা ঙমদ্রদুনা ঈপাল থাক্ত কাখৎলক্লমই। অশাওবনা খান্বী মৈৰাইরবা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা খুৎসু থাংলেন পায়দুনা মীখ্বে য়াংবা হোইরাওদুনা তাংজ হুপান্বা তাওরোইনাইদো মতুপ ৭ থোক্লা ককখি। তাওবীরেনগী মীরেন্না শঙলৈতোনগী মীতম ওইদুনা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুগী মমাংদা মাংওইননা লেপখি। শঙলৈতোন পাখঙবনা অৰাং কৌব্রু অসুপ্পদা কোকনোঞ্জনা হায়জরকখি। ঐহাক্লা লানখিবা পুম্নমকপু মপুরেন ওইবা অসুপ্পানা ঙাকপিগনি। শঙলৈতোনগী য়াৰা মপাও অদু তাবদা পেনবীখি। শঙলৈতোনবু য়েংলগা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা য়াৰা মপাও চীঙ্গৈইরকই। শঙলৈতোন নহাক্কী লাংওন ওইরিবা তাওরোইনাই য়াংবী অসি খোয়ুম ওইবা কৌব্রু ঐহাক্লা মতুপ ৭ থোক্লা কক্তুনা কোরৌ নোংমাদোন থক্ত মায়য়োন্না নহাকপু য়েংদুনা য়াৰা মপাও পাওমেন্নিংবা মাল্লি। মখোয়না করি পামলিবা য়াৰা অদু নহাক্লা মহংউ। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা শঙলৈতোন পাখঙবদা য়াৰা মপাও নোংদমখি। লাইনিংথৌগী য়াৰা মপাও ফংলবদা তাওরোইনাইবু য়েংলগা শঙলৈতোন্না নোংদমখি। তাওরোইনাই ও – নখোয় ৭মক খোইয়ুম ঐহাক্কী ইশাদগী ওইখিবনি। নখোয় পুম্নমক্কী মীখ্বে সুনা হায়রগে, নখোয়গী লৈফমসু তাক্লগে। মদু নোংগীদমক্তা নখোয় ঐগী ইনাক্তা কোরৌ নোংমদোন থক্তগী নোংদম্লকউ হায়না শঙলৈতোন পাখঙবনা মখোয় ৭মকপু কৌখি। তাওরোইনাই লাই ওইবনা শঙলৈতোন পাখঙবগী মনাক্ত মখোয় ৭মক হৌনদুনা খোঙদোই হুল্লক্লমই। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রু শঙলৈতোন্না লেপ্তুনা লৈরিবা ঈরেনখোঙ অদুগী মপান্দা লেপ্তুনা লৈরিবা মখোয় ৭না কোরৌ নোংমদোন থক্তগী মালেম লৈমাই থক্তা কুম্লকখি। তাওরোইনাইগী মীহুল লৌদুনা নোংদমখিবা লাই ওইবা ৭না শঙলৈতোন পাখঙবদা কোনোঞ্জনা হায়জরকখি। মপু ওইবা পাখঙবনা খোইয়ুম ঐখোয়গী মীখ্বেরোনবু নোংদম্বীরো হায়জখি। ঐখোয়গী লৈফম পীবীয়ু হায়না লাই ৭না নিজখি। লাই ৭পু য়েংলগা শঙলৈতোন পাখঙবনা হায়রকই। তারো খোয়ুম ওইবা ৭মক নখোয়গী মীখ্বে হায়রগে, খোয়ুম শঙলৈতোন ঐহাক্কী ইশাদগী থোকখিবা সলাইনি। ঙাংঙাংনবা নহাক্কী কোলোয়না মঙাং হায়না কৌরনি। ঙৌরুনবা নহাক্কী কোলোয়না লুৱাং হায়না কৌগনি। মুরৈনবা নহাক্কী কোলোয়না খুমন কৌরনি। সনা য়াইচনবা নহাক্কী কোলোয়না অঙোম হায়না কৌরনি। অতিয়া চুমবুম লাংগোইবা মোইরাং হায়না কৌরনি। খাবা লৌচিবা

ঙালোয় হানবা খাবা ঙানবা কৌরনি। সরাং শংকোইবা লৈরিক ইহুন্বা লৈশাংথেক হায়না মকৌনি। নখোয়না লৈগদবা ফমলোন্দি কংলা য়াইবীকোন পাখঙবা ঈথাংলোয় নখোয় ৭পু সেনত্রেং কুপত্রেংনা ঙাইদুনা লৈরে। য়াৱা মপাও অদু খোয়ুম লাই ওইবা ৭না তারবদা থিন্থবা কৌবা লৈতনা কংলা শুরুংকোন য়াইবী



ঈনুংকোন মখোয় ৭না কংলাদা থুংলকখি। সেনত্রেংনা মঙাং লুৱাং, খুমন নাওকোনখি। কুপত্রেংগী অঙোম মোইরাং, খাবা ঙানবা, সরাং লৈশাংথেম নাওকোনখি। সলাই মৈহৌরোন মথং মনাও নাইনা নোংদমজরককে। কৌক্রুগী চীঙমাইথেন্দা শঙলৈতোন লৈস্নানা শাইওন মপুংয়াই নোংদমখি। অসি নোংগী নুঙরোন ৱানা পাখঙবা সলাই ওইরিবা নমু তাইবঙ পানবা সলাইগা উমং লাইগা থানবা য়াদবা ৱাপু পাখঙবা লাইহুই পুয়ানা নোংদমএ।

লুরাং অপোকপা রাপু হায়কে:

ইনিংথৌ ইবুংঙো নাওফংবা স্না হাক্তক সলাই যুমদারোন মাইচৌ অপোইনা খোরিবিএ। সলাইবু নুঙরোন ৰাপু মতাইনা নোংদম খিবীক মপীএ। মদু নোংদা সলাই যুমচংএ। অপোকপা লাইগী লুৰাং শঙমাইথেন পুয়ানা খোরিদুনা লাংঙাচৈ চৈরেন লাংপুমএ। অপোকপা লাইপু লুৰাং সলাইনা থৌনি থৌখাই, ঈরাৎরোন পাংবা, থাশিং মাবু খোয়ুম অপোকপদা মহংবীনা নোংদম্বীএ। লুৰাং অপোকপনা মীৎ পাংবা থাদি ৰাকচিংগী ১২নি পানবা ইরাই নুমিৎকী চীঙ্খে হুনবা মতমদা পোকএ। লুৰাং অপোকপগী লোয়নবীদি পীয়াইনুনে খঙও। মচুদি অঙৌবনে, লাইগী ঈশিংদি লমফেলদগনি। লাইগী লাদি লায়াইনি। লৈদি মৈল্লেনি। লাইগী হৈদি কিহোমনি। শীংদি হৈক্রু পাম্বীগী মশানে। লাইগী ঙাদি শরেং অৰাওবনি। লাইগী থাংদি তোন্দুস্বনি, মৈদি খোইজু মৈনি। নাহৈবদি উখোক মতোননে। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি য়াওনা সাগৈগী পীবানা থৌরাংবীদুনা থৌপাংবীগনি। অসুম তৌনা লুৰাং য়েক্তা লৈরিবা সাগৈ খুদীংমক্লা অপোকপাগী থাশিং কুমশিং কাইদনা থৌরম, থৌদা, থৌপাংজরবদি সাগৈ সলাই চাওখৎপতা নৎতনা সলাই মশক খঙদুনা পুরোন পারোন পুন্নমকপু খঙবা ঙমএ হায়দুনা সলাই যুমদারোন্না পীরি।

লুরাং লোন্দি:

লুৰাং লোন্দি পিয়াইনুনা থাৰারেন, পিয়াইনুনা পোইরৈতোন, লৈনাউতাবীনা শিংতাপুং, শঙ্খোং পুনেস্বা চনূনা পামিং হুইমুরৈমনা লুৰাং খুস্থিবা, কৌবরোন নামোইনুনা লুৰাং পুনশিবা। লুৰাং পুনশিবনা পান্নবা তুদি ৯নে। ইরেমনাউসংখুগী ঈদি, অসাংবম, অরাম্বম, তিনবিজম, লৈরোংজম, অবুজম, য়াওরৈ, খুনকাম, অরুবম, থামংজম অসিনে॥০॥ ইবেন ৯গী ঈদি, অসাংবম পালোই ময়িননে, অরাম্বম সৌবোন য়াইরেন শঙবা ভবান্দ ময়িমনে, খাইখিবা পুংক্রা ইজম তাংখোন্বা ময়িমনে, খাইখিবা অরাম্বা গোবিন্দ ময়িমনে, খাইখিবা নোংথোনবা হরী চরন ময়িমনে, খাইখিবা নোংথোনবা কোকচাউ ময়িমনে, নোংথোনবা তম্পাক যুমদা লৈবা লমলোই ময়িমনে য়েনথাবমদগী খাইখিবদি নোংথোনবম কোংবা তাবা পাংঙন ময়িম, খাইখিবা গৌর ময়িমনে, নন্দ ময়িমনে, ওমানে। নোংথোনবম য়িমলেন্দগী খাইখিবা শাবনতোংবদা লৈবা নোংথোনবম

মোনসাম্বা ময়িম, নোংথোনবম হিদাকফু ফানবদা লৈবা পিবাদি ঔৱান খোমখিএ। মথং সঙ্গাইনা পিবা ওইএ। খাইখিবা লোইচাংয়াংবম সামরাম ময়িমনে অরাম্বম শৌবোন য়াইরেন শঙবান মচা ৩ পোকএ। অহলগী ঈদি অরাম্বম চাইবা ময়িমনে, চাইবদগী খাইখিবা অরাম্বম লুৱাং শঙবা মোনসাম্বনে, খুরাইলৈমা। মনাই খাবনে, পোৎশঙবদা লৈবা অরাম্বম ললিসামনে, অঙোমদা লৈবা হৈতম তুলশিরাম ময়িম, অরাম্বমদা ইনলিবা তাম্রধজনে॥০॥

য়াইমবগী ঈদি অরাম্বম হিদাকফু ফানবদা লৈবা ঙাঙোম অকোং ময়িমনে খাইখিবা পাশোই তাবা অহোং ময়িমনে, খায়াঙম্বনে, শুগুদা লৈবা চিংলোই ময়িমনে॥০॥

অতোনবগী ঈদি অরাম্বম কৌরাংনে খাইখিবা ৱাংখেম মুবা ময়িমনে॥০॥

তিনবিজমগী ঈদি তিনবিজম লখোন ময়িমনে খাইখিবা নিংঙেন্দা লৈবা লখোন ময়িম, খাইখিবা তিনবিজম অকোং ময়িম॥০॥

লৈরোংজমগী ঈদি পুনসিনে, অবুজমগী ঈদি কোনবনে কোনবদগী খাইখিবা বৃন্দাবননে, খাইখিবা পুবানৱাদা লৈবা অরম্বানে, কোম্ব্বাদগী অবুজম ঙাংতোননে, খাইখিবা থোংদা লৈবা অবুজম মন্দ ময়িমনে অবুজম লুংবা ময়িমনে, শুগুদা লৈবা অবুজম খোম্বা ময়িমনে, থোংদা লৈবা অবুজম চেকসানে, হিদাক ফানবদা অবুজম অতোম ময়িম ফমসিহনবম পিবাদি ঔৱানা খোমখিয়ে, মথং অনিন্দ্রামনা পিবা ওইএ। খাইখিবা বলরামনে, খাইখিবা লৈখম্বা ময়িম, খাইখিবা খোংজোম্বা ময়িম॥০॥

য়াওরৈগী ঈদি মৈয়েংবমনে, পিবাদি হাওরমনে, রামোননে, হাওবমদগী খাইখিবা ময়েংবম চিংলোই ময়িমনে, খাইখিবা শুগুতাবা মৈয়েংবম সেকমু ময়িম॥০॥

রামোন্দগী খাইখিবা মোইরাং তাবা পুকচাউ ময়িম॥০॥ খুনকামগী ঈদি উরেপখিনবম হাউজৌ ময়িম॥০॥

অরুবমগী ঈদি অহোংনে, অহোংদগী খাইখিবা পালোইনে॥০॥

থামংগী ঈদি থামংজম শ্যামশিং ময়িম, থামংজম ইনখিবা মংলেম ময়িম॥০॥

69

ইবেল তাইদনলৈমগী ঈদি ৰাকোংথেমনে, পিবাদি ঔৰানা খোমখিয়ে, শগোনশঙদা লৈবা তাবা ময়িম, লাইফমদা লৈবা বলরাম ময়িম, ৰাকোংথেমচন্দ্র ময়িম॥০॥

ইবেল য়ুশিনলৈমগী ঈদি লোকহনে, লোকয়াইনে, লোকতোননে, ৩মা পোকএ। লোকহনগী ঈদি খুঞ্জান কাসারাম ময়িমনে॥০॥ লোকয়াইদি শোইনাইদে॥০॥

লোকতোনগী ঈদি কম্বোংনে, মাগী ঈদি খুমুকচমনে পিবাদি থাংজমদা লৈবা পাঙননে, খাইখিবা ইমখাম অহোং ময়িমনে, খাইখিবা পোৎশঙবদা লৈবা শ্যাম ময়িমনে, খুমুকচম অরোই ময়িমনে, খাইখিবা খুমুকচম ককচিংদা লৈবা পুরেং ময়িম, খুমুচম সনাতোন ময়িম॥০॥ হাওকু লৈমা লমদং নিংথৌ চনূনা লাম্থৌলাঞ্জাম্বনে, লোম্থৌলাঞ্জাম্বা অসিনা হৈরেম কাংহৈনু পান্নদুনা য়াংহনবগা, য়াংখুবগা ২মা পোকএ। য়াংহনবগী ঈদি ফৈরোইজমনে পিবাদি চাউবনে, অহলদি খাইরে। পিবাদি খগিন্দ্রনে, য়িমলেন্দগী খাইবা ফৈরোইজম সনাতোন ময়িম, মরাম্বা কৈদা লৈবা ফৈরোইজম পুকচাউ ময়িম, খাইখিবা থিয়াম য়িমলেননে পিবাদি মকুমনে, খাইখিবা থিয়াম মোইরাম্বা ময়িম, থিয়াম কোইবা ময়িম, কোংবা তাবা থিয়াম শোংকাং ময়িম, খাইখিবা লাংপোক তাবা থিয়াম নেম্বা ময়িম, খাইখিবা লাংপোক তাবা তাংলম ময়িম, ফুনান্দা লৈবা থিয়াম হরী ময়িম, অঙোমনাই থিয়াম মাইচৌ ময়িম, শোংকাংদগী খাইবদি থিংনোংফৈ তাবা থিয়াম চাউবা ময়িমনে, থিয়াম তাইপোপ ময়িম, খাইখিবা শেনবাংজম সনাতোন ময়িমনে, মোইবুং লোকপম বৃন্দাবন ময়িম, ৰাইখোম স্নরোক ময়িমনে॥০॥ ইপু তোনবগী ঈদি শৌবাম, মাইস্নাম ২মা পোকএ। অহলদি শৌবামনে পিবাদি সরামনে, খাইখিবদি ইবুংশিজ পুখ্রনৰদা লৈবা চন্দ্র ময়িম, হাওরংতাবা শৌবাম খগিন্দ্র ময়িম, শৌবামগী অহলদি ঔৰানা খোমখ্রে অতোনবগী ঈদি মাইবা স্নানামনে অহলদি পুরেং ময়িমনে, পিবদি পাঙলনে, অতোনবগী ঈদি মাইস্নাম থারোন ময়িম, মাইস্নাম য়িমলেন্দগী খাইবদি রামরান ময়িমনে॥০॥

লমকনয়াংবা সরাবগী ঈদি মৈতৈরম্বম প্রশুতোম ময়িম, খাইখিবা মৈতৈরম্বম তাংখোম্বা ময়িম, মৈতৈরম্বম কম্বোং ময়িম, মৈতৈরম্বম খোইবমদা লৈবা থোইবা ময়িম, মৈতৈরম্বম পোশঙবদা লৈবা শ্যাম ময়িম, মৈতৈরম্বম কোনসবদি ঔৰানা খোমখিরে॥০॥

য়াংখুবগী ঈদি থৌকুনাউজমনে, পিবাদি অশোনুনে, মাসুং ঔব্রানা খোমখিএ মথং ঙাইখোম্বনা পিবা ওইএ। খাইখিবা থৌকুনাউজম নিয়াইবী মপাম মনীরাম ময়িম, ঔব্রানা খোমখিএ। মথং খোইয়ানা পিবা ওইরিএ, খাইখিবা ব্রায়াখোংদা লৈবা পনসা ময়িম, য়িমলেন্দগী খাইখিবদি অথোকপমনে, য়িমলেন্দগী খাইখিবা মাইবমদা লৈবা থৌনাউজম চন্দ্র ময়িমনে, খাইখবা মাইবমদা লৈবা থৌনাউজম থোইবা ময়িমনে, ককয়াইতাবা থৌনাউজম খোংজোন ময়িম, ঔব্রানা খোমখিয়ে, মথং ১সুং শোইনাইদে মথং সঙ্গাইনা পিবা ওইরিএ, খাইখিবা ককয়াই তাবা খম্বনে, হিদাকশুংবদা লৈবা থৌনাউজম লাইবনে, নাইওইবদগী খাইবা স্নামহী মনাই ফুবালাতাবা লখোন ময়িম ঔব্রানা খোমখিয়ে মথং শোনবনা পিবা ওইরিএ, খাইখিবদি ঔব্রানা খোমখিয়ে, নাইওইবদগী খাইবা য়াইথাবী তাবা ইবুংশি মনাই থৌনাউজম বৃন্দাবননে, অথোকপমগী পিবাদি খেলারামনে, খাইখিবা লৈসাংখোং তাবা স্নামহী মনাই থৌকাজম গবিন্দ ময়িম, ঔব্রানা খোমখিয়ে মথং চেকসানা পিবা ওইএ। অথোকপমদগী খাইখিবা থাংজমদা লৈবা শ্রীরাম ময়িম॥০॥ ইবেল ঙানুরোন থোংঙাইবা চনুগী ঈদি হিচমনে, সনলামনে, হিচম য়িমলেনগী পিবাদি চন্দ্রবদননে, খাইখিবা মুকুন্দ ময়িমনে, মচাদি ঔব্রানা খোমখ্রে। মথং গঙ্গাধননা পিবা ওইরিএ। হিচম য়িমলেন্দগী খাইখিবা অনোংগী ঈদি নরতোমনা পিবা ওইরিএ। খাইখিবা তোনজমদা লৈবা লাংমৈ ময়িম, খাইখিবা উনমদা লৈবা রুপা ময়িম, খাইখিবা কপিগী মশু নন্দনে, খাইখিবা লম্বান ময়িম চান্দনে খাইখিবা হরিনরানগী ঈদি অরোং তাবনে, খাইখিবা হাওবমদা লৈবা অখুন ময়িম, খাইখিবা হিদাকফৃ ফানবদা লৈবা চেকসা ময়িম, খাইখিবা মুরারী ময়িম, হিচমদগী খাইখিবা নোংথোনবম হননু ময়িম, খাইখিবী পান্থোইবী মনাই পাংঙননে, চিঙবান লৈমা মনাই য়াঙম্বম খোইরীনে, হরিদাসগা পাংঙনগা ২মা পোকএ। ঔব্রানা খোমখিরে। হিচমদগী খাইখিবা চিংকাংবম পাংঙন ময়িম, হিচম য়িমলেন্দগী খাইখিবদি হৈরাংখোংজম লসমোন ময়িম, হিদাকফৃ ফানবদা লৈবা পাংঙননে॥০॥ অয়াংঙাম্বগী ঈদি সনলামনে পিবাদি ক্যাম্বনে, খাইখিবা লমলাই তাবা অমু ময়িম, য়িমলেন্দগী খাইখিবা ককয়াই তাবা পুরেং ময়িম, থাঙ্গদা লৈবা সল্লাম পুকচাউ ময়িম, ইবুংশি নোংথোনবদা লৈবা কৌরাং ময়িম, সল্লাম ইনবা হাওরোংবম তুলারাম ময়িম, সল্লাম ইনবা শিজমনাই হঞ্জবা শ্রুপা ময়িম॥০॥

ঙানুরোন খুৎয়াস চেনবীগী ঈদি লানশু অহলবনে, সরা য়াইমনে, থাওনৈ য়িমথংবনে, ৱাহেং অতোনবনে, ৪মা পোকএ। লানশু অহলবগী ঈদি লাইশোমনে, পিবাদি নাফননে, খাইখিবা হিদাকফূ ফানবদা লৈবা অকোং ময়িমনে, খাইখিবা পোৎশঙবদা লৈবা লাইশোম খম্বা ময়িম, খাইখিবা ইবুংশি নন্দাসাই মন্ত্রিদা লৈবা অচৌ ময়িম, চন্দ্র ময়িম, লাইশোম য়িমলেন্দগী খাইখিবা খুঞ্জাও ময়িম, সমলোম তিন্নবা লাইশোম পুকচাউ ময়িম, য়িমলেন্দগী খাইখিবা লাইশোম পাংঙন ময়িম, পোৎশঙবদগী খাইখিবা ক্রাথোংদা লৈবা নাফন ময়িম॥০॥

সরা য়াইমগী ঈদি থাংজম সরামনে, পিবাদি লখোননে, অহলদি ঔৱানা খোমখিয়ে পোৎশঙবদা লৈবা অকোংনে, অহলদি ঔৱানা খোমখিরে, মথং অকোংনা পিবা ওইএ। লাইমনাই সরাম খ্বাইনে, ঙাংঙোম য়িমলেন পিবাদি প্রেমনে, খাইখিবা ঙাঙোম হিদাক শুংবদা লৈবা দয়ানন্দ ময়িমনে, ১রক খাইখিবা ঙাঙোম কোংয়াং ময়িমনে, খাইখিবা পানা খাঙবদা লৈবা বৃন্দাবননে খাইখিবা পানলোইনে॥০॥

থাওদৈইমথংবদি থাওদৈজমনে, পিবাদি উতোমনে, প্রশুরামনা হায়বদি মহারাজনা ঐঙোন্দা পিএ হাইএ। স্নাখুয়ানা য়েনগদনে, উতোমদগী খাইখিবা পোৎশঙবদা লৈবা তেনবা ময়িম, উতোমদগী খাইখিবা নহাকপম শ্রুবা ময়িম, খাইখিবা নাহাকপম তেৱাম ময়িম, উতোমদগী খাইখিবা লাইকাতাবম তেৱাম ময়িম, নিমাইদগী খাইখিবা মুরারীনে, থাউদৈজম উতোমদগী খাইখিবা লৌপানতাবম কশোপ ময়িম, লৌপানতাবা কোনসম তেনবা ময়িম, খাইখিবা মোইরাম্বা ময়িম। য়িমনাক্তি খাইনৈ হায়এ, পিবানদি খাইফরোই হায়এ, তেনবদগী খাইবদি থিঙ্গোননে॥০॥

থাউদৈজমদগী খাইবদি নাউরোইবমনে পিবাদি ঔৱানা খোমখিয়ে, মথং চক্রপানীনা য়িম ঙাকলিএ। খাইখিবা নাউরোইবম অকোং ময়িম, নিংচিৎপমদি মাঙখিয়ে॥০॥

ৱাহেং অতোনবগী ঈদি হিদাকফূ ফানবদা লৈবা ৱাহেংবম কোনবা ময়িম ৱাহেংবম লাংমৈ ময়িম খাইখিবা খাফমদা লৈবা ৱাহেংবম ঙাংবা ময়িম, ৱাহেংবম লাংমৈদি ঔৱানা খোমখিরে, মনাওগী মচা অচৌনা পিবা ওইরিএ।

খাইখিবা কৈনৌ তাবা ৱাহেংবম রামনরান খোমদাং, লৌরেম্বম চনূনা কুচিরা, য়াইখোম চনুনা তোননাবা, লাইশ্রম চনূনা শেকমাই লান্থবা, ৱাংখৈরাকপম চনূনা য়োংঙা, নানবম চনূনা তৌতোংৱাকা, ইচাওৱাক্কা অনিমা পোকএ, ইচাওৱাকতি শোইনাইদে॥০॥ তৌতোংৱাকনা লংমাইথেম চনূ পান্নদুনা লৈরাংনিংথৌবগা, মনাও খাবা হুইদোনকোকপগী ঈদি নোংচেনবম চাইবা মইমনে॥০॥ খাবা নোংহলবনা লংমাইথেম চনু পান্নদুনা মাগী ঈদি খুরাইজম চেকসা মইমনে॥০॥

খুমজম লোন্দি লৈচিকনিংথৌ চনূনা ঙানবা লৈচিকচিকলিবা, লৈথমনিংথৌ চনূনা ঙালবা লৈথম থমলিবা, লৈনুংয়ুচাখা চনূনা ঙালবা য়ুচাখা, লৈনুং য়ুপুরোই চনূনা ঙালবা য়ুপুরোই, পুরোইলেমনুসুনা খমচিংকোন হায়হৈবাগা, খুমুরোংগা অনিমা পোকএ॥০॥ পুরোই লেমনুসুনা খুমুরোং তুরেল নামফৌ মচন পুংক্রাইবীনা পানবা থেরৈরোংবম চনূনা তাংখুললৈতাংহলনে, মানা লুৱাংনিংথৌ পুলসিবা চনূ পান্নদুনা হাউবা, লুৱাং চনূনা থাঙতুপমীমানবা, লুৱাং চনূনা হাউকা রলকা, লুৱাং চনূনা শিংমিৎলাংমিৎচুম্বা, মানা লুৱাং পুতাংকোই চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি খুমুজম খুনলিং মইমনে, লাইকি শল্লাঈনে॥০॥

লুৱাংদি লোন্দি, পিয়াইনুনা থৌৱারেল, পিয়াইনুনা পোইরৈতোন, লৈনাওতাবীনা শিঙতাবুং শম্থোং পুনেম্বা চনূনা পামিং, হুইমুরৈমনা লুৱাংখুলথিবা, কৌবরোল নামোইনুনা লুৱাং পুলশিবা। লুৱাংনিংথৌ পুলশিবনা ইরেম নাওশংখুনে, তাইদনলৈমা মাইনৌ চনূনে য়ুশিনলৈবা চিংনুংহাওবা চনূনে, হাওখুলৈমা লমদাংনিংথৌ চনূনে, ঙাইনুরোন থোংঙাইবা চনূনে, হাউশিয়াং পুয়াংবা চনূনে, ঙাইনুরোন থোংঙাইবা চনূনে, হাউশিয়াং পুয়াংবা চনূনে, ঙালনুরোল খৎয়াইচেনবীনে, খৈয়োসরোল ঙানুথুম্বীনে, খোংলৈ শাংবীনে, মাপলনা অসি পান্নদুনা শল্লাই ইমজংবদি ইরেম নাওশংখুনা নোংপাল পুখুচেং পোকএ, মানা নোংজেংশু পান্নদুনা অশাংবম, অরাম্বম, তিলবিজম লৈরোংজম মরিমা পোকএ॥০॥ নোংজেংশুনা তামোইথং, কোইনম চনূনা হাউমু, মৈদিংঙু কোম্থৌবা চনূনা অমু পামজৌবা মৈদিংঙু নাওথিংখোং চনূনা অমহেহিং মাগী ঈদি অশাংবম মোলসাম্বা মইমনে ময়েংবম হোংবা মইমনে, অবুজম পল্লিং মইমনে, উরেকখিলবম হাউবা মইমনে, ফমমিহলবম মইমনে, ৱাংলেনবম নোইবা মইমনে॥০॥ খোংলৈসাংবীনা অরাম্বা মুতুম চনূনা য়াংশিফাবা, নুক্রাম

চনূনা তাংজেংঙম্বা লংমাইথেম চনূনা নিংথৌলাইনিংখা, নুক্রাম চনূনা সানোংবা, নুক্রাম চনূনা ৱাংবা, পাংঙলবম চনূনা কবোম্বা, লংমাইথেম চনূনা য়ারাবা, মাগী ঈদি ঙাংনোম লাইবা মইমনে, লোইচাংয়াংবম পাল্লোই মইমনে পুংক্রাইজম চাইবা মইমনে, লুৱাংশংবম পলসা মইমনে, নোংথোলবম লাবা মইমনে, হয়তম তোলবা মইমনে, তোইবিজম তরা মইমমে, অরাম্বম তোলসেন মইমনে॥০॥ লাইতোললৈমা মোইনু চনূনা ৱাকোং নিংথৌবনে, মানা ৱাকোংথেম পোকএ॥০॥০॥

হৈরেম খুনজান লোন্দি কৌবরোন নামোইনুনা লুৱাং পলশিবা য়ুশিনলৈমা চিংনুং হাউবা চনূনা লূমজেং অহলবা কমবোং, লাংসনাবীনা য়ুশিন কোম্থৌবা চনূনা পান্না নাওথিংখোং চনূনা কোনসারোং, লংমাইনিংথৌ চনূনা তৌরেম লাম্থবা, খুমলনিংথৌ লিকমাবা চনূনা লাইরুবা, থৌংথিনবম চনূনা লৌবা, ময়াং লম্বম চনূনা হৈরেম নানবানিংথৌ চিংজারোইবা থাবলবা, লংমাই নিংথৌ চনূনা চেংলৈলালথবা রোমচেংহলবনে, মাগী ঈনি ফৈদা খুনজান মাইমনে॥০॥০॥০॥ খুমুজম লোন্দি ঙানুনা থিংকম পোংৱায়াবা ঙানুনা কম্বোং অমুকোই, ঙানুনা কম্বোং অঙৌকোই, মোইরাংথেম চনূনা শিলশুলাইবা, মোইরাংথেম চনূনা ক্যাংলাইবা, মোইরাংথেম চনূনা নিংঙোনকাপমী কৈশিতোনবীনা খুৎশুপখাংতারা, মোইরাংথেম চনূনা লাসিয়া মাগী ঈদি খুমুজম॥০॥০॥ হাউকুলৈমা লৈতাংনিংথৌ চনূনা লৌরন থৌরালজাম্বা পোকএ। মানা হৈরেম কাংহৈনু খিংখিংকাঙহৈনু লেমলৈঙানা পাম্বী পান্নদুনা য়াংহলবগা, য়াংখুবগা অনিমা পোকএ। য়াংহলবনা লাইকারেম্বী পান্নদুনা খোংকন তেলহৈবা পোকএ, মানা মোইরাং চনূ লাইতোংবী পান্নদুনা কোকপাৱাংবা, নংকোইৱীনা উরেল নামফৌ, নুরৈশংবীনা খোইদোং, খিংখিঙ হৈরিপুং চনূনা ফৈরোইজাম্বা, মোইরাংথেম চনূনা হাউমুবা মোইরাংথেম চনূনা হাউতোনবা, মোইরাংথেম চনূনা পৌশাবা, মোইরাংথেম চনূনা য়োলবা, মোইরাংথেম চনূনা ময়োলবা, মোইরাংথেম চনূনা মোরী, মোইরাংথেম চনূনা তোলবা॥০॥ কোকপৱাংবগী ঈদি ফৈরৌজম মুংয়াং মইমনে, মোইবুংলোকপম ওম্বা মইমনে, শৌপ্পাম মানসৈ মইমনে, মাইবাম্রাম সরা মইমনে, চীংচাবম চাইবা মইমনে, ঙৌপ্পাম মানসৈ মইমনে, থিয়াম পামসা মইমনে, মৈতৈরম্বম কোবা মইমনে থামংজম মোলসাং মইমনে, ইমলেনবম তোলবা মইমনে॥০॥*॥ য়াংখুবগী ঈদি থৌনাওজম

লমমেং মইমনে, অথোকপম অথৌ মইমনে॥০॥০॥ পুলসিবনা ঙালনুরোল থোংঙাইবা চনু পান্নদুনা লূংবগা, নূংথোংঙাইগা অনিমা পোকএ। লূংবদি খুমল ওইখিএ॥০॥ নুংথোংঙাইনা ঙানুরোল পান্নদুনা লুৱাংলংমাইবা পোকএ, লুৱাং ওইখিএ॥০॥ ঙাইনুরোন থোংঙাইবা চনূনা নুংথোংঙাই, ঙানুরোলনা চীংদাকোইব, ঙলনুনা চীংদালাওবা, লংমাইনিংথৌ চনূনা তোংবা, লংমাইনিংথৌ চনূনা পুরেঙ লুমানবা ঙালনুনা ফুনালতেলহৈবা, হোংনেমশুম্বীনা নুঙকাংপাম্বগা, অয়াংজাম্বগা অনিমা পোকএ। নুঙকাপাম্বনা লংমাইনিংথৌ চনূ পান্নদুনা মোইরাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি হিচম মোনসাম্বা মইমনে, য়াংঙমবম চরন মইমনে॥০॥ অয়াজাম্বানা লংমাইনিংথৌ চনূ মোনসাম্বী পান্নদুনা লমমিংথৌগা, খানিংথৌম্বী অনিমা পোকএ। লমনিংথৌগী ঈদি শল্লাম অকোং মইমনে॥০॥ খানিংথৌগী ঈদি শল্লাম ইমখাইবম পামসা মইমনে॥০॥ খুৎয়াই চেনবীনা ৰাইবা লনদম্বগা, ৰাইবা শংখুবগা অনিমা পোকএ। ৰাইবালান্দম্বনা ঙালনুরোল পান্নদুনা ৰাইবা পোকএ, ঙালনুরোননা তপ্পাবা, ঙালনুরোননা য়াওসাতালবা, ফোইচীংকাংবা চনূনা তপতাইবা কাংবশুনা খমকোইবা, ঙালনুরোন খামচৌশুনা চশুলমলোকপা ঙানুরোন খাইথিবা চনূনা লালশুহলবা, সরালাংঙা, থৌদৈয়িমথংবা, ৰাহেং অতোনবা থিংকোলসুনা থিংকোলহনপানে॥ ঈতি হাওপমনে॥ সংলৈমা সোসতাপীনা কাংচিল লৈনাউতাপা॥ ঈতি মোইরেংচমনে॥ ৰাংঙমলোন নাউরেমতোননা পুনসিপা॥ ঈতি পুয়ামকা॥ লাইস্রমকানে॥ থিংলাইখুসু চনূনা য়াওসোমপানে॥ ঈতি থাঙসাপা য়াওসোমনে॥ তারমসুনা লময়াই কাইখিনপানে॥ ঈতি খুমনথেমনে॥ হিতাকসুংপা মাইপমতি পুখন্‌লম্‌পম্‌নে॥ পাসি চনূ মচানে॥০॥

লুৱাংলোনতিঃ – চিনফুরোল লয়চিক ঙানপীনা নোংতমলেন অখূপা॥ লয়থমলেন চনূনা নোংতমলেন অহনবা॥ চিনফূ লৈমনা কুরুমলেন মৈনাইতাপা॥ হাইনুরৈমনা কুরুমলেন মৈনাইপা॥ লয়ফূরেল চনূনা পোংথাং॥ লয়নুংঙানপীনা পোংহলবা পীসিননূনা হয়রোংলেন লোংচুনপা। পীসিনখোমপীনা নিংথৌ হয়রোংঙাংবা পিয়াইনুনা থৱারেনকা পোইয়ৈতোনকা ২মা পোকএ। লৈনাউতাপীনা লুৱাং খুনথিপা॥ কৌপরোল নামোইনুনা লুৱাং পুনসিপা॥ মতুতি ৯নে।

১। চীংনুং হাওপা চনূনা লুমচেং অহনপা পোকএ। খুনচান ওইখিএ।। লোকহননা কমপোং লোকহন ওইখিএ।। লোকখুনা কমপোং লোকখু ওইখিএ।। মচা ৩মা অসি পোকএ।

২। হাওকু লৈমা লমতং নিংথৌ চনূনা ফাইরৌচম সলাই ওইখিএ।। ফাইরৌচম থিয়ামতাকি খাইখিএ।। থিয়াম মোইরামপা ময়িমনে।

৩। ঙানুরোল থোংঙাইপা চনূনা লুংপাকা নুংথোংঙাইকা ২মা পোকএ। লুংপানা খুমন সলাই মকোক ওইখিএ। নুংথোংঙাইনা সলাম।। নাউসোম।। হিচম।। লুৱাংচীংতা তোংপাকী সাকৈ ওইখিএ।

৪। হাওসিয়াং পুয়াংপা চনূতি সোনাইতে। মরম অসিকিপু লিকলাপিচা নোংতংনুকী মচা খোইতোমকাপু য়োকচৈএ।।

৫। ইরেম নাউসংখূনা অরামপম।। অসাংপম।। তিনপিচম।। লৈরোংচম।। অপুচম।। য়াওরৈ।। খুনকাম।। অরূপম।। থমংচম ৯মা অসি পোকএ।।

৬। তাইতল লৈমা মোইনু চনুনা ৱাকোংথেম পোকএ।।

৭। খুয়াইচেনপী নাউথোংকাইপীনা থৌক্লাউচম পোকএ।।

৮। ঙানুথুমপীনা সেনপা সিমাপা পোকএ।। সেনপাকী ঈতি থুমলে।। মরিংতা লৈপানে।

৯। হাওকু লৈমা লমতং নিংথৌ চনু লমতং সেরনপানা পোকপী থিকলেন তংকাননূনা লানথৌ লানচানপা পোকএ।। লানথৌ লানচামপনা মতু হয়রেম কাংহৈনু।। খিংখিং কাংহৈনুগা ২ মানে।।

(i) লানথৌ লানচামপাকী ঈতি হয়রেম কাংহৈনুনা য়াংহন অহনপা পোকএ।। য়াংহনপাকী ঈতি সৌপু।। সনা।। ২ মানে।। সৌপুনা সৌপুৱাম চাকোক ওইখিএ।। সনানা মাইপাসনাম চাকোক ওইখিএ।

(ii) খিং খিং কাংহৈনুনা য়াংখুপা অতোনপা পোকএ।। য়াংখুপকী ঈতি থৌক্ল উচমনে। নোংচেংসুনা তামোইথংনে। কোইয়াং চনূনে।। হামু কনথৌপা চনূনে পান্নতনা।। হামু কনথৌপা চনূনা হামু পনচাউখা।। মৈতেংঙু নাউখিংখোং চনূনা হেহিং।। খোংসাং।। খোংসাংনা অরামপমনে।। লিকলোকপারোকপা লুক্রাম চনূনা সারোঙপা।। লুক্রাম চনূনা পোকপা।।

লুক্রাম চনূনা লুৱাংপা ॥ পাংঙমপম চনূনা কপোমপা ॥ মোইরাংথেম চনূনা য়ারা ॥০ ॥

পুংক্রাইপম ॥ নোংথোনপমতি অরামপমকী চাকোকনে ॥ সিনসু মৈতৈ য়াঙনা মৈয়েংপম পোকএ ॥

লুৱাং ইংঙেলচীং তোংপারোলতিঃ- কৌপরোল নামোইনূনা লুৱাং পুনসিপা ॥ ঙানুরোল খুয়াইচেনপীনা লুৱাং ৱায়পা লানতমপা ঙানুরোলনা নুংপাল চাউপ্র সোয়সেমপা ॥ লুৱাং তপতেপা ॥ ঙানুনা লুৱাং লোইনাই য়াউসা তানপা ॥ ফোইচিং কাঙপা চনূ চাকসিনুপীনা লুৱাং তপতেপ ॥ কাঙমুচন চনূনা খমকোইপা ॥ ঙানুরোল খানচৌসুনা চামু উচিৱা লমলেকপা ॥ ঙানুরোল খাইখিপা চনূনা লাইসুয়াং খুনকাপা সনা লানফাপা ॥ ঙানু হাউঙানুনা লিকপা ॥ হিতাম চনূনা সনাখোন ॥ হিতান চনূনা লোপা ॥ খোইসনাম চনূনা য়াংঙা ॥ হাউখৈ সাইখুপম চনূনা হোরি ॥ সাইখুপম চনূনা মুপা ॥ মেনলৈপম চনূনা লাইয়াম ॥০ ॥

লুৱাং লংমাইচীং তোংপরোলতিঃ- কৌপরোল নামোইনূনা লুৱাং পুনসিপা ॥ ঙানুরোল থোঙাইপা চনূনা নুংথোংঙাই ॥ ঙানুনা লুৱাং লংমাইপা ॥ ঙানুনা চীংতা কোয়পা ॥ ঙানুনা চীংতা তানা চীংত্রাউপা ॥ লংমাই মিংথৌ চনূনা পুরেং নুমানপা ॥ লংমাইনিংথৌ চনূনা তোংপা ॥ লংমাই নিংথৌ চনূনা লানপা সাথিপা ॥ লংমাই নিংথৌ চনূনা ফূনান তেলহৈপা ॥ হোভনেমসুমপম চনূনা নুঙকাংপামপা অয়াংচামপা পোকএ ॥ নুঙকাং পামপনা নিংথৌ চনূ পান্নতুনা মোইরাম পোকএ ॥০ ॥

খুমনখোমপীনা থংপী লানথাপা ॥ মোইরাং লৈমা য়োইরেম তোমপোকপীনা খুমোমপা ॥ য়াংকোইসুনা সনারেমনে ॥ খুমোমপা পুমিংনাপানে ॥ খমপী ফাপীনা নুংথোনপা ॥ তিংকোইরাকপা ॥ ওমপু তাংকং লাকপা চনূনা খোঙচোমপা ॥ লৈচোল লাকপা তোলোংখোমপা চনূনা সানোংপা লানতম ঙমপা হাওচেং ঙমপীনা খোঙনামপাকা ॥ চানথঙঙমপাকা পোকএ ॥ চকপ্রম চনূনা তেখাউ ॥ ফানচম চনূনা মারামচাই। ঙানুরোল থোঙাইপা চনূনা কাকীনে ॥ পুত্রনপম চনূনা খোঙনামপা ॥ মোইফেংপম চনূনা লোনলোই ॥০ ॥

য়াংলৈঙমপীনা মোইরামপা ॥ খমপা উসরম চনূনা লোইচা ঙমপা ॥ হিতাম চনূনা পুমিংনাপা মোইরামপা ॥ খুমনথেম চনূনা তানচাউপা ॥ খুমনথেম চনূনা

নিংথৌখোমপা কাপুপা (কাপুখোমপা)।। খুমনথেম চনূনা তোইপী ঙমপা।। খুমনথেম চনূনা নিংথৌখোমপা।। থোঙপম চনূনা লাংমৈ।।০।।

নিংথৌ পোকপীনা খুমোমপা।। লামাই ৰাখা চনূনা তাংলোং।। য়াইখুচম চনূনা সায়ামপা।। য়াসখুচম চনূনা খুনচাপা।। য়োইচম চনূনা খুনতিংপা।। কোনখোম চনূনা লমমং থৱায় চকপ্রম চনূনা চীংনোং।। নোংগোকপম চনূনা খোয়রী।। মোসপুং লোংপমনে।।০।।

খোংলৈমানা ইরেংপা।। খুমিৎসূনা অসেংখূপা।। অঙৌপা য়াংলৌ হিতাপা চনূনা লোয়য়মপা।। খূমিৎসুনা অসেংখূপা।। থেমতাইসুনা অসেংহনপা।। তোংচেং থৱানপাপীনা খমলাং মোইচাংঙমপা। লংমাইথেম চনূনা লয়সা পামপা ফিচোমপা।। লংমাইথেম চনূনা লয়সা পামপা মোইপা ফাপা।। লংমাইথেম চনূনা থৱানপা।। লংলাইথেম চনূনা মুতু য়োইমাচেং।। লংমাইথেম চনূনা চূপচোইপা।। লংমাইথেম চনূনা মুতু লেংঙমপা।। লৈসাংথেম চনূনা মুতু সচিরোং।। লৈসাংথেম চনূনা মুতু সায়িনপা।। লৈসাংথেম চনূনা মুতু খামপী ঙমপা।। লংমাইথেম চনূনা লুপালোকপা।। হুইথৌপম চনূনা সনায়িন।। লাইস্রম চনূনা ৰোংলা।। পুখনপম চনূনা খোয়রী।। সলাম চনূনা পনসা।।০।।

সংলৈমানা ইৱানথাপা।। হেপু খুপী হোংখুঙমপীনা চকলাই হোংখুঙমপা।। হামুসূনা তুরোলফাপা।। হামুসূনা পাউনম সকোল লোইপা।। হোঙনেমসমপীনা ৱায়সেল লানথাপা।। হোঙনেমসূনা হাওনিংপা।। কোঙপম চনূনা কোঙয়ামপা।।

লুৱাং সলাইদা সাগে মীঙ্খৈ পীখিবা রা হায়গে-

পাখঙবনা শাংনা তারকপদা খোঙ হামএ হায়বদগী অশাংবম কৌএ।।১।। লামথাদুনা ইরুইএ হায়বগী অরাম্বম কৌএ।।২।। লৈরোংজমগা তিন্নবা লৈ হায়বগী তিনবিজম কৌএ।।৩।। নিংথৌগী লোনলৈ লাংলে হায়বগী লৈরোংচম কৌএ।।৪।। লৈমা নারম্বদগী ইতোন তোয়না কায়রে হায়বগী তৌইবিজম কৌএ।।৫।। নিংথৌগী মচা পোক্লগা নাউফম পুইএ হায়বগী অপুচম কৌএ।।৬।। মৈ হৌরৱ য়ে এ হায়বগী মৈয়েংবম কৌএ।।৭।। উরেপ ৱা খিলএ হায়বগী উরেপখিনবম কৌএ।।৮।। নিংথৌগী অক-অশেং তৌএ হায়বগী অকুবম কৌএ।।৯।। মশুনা লোংখোনফম ওইরমএ হায়বগী লোংখোনপম কৌএ।।১০।। নিংথৌগী পূং লাংলে হায়বগী পুঙ্গ্রাইজম কৌএ।।১১।। মথৌ অঙোম্বগী মমিং

লৌদুনা ঙাংঙোম কৌএ ॥১২॥ লুৰাং পোকপা শঙএ হায়বগী লুৰাংশঙবম কৌএ ॥১৩॥ ৰাংলেন পুং য়ৈ হায়বগী ৰাংলেম্বম কৌএ॥১৪॥ নিংথৌগী হৈ থমহল্লে হায়বগী লুৰাংশঙবম কৌএ ॥১৫॥ ফমমিহনবা হায়বা ফম অদু ওই হায়বগী ফমমিহম্বম কৌএ ॥১৬॥ শিরে হায়দুনা মংদা থমলুরে হায়বগী থমমংচম কৌএ ॥১৭॥ অদুবু চুমদে হায়দুনা ৰাকোংহনলে হায়বগী ৰাকোংথেম কৌএ ॥১৮॥ খুন্না চানবীরে হায়বগী খুনচানময়ুম কৌএ ॥১৯॥ কোংবা মৈরোম্বীদা তাইএ হায়বগী কোংবম কৌএ ॥২০॥ মপু সদানোননা থাঙ শাইএ হায়বগী থাংচম সরাম কৌএ ॥২১॥ খুন্না মপু নিংঙাই চাওএ হায়না মুকনৈএ হায়বগী খুনমুকচম কৌএ ॥২২॥ ফৈরোই খায়এ হায়বগী ফৈরোইচম কৌএ ॥২৩॥ মপুদু থিক্রিবা কৌএ ঙাঙনা থি হায়বগী থিয়াম কৌএ ॥২৪॥ ময়ুমনা শেম্বাং চঙদুনা মহুম শাই হায়বগী শেনবাংচম কৌএ ॥২৫॥ ৰাইখোমনৈ হায়বগী ৰাইখোম কৌএ ॥২৬॥ মোইবুং মুনববু লোকপা কৌএ। অদুগী মোইবুংলোকপম কৌএ ॥২৭॥ মপু সৌপুগী মমিং লৌদুনা সৌপ্বাম কৌএ ॥২৮॥ মপু সনাগী মমিং লৌদুনা মাইস্নাম কৌএ ॥২৯॥ মৈ মুৎলে হায়বগী মৈত্রম কৌএ ॥৩০॥ য়ুম ১ লেমনা শাই হায়বগী য়ুমলেম্বম কৌএ ॥৩১॥ নিংথৌগী মথৌ কাউএ হায়বগী থৌনাওচম কৌএ ॥৩২॥ লুৰাং কুরুদগী থোক্লকএ হায়বগী অথোকপম কৌএ ॥৩৩॥ হি শাবা হৈ হায়বগী হিচম কৌএ ॥৩৪॥ শল লাৎলে হায়বগী সনলাম কৌএ ॥৩৫॥ নোংপোক লমদা তাইএ হায়বগী নোংপোকপম কৌএ ॥৩৬॥ য়ামনা কললে হায়বগী য়াঙম্বম কৌএ ॥৩৭॥ নিংথৌগী শীং খাঙএ হায়বগী শীঙখাবম কৌএ ॥৩৮॥ হাওরোংবম লাই লাৎলে হায়বগী হাওরোংবম কৌএ ॥৩৯॥ উচি লাই লাৎলি হায়বগী লাইশোম কৌএ ॥৪০॥ থাঙ শাই হায়বগী থাংচম কৌএ ॥৪১॥ থাউতৈ কল্লি হায়বগী থাউতৈচম কৌএ ॥৪২॥ নহাক্লা চাওএ হায়বগী নাহাকপম কৌএ ॥৪৩॥ মৈবা লৌএ হায়বগী লৌখাম কৌএ ॥৪৪॥ অঙাং নাউরোইএ হায়বগী নাউরোইবম কৌএ ॥৪৫॥ ৰা ঙাংবা হেকতোকএ হায়বগী ৰাহেংবম কৌএ ॥৪৬॥ লাই ফাদুনা কংহল্লে হায়বগী লাইকংবম কৌএ ॥৪৭॥ মশা নাললি হায়বগী নানতম কৌএ ॥৪৮॥ থিনপী লাইরেনঙাম্বগী মমিং লৌদুনা লাইরেঞ্জম কৌএ ॥৪৯॥ লোই পাননৈএ হায়বগী লোইচা য়াঙম্বম কৌএ ॥৫০॥ ফি অঙৌবা পামএ হায়বগী ঙৌবম কৌএ ॥৫১॥ চীংগী লৈপাক চাইএ হায়বগী চীংচাবম কৌএ ॥৫২॥ ৰা ঙাংবদা মরৈ লোমএ

হায়বগী ঙাংলোম কৌএ ॥৫৩॥ মনিংনা হন্না চৎলে হায়বগী নিংচিৎপম কৌ, ॥৫৪॥ খোল্লাং মখুৎশুনা নমদুনা ফায়এ হায়বগী খোল্লাম কৌএ ॥৫৫॥ নিংথৌগী মমিৎ মনা শেমএ হায়বগী শমবান্দুরাম কৌএ ॥৫৫॥ খোইশাংলৈ হায়বগী খোইবম কৌএ ॥৫৭॥ মসিদি পু তিন্নেএ লৌনহৈদে ॥০॥

<u>লুৱাং সলাইদা পুন্না সাগৈশিংঃ</u>

১। অচোইবম	২১। খুজামযুম	৪১। থাওরোইজম
২। অরাম্বম	২২। খুগাম	৪২। থাউতৈজম
৩। অসাংবম	২৩। ঙাংলোম	৪৩। থাঙজম খুমুকচম
৪। অসাংব্রাংবম	২৪। ঙৌবম	৪৪। থিরাম
৫। অরেকপম	২৫। ঙাঙোম	৪৫। থৌনাওজম
৬। অথোকপম	২৬। ঙাংবম	৪৬। থৌদোইজম
৭। অবুজম	২৭। চোংথাম	৪৭। নাওরোইবম
৮। অরুবম	২৮। চীঙ্গাংবম	৪৮। নাহাকপম
৯। অচোইমযুম	২৯। চীংজবম	৪৯। নানবম
১০। অঙাম্বম	৩০। তখেল্লম্বম	৫০। নাওরোইজম
১১। ইচোম	৩১। তিনবিজম	৫১। নাম্বম
১২। উরিকখিম্বম	৩২। তোইজম	৫২। নিংচিৎপম
১৩। উরেপখিম্বম	৩৩। তোইবিজম	৫৩। নিংঙাচিকপম
১৪। উসম	৩৪। তৌমোম	৫৪। নোংপোকপম
১৫। কোংপচম	৩৫। তৌরেম	৫৫। নোংথোম্বম
১৬। কম্বোংময়ুম	৩৬। থমংচম	৫৬। পুংক্রাইজম
১৭। কোইজম	৩৭। থনাংচম	৫৭। ফমপীবম
১৮। খোইবম	৩৮। থমাংবম	৫৮। ফমপীহম্বম
১৯। খোকনম	৩৯। থাংজম	৫৯। ফমমিহম্বম
২০। খুমুকচম	৪০। থাংজম সোরাম	৬০। ফৈরোইজম

৬১। ময়েংবম
৬২। মাইস্নাম
৬৩। মৈত্রম
৬৪। য়াংকমপম
৬৫। য়াংকোপম
৬৬। য়াংঙস্বম
৬৭। য়েন্দ্রেম্বম
৬৮। য়োইরেলবম
৬৯। যুমলেম্বম
৭০। য়েলাংবম
৭১। লাইরেঞ্জম
৭২। লাইরোংজম
৭৩। লাইসোম
৭৪। লাকপমসাবম
৭৫। লৈরোংজম
৭৬। লোরেংবম
৭৭। লৌখাম্বম
৭৮। লৌপম
৭৯। লুসংবম
৮০। লুৱাংসঙবম
৮১। লাইকংবম
৮২। লাইখোংলেম্বম
৮৩। ৱাইখোম
৮৪। ৱাহেংবম
৮৫। ৱাকোম্বেম
৮৬। ৱাংলেলবম
৮৭। ৱাংলেমপম
৮৮। সলাম
৮৯। সম্বাত্রম
৯০। সাকাকপম
৯১। সেঞ্জম
৯২। সেম্বাংসম
৯৩। সোরাম
৯৪। সৌরাম
৯৫। সেলাম
৯৬। হাওরোংবম
৯৭। হিংখাংবম
৯৮। হাইখাম
৯৯। হিজম
১০০। হিনাওসাবম
১০১। হৈকম
১০২। হৈখাম
১০৩। হৈশ্নম
১০৪। হাওরোংবম
১০৫। হুইরোংবম

লুৱাং য়েক সলাই:

লুৱাং সলাইদা পুল্লিবা সাগৈসিং অসি য়েক থোকপা ঙাক্তনি। হায়রিবা সাগৈশিং অসি য়েক থোকই। লৌনা লৈনবা য়াদে। লৌনা লৈনবা তারবদি অৱা অনা নংই। অপোকপা লাইগী মফমদা হৈ-লৈ কৎপা অরেম্বা ওইএ। করিগুম্বা সাগৈ য়েক সলাই পুন্না লৌনা লৈনবদগী থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্তবসু নৎতে। লাইগী থৌরমদা য়েক তিন্নবনা লাই পুবা য়াদে। অপোকপাগী চনিং শোকপা য়াদে। সাগৈ অপোকপদা কৎলিবা শারেন তুবগী শারেন লুকলেন ফংবসু য়াদে। য়েক তিন্নবনা লাইগী থৌরম থৌদদা নম হাদুনা পাংবা তারবদি মচা মশুদা অফবা ওইদে। সলাই য়ুমদারোন পুয়ানা অসুম্না পীরি - অপোকপা থৌগল্লিবা মীওই অমনা য়েক থোকপা লৌরবদি চহি ওন্দনা পীবা ফম থাদোক্কদবনি। লুৱাং য়েক্লা, লুৱাং য়েকপু চারৌ মৌরৌনবা হায়বসি মশাগী তুংদা লাক্কদবা পুম্নমক্তা, মহাক অদুতা মাংজবতা নৎতনা সাগৈগীসু ময়েং তাগনি। য়েক থোকপা অনি অদো মখোয় অনিগী অমাংবা নৎতনা মচা, মশু, শুরোন, চারোন, পুরোন ৭ ফাওবদি ঈচেল্লোন মাংএ হায়দুনা সলাই য়ুমদারোন্না ময়েক শেংনা পীরি। মসিদসু নৎতনা লুৱাংয়েক সলাই পুন্না লৌনা লৈবা তারবদি পুন্সি খমতেক্লবসু পীরি। মশাদসু লাইথুং, তিনথুং, তিঞ্জু, লাইচুবা তুংলমচৎ ফাওবা লাইচুবা লৈগনি। য়েক থোকপা পী-পা অনি পান্নহৈদে। নিঙমদবা অকাইবা কয়া থোক্তুনা মহাক্কী পুন্সিদা অৱাবা ওই।

সলাই লাংজৈ:

পাখঙবা সলাই ৭নি। পাখঙবাগী ঈথাংলোই ওইরিবা পোং সলাই ৭নি। পোংগী মচা মশু ওইরিবা মীওইপোকসু সলাই ৭নি। লাইনিংথৌ সনামহি মালেম লৈশেমকোন্দা পাখঙবা ঈথাংলোই ওইদুনা সলাই চাওদা নাওদানা নোংদম্লকখি। অদু নোংদগী মীওইবা সলাইনা মালেম লৈশেমকোন্দা মপু ওইবনা মপুথোক্লিবা অচৎ চৎতা জীবা পুম্নমক্তগী মীওইবা কৌবা মপোক্লা অথোয়বনি হায়না পাখঙবা লাইহুই পুয়ানা ময়েক শেংনা পীরিএ। খোয়ুম লাই ওইবনা তাইবঙ পানবগা অসুক্কী মতিক নক্লা লৈ হায়নসু তাক্লি। অদু নোংগী চৎনরোনবু তাইবঙ মীওইপোক্তা পোকলিবা তাইবঙ পানবনা খোইয়ুম লাই ওইববু নুঙরোন্দা মমি তাদুনা নুংপাল অনিদা শেম্বী শাবীরকপনি হায়নসু লাইহুইনা

পীরি। খোইয়ুম লাই ওইবগা মীওইবগা অসুক্কী মতিক নক্লনা লৈ হায়বসি য়ানরবা ৰাফমনি। সলাই য়ুমদারোন্না অসুন্না পীরি - য়েক ৭ সলাই ৯বু খাইরমলিবনো হংলি সলাইচাশিংনা লাই ওইবা মপু সিদবা সলাইনা য়ুমদারোন কৌবা পুয়া মাইচৌ অপোই মচানা খৃ: ৪২৮দা কংলা উত্র সঙমাইথেন্দা অসুন্না য়েক ৭ সলাই ৯গী খাইখিবা ৰাবু অসুন্না নোংদম্বীএ। সনামহি লৈশেমকোন্দা মপু ওইবনা নিংথিবা লৈকোন্দা লৈরাং মশিং থিঙমদনা তল্লমই। লৈরাং মাগী মতৌদো অমৎতা মান্নবা য়াওবা নৎতে। মসি নুংগী ৰারমবু সাগৈ য়েক সলাইসু হৈরাং লৈরাংগুন্না মাগী মাগী সলাই সাগৈ, য়ুন্নাক নাইগনি হায়না নোংদম্বীএ॥

"খুমন মৈহৌরোন"

খোইয়ুম মপুরেন সিদববু নদাইরেম সলাইচানা ইকোক নোঞ্জেএ। নুমিৎ থা অনিমকপু খুরুমজনা খুমন মৈহৌরোন ৰাপু ইজরককে। তাথিবীগনো হায়না সলাইচানা হন্ন-হন্না খুরুমজৈএ। খুমন মৈহৌরোন নুংলোন ৰাদি পাখঙবা ঈথাংলোয় সেনত্ৰেং খুমন নাওকোল্লে। পাখঙবা সলাই ৭না কংলা ফম্বালকোন্দা হঞ্জিনখ্রবদা, পাখঙবগী য়াৰা লৌজদুনা লৈনুংরোন সেনত্ৰেংনা খুমন অপোকপা কংলা নুংজেন ঈকোন্দা সলাই নোংদম্বীএ। লৈনুংরোন্দা লৈবা খুমনবু য়েংনা সেনত্ৰেংনা মহায়এ - তারো খুমন নংগী সলাই মৈহৌরোন ৰাবু সেনত্ৰেং ঐনা নোংদম্বীগে হায়না খুমন য়েংনা নোংদম্বীখি। লৈনুংরোন খুমন পাখঙবনা লোয়নবা সেনত্ৰেং য়েংন হায়এ - খুমন ঐনা কংলা ইনুংকোন সলাই য়াইবীরেনকোন্দা মতৌ করম্না লৈরকখি হায়না লোয়নবা সেনত্ৰেংদা হংগৎচখি। খুমন সলাই পু য়েংদুনা সেনত্ৰেংনা হায়এ - তারো য়াৰাদো হায়গে - নোংমাগী নুমিৎলোয় অমদা অৰাং খমলেন লমলেন্দগী লাই ওইবা নখোয় ৭ কংলা লাইবুংথেন্দা নোংদম্লক্লমই। খুমন নঙবু খোইয়ুম লাই ওইবা সেনত্ৰেং ঐনা নখোয় ৩, মঙাং লুৰাং, খুমন সেনত্ৰেং ঐগী সনা খোংদা খুমন্না হায়এ - ঐখোয় অসি কংলা ফম্বালকোন শুমুলেন্দা ঐখোয়গী লৈফম লৈ হায়না মপুরেন লাই ওইবা সংলৈতোন্না নোংদম্লকই। য়াৰা মপাও অদু সেনত্ৰেংনা পাইমা পীবুক্লুংদা খুমনগী নুংলোন ৰাদু খঙজরমই। লাই ওইবা সেনত্ৰেংনা হায়এ - খুমন য়েংদুনা মহায়রকই ঐনা মপুরেনগী কংলাদা নখোয়বু ঙাইবা মতম অসি কুইরবনি। হৌজিক্তি সলাই মমিৎ পাংলক্দৌরে। মাগী মাগী থৌশিন থৌদা থৌপাংবা মতম ওইরে হায়দুনা খুমন লাই পোকলেম্বদা নোংদম্বীখি। খুমনগী লোয়নবা ওইরিবা সেনত্ৰেংগী য়াৰা মপাও তাবদা খুমন সলাই পাখঙবনা পেঞ্জখি। মপুরেন সেনত্ৰেংদা কংলা য়াইবীকোন শুরুংদা লোয়নবা সেনত্ৰেংগী মফমদা কোকনোঞ্জনা খুমন্না লৈগদবা খুমন ঐগী চৎনরোন ওইরক্দবা লাংওন লাংদাই পুম্ববু তাকপিয়ো হায়না কোকনোঞ্জে খুমন্না। খুমনগী ৰা তাবদা লোয়নবা লাই সেনত্ৰেংনা হায় - খুমন নহাক্না লাংওন লংদাই ওইগদবা, খুমন নহাক্কী চাদরোন নাওদা পুম্বা হায়গে। খুমন ও - লৈথকরোন্দি তাওরোই য়াংবীনে।

খিংলোইদি অংগোইনে, খমলেন্দি চাওহুইনে, ঈথাংলোইদি সলাইনে, ফমমেন্দি কংলানে, হুইরেন্দি নাওহুইনে, লোয়নবদি সলাইরেন সিদবা ঈথাংলোইয়েনে, নাওকোনরোন্দি পাখঙবা নাওয়োমনে। খুমন নংগী লোয়নবদি সেনত্রেংনে। শুরুংনুংদা লৈরিবা লাই ওইবা সেনত্রেংনা খুমনবু য়েংদুনা মহায়পিএ। তারো খুমনও - সেনত্রেং ঐগী য়াৱাসে, নহান নোং খুমন নংগী মৈহৌরোনগী ৱানে। সেনত্রেং লাই ওইবগী মফমদা খুমন লাইরিরেন শুনা নোংদম্বীয়ো হায়না হংগৎচখি। লাই ওইবা সেনত্রেংনা খুমনবু য়েংদুনা হায়এ - খুমন নংদি সিবা নাইদবা লাংওন মাবু খঙজবা খুমন-সলাইনি। নহাক্লা সনামহিগী লৈকোন্দা লৈখল শুনা শাৎলিবা খুমন নংগী সলাইগী লৈবু নাওকোনবীয়ুকো হায়না সেনত্রেংনা নোংদমখি। খুমন্না লোয়নবা সেনত্রেংগী য়াৱা মপাও তাবদা করি নুংগী য়াৱানো হংজখি। সেনত্রেংনা মহায়এ - খুমন নংগী সলাইনা সনামহিগী লৈকোন্দা লৈরাং লৈখন ওইনা শাৎলরগনি। অদুগুম্বা লৈরাং ওইবা সলাইদো খুমন নংগী ফম্বালকোন্দা নহাক্কী লৈহুল ওইনা নোংদমগনিএ। অদু নোংগী খুমন লৈরাং লৈহুল অদু অপোকপা ফম্বালদা পুনগনিএ। অদু নোংগী লৈরাংবু ফম্বালরোন খুমন নাচোমলৈ লাই খুমন অপোকপদা লৈহুনগনিএ। অদু নোংগী লৈহুনবু সনা চিখাং খুমন য়াইখুরেম্বা সনা ঈরিক নোংদম্না শাফোংগনিএ। মাবু খুমন অপোকপা হায়না কৌবনে। কংলা য়াইবীকোন শুরুংদা লৈবনে। খুমন নহাক্লা য়াথোকপা লমলেন মাদি মদাইমা হায়গে - খুমনও - পোকলেম্বা কোলোয় মীখ্খে অদুনা কংলা ঈরিককোন্দগী খাগী লমলেন মদাইমা খুমন লাইনা য়াথোক্লম লাইজ ঈরোন্নুংদা লৈগনিএ। খাগী খোংদি লাইখোংনে। লমলেন মাদি পুমরেন্নে। লাইজ ঈশিং ঈৱাইগনিএ। খুমন লাইনা য়াথোকপা লমলেন খিবীক হায়গে - সেনত্রেং লাইনা খুমন্দা ৱারি লিশাং নোংমদএ - খুমনগী মৈহৌরোন ৱাবু ৱারি লিশাং থাইএ। খাগী মরম খৈরেন্দা খুমন নহাক্লা লাংওন্দুনা, লাংওন নঙগী লাংদাইদা তুবী খিংলোয় লাইরেন নাদম লাংওন মপুংয়াই লাংওন্দুনা খাগী খৈরোন মদাইমা লাংওন মপুয়াই ওইজৌএ। খুমন নঙগী সলাই চাগোক নোংদমগনিএ। খুমন পোকলেম্বানা মপুরেন সেনত্রেংদা হংগৎচৈ। খোইয়ুম খুমন সলাই ঐহাক্লা মপুরেন সনামহিগী লৈশেমকোন্দা খুম্বোক্কদৌরিবা লমলেন মাবু তাকপিয়ো মহায়পীএ - খুমনগী য়াৱা তাবদা পাখঙবা সলাই সেনত্রেংনা মহায়এ - খুমনও - খুম্বোক লমলেনবু মহায়কে নাপ-চীক্লা তারো - খাগী ঈশারোন

অহোংশাংবম হোংবা মইমনে, থোংক্রাইজম খুনবা মইমনে চবুংবম চেংঙা মইমনে অহোংবম ললহাং মইমনে, হৈক্রুজম তরা মইমনে।।০।। থোংয়াইগী ঈদি শিননাইবম পোমবা মইমনে, থোংবম থৈবা মইমনে, য়াংনুয়েবম ঙাংবা মইমনে, থাংগংশাবম ঙাংবা মইমনে, হংনেম নেমবা মইমনে, করামবম নেম্বা মইমনে, অতোম তোনশেন মইমনে।।০।। লাইবগী ঈদি লাইপুখ্রাম খোনবা মইমনে, লখাবা থৌথিবা হাংনেম মইমনে।।০।। সরারোংনা থোংঙাইথোংগা খুঞ্জানলাইরুম শোইয়াম্বীগা অনিমা পান্নদুনা। থোংঙাইথোংগা শোইপাইঅহলবগা, শোইপাইতাইবংজাম্বগা, কাইবিখুরাম্বগা, লিকমললাম্বগা, থোংশুঅতোনবগা মঙামা পোকএ।।০।। শোইপাই অহলবগী ঈদি কোনোম অকোং মইমনে, শৌকাইজম কৌরেম্বা মইমনে।।০।। শোইপাই তাইবংজাম্বগী ঈদি তাইবংজম তাংখোম্বা মইমনে, ৱাইরোকপম মরাম্বা মইমনে।।০।। কাইবিখুরাম্বগী ঈদি হাউপুজম খরাবা মইমনে, সাৎপম পামসা মইমনে, কবরমবম কবোম্বা মইমনে।।০।। থোংশুঅতোনবগী ঈদি থোংজম খোইবা মইমনে।।০।। খুঞ্জান লাইরু শোইয়াম্বীনা চেকয়াম্বা পোকএ, মানা ৱাঙমলোন পিয়াইথোং পান্নদুনা থিঙ্গোনলিকমাবগা, থোংশুনহা অতোনবগা অনিমা পোকএ। মনাওগী ঈদি ঙখাখোই মইমনে, থোংক্রাইজম থারাম মইমনে।।০।। থিঙ্গোন লিকমাবনা মুংবী লৈমগা য়োইরুমলোন খোংলৈসংবীগা অনিমা পান্নদুনা। খোংলৈসাংবীদি শোইনাইদে।।০।। মুংভীলৈমনা পোকপনে, খামশংবনে, নিংথৌখোংনে, য়াইথিংবনে মরিমা পোকএ। কোকপদি লাই ওইখিএ। খামলংবদি চীংদাই হাউতাই কাখিএ। খানিংবা পোকএ। মাদি চীংদাই হাউ ওইখিএ।।০।। নিংথৌখোংগী ঈদি পুখমবম চীংশোং মইমনে, মৈতানকৈশংবম চেকসা মইমনে, লিকমাবম ঙাইখোম্ব মইমনে হাউক্কাক ক্কাকপা মইমনে, থিংকোম চিয়াম্বা মইমনে, চিখোম খারোই মইমনে, অয়াম লমমেং মইমনে, মাইবম মুনাল মইম লাংজিংতোংবা মেরা মইমনে, অমাকচম ক্যাম্বা মইমচনূ, ময়াংলম্বম ওমা মইমনে।।০।। য়াইথিংবনা নাওকন শংলাক মইমচনূ ৱাঙমলোন পান্নদুনা শময়োকফাগা, লময়েং খুবগা অনিমা পোকএ। ননাওগী ঈদি লমমাবম তশোম মইমনে য়াইথিংবম থৈবা মইমনে।।০।। শময়োকফানা লংমাইনিংথৌ চনূ পান্নদুনা থোংপুশমু কনুচাগা শামুকশুগা অনিমা পোকএ। শামুকশুগী ঈদি শমুকচম চাইবা মইমনে।।০।। শমুচনুচানা ঙানুরোন শংলৈমা

থিঙ্গোনশু পান্নদুনা থিঙ্গোনহলবগা, থিঙ্গোনখুবগা অনিমা পোকএ। থিঙ্গোন খুবগী ঈদি থিংবাইজম চারনবা মইমনে, খোইরোম খুল্লিং মইমনে॥০॥ থিঙ্গোনহলবনা ঙানুরোন শংলৈমা হাওয়েন খোংদৌবীগা, পৎশিখুনবু লৈতং চনূগা খোইবাতেনহৈবা পোকএ। মাগী ঈদি নামমরম তেনবা মইমনে হাওবম তেনহৈবা মইমনে॥০॥ শেকমু কাইনৌ চিংশোম্বদি শোইনাইদে॥০॥ কাংজিন লৈনাওতাবনা য়োইরুমলোম খোংলৈমা পান্নদুনা ইকোপলান্থবগা মোইরেংসাফবগা অনিমা পোকএ। মোইরেংসাফবগী ঈদি মোইরেংজম হননু মইমনে, হেনতাকপম লোকপা মইমনে॥০॥ ইকোপলান্থবনা ৱাঙমলোন নাওরেমতোন পান্নদুনা পুনশিবা পোকএ। মানা ৱাঙমলোন পানবাফাবীগা, লাইশ্রাগা, চিংখৈথানবীগা অহুমমা পান্নদুনা। লাইশ্রা ওকয়ামফাবীনা থোংপুহনবা পোকএ। মাগী ঈদি লাইশ্রম নিংথৌকাপ্পম থোংলেন মইমনে অমোম ময়া চংবম হাউমু মইমনে, খুৎহৈবা পাংঙন মইমনে, ময়াংলম্বম লোকপা মইমনে, লাংকমবম মুবা মইমনে, লাংখশ্বম খুইবা মইমনে॥০॥ চিংখৈথালবীনা লৈফোলবা পোকএ। মাগী ঈদি পুয়াম লৈফোলবা মইমনে, সরাম পুকতাং মইমনে, শংখোম শিনাইবা চরন মইমনে, লেপপুরম মোলসাং মইমনে, মোইচেম চিংশোম্বা মইমনে, লাংহৈবম অকো মইমনে ফানজম হাওশোম্বা মইমনে, অখাম পুরেলবা মইমনে, থিংকোম ললহান্বা মইমনে, য়ামবেম মরিং মইমনে, ঙাশেপ্পম চেকসা মইমনে, খাংসম তোলসেল মইমনে, তৌমোম পললিং মইমনে, সলথাম পল্লিং মইমনে, পাংঙলবম অপাং মইমনে, তোকপম লমথোক মইমনে হাউক্কাক মাইচৌ মইমনে, হাউমৈবম উরিবা মইমনে, শলশেলবম শোমপূ মইমনে, কাদাম শ্রাবা মইমনে, লৈফোলবম লেম্বা মইমনে, শেলতম কশোম্বা মইমনে, হাউরোংবম মোলসাম্বা মইমনে, লালথম চিংখু মইমনে, চিংথাম চিঙ্গোইবা মইমনে॥০॥২৫॥ পানবা ফাবীনা চরনবা পোকএ। মানা থিংনাই খুৎশু চনূ পান্নদুনা য়াওশোম্বা পোকএ, মাগী ঈদি থাংজম য়াওশোমবম ওমবা মইমনে॥০॥ তরমশুনা লময়াই কাইথিলবা পোকএ। মানা কাবজম চনু পান্নদুনা স্না পোকএ, মাগী ঈদি খুমনথেম খুংঙা মইমনে, ৱাংকোম অকোং মইমনে, পুয়াম পুংথোল মইমনে, তাউবম থাদোই মইমনে, মৈতানকৈশংবম মংনেম মইমনে, লাইশ্রম পাললোই মইমনে, অমোম মোনসাম্বা মইমনে, খুমন্থেমকৌরি খৈবিকনে॥০॥*॥

"খুমন সলাইদা সাগৈ মীওৈ পীখিবা রা হায়গে"

থবক খামএ হায়বগী অখাম কৌএ ।।১।। অশিবগী চাক য়াম্না থাইএ হায়বগী অয়াম কৌএ ।।২।। মাইবা ফামনা শাইএ হায়বগী অফ্রাম কৌএ ।।৩।। মাইবা শাবা তমএ হায়বগী মাইবম কৌএ ।।৪।। নিংথৌনা শিরগা মরু ইথোই থোইনা চামএ হায়বগী থোইদিংচম কৌএ ।।৫।। মশা তয়াং তয়াংএ হায়বগী য়াংলেম কৌএ ।।৬।। থেঙ্গু শূদুনা নিংথৌগী তৌ য়ৈখাই হায়বগী থেঙ্গুজম কৌএ ।।৭।। পুখম্দা চাক চাবদা লেমলে হায়বগী পুখ্রেম কৌএ ।।৮।। লং ফাইদুনা ফি শাবা হৌএ হায়বগী ফাইরেম্বম কৌএ ।।৯।। নিংথৌনা চাললে হায়বগী চান্দম কৌএ ।।১০।। শাগৈ মপা মচা খাইনরে হায়বগী পাংখাইচম কৌএ ।।১১।। মোংবী চীং লাৎলে হায়বগী য়োংবীচম কৌএ ।।১২।। খনফম ঙাংচেংদা তাইএ হায়বগী ঙাংবম কৌএ ।।১৩।। মীগী মপোৎ কাঙখত্তুনা য়েংএ হায়বগী অকাংচম কৌএ ।।১৪।। শূবা-চৎপা চাবা-থকপা পূম্নমক ওইনা হৈনৈএ হায়বগী ওইনাম কৌএ ।।১৫।। মায়মু তোমশোন লাৎলে হায়বগী মাইমোম কৌএ ।।১৬।। অতোনবনি খমলে হায়বগী খমনাম কৌএ ।।১৭।। অহোং-অচাউ লাৎলে হায়বগী অহোঙশাংবম কৌএ ।।১৮।। অঙাং চাক ইনবা চাক পূমনা ইল্লে হায়বগী চবুংবম কৌএ ।।১৯।। উক্রোং কাদুনা লাৎলে হায়বগী থোঙ্গ্রাবম কৌএ ।।২০।। অহোঙ-অচাউবা তমএ হায়বগী অহোঙবম কৌএ ।।২১।। হয়বু কুবি য়েনবি হায়বগী হয়ক্রুচম কৌএ ।।২২।। পয়া শঙ্গাই নাননা শূইএ হায়বগী সিনাম কৌএ ।।২৩।। মংথোং থিংএ হায়বগী থোঙবম কৌএ ।।২৪।। নিংথৌগী য়াংঙৌ লৈ য়ৈদুনা শাইএ হায়বগী য়াঙৌয়ৈবম কৌএ ।।২৫।। হন চঙবা নোইথোকএ হায়বগী হংলেম কৌএ ।।২৬।। কিয়াম লাই লাৎলি হায়বগী কিয়াম কৌএ ।।২৭।। লাইনা তিননা পুবা মাললি হায়বগী লাইপুখ্রাম কৌএ ।।২৮।। থাউদৈ য়ুমথংবগী মমিং লৌদুনা থাউদেম কৌএ ।।২৯।। কলম শূবা হৈ হায়বগী কোনলোম কৌএ ।।৩০।। শৌ কাইবা হৈ হায়বগী শৌকাইচম কৌএ ।।৩১।। শেম শাবা হৈ হায়বগী অসেম কৌএ ।।৩২।। ৰা লাৎলে ৰা অরেপ্পসু হায়এ হায়বগী ৰারেপ্পম কৌএ ।।৩৩।। অতাই পুরি থোকএ হায়বগী তাইবংজম কৌএ ।।৩৪।। নিংথৌগী মতুনা মশা

শংদনা শিরগা য়াৎথোকএ হায়বগী শিয়াৎপম কৌএ ॥৩৫॥ হাওদা পিরুইএ হায়বগী হাওপিচম কৌএ ॥৩৬॥ কবোগী লমবু ওই হায়বগী কবোরম্বম (কব্রম্বম) কৌএ ॥৩৭॥ থোঙ চনবা হৈ হায়বগী থোঙচম কৌএ ॥৩৮॥ মপুনা পুখ্রনবা ওই হায়বগী পুখ্রনবম কৌএ ॥৩৯॥ নিংথৌগী মৈতাল শঙএ হায়বগী মৈতালকৈশঙবম কৌএ ॥৪০॥ লীক মরী শাই হায়বগী লিকমাবম কৌএ ॥৪১॥ খাগী থম্বীত্রা মাইবীগী ঈনি হায়দুনা মাইবম কৌএ ॥৪২॥ ঈথিং পনথিংদা কোমনা থিংএ হায়বগী থিংকোম কৌএ ॥৪৩॥ ময়াংগী লমবু ওই হায়বগী ময়াংলম্বম কৌএ ॥৪৪॥ লান্দা চুঙ পায়দুনা খাঙএ হায়বগী চুঙখাম কৌএ ॥৪৫॥ মাইবা শাবদা ফুনৈ হায়বগী মাইফুবম কৌএ ॥৪৬॥ লীরুংবু মাক কৌএ॥ অদুবু শূই হায়বগী অমাকচম কৌএ ॥৪৭॥ চাইরোইপুং লাৎলে হায়বগী চারোইবম কৌএ ॥৪৮॥ খুন অরেম্বদা তাইএ হায়বগী খুনলেম কৌএ ॥৪৯॥ শা কমলকএ হায়বগী আকিরাম কৌএ ॥৫০॥ অঙাংগী খোয়রী লংশুং ফি হায়বগী খোয়রীশুম্বম কৌএ ॥৫১॥ লম-তূ ঙাকএ হায়বগী লামাবম কৌএ ॥৫২॥ নিংথৌগী য়াইপুং থীললে হায়বগী য়াইথিংবম কৌএ ॥৫৩॥ লান্দা মঙক কমলুই হায়বগী লাংকম কৌএ ॥৫৪॥ য়োৎকী সামুক শাই হায়বগী শামুকচম কৌএ ॥৫৫॥ থিংপাই শেমহোঙবগী মমিং লৌদুনা থিংবাইজম কৌএ ॥৫৬॥ মপুনা খোই লোকপা হৌএ হায়বগী খোইরোম কৌএ ॥৫৭॥ পোৎ পুবদা নাম্মতা পুইএ হায়বগী নাম্রম কৌএ ॥৫৮॥ লোকখা হাওখাদগী লাকএ হায়দুনা হাওবম কৌএ ॥৫৯॥ মোইরেং শাফবগী মমিং লৌদুনা মোইরেংচম কৌএ ॥৬০॥ হেনতাক চাবা য়াম্না পামএ হায়বগী হেন্তাকপম কৌএ ॥৬১॥ মপুদু নেনে কৌএ হায়বগী নেপ্রম কৌএ ॥৬২॥ য়ুম কূপপা হৈএ হায়বগী য়ুমকুতুম কৌএ ॥৬৩॥ লাইগা শমনৈ হায়বগী লাইশ্রম কৌএ ॥৬৪॥ মপু অমগী মমিং লৌদুনা অমোম কৌএ ॥৬৫॥ মনাতোল চাউএ হায়বগী তোনচম কৌএ ॥৬৬॥ নিংথৌগী লুবু শিলএ হায়বগী পুয়াম কৌএ ॥৬৭॥ শনগী মশিল তৌএ হায়বগী শনখোম সিনাম কৌএ ॥৬৮॥ মোইপুং মচেৎ শি হায়বগী মোইচোম কৌএ ॥৬৯॥ লাং শাবা হৈ হায়বগী লাংহৈবম কৌএ ॥৭০॥ ফান শাবা হৈ হায়বগী ফানচম কৌএ ॥৭১॥ পল লিংদুনা লূথুমএ হায়বগী পনলুচম কৌএ ॥৭২॥ লান্দা থমএ হায়বগী লানথম কৌএ ॥৭৩॥ মীনা তৌবা পূমনামা য়াম্না পেনকললে হায়বগী য়ামপেম কৌএ ॥৭৪॥ অয়াং তৌরাললে হায়বগী তৌরেম কৌএ ॥৭৫॥ নিংথৌগী ঙা

শেৎতুনা চারমএ হায়বগী ঙাসেৎপম কৌএ॥৭৬॥ শনলম লাৎলে হায়বগী সনথাম কৌএ॥৭৭॥ নিংথৌগী তৌ য়ান্নেএ হায়বগী তৌমোম কৌএ॥৭৮॥ পাঙল মালে মঙকশম শাংএ হায়বগী পাংঙম্বম কৌএ॥৭৯॥ নিংথৌদা তোকপা ১ ফাদুনা কৎলে হায়বগী তোকপম কৌএ॥৮০॥ শন শেললে হায়বগী শনশেনবম কৌএ॥৮১॥ কাদাম্বা লৈনূংশিগী মমিং লৌদুনা কাদান কৌএ॥৮২॥ মপুনা লমজিং পুরেন ওই হায়বগী চিংথাম কৌএ॥৮৩॥ শা কাপএ হায়বগী শাকাপ্পম কৌএ॥৮৪॥ হাউরোংপম লাই লাৎলে হায়বগী হাওরোংবম কৌএ॥৮৫॥ য়াউ শেললে থাঙসু শাইএ হায়বগী থাংচম য়াওশেম কৌএ॥৮৬॥ থাঙ শাইএ হায়বগী থাংচম কৌএ॥৮৭॥ খুমন্দা য়ুম্নাক থেঙনা তাইএ হায়বগী খুমনথেম কৌএ॥৮৮॥ ৱাংকমদা হাপতুনা চাক চায়য়ে হায়বগী ৱাংকোম কৌএ॥৮৯॥ অহৈবমদা তাংএ হায়বগী তাউবম কৌএ॥৯০॥ মশা তয়াংন পুইএ হায়বগী য়াংলেম কৌএ॥৯১॥ পল লেমনা চাউনা থোলে হায়বগী পোলেম কৌএ॥৯২॥ মানা কাপ্পা তেন অদু অরেম্বদা মাঙলে হায়বগী তেনলেম কৌএ॥৯৩॥ উতোন্দগী চোংথরকএ হায়বগী তোনথ্রম কৌএ॥৯৪॥ হৱাই য়াম্না থাইএ হায়বগী হৌৱাইবম কৌএ॥৯৫॥ থাংগং মরী শাইএ হায়বগী থাংগংশাবম কৌএ॥৯৬॥ মখুৎ হৈ হায়বগী খুৎহৈবম কৌএ॥৯৭॥ লান্দা নিঙ খোমলকএ হায়বগী লাংখোম্বম কৌএ॥৯৮॥ মপুদু ৱা শরী-শরী (শৃ-শৃ) ঙাঙএ হায়বগী সরাম কৌএ॥৯৯॥ হাওরোই নাইওইবা মাললে হায়বগী হাওৱোইবম কৌএ॥১০০॥ শেন শাবা তমএ হায়বগী শেনতম কৌএ॥১০১॥ অসিদি পু তিন্নেএ লৌনহৈদে॥০॥

<u>খুমন সলাইদা পুন্না সাগৈশিংঃ</u>

১। অহোংশাবম	৮। ঙাইখোমবম	১৫। অকুরাম
২। অকাংজম	৯। অসৈবাহম্বম	১৬। অখুরাম
৩। অখাম	১০। অহাইবম	১৭। ইঙুদম
৪। অমাকচম	১১। তেনবম	১৮। ইঙুইবম
৫। অয়াম	১২। অহৈবম	১৯। ইংলাইবম
৬। অফ্রম	১৩। অমোম	২০। ইংলেম
৭। অসেম	১৪। অহোংবম	২১। ইনাবম
২২। ইনসেনবম	৪৬। চাংগম ময়ুম	৭০। থাঙ্গৎশাবা হংলেম

২৩। ওইনাম
২৪। কবোরুংবম
২৫। করাম
২৬। কানম
২৭। কাঞ্জেম
২৮। কাব্রেম্বম
২৯। কদাম
৩০। কাবডিবম
৩১। কাংজম
৩২। কোলোম
৩৩। খুদৈবম
৩৪। খুম্থাইবম
৩৫। খুবম
৩৬। খুমন্থেম
৩৭। খুলেম
৩৮। খোইরোম
৩৯। খোইরিশুংবম
৪০। খোংবান্তাবম
৪১। খুৎহৈবম
৪২। ঙাসেপম
৪৩। ঙাংবম
৪৪। চবুংবম
৪৫। চান্দম

৪৭। চিখোম
৪৮। চিংখুবম
৪৯। চিংখাম
৫০। চোংথাম
৫১। চুংখাম
৫২। তাওজম
৫৩। তাউপম
৫৪। তাউমোম
৫৫। তাউবম
৫৬। তাইবজম
৫৭। তাউয়াম্বম
৫৮। তাউপম
৫৯। তাউরেম
৬০। তাইপোজম
৬১। তিলেম
৬২। তেনখাইনবম
৬৩। তেলেম
৬৪। তোকপম
৬৫। তোনখ্রম
৬৬। তোঞ্জম
৬৭। তোংখ্রাম
৬৮। তৌখোম
৬৯। থাউদেম

৭১। থিদুজম
৭২। থিদোম
৭৩। থিংবাইজম
৭৪। থৌদাম
৭৫। থোংচম
৭৬। থাংজম
৭৭। থোংবম
৭৮। থোঙ্গনাম
৭৯। থোইদ্রিংজম
৮০। থৌদেম
৮১। নানবম
৮২। নামরম
৮৩। নাব্রম
৮৪। নিংথৌকাপম
৮৫। নেপ্রম
৮৬। পনখাইজম
৮৭। পালপুবম
৮৮। পল্লেম্বম
৮৯। পানুজম
৯০। পাংকৈজম
৯১। পাংখাইজম
৯২। পাংখোইজম
৯৩। পুখ্রবম

৯৪। পুক্রেম
১১৮। মোইরেংজম
১৪২। সনখাম

৯৫। ফানচান	১১৯। লাখোম	১৪৩। ননসেম্বম
৯৬। জানাজম	১২০। লাংলেলহন্নবম	১৪৪। সোরাম
৯৭। ফাইরেঞ্জম	১২১। লাংখোম্বম	১৪৫। সনখাম
৯৮। ফাইরেলপম	১২২। লাইখুরাম	১৪৬। লমুকচম
৯৯। মাইফম	১২৩। লাইশ্রম	১৪৭। সমোম
১০০। মাইফাম	১২৪। লাইপুখ্রাম	১৪৮। সোরাম
১০১। মাইখুরাম	১২৫। লাইশ্রম	১৪৯। সোগাইসম
১০২। মাইফুরাম	১২৬। লানফম	১৫০। সিনাম
১০৩। মাইমম	১২৭। লাংখম	১৫১। সপম
১০৪। মাইমোম	১২৮। লাংগম	১৫২। সনখোম
১০৫। মাইরেংবম	১২৯। লাংদেম	১৫৩। সাকাপ্পম
১০৬। নেপ্রম	১৩০। লাংহৈবম	১৫৪। হৱাইবম
১০৭। মৈতাংকৈসংবম	১৩১। লামতোম	১৫৫। হংলেম
১০৮। মৈনম	১৩২। লামবম	১৫৬। হাওবম
১০৯। মৈফুবম	১৩৩। লিকমাবম	১৫৭। হাওবিজম
১১০। মৈকরাম	১৩৪। লিমাবম	১৫৮। হাওরোংবম
১১১। মোইজম	১৩৫। খোংখুমকচম	১৫৯। হাওওইবম
১১২। মোংফিজম	১৩৬। লোইজায়াংবম	১৬০। হাওরুংবম
১১৩। মোংবিজম	১৩৭। ৱাকোম	১৬১। হেস্তাকপম
১১৪। মোংজম	১৩৮। ৱাংগোম	১৬২। হৈক্রুজম
১১৫। মোইরেংবম	১৩৯। ৱাংয়েল্লম্বম	১৬৩। হোৱাইবম
১১৬। মোইয়াংলম্বম	১৪০। সকওপম	১৬৪। য়াঙুরৈবম
১১৭। লমাবম	১৪১। সগপ্পম	১৬৫। য়াংলেম
১৬৬। য়াইখিবম	১৭০। য়েনতাকপম	১৭৪। য়ুরেনজম

১৬৭। য়াইথিংবম ১৭১। য়েন্থাকপম
১৬৮। য়াংলৈবম ১৭২। য়ুমখাম
১৬৯। য়াম্বেম ১৭৩। য়ুকাদুম

খুমন য়েক সলাইঃ

খুমন সলাইদা পুল্লিবা সাগৈশিং অসি য়েক থোকপা ঙাক্তনি। হায়রিবা সাগৈশিং অসি য়েক থোকপা মরমনা লৌনা লৈনবা য়াদে। লৌন-লৈনবা তারবদি অৱা-অনা নংই। অপোকপা লাইগী মফমদা হৈ-লৈ অমৎতা কৎপদা অরেম্বা ওইয়ে খঙও। করিগুম্বা সাগৈ য়েক সলাই পুন্না লৌন-লৈনবদগী থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোক্তবসু নৎতে। লাইগী থৌরমদা য়েক তিন্নবনা লাই পুবা য়াদে। অপোকপগী চনিং শোকপা য়াদে। সাগৈ অপোকপদা কৎলিবা শারেন তুবগী শারেন লুকলেন ফাওবসু ফংবা য়াদে য়েক তিন্নবনা লাইগী থৌরম থৌদদা নম হাদুনা পাংবা তারবদি মচা মশুদা অফবা ওইদে। সলাই য়ুমদারোন পুয়ানা অসুন্না পীরি - অপোকপা থৌগল্লিবা মীওই অমানা য়েক থোকপা লৌরবদি চহি ওন্দনা পীবা ফমসু থাদোক্কদবনি। খুমন য়েক্না, খুমন য়েকপু চারৌ মৌরৌনবা হায়বসি মশাগী তুংদা লাক্কদবা পুন্নমক্তা মহাক অদুতা মাংজবা নৎতনা স্যাগৈগীসু ময়েং তাগনি। য়েক থোকপা খুমননা খুমন্দা চারৌ মৌরৌনবা তারবদি অমাংবতা নৎতনা মচা, মশু শুরোন, চারোন পুরোন ৭ ফাওবদি ঈচেল্লোন মাংএ হায়দুনা সলাই য়ুমদারোন্না ময়েক শেংনা পীরি। মসিদসু নৎতনা খুমন য়েক সলাই পুন্না লৌনা লৈনরবদি মশা খমতেক্লবসু পীরি। মশাদসু লাইথুং, তিনথুং, তিঞ্জু-লাইচুবা ফাওবা লাইচুবা লৈগনি। খুমন য়েক সলাই লৌন-লৈনবা য়াদে য়ুমদারোন্না ময়েক শেংনা পীরি।

খুমন সলাই লাংজেঃ

পাখঙবা সলাই ৭নি। পাখঙবগী ঈথাংলোই ওইরিবা পোং সলাই ৭নি। পোংগী মচা মশু ওইরিবা মীওইপোকসু সলাই ৭নি। লাইনিংথৌ সনামহি মালেম লৈশেমকোন্দা পাখঙবা ঈথাংলোই ওইদুনা সলাই চাওদা নাওদানা নোংদম্লকখি। মদু নোংদগী মীওইবা সলাই মালেম লৈকোন্দা মপু ওইবনা পুথোক্লিবা অচৎ-চৎতা জীবা পুন্নমক্তগী মীওইবা কৌবা মপোক্লা অথোয়বনি

হায়না পাখঙবা লাইহুই পুয়ানা ময়েক শেংনা পীরিএ। খোয়ুম লাই ওইবনা তাইবঙ পানবগা অসুক্কী মতিক নক্পা লৈ হায়নসু তাকখি। মদু নোংগী চৎনরোনবু তাইবঙ মীওইপোক্তা পোকলিবা তাইবঙ পীনবনা খোইয়ুম লাই ওইববু নুঙরোন্দা মমি তাদুনা নুংপাল অনিদা শেম্বী শাবীরকপনি হায়না লাইহুইনা পীরি। খোয়ুম লাই ওইবগা মীওইবগা অসুক্কী মতিক নক্পনা লৈ হায়বসি য়ানরবা ৱাফমনি। সলাই য়ুমদারোন্না অসুম্না পীরি - য়েক ৭ সলাই ৯বু খাইরমলিবনো হংলি সলাইচাশিংনা লাই ওইবা মপুনা য়ুমদারোন কৌবা পুয়া মাইচৌ অপোই মচানা খৃ: ৪২৮দা কংলা উত্র সঙমাইথেন্দা অসুম্না য়েক সলাইবু খাইখিববু সনামহি লৈশেমকোন্দা মপু ওইবনা নিংথিবা লৈকোন্দা লৈরাং মশিং থিঙমদনা তল্লমই। লৈরাং মাগী মতৌদো অমৎতা মান্নবা য়াওবা মৎতে। মসি নুংগী ৱারমবু সাগৈ য়েক সলাইসু হৈরাং লৈরাংগুম সাগৈ সলাইসু য়ুম্নাক সাগৈ নাইগনি হায়না নোংদম্বীএ।

"অঙোম মৈহৌরোন"

হৈ হয়া শিদবা মপুবু কোকনোঞ্জে। নুমিৎ-থা অনীমকপু খুরুমজনা অঙোম মৈহৌরোন ৱাবু ইজরক্কে তাথিবীগনু হায়না শলাই চানা ইকোক নোঞ্জেয়ে। লুমাং-তাবা শমলাংনা লুতুন লৈখিবা অরান-অহুই খিবীকপু ঙাকপীয়ু হায়না নদাইরেলনবনা লাইওইবগী মফমদা ইকোক নোন্না হায়জেয়ে। কংলা য়াইবীরেন শিদবা ফম্বালকোন্দা ঙাম্থোইবীরীবা পাখঙবা সলাইনা ফম্বাল ইনুংকোন্দা নোংদমখ্রবদা নোংদা লাইরেল পাখঙবনা লৈনুংলোন লৈশিলেনবীবু মউগে হায়না লৈনুংলোন্দা নোংদমকখি। পাখঙবনা লৈনুংলোন য়ৌরবদা। লৈশিলেনবী লাইরেনবীদা অদুঙৈগী য়াৱাদো। মতম ওইরে হায়দুনা লৈনুংলোন লৈশিলেনবী লাইরেনবীদা হায়খি। মশানৌ পাখঙবগী য়াৱা তারদা লৈশিলেনবী লাইরেনবীনা নুঙলোনগী কীশি থোকখি। নুঙলোনগী কীশি থোকপদা লৈশিলেনবীনা উখি। নহান নোং মশানৌ ওইবা লৈনুংলোন পাখঙবনা লৈশিলেনবীদা হায়খিবা য়াৱাদো। পাইমা পিবীকনুংদা খল্লকখি। ঈপুরোই লৈনুংলোন পাখঙবনা মশাবী ওইবা লৈশিলেনবী লাইরেনবী ঐঙোন্দা য়াৱা অসি কাওগনু হায়না তোয়না চিংগোই মপাও পাওমেনখি। য়াৱা মপাওদি লৈনুংলোন পাখঙবা ঐগী পারী অনী মতম খরা লৈরগা ঐহাক্না মখোয় অনীবু লৌরবা লাক্লী হায়না পাওমেনবীখি। অদু নোংগী য়াৱাদো মশাবী পাখঙবা উরবদা লৈনুং লৈশিলেনবীনা পাইমা পীবীকনুংদা কিশি কীদুনা থন্বা য়াৱাবু খংলকখি। মশানৌ ওইবা লৈনুংলোন পাখঙবনা হায় ইশাবী নংবু ঐহাক্না লাকপগী মতম নহাক খংলবা নত্তরা। লৈনুংলোন লৈশিলেনবীনা পাখঙবদা য়েংলদুনা খুমজখি। ইবুংঙোনা লেংবীরকপগী মৱম পুন্নমক নশাবী ওইবা ঐনা খংজরে হায়না লৈশিলেবীনা খুমজখি। য়াৱা মপাওদো লৈনুংলোন পাখঙবনা লৈশিলেনবীগী মফমদগী নুঙলোন ৱাখল্লোন অদু খংলবদা লাইরেনবী য়েংদুনা পাখঙবনা হায়রকই। পারী কুপত্রেং লৈবরা হায়না হংলকখি। লাইরেনবী লৈশিলেনবীনা খুমজখি। নপারী তোন কুপত্রেং লৈনুংলোন নুংলোন ইরিকনুংদা লৈরী হায়না খুমজখি। লৈশিলেনবীগী য়াৱা তাবদা লৈনুংলোন পাখঙবনা মশানৌদা হায়রকই । পারী কুপত্রেং লৈনুংনোন্দা লৈবা য়াদ্রে। মহাক্কী মীকপ থোকপা মতম ওইরে। অদু নুংগী ৱারম খিবীক লৈবনা নশানৌ নোংদোল পাখঙবা ঐহাক্না পারী কুপত্রেংবু লৈথকলোন্দা লৈহনগে হায়দুনা পাখঙবা সলাইবু ৱাইশিনগে হায়বগীদমক

ঐহাক্লা মহাকপু লৌবা লাক্লীবনী। ঐহাক হৌজিক পারী কুপত্রেংগী মনাক্তা নুংলোন পাখঙবা ওইনা লাংওনদুনা ইপা-ইচা উনরুগে হায়দুনা লৈশিলেনবীদা নোংদম্বীখি। লৈনুংলোন পাখঙবনা মপারী কুপত্রেংগী মনাক য়ৌখি। লাইওইবা কুপত্রেংবু মপল পম্বৌ পাখঙবনা কৌজখি। কুপত্রেং লাইনা মপল পম্বৌগী খোঞ্জেন তারবদা মপলগী মনাক তান্না খোংদোরকখি। কুপত্রেং লাইনা মপল লাইওইবা লৈনুংলোন পাখঙববু উবদা কোকঞ্জোরগা হাগৎচরকই। পম্বৌ ইপানা নাপরী তোন কুপত্রেংবু করী য়াৱা তাকপীগদবা লৈবগে হায়না মপলদা কোকঞ্জোনা হাংগৎচখি। মপারীগী য়াৱা তাবদা লৈনুংলোন পাখঙবনা য়াৱা অসুম্না চিংগোইরকই। পারী নংবু নুংশিবা ইপানা নগাইদা লাকপদি য়াৱা অমা হংগে হায়বগীদমক ইপানা লৈনুংলোন্দা খোংদোইরকপনি। য়াৱা মপাওদু তাবদা মপারী কুপত্রেংনা হায়জরকই। পম্বৌগী য়াৱা তাকপীরো নপারীনা মঙম পাংজরগে অপোকপা। মচাগী য়াৱা তাবদা লৈনুংলোন পাখঙবদো পেঞ্জখি।

ইপাগী ইবুংঙো অতোনবা নখোয়না পীক্লীগৈ মতমদা চৎলমদাইদা ইপানা নখোয়বু য়েংলদুনা হায়রম্বা য়াৱাদু কাওরবরা। য়াৱাদু মতম ওইরে হায়দুনা ইপানা পারীগী ননাক্তা লাকলীবনি। মতম অদুদা ইপানা হায়খি নচিন ননাও অনীদা ইপাগী সলাই তাকঅগে হায়দুনা নখোয় অনীদা নোংদমখি। পারী অহন সেনত্রেং নহাক্লা মঙাং লুৱাং খুমন লংদাইকোন ওইয়ু হায়দুনা মালেমদা ইপানা ৱাইশিন্নখ্রে। পারী অতোনবা কুপত্রেং নহাক্লা অঙোম মোইরাং খাবা-ঙানবা, শরাং লৈশাংথেম সলাই মরি নাওকোলও হায়না নোংদমবীখিবা য়াৱাবু কাওবরা। মপারী কুপত্রেংনা পম্বৌ মপাগী য়াৱা মপাও তাবদা মমাংচৎকী য়াৱাবু পম্বৌ ইপাগী শিন্থাবু নপারী তোন কুপত্রেংনা কাওজদে হায়না পম্বৌ মপাদা হংকৎচখি। মচাগী য়াৱা তাবদা লেনুংলোন পাখঙবনা পেঞ্জখি। মপারী কুপত্রেংবু য়েংলগা পাখঙবনা হায়রকই। হৌজিক্তী লৈথকলোন মালেমদা কুপত্রেং নংগী শিন্থা পায়বা মতম ওইরে হায়না মপল পম্বৌনা নোংদম্বীখি। মপল পম্বৌগী য়াৱা তাবদা মপারী মতম ওইরে হায়না মপল পম্বৌনা নোংদম্বীখি। মপল পম্বৌগী য়াৱা তাবদা মপারী কুপত্রেংনা হায়জরকই। ইপলগী য়াৱাদি কৌরৌদা কাফদে মালেম লৈদসু তাফদে নপারী কুপত্রেংনা য়াৱা পুম্বা হোয়াজরে হায়জখি। লৈনুংলোন পাখঙবনা কুপত্রেংবু পুরদুনা লৈনুং লৈশিলেনবীনা লৈবা মফম অদুদা খোংদোইরমই। লৈশিলেনবীনা লৈবা লৈনুংলোন ফম্বাল য়ৌরবদা মপারী কুপত্রেংনা খুবাং-চাংজৌ লৈতানা ইদু

কাইদা লিশিংনা কোকনোনজাখি মপারীনা। কুপত্রেংগী মতৌ অদু উবদা লৈনুংলোন লৈশিললেম্বী পলেম মমাদো পেঞ্জখি। কুপত্রেংবু য়েংঙদুনা হায়রকই। পারী ইবুংঙো নুংশিবা নহাক্কী লাংওনদা মপুং-য়াই ওইননবা পন্থৌ ওইবনা থৌকাংবা নোংদম য়াৱাসে হোয়াজবনা পারীগী থৌদাং ওইজৌকো.হায়না পলেম মমানা নোংদম্বীখি। মদু নোংগী পলেম মমাগী য়াৱাদো মপারী অদোন কুপত্রেংনা হোয়াজখি। পলেম মমাগী নোংদম্বীবা য়াৱাদো তারবদা পন্থৌ ওইবা লৈনুংলোন পাখঙবনা মপারীবু য়েংদুনা হায়। পারী ইবুংঙো নুংশিবা হৌজিক্কী পলেম নমা ময়াথংসু ফংলবনীনা লৈথকলোন মালেমদা খোংশান্নবা নোংদমসি হায়খি। লৈনুংলোন থাদোক্নুনা কুপত্রেং পন্থৌ ওইবা পাখঙবগা লোয়ননা অসুম অসুম খোংদোইরকপনা লৈথকলোন মালেম য়ৌরকখি। লৈথকলোন য়ৌরবদা পাখঙবনা সেনত্রেংবু য়েংদুনা হায়রকই। পারী ইবুংঙো পাখঙবা ঐগী ইথাংলোয় ইরম তরেৎ খোংলম মাপল সলাই তরেৎ সলাই অহুম অমনা নয়ামবুং সেনত্রেংনা নাওকোলওই ওইখ্রে। পারী অতোনবা কুপত্রেং নহাক্না সলাই মরি অমদি নাওকোললোই ওইগনি। নহাক্না অহানবা নাওকোনগদবা সলাই অদুদি ইপানা হায়গে। অদু নোংগী হান্না কংবা কংলাদা লাইওইবা পাখঙবা ঐনা ফম্বালমেল তোংলম্বা ইনুং-কোল সলাই অঙোম ঙায়দুনা লৈরমগনী। লোয়নবা পারী শিংখোংনা ইপানা তাকপীখিবা লিরেল অদো অঙোম নংগী সলাইদা অমতা চিংথদনা লিচৎ লোন ওইনা নোংদমুকো হায়না পাখঙবনা মপারী শিংখোং কুপত্রেংদা য়াৱা নোংদমলমলগা পন্থৌ ওইবা পাখঙবদো ইনুংকোন্দা শাথুপখি। লৈনুংলোন কুপত্রেংনা পন্থৌ মপানা নোংদমলমবা য়াৱাবু অকাও পরৈনদনব শিন্থা ওইনা থৌপাংলগে নিংলকখি। লাইওইবা কুপত্রেংনা কংলা য়াইবীকোন্দা খোংদোইরকখি। কংলা য়াইবীকোন য়ৌরবদা লাইওইবা কুপত্রেংনা ময়াম্বুং সেনত্রেংবু কোয়না লৈনা থিরকখি। কংলা য়াইবীকোন য়ৌরবদা খুমননা ফম্বালকোন অদু শংদুনা লৈরমই। কুপত্রেং লাইনা ময়াম্বুং সেনত্রেংবু খুমনদা হংলবদা খুমননা খুমজখি। মপুরেল ওইবা সেনত্রেংদি নুংলোন য়াইদা য়াহিপ্পী। য়াৱা মপাওদু তাবদা কুপত্রেংনা য়াইবীকোন্দা ইতংখি। সেনত্রেং কুপত্রেং মচিন-মনাও অনিনা অনেম্বা মালেম লৈশেমকোল কংলা য়াইবীকোন্দা থেংনখি। ময়াম্বুং সেনত্রেংনা মনাওনিপা কুপত্রেং উজবদা কয়াগী মতিক পেঞ্জখি। সেনত্রেংনা মনাওনিপা য়েংলগা হায়রকই। ইশানৌ কুপত্রেং নহাকপু ঙাইবদা ঐহাক অসে

ইনুংকোন্দা লৈরমলীবনি। মনাও কুপত্রেংনা হায়রকই করিগীদমক্তা ঐহাকপু ঙাইবিরবনো হায়না খুমজখি। ময়াম্বুং সেনত্রেংনা ইশানৌএ কুপত্রেং হৌজিক্কী নহাক্কী লাংওন মতম ওইরে। পম্হৌ ইপাগী সলাইবু অনেম্বা মালেমদা তাকও হায়না পম্হৌ ইপানা নোংদম্বীরে। পম্হৌ ইপাগী সলাইদি ৭নি। সেনত্রেং নয়াম্বা ঐহাক্কী সলাই অহুমনি। ঐহাক্কী সলাই ওইবা অহুমদি মালেম লোয়নবা সলাই মরীবু নোংদমও হায়খি। ইশানৌ কুপত্রেং নহাক্কী সলাই মরি মথং-মনাও নাইনা অহানবা কুপত্রেং লাইওইবগী অঙোম শুরুং অপোকপা য়াইবীকোন কংলা মনুংদা অঙোম মৈহৌরোনবু কুপত্রেংনা নোংদম সনা ইরিক তমদুনা অঙোম মৈহৌরোন সনা ইরিক নোংদমখিএ।

অঙোম অপোকপা ৱাবু হায়গেঃ



অঙোম অপোকপা শঙলেন শঙমাইথেন

ইনিংথৌ ইবুংঙো নাওফংবা সনা হাক্তক সলাই য়ুমদারোন মাইচৌ অপোইনা খোরিএ। সলাইবু নুঙরোন ৱাপু মতাইনা নোংদম খিবিক মপীএ। মদু নোংদা সলাই য়ুমচংএ। অপোকপা লাইগী অঙোম শঙমাইথেন পুয়ানা খোরিদুনা লাংচৈ চৈরোন লাংপুমএ। অপোকপা লাইবু অঙোম সলাইনা থৌনী থৌখাই ঈরাৎলোন পাংবা, থাশিং মাবু খোয়ুম অপোকপা মহংবীনা নোংদম্বীএ। অঙোম

অপোকপা মীৎ পাংবা থাদি ইঙেন থাগী নিমাং ১২ পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা অঙোম পোকই। মচুদি নাপুনি লাইগী ঈশিংদি কোংবা মৈরোম্বীদগীনি, লাইগী লাদি লায়াইনি লৈদি থরো অঙৌবনে, লাইগী হৈদি হৈবোং, লাইগী ঙাদি শরেং অঙৌবনে, শীংদি উপান, মৈদি মৈবা চিংলবা লৌগনিএ, থাংদি পুক্ত থাংনি নাহাইবদি তাইরেননে। হায়রীবা পোৎলমশিং অসি য়াওনা সাগৈগী পীবানা থৌরাংবীদুনা থৌপাংবীগনি। শাগৈগী পীবানা কুমশিং কাংদনা সাগৈ চাখাংগনিএ। সলাই পারোন পীরোন মশক খংবনে। সাগৈ অপোকপা অঙোম পোকপগী সংমাই লৈফমদা সাগৈশিং পুন্দুনা কুমজাগী হৈকৎ লৈকৎ শরেন চন্দুনা সাগৈ পাও তাক্কুনা সাগৈগী মীওইশিং ১তা চিৎথদনা পুন্না থৌখাংমীন্নবা অপোকপা লাইবু শুরোন চারোন্না অকাওবা পরৈ চনবা লৈতনা থৌপাংহৌনবগীদমক অপোকপা লাইবু সাগৈনা থৌপাংমীন্নগনী। মদু নোংগী সলাই অঙোমগী মৈহৌরোনবু ময়েক শেংনা লৈনবগীদমক থৌপাংএ। শাগৈগী মচীন-মনাও, মচে-মচন, মখুরা-মদোন পুম্নমক অমগা, অমগা মশক খংনবা নুংশিননা লাইগী থৌরম পাংমীন্নবা অপোকপা লাথুপ্পু ময়েক শেংনা লৈহৌনবগীদমক সলাই চাকখাংলেন পাংথোকপীগনী। মসি নোংগী ৱাবু য়ুমদারোান পুয়ানা ময়েক শেংনা পীরী।

অঙোম লোন্দিং

সিদবা লাই মপু নংবু খুরুমদুনা অঙোম লাল্লোই ইমজংবা মৈহৌবরোল ইগে তাথিবিগুনো। খাকপানিংথৌ চনূনা চীংৱাংলক্কী নিংথৌ সরারেল অঙৌবা পুরৈরোম্বা। পুরৈরোম্বনা পিথেৎলৈমা লৈহৌ নিংথৌ চনূ পান্নদুনা খাংহল অহলবগা, খাংহল য়াইমাবগা, খমনুং ইৱাইথংগা অহুমমা পোকএ। খমনুং ইৱাইথংনা ফম্বাল ওইএ॥০॥ খাংহল অহলবগী ঈদি য়িমলেনবম মোইরাম্বা মইমনে, লংমাইথেম চীংঙা নোংখল সাংপা॥ নোংখল য়াঙপা॥ চীংখল সাংপা॥ চীংখল য়াঙপা॥ ৪ মাতি পিনাইতে। খাকপা নিংথৌ চনূনা তারিনে॥ তারি অসিনা সনথোং পুনেমপা মচা হুইমু লৈমা পান্নদুনা নুংঙৌ য়িমথংপা পোকএ॥ নুংঙৌ য়িমথংপাতি লৈসাংথেম ওইখিএ॥ তারিতি পাখং য়োইরেনপা মচা কাংখলপু লোয়নাতুনা মথক্তা কাখিএ। পুরাং পুরৈরোমপা পোকএ। খাকপা নিংথৌ চনূনা নিংথৌ তারিনে। লৈমা কাংখলনা পুরৈরোমপা॥ পিথেৎলৈমা লয়হৌ নিংথৌ চনূনা খাংহন অহনপা॥ খাংয়েং য়াইমাপা॥ খমনুং ইৱাইথংকা ৩মা পোকএ।

খাং অহনপানা লংমাইথে পোকএ। খাং য়াইমাপানা হিতম পোকএ। ইৰাইথং অতোনপানা ফম্বাল তোংএ॥০॥ হাওনিংসং নুরৈসংপীনা হংকেল লোংনা থাপা। লুৰোংচম পোকএ। লয়হৌ নিংথৌ চনূনা সীংমিৎ য়োইরেনপা পোকএ। অহোং খমসা পোকএ। লয়হৌ নিংথৌ চনূনা তোননৌ। লয়হৌচনূনা থিংৰাং। লয়হৌচনূনা ওংতৈ খুনতাপা। উয়েল লৈমা থংকোংসুনা লাংকম নূংচিং লানথাপা পোকএ। খুরাইলৈমা ফৈতাংসুনা তেংলৈ সিকোং লানথাপা চকপ্রম পোকএ। থাঙৰাই খুনচামপানা লিকসিসু পান্নদুনা মংসাতাপম পোকএ। পুরানথাপানা চিংকাংপম পোকএ। অয়াংফাপীনা লাইরেন হিখামপা সাইরোম পোকএ। খুরাই লৈমা মরামপীনা হাওসিরককী চারনফাপা। খাংয়েনপম পোকএ। লুক্রাম চনূনা নোংয়িনফাপা। ক্লাকপা থৰানথাপা। সোনাইতে। খুরাইলৈমা হেমখুঙমপী কৈসিং লেনপী। লানসিং চায়পীনা নোংপোক কাউসোমপা। সোইনাইতে। লানসিংফাপীনা য়াওসুঙমপা। চাংপোমপীনা কমপোংফাপা। খুনচাম পোকএ। সোইনাইতে। চাংপোমপীনা খোংচোমপা সোইনাইতে। পুয়াম চনূনা পনসাঙমপা সোইনাইতে। খুরাই লৈমা মংসাঙমপীনা কিয়ামপা খরিপম পোকএ। সেকমু ঙমপী চৌকাংফাপীনা লাংলোইঙমপা। নোংথোনপম পোকএ। খুরাইলৈমা মপাউঙমপীনা ললহাংঙমপা। অৰাংসুমপীনা মরিংঙমপা। খুরাই লৈমা তোনপুংঙমপীনা হে হে। কোনলোয় ফাপীনা কমপোংফাপা। লমফেলঙমপা॥০॥

হাওনিংসং নুরৈসংপীনা হংকেল লোংনা থাপা। ঙানুনা খূৎসা। ঙানুনা সিংনুং। ঙানুনা লৌনং। মোইরাংথেম চনূনা লুৰোং। মোইরাংথেম চনূনা চাউবা হোঙপা। মোইরাংথেম চনূনা খুকা য়াতোনপা। মোইরাংথেম চনূনা মঙাইচৌপা। লুৰোংসূনা হাইহৈপা। ফাইরৌসূনা চৰাইরোকপা। ফাইরৌসূনা লৌতা। অখোংচম চনূনা সমলোইপা। সাৎপম চনূনা পোরৌ। সাপম চনূনা অরাই। মপুতি পুরাংনে॥০॥

অঙোমতাকী খাইখিপানে। লয়হৌনুনা ওংতৈ খুনতাপা। উয়েল লৈমা থংকোংসূনা অতা কোংয়ামপা। থিংপাফাপীনা লোইনেনপা। মোইপাফাপীনা। সিকোং লানথাপা। কাইরংপাসূনা অসুম-অতেংপা। ইকোপলানথাপা চনূনা খুমোমপা। নিংথৌচম লমলৈরাকপা চনূনা খুমোমপা। লুক্রাম চনূনা পুরানথাপা। লুৰাং লংমাইপা চনূনা ইৰানথাপা। নিংথেম চনূনা তাংঙানু। শংবম চীংবা মইমনে, লংমাইথেম হিসাবদা লৈবা মোনসাং মইমনে, তেনলোংবম তেনবা মইমনে,

চঙালকৈদা লৈবা লংমাইথেম হাউবা মইমনে, শুগ্নুদা লৈবা লংমাইথেম কাংবা মইমনে, খুৎহৈবদা লৈবা লংমাইথেম পাংঙ্গা মইমনে, মোইরাং লাইশংবম থোইবা মইমনে।।০।। খাংহল য়াইমবগী ঈদি হিদাম মানসৈ মইমনে, হিদাকশুংবদা লৈবা হিদাম শকথি মইমনে, হিদাম পলদোংবম মোনখাম্বা মইমনে, হিদাম মরাম্বা মইমনে, ইখৈশংবম শকথি মইমনে, কৈখুকৈরেলগী মিৎতাং মইমনে।।০।। অঙৌবা খমনুং ইৱাইথংনা পিথেৎ লৈমা লৈহৌনিংথৌ চনূ পান্নদুনা চীংমিৎ য়োইরেলবা পোকএ, মানা অঙোম ওইএ।।০।। অঙৌবা চীংমিৎ য়োইরেলবনা পিথেৎলৈমা পান্নদুনা অহোংখমসা পোকএ, অঙোম ওইএ।।০।। চীংমিৎ য়োইরেলবনা, থৌবালদা হলথবদা অমুচীংৱাই য়োইরেলবগা, অরুয়াংকৈসাফাবগা, অনিমা পোকএ। অমুচীংয়াই য়োইরেলবনা লুৱাং লংমাইবম চনু পান্নদুনা মেলৈ লৈসানা পামবা পোকএ। মাগী ঈদি সেরাম পামসা মইমনে, ঙাংলেনবম নাৱাংবা মইমনে, নারুম্বম নোইবা মইমনে, সংঙাইপ্রৌদা লৈবা অচোইবম তোলবা মইমনে, কৈখুকৈরেন্দা লৈবা সেরাম তারা মইমনে।।০।। অরুয়াং কৈসাফাবনা লুৱাং লংমাইবা চনূ পান্নদুনা তোকৱা শাফবা পোকএ ,মাগী ঈদি ওনাম হোংবা মইমনে।।০।। অহোংবা অহোংখমসানা পিথেৎলৈমা পান্নদুনা তোনতৌগা, শুনালগা, অনিমা পোকএ। শুনালদি তোকশোনপুংদা হম্বদা পোকএ। শুনালনা ঙালনুরোল পান্নদুনা স্না লংমাই পোকএ। মাগী ঈদি হোংনেমশুম্বম থোইবা মইমনে, হঙ্গুলদগী হোননেমশুম্বম অকোই মইমনে।।০।। তোনতৌনা পিথেৎলৈমা পান্নদুনা চীংৱাং পোকএ। চীংৱাংনা পিথেৎলৈমা পান্নদুনা ওংদৈখুনদাবা পোকএ, অঙোম ওইএ। অঙৌবা ওংদৈখুন্দাবনা অকোনকোল্লাংবীগা, উয়েনলৈমা থঙ্গোংশুগা অনিমা পান্নদুনা অকোনকোল্লাংবীনা কাওতৌয়াং নোংলেবা পোকএ, অঙোম ওইএ, সোইনাইদে।।০।। উয়েন লৈমা থঙ্গোংশুনা লাংকম নুংচিলাম্বা পোকএ ইতারংসু পোকএ। লাংকমনুংচিলাম্বনা অঙোম ওই।।০।। ইতারংনা লাংঙা অকোনশু পান্নদুনা স্না লাংয়েন পোকএ, মাগী ঈদি হিদাম খরা মইমনে।।০।। অঙৌবা লাংকমনুংচি লাম্বনা ফোইদাংশুগা তবংলাম্বীগা অনিমা পান্নদুনা তবংলাম্বীনা হাওখৈলাম্বা পোকএ। অঙোম ওইএ।।০।। সোইনাইদে।।০।। ফোইদাংশুনা শিকোং লাম্বগা, অথাকোংয়াম্বগা অনিমা পোকএ। শিকোংলাম্বনা অঙোম ওইএ।।০।। অথা কোয়াম্বনা থিংবাফাবী পান্নদুনা লোইনিনবা পোকএ। মাগী

ঈদি কোংবম হাওবম মইমনে, কোংবম মকুম মইমনে, কোংবম তোলবা মইমনে, নিংঙেনতাবম কোংবম খুঙম মইমনে, মংসাংকৈদা লৈবা কোংবম মোইরাম্বা মইমনে, কোংবম কৈক্রনবা মোইরাৱাম্বা মইমনে॥০॥ অঙৌবা তেংলৈ শিখোংলাম্থবনা লৈচোনলিকশিশুগা, য়াংশিফাবগা, লৈহৌ নিংথৌ চনূগা অহুমমা পান্নদুনা য়াংশিফাবীনা শেকমু কাইনৌচিংশোম্বা পোকএ, অঙোম ওইএ॥০॥ শোইনাইদে॥০॥ লৈচোন লিকশিশুনা থাংৱাই ইৱান্থাবা পোকএ, অঙোম ওইএ॥০॥ লৈহৌনিংথৌ চনূনা কোংকাং লাইজৌবা পোকএ। মানা য়াইবীলৈমা পান্নদুনা তেংলৈলোলয়াম লান্থবা পোকএ। মাগী ঈদি চকপ্রমবম, পনসা মইমনে, চকপ্রমবম মরি মইমনে, অহল্লুপতা লৈবা চকপ্রম্বম হাউখৈ মইমনে, হিদাকশুবদা লৈবা চকপ্রম্বম চেকসা মইমনে॥০॥ অঙৌবা থাংৱাই ইৱান্থাবনা লাম্বাশুগা, কামুহিথাবগা চনূগা অনিমা পান্নদুনা লাম্বাশুনা পুরান্থাবা পোকএ, অঙোম ওইএ॥০॥ কামু হিথাবা চনূনা খোম্বগা, উশিংগা, অনিমা পোকএ। খোম্বনা চরলফাবী পান্নদুনা মিংথাংঙম্বা পোকএ, মাগী ঈদি মংসাতমবম মংলেম মইমনে, অয়েকপম চ্যাম্বা মইমনে, পোৎশংবা চাইবা মইমনে, ৱাংলেনবম ৱাইপাম্বা মইমনে, মংসাতাবম অরোই মইমনে ইমখাইবা নাৱাং মইমনে মংসাতবম সমুরোক মইমনে, হিদাকফু ফানবা লৈমনাইদা লৈবা পোরৌ মইমনে, পোৎশংবম অরোই মইমনে॥ উশিংনা ফোইদাংশু পান্নদুনা স্না লোলু পোকএ, মাগী ঈদি উশিয়াম ললহাং মইমনে॥০॥ অঙৌবা খুরান্থাবা অয়াংফাবীগা, হাওখৈলান্থবা চনূগা অনিমা পান্নদুনা অয়াংফাবীনা লাইরেলহিখাম্বগা, তোরাগা, লৈতাং লান্থবগা, শেবগা মরিমা পোকএ। হাউখৈলান্থবা চনূ স্নারেম্বীনা য়াওশোম্বা পোকএ। লাইরেল হিখাম্বনা অঙোম ওইএ॥০॥ নিংথৌ তোরানা কৈথেনথালবী পান্নদুনা মুচিংহিথাবা পোকএ, মাগী ঈদি তেলহৈবম নোইবা মইমনে, ঙানুকাপ্পক ঙাংবা মইমনে, সারোম কৈকাপম পাল্লোই মইমনে॥০॥ লৈতাংলান্থবনা চীংখৈ লময়েংহৌবী পান্নদুনা ৱাইকোক লান্থবা পোকএ, মাগী ঈদি লৈতাম্থেম ওম্বা মইমনে, লৈতাম্থেম শকথি মইমনে, লৈতাম্থেম খারোই মইমনে, অকোইমতাবদা লৈবা লৈতাম্থেম মুবা মইমনে, শেবদি শোইনাইদে॥০॥ য়াওশোম্বনা থিংনাইশু পান্নদুনা চিংকাং পোকএ মাগী ঈদি চীংকাংবম পুকচোন মইমনে, শমু অমোম শেনবা চীংকাংবম অহোং মইমনে॥০॥ সরাংথেম চনূনা খুঞ্জম্বা পোকএ, মানা চীংথাংলান্থবী পান্নদুনা

সনালোললু পোকএ। মাগী ঈদি সারোম তোসেল মইমনে, ফৈদাদা লৈবা সারোম চেংবা মইমনে, সারোম মানসৈ মইমনে, সারোম কৈসাবম কৈঙম মইমনে॥০॥ অঙৌবা হাউশিরক্কী চারনফাবনা নক্রাম নোংইনফাবা চনূ পান্নদুনা ক্কাকপা থৱাম্থাবগা, কাইমুগা অনিমা পোকএ। ক্কাকপা থৱাম্থাবনা অঙোম ওইএ॥০॥ কাইমনা মেলনোংবীগা, বোংচনূগা অনিমা পান্নদুনা মেলনোংবীনা ম্নালিকলু পোকএ, মাগী ঈদি খাংঙেলবম নেমবা মইমনে, খাংঙেলবন মংলেম মইমনে, চোংথাম তিননবা খাংঙেলবম সেরা মইমনে, খাংঙেলবম ওন্বা মইমনে, ফোইচীং তাবা খাংঙেলবম থোইবা মইমনে॥০॥ বোং চনূনা উনুংতাবা নন্দ পোকএ, মাগী ঈদি উনুংতাবা খাংঙেলবম সমুরোক মইমনে॥০॥ অঙৌবা ক্কাকপা থৱাম্থাবনা হোংখঙম্বী কাইশিংলেম্বী লালশিং চাইবী পান্নদুনা নোংপোক কাওশোম্বা পোকএ অঙোম ওইএ॥০॥ অঙৌবা নোংপোক কাওশোম্বনা চাংবোম্বী পান্নদুনা কম্বোংফাবগা, খোংজোম্বগা অনিমা পোকএ। অনিমা অঙোম ওইএ॥০॥ কম্বোংফাবদি শোইনাইদে॥০॥ অঙৌবা খোংজোম্বনা তরুংঙম্বীগা, পুয়াম চনূগা ২মা পান্নদুনা তরুঙম্বীনা লোইচাঅম্বা পোকএ। পুয়াম চনূনা পলসাঙম্বা পোকএ। অনিমা অঙোম ওইএ॥০॥ লোইচাঅম্বদি শোইনাইদে॥০॥ অঙৌবা পলসাঙম্বনা সেকমুঙম্বী চৌকাংফাবীগা মংসাঙম্বীগা অনিমা পান্নদুনা সেকমুঙম্বী চৌকাংফাবীনা, হিতালাং লোইঙম্বা পোকএ। মংসাঙম্বীনা ক্যাম্বা পোকএ, অনিমা অঙোম ওইএ॥০॥ অঙৌবা ক্যাম্বনা ইম্মাম স্নারেপ্পম চনূ পান্নদুনা উচিবা পোকএ। মাগী ঈদি খারিবম চালবা মইমনে, খারিবম পাঙন মইমনে, চরাংপাৎ তাবা মোইরাম্বা মইমনে, মংসাংকৈদা লৈবা খারিবম কোবা মইমনে, কৈক্রনবম লাংলোই মইমনে, লাংপোক তাবা খারিবম তোনশেন মইমনে, মেঘসাই মনাই খারিবম হাউবা মইমনে॥০॥ অঙৌবা হিথা লাংলোইঙম্বনা নুকেংনুগা মপাও ঙম্বীগা নোংচুপচীংম্না কোনফুরেল সনরিক তরংলিকনা সকহেনবী হেমখুঙম্বী নোংদাখোনবীগা অহুমমা পান্নদুনা। নুংকেংনুনা তুশোমঙম্বা পোকএ, মপাওঙম্বীনা ললহাংঙম্বা পোকএ, হেমখুঙম্বী নোংদাখোলবীনা হেবুংথৌ নিংথৌবা নিংথৌম্না লংসুং ওইবা সনাবদি নোংথোলবা পোকএ। তুশোমঙম্বনা অঙোম ওইএ, শোইনাইদে॥০॥ ললহাংঙম্বসুং অঙোম ওইএ॥০॥ হেবুংথৌ নিংথৌবা নিংথৌ সনা লংসুং ওইবা স্নাপুথি ময়াং নাঙৈদা য়াঙ্গৈাই পাৎতা লাইয়িংথৌ খাগেম্বগী শগোল পুৎথববু

উদুনা ময়াং তেঙ্গোল লালয়াম চাইখাইনা নিংথৌ সনা লংসুং ওইদুনা নিংথৌ পুখৎপা অয়োক অকন থৌগন অচৌবা ফংখিএ, মৈদিংঙু খাগেম্বনা অঙোম নিংথৌ ফম্বাল মপাল ফম্বীদুনা নোংথোন হাপএ। স্নাপুথি নোংথোলবনা ক্যাংলালচৈবা য়াংলৌ কৈফাবা চনূ সনরিকখোম্বী পান্নদুনা সনা মেংখুঙম্বা লেনেমখোম্বগা, স্না লিকলাইগা স্না লৈরিক্কা অহুমমা পোকএ। সনা মেংখুঙম্বা লোনেম্বা ঈদি লংমাইথেম তিন্নবা অঙোম নোংথোলবম ক্যাম্বা পুমিংনবা মইমনে, স্নালিক্লাইগী ঈদি কোকচাই তাবা অঙোম নোংথোনবম লেম্বা মইমনে সনারিক্কী ঈদি থংবিচ্রৌ তাব ওম্বা মইমনে॥০॥ অঙৌবা ললহাংঙম্বনা অৱাংশুম্বীগা, থৌদাম চনূগা অনিমা পান্নদুনা অৱাংশুম্বীনা মরিংঙম্বাগা, মরামঙম্বগা খাকীগা অহুমমা পোকএ। থৌদাম চনূনা খোংজোম্বা পোকএ। খোংজোম্বগী ঈদি নাকপকখনবম কোইরেম্বনে। খাকীগী ঈদি খোইমোমতাবম খানা চাওবম মইমনে॥২৪॥ মরিংঙম্বনা অঙোম ওইএ, শোইনাইদে॥০॥ অঙৌবা মরামঙম্বনা নুংয়াং কৈথেল থালবিগা, খুমল চারাকপম চনূগা অনিমা পান্নদুনা। মুংয়াং কৈথেল থানবীনা লমফেলঙম্বগা, হোংদৈগা, হোংখুগা অহুমমা পোকএ॥০॥ লমফেলঙম্বনা অঙোম ওইএ॥২৫॥ হোংদৈগা, নোংখুগা অনিমদি শোইনাইদে॥ খুমনচারাকপম চনূনা লাইরেম্বগা লাংদৈবগা, খেন্দেঙম্বগা, অহুমমা পোকএ। অহুমমা শোইনাইদে॥০॥ অঙৌবা লমফে লঙম্বনা ময়াংঙম্বীগা ৱাইরোকপম চনূগা অনিমা পান্নদুনা। ময়াংঙম্বীনা কোনখোম্বগা, লোইখোম্বগা অনিমা পোকএ, অনিমা অঙোম ওইএ॥২৭॥ কোনখোম্বদি শোইনাইদে॥ ৱাইরোকপম চনূনা লমতাবা পোকএ। মাগী ঈদি খোংজোম্বা চন্দ্র মইমনে॥০॥ অঙৌবা লোইখোম্বনা অখোম চনূগা কোনসম চনূগা, ইম্নাম চনূগা, থাংজম চনূগা, ইরোম চনূগা শিনাম চনূগা, তরুকনা পান্নদুনা। অখাম চনূনা নুংশোংঙম্বা পোকএ, অঙোম ওইএ॥২৮॥ কোনসম চনূনা পুরিংখোম্বা পোকএ, অঙোম ওইএ॥২৯॥ ইম্নাম চনূনা কুঞ্জমনী পোকএ॥০॥ থাংজম চনূনা বিন্দমনী পোকএ॥০॥ ইরোম চনূনা শ্যামমনী পোকএ॥০॥ শিনাম চনূনা চন্দ্রমনী পোকএ, অৱাংরম চংখিএ॥০॥*॥

পুরৈরোম্বনা লুৱাং চীংদা লিক্লাবিচা নোংদংনু তংনুদা হাথবদি খোইদোমনে, মান্দোমনে অনিমা পোকএ। খোইদোম অতোনবদি কম্বামনে। নিংঙোন য়াইমবগী ঈদি নিংঙোনবমনে। লাইতোন অতোনবগী ঈদি,

লাইতোঞ্জমনে। অহল মান্দোমগী ঈদি খোইবমনে॥০॥

লোংজম লোন্দি। পুরৈরোম্বনা পুরাং কৌনা হাওনিংশং খোমপোম্বীদা তোংবাইদুনা লোইয়াদা হাথবদি হঙ্গেললোংনা থাবা। ঙানুনা খুৎসা। ঙানুনা শংনং, ঙানুনা লৌনং, মোইরাংথেম চনূনা হাউরাহোংবা, মোইরাংথেম চনূনা খুখাতোম্বা মোইরাংথেম চনূনা চাউবালুৱোংশু, ফাইরৌশুনা নাওদা, ফাইরৌশুনা চৱাইরোকপা, অখোম চনূনা শমলোইবা, শাৎপম চনূনা অরোই মাগী ঈদি লুৱোংজমনে, ৱাংখেমনে॥০॥

অঙোম সলাইদা মীঙ্খে পীখিবা ৱা হায়গেঃ

নিংথৌগী লুয়োম ফি শাইএ হায়পাকী য়ুমলেমপম কৌএ॥১॥ নোংমাইচীংতাকী থেঙনা কূমলকএ হায়পাকী নোংমাইথেম কৌএ॥২॥ নিংথৌকী হী-য়াই পাননৈএ হায়পাকী হিদাম কৌএ॥৩॥ নিংথৌ থৌকল সেবা ফৈএ হায়পাকী সেরাস কৌএ॥৪॥ ঙংকোয়না লুমএ হায়পাকী নারুপম কৌএ॥৫॥ অদুবু শুমএ হায়বগী পোংশুমবম কৌএ॥৬॥ ৱা হায়বা হৈ হায়বগী হায়হৈবম কৌএ॥৭॥ নিংথৌদা ঙারেনখোই ফাদুনা কৎলে হায়বগী ঙারেনপম কৌএ॥৮॥ ওং হায়বা মিংখৈসি শোললে হায়বগী ওংনাম কৌএ॥৯॥ অহোঙ-অচাউ লাৎলে হায়বগী হোঙনেমশুম্বম কৌএ॥১০॥ কোংবা মপান্দা তাইএ হায়বগী কোংবম কৌএ॥১১॥ মং শঙনৈএ হায়বগী মংশাতাবম কৌএ॥১২॥ য়েক খোৎপা হৈ হায়বগী অয়েকপম কৌএ॥১৩॥ পূংবু ৱাংলেন কৌএ, ৱাংলেন পূং য়ৈ হায়বগী ৱাংলেনবম কৌএ॥১৪॥ মচি কাঙএ হায়বগী চিংগাংবম কৌএ॥১৫॥ তেন শোয়রে লেমনা চৎখ্রে হায়বগী তেনলেম কৌএ॥১৬॥ লৈ তেললে হায়বগী লৈতানথেম কৌএ॥১৭॥ শাইরোং কাপ্পা তমএ হায়বগী শাইরোম কৌএ॥১৮॥ খাংহন য়াইমবগী মমিং লৌদুনা খাংঙেনবম কৌএ॥১৯॥ কৈক্রন হনবা ওই হায়বগী কৈক্রনবম কৌএ॥২০॥ মপুনা নোংথোনবা ওইরমএ হায়বগী নোংথোনবম কৌএ॥২১॥ নিংথৌনা শিরগা নাকপক খলএ হায়বগী নাকপক খনপম কৌএ॥২২॥ খোয়দারুরে হায়বগী খোইমোম তাপম কৌএ॥২৩॥ থাঙ শাই হায়বগী থাংচম কৌএ॥২৪॥ লোঙ শূদুনা নিংথৌগী থৌগল তৌএ হায়বগী লোংচম কৌএ॥২৫॥ মপুনা লাইরেন লাকপা ওই হায়বগী লাইরেললাকপম কৌএ॥২৬॥ অৱাং খৈনা তাইএ হায়বগী অৱাং খৈবম ৱাংখৈবম কৌএ॥২৭॥

কসোম অহানবগী মমিং লৌদুনা কস্বাম কৌএ ।।২৮।। নিংথৌগী লুবু ইকোয়কোয়না চামএ হায়বগী অকোইচম কৌএ ।।২৯।। নিংঙোল য়াইমবগী মমিং লৌদুনা নিংঙোনবম কৌএ ।।৩০।। লাইতোন অতোনবগী মমিং লৌদুনা লাইতোনজম কৌএ ।।৩১।। মানা লোইবা হুইবু থৌদে লেমএ হায়দুনা হুইরেম কৌএ ।।৩২।। লাই শঙএ হায়বগী লাইশঙবম কৌএ ।।৩৩।। ইখৈরেন শঙএ হায়বগী ইখৈ শঙবম কৌএ ।।৩৪।। মপোৎ চোইথোকএ হায়বগী অচোইবম কৌএ ।।৩৫।। নিংথৌগী মপোৎ শঙএ হায়বগী পোৎশঙবম কৌএ ।।৩৬।। ঙাঙগন-শঙকলএ হায়বগী ঙাংলেনবম কৌএ ।।৩৭।। য়ুম খাইখি হায়বগী য়ুমখাইবম কৌএ ।।৩৮।। ঙানু কাপএ হায়বগী ঙানুপ্পম কৌএ ।।৩৯।। খানা চাউবা লাৎলে হায়বগী খানা চাউবম কৌএ ।।৪০।। খুয়োন ব্রা শঙএ হায়বগী খুয়োনথেম কৌএ ।।৪১।। মোরী হায়বা লাইদু লাৎলে হায়বগী মোরীময়ুম কৌএ ।।৪২।। লৌ শঙম শাবা তমএ হায়বগী শংঙম্বম কৌএ ।।৪৩।। মপুদু তোললে হায়বগী পুতোনচম কৌএ ।।৪৪।। মপুদু চাউএ-শাংএ হায়বগী শাংতোনচম কৌএ ।।৪৫।। কিয়াম লাই লাৎএ হায়বগী কিয়াম কৌএ ।।৪৬।। মীগী মতৌ তম্বদা মাল্লে হায়বগী মান্তিংবম কৌএ ।।৪৭।। অসিদি পু তিন্নৈএ ।।০।।

হৌজিকতি অঙোম পুলৈলোমবগী সলাই হায়গে। অঙোমগী মৈহৌরোলদি খজিক্তা ইজরক্কে তাথিবিকুনো। খাকপা নিংথৌ চনূনা চিংৰাংলক্কী নিংথৌ সোরারেল পুলৈরোমবনা পিখিৎ লৈমা লৈহৌ নিংথৌ চনূ পান্নদুনা খাংহন অহনবগা খাংহন য়াইমবগা খমনুং ইয়ুৰাই থংগা অহুমমা পোকএ। খমনুং ইয়ুৰাই থংনা ফম্ফাল ওইয়ে (১)। খাংহল অহলবগী ঈদি য়ুমলেমবম মোইলামবম ময়ুমনে। লংমাইথেম, চিংঙা শংবম চিংবা ময়ুমনে, লংমাইথেম হিশাবদা লৈবা মোনশা ময়ুমনে। (১) তেললোংবম তেনবা ময়ুমনে। (২) চঙাংঙৈদা লৈবা লংমাইথেম হাওবা ময়ুমনে। (৩) শুগুনুদা লৈবা লংমাইথেম কোকপা ময়ুমনে। কৈবীদা লৈবা লংমাইথেম হাওমু ময়ুমনে। তরাওপলদা লৈবা লংমাইথেম কাংবা ময়ুমনে। খুৎহৈবদা লৈবা লংমাইথেম পাংগ্রা ময়ুমনে মোইরাংশংবম থোইবা ময়ুমনে। খাংহন য়ামগী ঈদি হিদাম মানসৈ ময়ুমনে। হিদাকশুংবদা লৈবা হিদাম শকথি ময়ুমনে। ঈখৈশংবম শকথি ময়ুমনে। কৈখু কৈরেনগী ইখৈ শংবম মিৎতাং ময়ুমনে। অঙৌবা খমনুং ইয়ুরাইথংনা পিথিৎলৈমা লৈহৌ নিংথৌ চনূ পান্নদুনা চিংমিৎ উরৎকোন্থৌ খৃ: ৫৬৮ য়োইরেম্বা পোকএ। অঙো নিংথৌ ওইএ (২)

অঙৌবা চিংমিৎ য়োইরেম্বনা পিথেৎ লৈমা লৈহৌ নিংথৌ চনূ পান্নদুনা অহোং খমসাবা পোকএ। অঙোম নিংথৌ ওইএ(৩)। চিংমিৎ য়োইরেম্বনা থৌবালদা হাথবদা অমু চিংয়াই য়োসরেম্বগা অরু অয়াং কৈশাবগা অনিমা পোকএ। অমু চিংয়াই য়োইরেম পাম্বনা লুৱাং লংমাইবা চনূ পান্নদুনা মেলৈ লৈস্না পাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি সেরাম পামশা ময়ুমনে। ঙাংলেনবম নৱাং ময়ুমনে। মরুমবম নোয়বা ময়ুমনে।

সংঙাইপ্রৌদা লৈবা অচোয়বম তোনবা ময়ুমনে। কৈখু কৈরেনদা লৈবা সরাম তরা ময়ুমনে। অরু অয়াং কৈশাবনা লুৱাং লংমাইবা চনূ পান্নদুনা তোকৱা শা ফাবা পোকএ। মাগী ঈদি ওংনাম হোংবা ময়ুমনে। অঙৌবা অহোং খমসাবনা পিথৎ লৈমা পান্নদুনা তোনদৌগা সুনাগা, অনিমা পোকএ। শুনানদি তোকসোমপুংদা হাথবদা পোকএ। শুনাননা ঙানুলোন পান্নদুনা স্না লংমাই পোকএ। মাগী ঈদি হোংনেম শুমবম থোইবা ময়ুমনে। হংগুনগী হোংনেমশুমবম অকোই ময়ুমনে। তোনদৌনা পিথেৎ লৈমা পান্নদুনা চিংৱাং পোকএ। চিংৱাংনা পিথেৎ লৈমা পান্নদুনা ওংতৈ খুনতাবা পোকএ। অঙোম নিংথৌ ওইএ (৪) অঙৌবনা ওংতৈ খুনতাবা অকোন কোংলাংবীগা উয়েল থংগোংশুগা অনিমা পান্নদুনা অকোন কোংলাংবীনা কাওজৌ য়াং নোংলেম্বা পোকএ। অঙোম নিংথৌ ওইএ(৫)। সোইনাইদে। উয়েল লৈমা থংগোংশুনা লাংকম নুংচিং লানথবা পোকএ। হিথা লাংশুং অনিমা পোকএ। লাংকম নুংশি লানথবনা অঙোম নিংথৌ ওইএ (৬)। হিতা লাংনা লাংঙা অকোনশু পান্নদুনা স্না লাংয়েল পোকএ। মাগী ঈদি হিদাম খরাবা ময়ুমনে। অঙৌবা লাংপম নুংচি লাংথবনা ফোইদংশুগা তাইবঙ লানথবীগা অনিমা পান্নদুনা তাইবঙ লানথবীনা হাওখৈ লানথবা পোকএ। অঙোম ওইয়ে (৭)। ফোইদংশুনা চিংগোংলাংথবগা, অথাকোংয়াম্বগা অনিমা পোকএ। সিগোংলাংথবনা অঙোম ওইএ(৮)। অথা কোংয়াম্বন থিংকা ফাবী পান্নদুনা লোইনিলবা পোকএ। মাগী ঈদি কোংবম হাওবা ময়ুমনে। কোংবম মকুম ময়ুমনে। কোংবম তোনবা ময়ুমনে নিংঙোল তাবা কোংবম খুবম ময়ুমনে। মোংশাংগৈদা লৈবা কোংবম মোরামবা ময়ুমনে। কোংবম কৈরেন মোইরানবা ময়ুমনে। অঙৌবা তেংলৈ সিকোং লানথবনা লৈচোল লিকসি শুগা য়াংসিং ফাবীগা লৈহৌ নিংথৌ চনূগা অহুমমা পান্নদুনা য়াংসিফাবীনা সেকমু কাইনৌ জিংশোমবা পোকএ। অঙোম ওইয়ে (৯)। সোইনাইদে। লৈচোল লিকসিশুনা থংৱাই ইৱাল লানথবা

পোকএ। অঙোম ওইএ (১০)। লৈহৌ নিংথৌ চনূনা কোংখাং লাইচৌবা পোকএ। মানা য়াইবী লৈমা পান্নদুনা তেংলৈ লাইয়ামথাবা পোকএ। মাগী ঈদি চকপ্রম পনসা ময়ুমনে। চকপ্রম মরিং ময়ুমনে। অহললুপতা লৈবা চকপ্রম হাওখৈ ময়ুমনে। হিদাকশুংবমদা লৈবা চকপ্রম চিকসা ময়ুমনে। অঙৌবা থাংবাই ইয়ুৱাল থাবনা লম্বাশুগা বামু হিথাবা চনূগা অনিমা পান্নদুনা, লমবাশুনা পুরান থাবা পোকএ। অঙোম ওইয়ে (১১)। অমু হিথাবা চনূনা মিংথাংঙম্বা পোকএ। মাগী ঈদি মংসাতাবম মংলেম ময়ুমনে। অয়েকপম চিয়ামবা ময়ুমনে। পোৎশংবম চাইবা পা ময়ুমনে। ৱাংলেনবম ৱাইপানবা ময়ুমনে। মংশাতাবম অরোই পা ময়ুমনে। য়ুমখাইবম নৱাং ময়ুমনে। মংসাতাবম সমু লোক ময়ুমনে। হিদাক ফানবা লৈমা মনাইদা লৈবা পরৌ ময়ুমনে। পোৎশংবা অরোই ময়ুমনে। উসিংনা কোইতংশু পান্নদুনা স্না লোলংলু পোকএ। মাগী ঈদি উশ্রম লালহামবা ময়ুমনে। অঙৌবা পুরাল থাবনা অয়াং ফাবীগা হাওখৈ লানথাবা চনূগা অনিমা পান্নদুনা, অয়াং ফাবীনা লাইরেন হৈখামবগা তৌরগা, লৈতাংলানথবগা, সেবগা মরিমা পোকএ। হাওখৈ লানথবা চনূ স্না লেম্বীন য়াওসোম্বা পোকএ। লাইরেল হৈখামবনা অঙোম ওইয়ে (১২)। নিংথৌ তরানা কৈথেল থানবী পান্নদুনা মুচিং হিথাবা পোকএ। মাগী ঈদি তেলহৈবম নোইবা ময়ুমনে। য়াংনুয়েবম ঙাংবম ময়ুমনে। সোরোখাইবম পালোই ময়ুমনে। লৈতাং লাংথবনা চিংখৈ লম য়েংহৌবী পান্নদুনা ৱাইকোক লানমা পোকএ। মাগী ঈদি লৈতানথেম ওনবা ময়ুমনে। লৈতানথেম শকথি ময়ুমনে। লৈতানথেম লৱাং ময়ুমনে। লৈতানথেম খোংঙম ময়ুমনে। লৈতানথেম মালেল ময়ুমনে। লৈতানথেম থরোই ময়ুমনে। লৈতানথেম অকোয়জমদা লৈবা অমু ময়ুমনে। সেবদি সোইনাইদে। য়াওসোমবনা থিংনাই খুৎশু চনূ পান্নদুনা চিংগাং পোকএ। মাগী ঈদি চিংগাংবম পুকচোল ময়ুমনে। সমু অমোম সেনবা চিংগাংবম অহোং ময়ুমনে। অঙৌবা লাইরেল হিখাম্বনা নোংচু মরোং ঙম্বীগা সরাংথেম চনূগা অনিমা পান্নদুনা মরোংঙম্বীনা হাওসী লকী চরনবা ফাবা পোকএ। অঙোম ওইএ (১৩)। সরাংথেম চনূনা খুলচামবা পোকএ। মানা চিংথাং লাংথবী পান্নদুনা স্না লোংচুমবা পোকএ। মাগী ঈদি সাইরোম তোনশেম ময়ুমনে। ফৈজাদা লৈবা সাইরোম চেংবা ময়ুমনে। সাইরোম কৈসাবম কৈঙম ময়ুমনে। অঙৌবা হাওসি লককি চরন ফাবনা লুক্রাম চনূ নোংইন ফাবী পান্নদুনা, ক্বাকপা থৱান থাবগা, কাইমুগা অনিমা পোকএ। ক্বাকপা থৱান থাবনা অঙোম

ওইয়ে (১৪)। কাইমুনা মেনোংবীগা পোংচনৃগা অনিমা পান্নদুনা মেলোংবীনা স্না লিকলু পোকএ। মাগী ঈদি খাংঙেবম নেম্বা ময়ুমনে। খাংঙেমবম মংনেম ময়ুমনে। চোংথাম তিন্নবা খাংঙেমবম সরা ময়ুমনে। খাংঙেমবম ওমমা ময়ুমনে। ফোইজিং তাবা খাংঙেমবম থোইঁবা ময়ুমনে। ক্বাকপা থৱান থাবনা, পোং চনৃ উনুং তাবা নন্দ পোকএ। মাগী ঈদি উনুং তাবা সমুলোক ময়ুমনে। অঙৌবা ক্বাকপা থৱান থাবনা, ওংখু ঙম্বী কৈসিং নেমবী, লানশিং চাইবী পান্নদুনা নোংপোক কাওসোমবা পোকএ। অঙোম ওইয়ে (১৫) অঙৌবা নোংপোক কাওসোম ঙম্বনা চাংবোংবী পান্নদুনা, কমবোং ফাবগা খোমজোমবগা অনিমা পোকএ। অনিমা অঙোম ওইয়ে (১৬)। কমবোং ফাবীদি সোইনাইদে। অঙৌবা খোমজোমবনা, তরুঙম্বীগা পুয়াম চনুগা অনিমা পান্নদুনা তরু ঙম্বীনা লোইজা অমবা পোকএ। পুয়াম চনূনা পনসা ঙমবা পোকএ। অনিমা অঙোম ওইয়ে (১৭)। লোয়জা ঙম্বদি সোইনাইদে। অঙৌবা পনসা ঙম্বনা, চেকমু ঙমবী, চাওকাং ঙাবীগা, মংসা ঙম্বীগা অনিমা পান্নদুনা চেকমু ঙমবী চাওকাং ফাবীনা হিথাং লাংলোই ঙম্বা পোকএ। মংশা ঙম্বীনা ক্রামবা পোকএ। অনিমা অঙোম ওইয়ে (১৮)। অঙৌবা ক্রামবনা য়ুম্লাম স্না লোকপা চনূ পান্নদুনা উচিবা পোকএ। মাগী ঈদি খরিবম চাউবা ময়ুমনে। খরিবম পাংঙল ময়ুমনে। চরাংপাৎ তাবা খরিবম মোইরাম্বা ময়ুমনে। মোংশাংগৈদা লৈবা খরিবম ক্রামবা ময়ুমনে। কৈৰোনবম লাংলোস ময়ুমনে। লাংপোকতাবা খরিবম তোনশেন ময়ুমনে। মেঘসাইগী মনাই, খরিবম হাওবা ময়ুমনে। অঙৌবা হিথা লাংলোই ঙম্বনা, নুবোংনুমা পাওঙম্বীগা, নোংচুপ স্না কোনফুরেন, স্না লিকতা লংলিকনা শকহেনবীগা হেমখু ঙমবী, নোংদা খোনবীগা অহুমমা পান্নদুনা নুংকেংনুনা তুশোম ঙম্বা পোকএ। মপাও ঙম্বীনা ললহাং ঙম্বা পোকএ। হেমখু ঙমবী নোংদা খোমবীনা, হে পুংথৌ নোংথৌবা নিংথৌ স্না লংশুং ওইবা, স্না বদি নোংথোলবা পোকএ। তুসোম ঙম্বনা অঙোম ওইয়ে (২২)। সোইনাইদে। ললহাংঙম্বশু অঙোম ওই। হে পুংথৌ নিংথৌবা নিংথৌ স্না লংশুং ওইবা স্নাবদি ময়াংনাঙৈদা য়াংগোই ফাৎতা লাইনিংথৌ খাগেমবগী শগোল পুৎথববু উদনা ময়াং তেঙ্গোল চাইখাইনা নিংথৌ স্না লংশু ওইদনা নিংথৌ পুখৎলে। অদুগী অয়োক অকল থৌগল অচৌবা ফংজখিয়ে। মৈদিংঙু খাগেমবনা অঙোম নিংথৌ ফম্বাল অপালফম পিদুনা, নোংথোল হালয়ে। স্নাবদি নোংথোলবনা ক্রাংলালচায়বা য়াংলৌ কৈফাবা

চনূ স্না লিকখোম, স্না লৈরিকক অহুমমক পোকএ। স্না মেংখুঙস্না লোইনেমবগী ঈদি লংমাইথেম তিন্নবা অঙোম নোংখোলবা ক্রামবা পু মংনবা ময়ুমনে। স্না লিক্লাইগী ঈদি কোকচাই তাবা অঙোম নোংথোমবম লেন্বা ময়ুমনে। স্না লিককী ঈদি থংবীচৌ তাবা ওমা ময়ুমনে। অঙৌবা ললহা ঙম্বগা অৱাংশুমবীগা থৌদাম চনূগা অনিমা পান্নদুনা, অৱাংশুমবীনা, মরিং ঙম্বগা মরাম ঙম্বাগা খাগীগা অহুমমা পোকএ। থৌদাম চনূনা খোংজোমবা পোকএ। মাগী ঈদি নাকপম খনবম কোইরেন্বা ময়ুমনে। খাগীগী ঈদি খোইমোম তাবা খানা চাওবা ময়ুমনে। মচিং ঙম্বনা অঙোম ওইয়ে (২৪)। সোইনাইদে। অঙৌবা মরাম্বনা মুংয়াং কৈথেল থানবীগা খুমন চরাকপম চনূগা অনিমা পান্নদুনা মুংয়াং কৈথেল থানবীনা লমফেল ঙম্বগা, হোংদৈগা, হোংখুগা অহুমমা পোকএ। লম্ফেল ঙম্বনা অঙোম ওইয়ে (২৫)। হোংদৈগা হোংখুগা অনিমদি শোইনাইদে। খুমন চরাকফম চনূনা লাইরেম্বগা, তবাগা থিনদেং ঙম্বগা অহুমমা পোকএ। অহুমমক শোইনাইদে। অঙৌবা লমফেল ঙম্বনা ময়াং ঙম্বীগা ৱাইরোকপম চনূগা অনিমা পান্নদুনা, ময়াং ঙম্বীনা কোনখোমবগা, লোইখোম্বগা অনিমা পোকএ। অনিমক অঙোম ওইয়ে (২৭)। কোনখোম্বদি শোইনাইদে। ৱাইরোকপম চনূনা লমদাবা পোকএ। মাগী ঈদি খোমজোম্বা চন্দ্রমনি ময়ুমনে। অঙৌবা লোইখোম্বনা অখোম চনূগা, কোনশম চনূগা, যুম্লাম চনূগা থাংজম চনূগা, ইরোম চনূগা, সিনাম চনূগা তরুকমা পান্নদুনা। অখোম চনূনা নুংশোং ঙম্বা পোকএ। অঙোম ওইয়ে (২৮)। কোনশম চনূনা পুমমিং খোম্বা পোকএ। অঙোম ওইয়ে (২৯)। যুম্লাম চনূনা কুঞ্জমনি পোকএ। থাংজম চনূনা বীন্দা মনি পোকএ। ইরোম চনূনা শর্ম্মা মনি পোকএ। সিনাম চনূনা ইন্দ্রমনি পোকএ। অঙোম লোলনে। ঈ তাখিদরে খং ও।

অঙোম লোলবু হায়জরক্কেঃ

পুলৈরোমবনা লুৱাং চিংদা লিকলাবী নেংতংনুদা খাথবদা খোইদোম, মানদোম অনিমা পোকএ। খোইদোম অতোনবগী ঈদি কাশ্বামনে। নিঙোল য়াই ঈদি নিংঙোলবম থৈবা ময়ুমনে। লাইতোন অতোনবগী ঈদি লাইতোনজম মুবা ময়ুমনে। অহল মানদোমগী ঈদি খোইবম নন্দ ময়ুমনে। লোংওংজম লোলদি পুলৈরোম্বনা পুরাং কৌনা হাওশিং শং খোম্বীদা, তোং পাইদনা লোইয়দা হাথবদি হংগেল লোংনা থাব ঙানু, খুৎশা, ঙানুনা শিংনং ঙানুনা লৌ নং মোইরাংথেম

চনূনা লুওং মোইরাংথেম চনূনা হাওরা শল হোংবা মোইরাংথেম চনূনা খুকা অতোম্বা, মোইরাংথেম চনূনা চাউবা লুওংশু। ফাইরৌশুনা নাউতা ফাইরৌশুনা চাকৱাইলোকপা। অখোম চনূনা লমলোইবা। সাৎপম চনূনা কারোং মাগী ঈদি লুওংজমনে। ৱাংখেমনে, অনিমানে। খুয়োলথেম লোলদি সুমলৈমনা খাকপা নিংথৌ য়ুরেম্বা খুঞ্জাউবনা থাংজম চনূ পান্নদুনা নিংথৌ ওই শোইনাইদে।।০।। তনাবনা নাউশোম চনূ তাংজখোম্বীনে, অঙোম চনূ পরোম ফাবীনে, শোইবম চনূ ২গা ৪মা পান্নদুনা। তাংজখোম্বীনা সনাহিহোনহনগা, পাইখোম্বগা, তোনশেনঙম্বগা, ৩মা পোকএ। ৩মা শোইনাইদে।।০।।

শোইবম চনূ ১না লাংতেঙম্বা পোকএ শোইনাইদে। পরোমফাবীনা য়াইস্কুল্লাকপা অচৌ পোকএ, শোইনাইদে। পাইখোম্বনা হাওবম চনূ পোংলেনখোম্বী পান্নদুনা নিংথৌ ওইএ। শোইনাইদে। সনাহিহোনহনসু শোইনাইদে।।০।।

তোনশেনঙম্বনা কাংঙবম চনূ ঙাইখোংঙম্বী পান্নদুনা চরাইরোংবা পোকএ। নিংথৌ ওইএ। চরাইরোংবনা শাৎপম চনূ নোংথিন চাইবীনে, হিজম নোংথোনবম চনূনে, থাংজম চনূনে ৩মা পান্নদুনা। নোংথিন চাইবীনাময়াংঙম্বনে, লোইয়ম্বনে ২মা পোকএ। হিজম চনূনা খমপাম্বা পোকএ। থাংজম চনূনা খমলাং পামসবগা, মুংয়াম্বগা ২মা পোকএ। ময়াংঙম্বনা নিংথৌ ওইএ। লোইয়ম্বনা হাওবম চনূনে, ময়াংলম্বম চনূনে ২মা পান্নদুনা। হাওবম চনূনা স্না কৈথেনথানবা শামরাম পোকএ। ময়াংলম্বম চনূনা অভিরাম পোকএ। খমপাম্বনা শাৎপম চনূ পান্নদুনা রামচরোন পোকএ। খমলাংপামসাবনা শাৎপম চনূনে, খামরন চনূনা গবিন্দসাই পোকএ। মুংয়াম্বনা উশম চনূগা, খাইদেম চনূনগা, য়াইখোম চনূগা, কপো শেলুংবম চনূগা ৪মা পান্নদুনা। উশম চনূনা রসিকানে, তাঞ্জৌবনে ২মা পোকএ। খাইদেম চনূনা রামসাই পোকএ। য়াইখোম চনূনা মুকুন্দাসাইগা, কৃষ্ণ সাইগা ২মা পোকএ। কোনসবা চনূনা নন্দগা, কুকিলাগা ২মা পোকএ।।০।। ময়াংঙম্ননা অরাম্বম চনূনে, হাওবম চনূনে, পাংকা কৈথেনথানবীনে, ৱায়েনবম চনূনে, চিংঙাখম চনূনে, হাওবম চনূনে, য়াইখোম চনূনে, লাইরিকয়েংবম চনূনে, মাইবম চনূনে, মোইরাংথেম চনূনে, অরাম্বম চনূনে ১০মা পান্নদুনা। অরাম্বম চনূনা খুরাইরাকপা শ্যামসাই পোকএ। ঙাংবম চনূনা সনাহল মুরাবী পোকএ, শোইনাইদে। ৱায়েনবম চনূনা সমৈরাংগা, নন্দসাইগা, তংকসাইগা,

শৈব্যাসাজিগা, ভরসাইগা, সত্রুঘোনসাইগা ৬মা পোকএ। চিংঙাখম চনূনা হরিচরনগা, গদাধরসাইগা, দুলহোপসাইগা ৩মা পোকএ। হাওবম চনূনা ধরসাই পোকএ। য়াইখোম চনূনা হরিসাই পোকএ। লাইরিক য়েংবম চনূনা আন্দসাই পোকএ। মাইবম চনূনা ঙৌবরাম পোকএ। অরাম্বম চনূনা মেঘসাইগা, তুলশিসাইগা ২মা পোকএ॥০॥ সমৈরাংনা নিংথৌ ওই শোইনাইদে। তঙ্গসাইসু শোইনাইদে॥০॥ চিংশোম্বনা ইৱাংলোন চাখা মরিং লোইখোম্বীনে, থোংবম চনূনে ২মা পান্নদুনা। চাখা মরিংলোইখোম্বনা মরাম্বগা, চিংথংখোম্বগা, কৃষ্ণচন্দ্রগা ৩মা পোকএ। থোংবম চনূনা জিবানন্দ পোকএ। মরাম্বনা নিংথৌ ওই, শোইনাইদে। কৃষ্ণচন্দ্রসু শোইনাইদে॥০॥

চিংথংখোম্বসু নিংথৌ ওই। চিংথংখোম্বনা অখাম চনূ ২নে, ঙাংবম চনূনে, খুম্বোং চনূনে, চিংঙাখম চনূনে, য়াঙম্বম চনূনা পুরারাজা পোকএ। সরাইসম চনূনা রমাকান্ত পোকএ॥০॥

সলাই অঙোম নুংলোনঃ

অঙোম সলাই য়িমজংবদি। খাকপা নিংথৌ চনূনা চিংৱাংলক্কী পুরৈরোম্বা। পুরৈরোম্বনা পিথেৎলৈমা লৈহৌ নিংথৌ চনূ পান্নদুনা। খাংহন অহনবা, খাংহন য়াইমবা, খম্লুং হিং হিং ইৱাইথং ৩মা পোকএ। খম্লুং ইৱাইথংনা অঙোম ওই॥০॥

থাংহন অহনবগী ঈদি, য়িমলেনবম অকোং ময়িমনে, য়িমলেনবম শ্যামকৃষ্ণ ময়িমনে, য়িমলেনবম হাওজৌ ময়িমনে, য়িমলেনবম চেকস ময়িমনে॥০॥ লংমাইথেম য়াইস্কুল তাবা পালোই ময়িমনে, লংমাইথেম থাংমৈ ময়িমনে, লাংমাইথেম তেনলোংশঙবা গৌরহরী ময়িমনে, চঙানকৈ তাবা লংমাইথেমনে, কৈবী তাবা লংমাইথেম তেনবা ময়িমনে, শুগ্নু লংমাইথেম অকোং ময়িমনে, তারাও পন্দা লৈবা লংমাইথেমনে, থোংদা লৈবা খুদৈবন তাবা লংমাইথেম মুবা ময়িমনে॥০॥ খাংহন য়াইমগী ঈদি হিদাম পন্দোংবম অকোং ময়িমনে, হিদাম মুনী ময়িমনে, হিদাম ইখৈশংবম য়াঙম্বা ময়িমনে, শং-অহনবদা লৈবা হিদম লোইচা ময়িমনে, হিদাম বশুদা ময়িমনে, কোনশবা ৱাংখৈ কংলা য়িমদিন্নবা চান্দ ময়িমনে, হিদাম পোৎশঙবদা লৈবা তাংখোম্বা ময়িমনে॥০॥ অঙৌবা খম্লুং হিংহিং ইৱাইথংনা। পিথেৎলৈমা লৈহৌনিংথৌ

চনূ পান্নদুনা চিংমিৎ য়োসরেনবা পোকএ॥০॥ চিংমিৎয়োইরেনবনা পিথেৎলৈমা পান্নদুনা অহোং খমসা পোকএ। অহোং খমসানা পিথিৎ লৈমা॥০॥ চিংমিৎয়োইরেনবা পোকএ। চিংমিৎয়োইরেনবনা লৈহৌনিংথৌ চনূ পান্নদুনা থৌবান্দা হাথবদি। অমুচিংয়াই য়োসরেনবগা, অরুয়াং কৈসাবগা ২মা পোকএ। অমু চিংয়াইয়োইরেনবগী ঈদি সেরাম পামসা ময়িমনে, সেরাম তেনবা ময়িমনে, সেরাম কোবা ময়িমনে, হাওগৈ তাবা সেরাম চুরামনী ময়িমনে, লমলাই তাবা সেরাম শামরাম ময়িমনে, পোৎশঙবা সেরাম তাংখোম্বা ময়িমনে, পোংশুবম চান্দ ময়িমনে, নারুম্বম অচৌ ময়িমনে, অচোদগী খাইখিবা নারুম্বম খোংজোম্বা অচুৰাম গঙ্গাধন ময়িমনে, অচুৰাম থিংগোন ময়িমনে, হাইহৈবমনে, চঙানকৈ তাবা ঙারেনবম খুনলিং ময়িমনে, সেরাম পৈত্রিরাম ময়িমনে॥০॥ অরুয়য়াং কৈসাবগী ঈদি। ওংনাম রাম ময়িমনে, ওংনাম॥০॥

অহোং খমসানা পিথেলৈমা পান্নদুনা তোন্দৌ পোকএ। তোন্দৌনা অঙোম ওই। অহোং খমসানা তকশোনপূংদা হাথবদি শুনান পোকএ। মাগী ঈদি হোংনেমশুম্বম অরোংদা লৈবা মোনসাং ময়িমনে, হঙ্গুন্দা লৈবা হোংনেমশুম্বম নব ময়িমনে॥০॥ তোন্দৌনা পিথেৎলৈমা পান্নদুনা পোকএ। চিংৰাংনা পিথেৎলৈমা পান্নদুনা ওংদৈখুন্দাবা পোকএ। ওংদৈনা অকোন কোল্লাংবীগা, উয়েনলৈমা থঙ্গোংসুনে ২মা পান্নদুনা। কোল্লাংবীনা কাওদৌয়াং নোংলেনবা পোকএ। অঙোম ওইএ। উয়েন লৈমা থঙ্গোংসুনা লাংকমনুংচি লাম্থবা পোকএ॥০॥ নূংচি লাম্থবনা ফোইদাংসু পান্নদুনা শিখোংলাম্থবগা, অতাকোংয়াম্বগা ২মা পোকএ। শিখোংলাম্থবনা অঙোম ওই। অতাকোংয়াম্বগী ঈদি। কোংবম ৰাংনু ময়িমনে, কোংবম গৌরাং ময়িমনে, কোংবম চুরামনী ময়িমনে, লেংলেন্দা লৈবা পনসানে, কোংবম নন্দ ময়িমনে, মোংসাংগৈদা লৈবা কোংবম পুকচাউ ময়িমনে, কোংবম চুরামনী ময়িমনে, লেংলেন্দা লৈবা পনসানে, কোংবম নন্দ ময়িমনে, মোংসাঙ্গৈদা লৈবা কোংবম পুকচাউ ময়িমনে, চুরামনীদগী খাইখিরা কোংবম কাতেম্বা ময়িমনে, অঙৌবা শিখোংলাম্থবনা। লৈচোন লিকশিসুনে, লৈহৌ ২মা পান্নদুনা লৈচোন লিকশিসুনা থাংৰাই খুঞ্জাম্বা পোকএ। অঙোম ওইএ॥০॥

লৈহৌ নিংথৌ চনূনা কোনখাং লাইজৌবা পোকএ। মাগী ঈদি, চকপরম

চন্দ্র ময়িমনে, চকপরম গৌরাংদি নাই ওইরিএ, চকপ্রম মতে ময়িমনে।।০।।

থাংৱাই ইৱান্থাবনা লাম্বাসুননে, কামু হিথাবা চনূনে ২মা পান্নদুনা। লাম্বাসুনা পুরান্থাবা পোকএ। অঙোম ওইএ।।০।।

কামুহিথাবা চনূনা খম্বগা, উশিংগা ২মা পোকএ। উশিংদি শোইনাইদে। খম্বগী ঈদি মংসাতাবম হাওজৌ ময়িমনে, মংসাতবম কোংয়াম্বা ময়িমনে, অয়েংবম চক্র ময়িমনে, চন্দ্রখোংদা লৈবা অয়েংবমনে, শুগুদা লৈবা মংসাতাবমনে, খুঞ্জাও, ৱাংলেন, ৱাংলেনবম তোনশেন ময়িমনে, মংসাতাবম থোংজাউ তাবা অখোন ময়িমনে।।০।।

অঙৌবা পুরান্থাবনা হাওখৈলান্থবা চনূনে, অয়াংফাবীনে ২মা পান্নদুনা। অয়াংফাবীনা লাইরেন হিখাম্বগা, নিংথৌতোরাগা, লৈতাং লান্থবগা, শেবনে, ৪মা পোকএ। হাওখৈলান্থবা চনূনা য়াওশোম্বা পোকএ। হিখাম্বনা অঙোম ওই। য়াওশেম্বগী ঈদি। চিঙ্গাংবম গৌরচন্দ্র ময়িমনে, চিঙ্গাংবম ককময়াই তাবা শেকওম্বা ময়িমনে।।০।। তোরাগী ঈদি তেলম পোংলেনবা ময়িমনে, ৱাংখৈ ময়িমদা লৈবা তেলম হাওজোম্বা ময়িমনে, ঙাপ্রুমদা লৈবা ঙানুকাপ্পম গৌরচন্দ্র ময়িমনে। লৈতাংলান্থবগী ঈদি। লৈতাম্থেম সরুপা ময়িমনে, হিদাকশুংবদা লৈবা লৈতাম্থেম মোইরাম্বা ময়িমনে, অকোইজম তাবা মনাই লৈতাম্থেম মোইরাম্বা ময়িমনে, সাংপমদা লৈবা লৈতাম্থেম চাউবা ময়িমনে। শেবদি শোইনাইদে।।০।।

লাইরেন হিখাম্বনা। নোংচুপ মরোংঙম্বীনে, সরাংথেম চনূনে ২মা পান্নদুনা। মরোংঙম্বীনা হাওশিরক্কী চারন ফাবা পোকএ। অঙোম ওইএ।।০।।

সরাংথেম চনূনা থাংৱাই খুঞ্জাম্বা পোকএ। মাগী ঈদি সারোম চেকসা ময়িমনে, সারোম কাহ্নূ ময়িমনে।।০।।

অঙৌবা হাওশিরক্কী চারনফাবা। নুক্রামব নোংইনফাবা চনূ পান্নদুনা। ক্বাকপা থাৱান্থাবগা, কৈমুগা ২মা পোকএ। ক্বাকপা থৱান্থাবনা অঙোম ওইএ। কৈমুগী ঈদি য়াংলেনবম শ্যামচন্দ্র ময়িমনে, য়াংলেনবম শ্যামরাম ময়িমনে, য়াংলেনবম নেম্বাম ময়িমনে, নিংঙেন্দা লৈবা য়াংলেনবম মুংয়াম্বা ময়িমনে, ফোইজিং তাবা য়াংলেনবম অহোং ময়িমনে, ৱাংনুদা লৈবা য়াংলেনবম দয়া ময়িমনে।।০।। ক্বাকপা থৱান্থাবনা হোংখুঙম্বী কৈশিনেম্বী পান্নদুনা নোংপোক কাওশোম্বা পোকএ। অঙোম ওইএ। কাওশোম্বনা চাংবোম্বী পান্নদুনা

কম্বোংফাবগা, খোংজোম্বগা ২মা পোকএ। কম্বোংফাবনা অঙোম ওইএ, শোইনাইদে॥০॥

খোংজোম্বনা অঙোম ওইএ। খোংজোম্বনা পুয়াম চনূ পান্নদুনা পনসাঙম্বা পোকএ, অঙোম ওইএ। পনসাঙম্বনা মংসাঙম্বী পান্নদুনা ক্যাম্বা পোকএ। অঙোম ওইএ। ক্যাম্বনা য়িমদারোকপক চনূ পান্নদুনা উচিবা পোকএ। মাগী ঈদি কৈকারেনবম মুনিরাম ময়িমনে। মদনা নন্দদি অহলনে, খরিবম পনসা ময়িমনে, খরিবম চরাংপাৎ তাবা চন্দ্র ময়িমনে॥০॥ ক্যাম্বনা শেকমুঙম্বী পান্নদুনা লাংলোইঙম্বা পোকএ, অঙোম ওইএ। লাংলোইঙম্বনা মপাওঙম্বীনে, লাইরিকয়েংবম খানা চাউবম চনূ পান্নদুনা মপাওঙম্বীনা লনহাংঙম্বা পোকএ, অঙোম ওইএ। লাইরিকয়েংবম চনূনা সনাপুথি পোকএ, মাগী ঈদি। নোংথোনবম লাবা ময়িমনে, নোংথোনবম দামুদোর ময়িমনে, নোংথোনবম অভিরাম ময়িমনে, নোংথোনবম ক্যাম্বা ময়িমনে, নোংথোনবম॥০॥ লনহাংঙম্বনা অৱাংশুম্বীনে, থৌদাম চনূনে ২মা পান্নদুনা। অৱাংশুম্বীনা মরিংঙম্বগা, মরামঙম্বগা, কাকীগা ৩মা পোকএ। থৌদাম চনূনা খোংজোম্বা পোকএ। মরিংঙম্বনা অঙোম ওইএ, শোইনাইদে। মরামঙম্বসু অঙোম ওইএ॥০॥ খাকীদি শোইনাইদে। খোংজোম্বগী ঈদি নাকপক হঞ্জবা কোইরেম্বা ময়িমনে, পাজহনবা কামতেপ ময়িমনে॥০॥ খাকীগী ঈদি খোইমোম তাবম থাংজম চন্দ্রসিং ময়িমনে, শুগ্নুদা লৈবা থাংজম তখেম্বা ময়িমনে॥০॥

মরাঙম্বনা মুংয়াং কৈথেনথানবী পান্নদুনা লমফেনঙম্বগা, হোংখুগা, হোংদৈগা ৩মা পোকএ। লমফেনঙম্বনা অঙোম ওইএ। হোংখুগা, হোংদৈগা ২দি শোইনাইদে।

লমফেনঙম্বনা ময়াংঙম্বীনে ৱাইরোকপম চনূনে ২মা পান্নদুনা। ময়াংঙম্বীনা কোনখোম্বগা, লোইখোম্বগা ২মা পোকএ। ৱাইরোকপম চনূনা লমতাবা পোকএ। কোনখোম্বসু অঙোম ওই শোইনাইদে। লোইখোম্বসু অঙোম ওই॥০॥

লমতাবনা শাৎপম চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি শেনলুংবম শত্রুঘোন ময়িমনে শ্যামচন্দ্র॥০॥ লোইখোম্বনা অখোম চনূনে, য়িম্নাম চনূনে, কোনসম চনূনে, থাংজম চনূনে, ইরোম চনূনে, শিনাম চনূনে ৬মা পান্নদুনা। অখোম চনূনা

নুংশোঙম্বা পোকএ। অঙোম ওইএ। য়িন্নাম চনূনা কুঞ্জমনী পোকএ। কোনসম চনূনা প্রেমমনী পোকএ। অঙোম ওইএ। থাংজম চনূনা বিন্দমনী পোকএ। ইরোম চনূনা শ্যামমনী পোকএ। শিনাম চনূনা ইন্দ্রমনী পোকএ॥

নুংশোংঙম্বনা পাউনম চনূনে, পেংগি চনূনে, শগোনশেম চনূনে, লুক্রাম চনূনে, শন্থিনবম চনূনে ৫মা পান্নদুনা। পেংগি চনূনা চন্দ্রমনী পোকএ। শগোনশেম চনূনা গবিন্দমনী পোকএ। লুক্রাম চনূনা তুলশিমনী পোকএ। শন্থিনবম চনূনা ইন্দ্রমনী পোকএ॥০॥

অঙৌবা পুরিংখোম্বনা খুরাইলৈমা থরাকঙম্বীনে, হৱাইবম চনূনে, য়েনখোম কৈথেল্লাকপম চনূনে, ৪মা পান্নদুনা। থরাকঙম্বীনা খুঞ্জাউবগা, মনিকখোম্বগা ৩মা পোকএ। হৱাইবম চনূনা খেকলাউবা পোকএ। কৈথেল্লাকপম চনূনা চাউবা পোকএ॥০॥

লুৱোংচম লোন্দি পুরৈরোম্বনা প[illegible] কৌঙৈদা হাওনিংসং খোমপোম্বী নুরৈশং সাফবীবু তোংপাইদুনা লোইয়াদা [illegible]দি হংকেন লোংনা থাবা পোকএ। মাগী ঈদি লূৱোংচম লাইরেনলাকপম গৌরশ্যাম ময়িমনে, লুৱোংচম আনন্দ্রাম ময়িমনে, লুৱোংচম মহাপ্রভু মনাই তাংখোম্বা ময়িমনে, লুৱোংচম হরি ময়িমনে, লুৱোংচম লৈশাংখোংতাবা গঙ্গারাম ময়িমনে, লুৱোংচম শ্লামহি মনাই চন্দ্র ময়িমনে, লুৱোংচম তাংলৈহাদা লৈবা অকোং ময়িমনে, লুৱোংচম ৱাংখৈ লৈকাই তিন্নবা লাইরা ময়িমনে, ৱাংখেম চাৱৌ তাবা কোইরেম্বা ময়িমনে, থৌবান তাবা ৱাংখেম থারোই ময়িমনে, খোইবম তিন্নবা লুৱোংচম গঙ্গারাম ময়িমনে, লুঙোংচম সামরোক ময়িমনে, ৱাংখেম গৌরাং ময়িমনে, লাংজিং তাবা লুৱোংচম কেয়াং ময়িমনে, ফুবা তাবা ৱাংখেম চন্দ্র ময়িমনে, চন্দ্রনা অহল ওই নোল্লে॥০॥

পুরৈরোম্বা লিক্লাবিচা নোংদংনুবু তোংপাইদুনা লুৱাং চীংদা হাথবদি মান্দোমগা, খোইদোমগা ২মা পোকএ। মান্দোমদি খোকনাম মোনসাম্বা ময়িমনে, খোইবম পাংঙন ময়িমনে, সম্বানদুরা থোইবা ময়িমনে॥০॥ খোইদোকগী ঈদি ইথাইদা লৈবা কশ্বাম চন্দ্র ময়িমনে, কশ্বাম খোংজোম্বা ময়িমনে, অকোইজম সামরোক ময়িমনে, ফুবা তাবা অকোইজম অনোং ময়িমনে, ইরোইশেম্বা কশ্বাম করোং ময়িমনে, নিংঙোম্বম মোইরাম্বা ময়িমনে, অহলদি দামুদোরনে নোল্লে। নিংঙোম্বম হরী ময়িমনে, নিংঙোম্বম অৱাংতাবা

চেকসা ময়িমনে, নিংঙোম্বম পুকচোন ময়িমনে, নিংঙোম্বম লনহাম্বুং তাবা প্রশুরাম ময়িম, নিংঙোম্বম থৌবান তাবা গবিন্দ্রাম ময়িম, নিংঙোম্বম গৌর ময়িম নিংঙোম্বম থৌবান তাবা গবিন্দ্রাম ময়িম, নিংঙোম্বম গৌর ময়িম নিংঙোম্বম মাইবখনবা চেকসা ময়িম, নিংঙোম্বম গৌরচন্দ্র ময়িম, নিংঙোম্বম লৌরুংবা খনবা কোইবা ময়িম, নিংঙোম্বম মুকুন্দ ময়িম, নিংঙোম্বম মুবা ময়িম, চউমকৈ তাবা নিংঙোম্বম চিংশোম্বা ময়িম, নিংঙোম্বম হাওতোন ময়িম, গুরুমানা নিংঙোম্বম হরী ময়িম, নিংঙোম্বম পুরেং ময়িম॥০॥ লাইতোন অতোনবগী ঈদি লাইতোঞ্জম লক্ষোন, লাইতোঞ্জম নন্দা, লাইতোঞ্জম পালোই, চিংবা লৈমদা লৈবা লাইতোঞ্জম লেম্বা, হাওরৈমা তাবা লাইতোঞ্জম অচৌ, মুইরেম লেম্বা, হিয়াংথাং তাবা হুইরোম কোকচাউ, হুইরেম লক্ষোন, নুঙ্গৈতাবা লাইতোঞ্জম মুকুন্দ॥০॥০॥

খাকপা নিংথৌ চনূনা চীংৰাংলক্কী পুরৈরোম্বা। পিথেৎ লৈমা লৈহৌনিংথৌ চনূনা খমনুং। পিথেৎলৈমা লৈহৌনিংথৌ চনূনা চীংমিৎয়োইরেনবা। পিথেৎ লৈমা লৈহৌনিংথৌ চনূনা অহোং খমশা। পিথেৎ লৈমা লৈহৌনিংথৌ চনূনা তেন্দৌ। পিথেৎ লৈমা লৈহৌ নিংথৌ চনূনা চীংৰাং। পিথেৎ লৈমা লৈহৌনিংথৌ চনূনা ওংদৈ খুন্দাবা। উয়েন লৈমা থাঙ্গোংসুনা লাঙ্গম নুংজি লান্থবা। ফোইদাংসুনা তেলৈ সিকোং লান্থবা লিক্সিশূনা থাংৱাই ইৱাইথাবা। লাম্বাশূনা পুরান্থাবা। অয়াং ফাবীনা লাইরেন হিখাম্বা। নোংচুপ মরোংঙম্বীনা হাওশিরক্কী চারনফাবা। নুক্রাম নোংয়িন ফাবা চনূনা ক্বাকপা থৱান্থাবা। হোংখুঙম্বী লাইশিংলেম্বি লানশিংচাইবীনা নোংপোক কাওশোম্বা চাংবোম্বীনা কম্বোংফাবা। চাংবোম্বীনা খোংজোম্বা। পুয়াম চনূনা পানশা ঙম্বা। মংশা ঙম্বীনা ক্যাংবা। শেকমুঙম্বীনা লাংলোইঙম্বা মপাওঙম্বীনা ললহাং ঙম্বা। ঔৱাংশুম্বীনা মরিংঙম্বা। ঔৱাংশুম্বীনা তাংখুন ঙম্বা। মুংয়াং কৈথেন থানবীনা লম্ফেন ঙম্বা। ময়াংঙম্বীনা কোনখোম্বা। ময়াংঙম্বীনা লোইখোম্বা। অখোম চনূনা নুংশোংঙম্বা॥০॥

অঙোম সলাই য়ুমচঙবদিঃ

চীংৱাংলক্কী পুরৈরোম্বা পান্নবা লৈমদি হাওনিংশং নুরৈশংবীগা লীকলাবিচা নোংদমনূগা পিথেৎলৈমাগা ৩মা পান্নদুনা হাওনিংশং নুরৈশংবীনা হাংগেনলোংবা থাবা পোকএ। মাগী ঈদি লোংজম নাইয়াল লাকপা গৌরশ্যামগী

ঈ চিংগাংবম খোংনাং তাবা লাইরেল্লাকপম পিবাদি ময়াংদা লৈএ। য়ুম ঙাকলিএ। লোংজম থৌবান্তাবা শৌরসিং হাজারী ময়ুমনে। লোংজম হরি লাক্তে। লোংজম শামরোক লাক্তে। লোংজম গঙ্গারাম লাক্তে। লোংজম লৈশাংখোং তাবা চৌবনসিং ময়ুমনে। লোংজম রামচরণ লাক্তে। সনামহি মনাই লক্ষবান ময়ুমনে। লোংজম তাংলৈহাদা তাবা অকোং লাক্তে। লোংজম ৱাংখৈময়ুম তিন্নবা লাইবা লাক্তে। বামন্দগী লোংজম মকসু ঙস্বা লাক্তে। লোংজম তাংখোম্বা লাক্তে। ৱাংখৈ কোইরেম্বগী ঈ চাব্রৌ তাবা শাইতোনঙম্বা ময়ুমনে। ৱাংখেম চাব্রৌতাবা মনিক ময়ুমনে। থৌবান্তাবা ৱাংখেম সেবানন্দ ময়ুমনে। লোংজম কিয়োংগী ঈ লাংজিংতাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং মাইবা হনবা কবোঙম্বা য়ুমঙাকলিএ। পুকয়ু হাওবমনে।।০।। ফুরা তাবা ৱাংখেম লখি নারান লাক্তে। ৱাংখেম চন্দ্রশ্যাম ময়ুমনে। নৌনা কারম্বা খোইবম তিন্নবা লোংজম থৌবান কিয়াম তাবা হেমসিং ময়ুমনে। ৱাংখেম পিবাদি ময়াংদা লৈ। মথং মুক্তাসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। ৱাংখেম শগোলবন তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং জীবনসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। লোংজম ৱাংগোই তাবদগী খাইবা হৈঙাংতাবা চন্দ্রসিং ময়ুমনে।।০।। লীকলাবিচা নোংদমনুনা খোইদোম্লে মান্দোমনে ২মা পোকএ। খোইদোমগী ঈদি কশ্বাম খোংজোম্বগী ঈ লোক্চীং তাবা পিবাদি ঔৱাদা লৈএ। মথং পদ্মনা য়ুম ঙাকলিএ। খাইবা ফুবা তাবা মনি ময়ুমনে। কশ্বাম ইথাই তাবা যদুসিং ময়ুমনে। য়ুমলেন্নে। অকোইজম শামুরোক্কী ঈ ৱাংখৈ লৈকাই তাবা অকোইজম পিবাদি ঔৱাদা লৈএ। মথং ঙাচিংখোম্বনা য়ুম ঙামলিএ। মথং ঙৌবা দয়া লোন্নে। খাইবা নহারূপ লাকপা ফুঙ্গা তুম্বসিং ময়ুমনে। খাইবা হেমসিং। ফুবা তাবা অনোং লাক্তে। ইরোইশেনবদগী কশ্বাম কশোং লাক্তে।।০।। নিঙোন য়াইমবগী ঈদি নিঙোম্বম মোইরাম্বগী ঈ লাংপোক তাবা রামানন্দ ময়ুমনে। রামানন্দগী খাইবা খোংমনতাবা কেশ্বরসিং ১। দামুদর অহনগী ঈ নিংঙোম্বম ৱাইশেন মপান্তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং হেরান্দনা য়ুম ঙাকলিএ। নিঙোম্বম শ্যামসিং ময়ুমনে। নিঙোম্বম মাইবা হনবা নিরসিং ময়ুমনে। খাইবা খুরায় তাবা ললিতসিং ময়ুমনে। অমরক খাইবা শাচেপ তাবা তুলসিং ময়ুমনে। নিংঙোম্বম ললহাম্বুং-তাবা পিবাদি ঔৱাদা লৈএ। মথং তুলানন্দ ময়ুমনে। নিংঙোম্বম নবিন লাক্তে। নিংঙোম্বম পুকচাও লাক্তে। নিংঙোম্বম থৌবানতাবা মরৈবা ময়ুমনে। নিংঙোম্বম পালোই লাক্তে। শ্যামপূর্ণদগী খাইবা লাইফম ইনবা নিংঙোম্বম হাওবম ময়ুমনে। নিংঙোম্বম

কোইবা লাক্তে। নিংঙোম্বম অৱাং চেকশা লাক্তে। নিংঙোম্বম শাচেপ তাবা মুকিন্দ লাক্তে। নিংঙোম্বম মনি লাক্তে। নিংঙোম্বম গৌর লাক্তে। নিংঙোম্বম মরিং লাক্তে। নিংঙোম্বম কাহ্নু লাক্তে। নিংঙোম্বম চীংশোম্বা লাক্তে। নিংঙোম্বম গৌরচন্দ্র লাক্তে। নিংঙোম্বম হাওত্তোন লাক্তে। নিংঙোম্বম হরি লাক্তে। নিংঙোম্বম হীদাকশুংবা শাচেপ তাবা পূর্ণসিং ময়ুমনে। নিংঙোম্বম হাওগৈদগী পোং লমলেন তাবা বিশম্ভরসিং ময়ুমনে। নিংঙোম্বম কৈবীইংখোন্দগী গঙ্গাধর লাক্তে। নিংঙোম্বম লেম্বা লাক্তে। ১১ পকপা নিংঙোম্বম নব ॥০॥ লাইতোন অতোনবগী ঈদি লাইতোঞ্জম লক্ষ্মনগী ঈদি তাম্রধ্বজ ময়ুমনে। খাইবা খুরায় তাবা তুরোনসিং ময়ুমনে। শঙ অহনবদগী নন্দ লাক্তে। লাইতোঞ্জম পাঙ্গনবা শঙবা চান্দ লাক্তে। লাইতোঞ্জম চীংবান লৈমা মনাই ৱাংখৈ লৈকাই তাবা কেশ্বরসিং ময়ুমনে। লাইতোঞ্জম লমলোংকৈদগী খোম্বিতোক তাবা ভগিন্দ্রসিং ময়ুমনে। মণিদগী খাইবা গোবিন্দ ময়ুমনে। লাইতোঞ্জম হৈনৌ খোঙনেম্বী তাবা মাইবা খনবা অঙাংজাওবা ময়ুমনে॥০॥ হুইরেম চাউবা ময়ুমনে। হুইরেম হিয়াংথাং তাবা শ্যাম ময়ুমনে। হুইরেম হাওরৈবী তাবা খেমা ময়ুমনে॥০॥ অয়েকপম চুরামনি লাক্তে। নুঙ্গৈ তাবা লাইতোঞ্জম ভালোকঙম্বা লাইতোঞ্জম ফোইজিং তাবা অবুংজাও ময়ুমনে॥০॥ মান্দোমগী ঈদি খোইবম পাঙনগী ঈদি ৱাংখৈ লৈকাই তাবা পূর্ণান্দ ময়ুমনে। শম্বান্তরাম ৱাংখৈলৈকাই তাবা জয়সিং ময়ুমনে। মরূপ অসিদি অত্রেয় গোত্রনে॥০॥ পিথেৎলৈমা লৈহৌ নিংথৌ চনূনা খাংহন অহনবা ১ খাংহন য়াইমবা ১ খমনুংইৱাইথং ৩মা পোকএ। খমনুং ইৱাইথংনা নিংথৌ ওইয়ে। খাংহন অহনবগী ঈদি য়ুমলেনবম ৱাংখৈ লৈকাই তাবা খোইবুঙম্বা ময়ুমনে। য়ুমলেনবম শ্যামকৃষ্ণ লাক্তে। য়ুমলেনবম হাওজৌ লাক্তে। য়ুমলেনবম কৈশা লাক্তে। শুগুদা লৈবা য়ুমলেনবম ছত্রসিং ১। খোরিখুন য়ুমলেনবম তেজ নোংপোকনে॥০॥

নোংমাইথেম খাকপা নিংথৌ চনূনা চীংৱাংলক্পী পুরৈরোম্বা। পুরৈরোম্বা পীথেৎলৈমা লৈহৌনিংথৌ চনূ পান্নদুনা ১। খাংহন অহনবা, ২। খাংহন য়াইমবা ৩। খমনূং ইৱাইথং ৩মা পোকএ। খমনূং ইৱাইথংনা ফম্বাল তোংএ। খাংহন অহনবনা লৈহৌনিংথৌ চনূ পান্নদুনা পুদান। লৈহৌ নিংথৌ চনূনা হেমদৌ লৈহৌ নিংথৌ চনূনা লাফাং, লৈহৌ নিংথৌ চনূনা ৱামৈ লাম্বুবা, ৱামৈ লাম্বুবনা অঙোম ওইএ। ৱাহেংশূনা চুগোক। ৱাহেংশূনা থৱানথাবা, চীংথাং লাম্বুবা চনূনা চকপা

ঙম্বা অতে ফাবা। পুরাম্বাবা চনূনা খোকখৈ লাম্বুবা, খুমোম্বা চনূনা তাংখুন ঙম্বা শাংপম চনূ কোনুশূনা ৱাংখৈরাকপা নুংগোনবা। চেংলৈশূনা মুবা। থৱানথাবা চনূনা লমিং। ওকথিয়াম চনূনা মখাঙম্বা। ৱাংখৈরাকপম চনূনা জয়রাম। মোইরাংতেম চনূনা পারা। শীজা ক্যাংঙম্বীনা লাংমৈ নাহারূপ লাকপা। শীজা ক্যাংঙম্বীনা মুংয়াং পুখ্রনবা। পানাখাংবম চনূনা খোম্বা। ওইনাম চনূনা লোইজা ইমিংলোই হঞবা। অরাম্বম চনূনা তুলসীরাম শেলুংবা। ফম্মিহনবম চনূনা গৌরহরি। নোংথোনবম চনূনা ধনিরাজখ্বা। ধনিরাজখ্বানা অঙোম ফম্বাল ওইএ। ইরেংবম চনূনা কৃতি নোংথোনবা। লৈশাংথেম চনূনা মাধব শেলুংবা। শীজা কুঞ্জেশ্বরীনা গিরিধারি। গিরিথারিনা অঙোম ফম্বাল ওইএ॥০॥

খাংহন অহনবগী ঈদি লংমাইথেম গৌরহরিগী ঈদি চন্দ্রমুখ লাইফম লাকপা চীংনাংখোংনং তাবা। লংমাইথেম পাল্লোই লাক্তে। লংমাইথেম হাওবা ১। নাই ওইরিবা অহন পোশি লাক্তে। য়ুমঙাকপা দেবসিং ১। লংথবান্তাবা লংমাইথেম তোনবা লাক্তে। চঙাংগৈগী লংমাইথেম পূর্ণসিং ময়ুমনে। শুগুগী লংমাইথেম পঙ্গোইঙম্বা ময়ুমনে। তরাওপন্দগী ৮ ককচীং খুলেন তাবা লংমাইথেম ধর্ম্মসিং ১ এন্দ্রেম্বম চগেম্বা ১ লংমাইথেম খেমানন্দ ময়ুমনে। (লেংমাইথেম কৃতিবাসী ১ কবুইনে) থোংদা লৈবা মুবা লাক্তে॥০॥ ৯ অপকপা নিঙেননূঙৈ ১ খাংহন য়াইমবগী ঈদি হিদাম পন্দোংবম অকোং লাক্তে। হিদাম মনিগী ঈ ৱাক্রনপন্থোং তাবা যগিন্দ্রসিং ময়ুমনে। হিদাম ঈখৈশংবম য়াঙম্বা লাক্তে। হিদাম শঙ অহনবগী লোইজা লাক্তে। লৈমাপোকপমদগী হিদাম বসূদাম লাক্তে। হিদাম খোম্বা লাক্তে। হিদাম তাংখোম্বা লাক্তে। ১৩ তাংখোম্বদা পকপা হিদাম ইরাবন্ত কোনশবা লংমাইথেম চান্দ লাক্তে॥০॥ খমনূ ইৱাই থংনা পিথেৎ লৈমা লৈহৌ চনূ পান্নদুনা চিংমিৎ য়োইরেনবা পোকএ। চীংমিৎ য়োইরেনবনা পিথেৎলৈমা পান্নদুনা অহোংখমশাগা অমুচিংয়াইয়োসরেনবগা ২মা পোকএ। অমু চীংয়াই য়োইরেনবগী ঈদি সেরাম পৌরাবী তাবা বিন্দ ময়ুমনে। খাইবা চিংঙামথক তাবা তোলেন ১। সেরাম পৌরাবী তাবা লিলাসি ময়ুমনে। ১৯ লিলাসিংদা পকপা সেরাম চন্দ্রকান্তি ১। খোংমন্তাবা রুপানন্দ ১। শ্যাম ১। সেরাম মোইরাংখোম তাবা ইরাবন্তা ময়ুমনে। অসিদগী খাইবা সেরাম রামচরণ ১ সেরাম পোৎশংবদগী খোজোম্বা লাক্তে। লমলাই তাবা সেরাম সিদ্ধান্ত ময়ুমনে॥০॥ নোংমাইথেম খুরাই তাবা দুর্গসিং ময়ুমনে। খুন্দদি নাই ওইরি লাক্তে। সেরাম অনিন্দ্রাম লাক্তে।

নারুম্বম ৱাক্রন পম্থোংতাবা পিবাদি ঔৱাদা লৈএ। মথং তেজবন্দসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। অচৌদগী খাইবা নারুম্বম খোংজোম্বা লাক্তে। ওঁথাম পিবাদি মোক্তা লৈএ। মথং পার্থনা য়ুম ঙাকলিএ। শঙাইব্রৌ তাবা অচোম সুন্দানন্দ লাক্তে। অচোম গঙ্গাধর লাক্তে। থিংগোন লাক্তে। চঙানকৈদগী ঙারেনবম খুল্লিং লাক্তে। কৈখু কৈরেন্দগী চেকশা লাক্তে। হাওগৈদগী শেরাম চুরামনি লাক্তে। সেরামদা পকপা শেক্তাদগী শেরাম ১। শেরাম কাংঙমুং তাবা পিবাদি ঔৱাদা লৈএ। মথং সরুপানা য়ুম ঙাকলিএ॥০॥ অহোং খমশানা পিথেৎলৈমা পান্নদুনা তোন্দৌগা সুনামগা ২মা পোকএ। সুনামগী ঈদি হোংনেমশুম্বম মোনশং লাক্তে। হংগুণগী হোংনেমশুম্বম পবিত্র ময়ুমনে॥০॥ তোন্দৌনা পিথেৎলৈমা পান্নদুনা ওঁদে খু দাবা পোকএ। ওঁদে খুন্দাবনা উয়েন লৈমা থঙ্গোংশূ পান্নদুনা লাঙ্গম নুংজিলান্থবগা অতা কোংয়াম্বগা ২মা পোকএ। অতাকোংয়াম্বগী ঈদি কোংবম লাংনুংগী ঈ খুরায় তাবা রতোনসিং ময়ুমনে। কোংবম গৌর লাক্তে। কোংবম খুরায় তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং পীতম্বরসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। কশোম্বা লাক্তে। নিঙেন্দগী কোংবম তাম্রসিং ময়ুমনে। কোংবম নন্দ লাক্তে। মোংশাংকৈগী কোংবম পুকচাও লাক্তে॥০॥ লাংগম নুংজি লান্থবনা ফম্বান ওইএ॥০॥ লাঙ্গম নুংজি লান্থবনা ফৈরৌশু পান্নদুনা অঙৌবা শিখোং লান্থবা পোকএ। শিখোংলান্থবনা লৈচোল লিকশিসুগা লৈহৌ নিংথৌ চনূগা ২মা পান্নদুনা লৈচোন লিকলিশুনা থাংৱাই খুন্দাবা পোকএ। অঙোম ওইএ॥০॥ লৈহৌ নিংথৌ চনূনা কোনখাং লাইচৌবা পোকএ। কোনখাং লাইচৌবগী ঈদি চকপ্রম চন্দ্রগী ঈ খুরায় তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং কমলা কান্তনা য়ুম ঙাকলিএ। চকপ্রম গৌরাং নাই ওইরিবা লাক্তে। চকপ্রম মতে লাক্তে॥০॥ থাংৱাই খুন্দাবনা লাম্বাশুগা কামুহিথাবা চনূগা ২মা পান্নদুনা লাম্বাশুনা পুরান্থাবা পোকএ। অঙোম ওইএ। কামুহিথাবা চনূনা খম্বগা উসিনগা ২মা পোকএ। উশিনদি শোইনাইদে। খম্বগী ঈদি মংসাতাবম হাওজৌগী ঈ চিংগাংবম খোংনাংতাবা তোলেন ময়ুমনে। মংসাতাবম তেল্লোই হঞ্জবা বলসিং ময়ুমনে। মংসাতাবম পোৎশংবা মুকিন্দ্রাম লাক্তে। ৱাংলেনবম উচেককোন তাবা কেশরোক ময়ুমনে। থোংজাওদগী মংসাতাবম পৌরাবী তাবা লিলানন্দ ময়ুমনে॥০॥ পুরান্থাবনা অয়াংফাবীগা হাওগৈ লান্থবা চনূগা ২মা পান্নদুনা অয়াংফাবীনা লাইরেন হিখাম্বগা নিংথৌ তোৌরাগা লৈতাংলান্থবগা সেবাগা ৪মা পোকএ। হাওগৈ লান্থবা চনূনা য়াওশোম্বা

পোকএ। মাগী ঈদি চিংগাংবম গৌরচন্দ্রগী ঈ শাজেপ্তাবা অভিমন্য ময়ুমনে। খাইবা ফকনুং তাবা থাবারোকপা ময়ুমনে। শামু অমোম শেনবা তাবা চিংগাংবম খুরায় তাবা চাউতোন ময়ুমনে॥০॥ তরাগী ঈদি তেলেম লমলাই তাবা নেত্রসিং ময়ুমনে। খাইবা ঙাকপ্রুমদা লৈবা ঙানূকাপ্পম শগোলবন্দ তাবা মুকুন্দ ময়ুমনে। সনাহন্দগী ঙানুকাপ্পম নরত্তম লাক্তে। ৱাংখৈ ময়ুমদগী তেলেম লবঙ্গ ময়ুমনে। থংবিজ্রাওদগী তেলেম মুক্তাসিং ময়ুমনে। নৌনা কারম্বা তেলেম ময়াং খোন্বা ১। শরোম কৈকাপ্পম কৈরাও তাবা উমানন্দ ময়ুমনে। ৱাংখৈ লৈকাই তাবা শারোম তোলেন ১। নৌনা কারম্বা তেলেম ৱাংখৈ লৈকাই তাবা পিবাদি ঔৱাদা লৈএ। মথংসু ময়াংদা লৈএ। মথং খোম্বনা য়ুম ঙাকলিএ॥০॥ লৈতাংলাম্বুবগী ঈদি লৈতাম্থেম চিংগাংবম খোংনাং তাবা গোকুলসিং ময়ুমনে। হিদাকশুংবদগী লৈতাম্থেম মোইরাম্বা লাক্তে। হাওগৈদগী লৈতাম্থেম মোইরাম্বা লাক্তে। শাৎপমদগী লৈতাম্থেম চাওবা লাক্তে। শেবাদি শোইনাইদে॥০॥ লাইরেন হিখাম্বনা নোংচুপ মরোংঙম্বীগা শরাংথেম চনূগা ২মা পান্নদুনা নোংচুপ মরোংঙম্বীনা হাওশিরক্কী চরনফাবা পোকএ। শরাংথেম চনূনা থা ৱাইখুঞ্জাম্বা পোকএ। থাংৱাস খুঞ্জাম্বগী ঈদি শরোম চেংশা লাক্তে। শারোম কহ্নু লাক্তে॥০॥ হাওশিরক্কী চারন ফাবনা লুক্রাম নোংইন ফাবা চনূ পান্নদুনা ক্বাকপা থৱান থাবগা কৈমুগা ২মা পোকএ। ক্বাকপা থৱানথাবনা অঙোম ওইএ॥০॥ কৈমুনা মুতুম চনূগা পোং চনূগা ২মা পান্নদুনা মুতুম চনূগী ঈদি খাঙেম্বম চন্দ্রশ্যামগী ঈদি অথোকপম লৌৱাইতাবা তোলেন ময়ুমনে। তোলেন্দগী খাইবা ককৱা য়াইস্কুল তাবা ফলিন্দ্রসিং ময়ুমনে। খাঙেম্বম থাঙমৈবন্দ তাবা হিরন্যসিং ময়ুমনে। অখাইবা খাঙেম্বম কেংবা ১। খাইবা কাংঙমুং তাবা কৃতিসিং ময়ুমনে। খাঙেম্বম মুংয়াম্বা লাক্তে। ফোইজিং তাবা খাঙেম্বম তাঞ্জৌ ময়ুমনে। ৱাংঙুদা লৈবা খাঙেম্বম গোবিন্দ ময়ুমনে। পোং চনূগী ঈদি কবো তাবা খাঙেম্বম উনুংতাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং চুৎত্রসিংনা য়ুম ঙাকলিএ॥০॥ ক্বাকপা থৱানথাবনা কৈশিংলেম্বী লানশিং চাইবী পান্নদুনা নোংপোক কাওশোম্বা পোকএ। অঙোম ওইএ॥০॥ কাওশোম্বনা চাংবোম্বী পান্নদুনা কম্বোংফাবগা খোংজোম্বগা ২মা পোকএ। কম্বোং ফাবনা অঙোম ওইএ। শোইনাইদে। খোংজোম্বসুং অঙোম ওইএ॥০॥ পনশা ঙম্বনা মংশাঙম্বী পান্নদুনা ক্যাম্বা পোকই, অঙোম ওই। ক্যাম্বনা শোকমু ঙম্বীনে য়ুমনাম সনারোকপম চনূনে অনীমা পান্নদুনা শেকমু ঙম্বীনা লাংলোইঙম্বা

পোকএ। অঙোম ওইএ। যুমনাম ম্লারোকপম চনূনা উচিবা পোকই। উচিবগী ঈদি কৈক্রনবম মনিরাম লাক্তে। অহন মদনা লাক্তে। খরিবম ৱাংখৈ লৈকাই তাবা অৰ্জ্জুন ময়ুমনে। খরিবম চরাংপাৎ তাবা চন্দ্রহাস ময়ুমনে॥০॥ লাংলোই ঙম্বনা মপাওঙম্বীগা লাইরিকয়েংবম খানা চাউবম চনূগা ২মা পান্নদুনা মপাওঙম্বীনা ললহাংঙম্বা পোকএ। অঙোম ওইএ॥০॥ লাইরিকয়েংবম চনূনা সনাপুথি পোকএ। মাগী ঈদি অঙোম নোংথোনবম লাবগী ঈদি ইন্দ্রজিৎ ময়ুমনে। নোংথোনবম দামুদর লাক্তে। নোংথোনবম অভিরাম লাক্তে। নোংথোনবম ক্যাম্বা লাক্তে॥০॥ মুনোই ললহাং ঙম্বনা ঔৱাংসুম্বীগা থৌদাম চনূগা ২মা পান্নদুনা ঔৱাংসুম্বীনা মরিংঙম্বনে মরাম ঙম্বনে খাগীনে ৩মা পোকএ। থৌদাম চনূনা খোংজোম্বা পোকএ। খোংজোম্বগী ঈদি নাকপকখনবম অঙোমহনবম কৈরেনবা ময়ুমনে। লাক্তরে। পাৎচহনবম শরজজিৎসিং ময়ুমনে। মরিংঙম্বসুং অঙোম ওইয়ে। শোইনাইদে। মরাম ঙম্বসুং অঙোম ওইয়ে॥০॥ খাগীগী ঈদি খোইমোম তাবা চীংশোম্বা ময়ুমনে। অঙোম কৃতসিং ময়ুমনে। ময়াং লৈপাক্তগী লাকপা অনৌবা তাঙ্গাতাওদা অঙোমদগী পাওনম চনূ অমা পীখিএ। মাগী নাউপুরেন অদুবু অঙোম মনাও খাগীগী ঈনি হায়না ময়াংঙম্বনা অঙোমদা তিনহন্নবা থাংজম চন্দ্রসিংগী ঈ খুরায় তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং থোল্লাংঙম্বনা যুম ঙাকলিএ। খাইবা থাংজম খুরায় তাবা ভুবনসিং ময়ুমনে। ভুবনসিংদগী খাইবা খোংজাইঙম্বা ময়ুমনে। ভুবনসিংদগী খাইবা খুরায় তাবা পার্থ ময়ুমনে। থাংজম গুগুদা লৈবা লাইমনাই গৌরসিং ১। তিঙ্গ্রিদা লৈবা থাংজম রুদ্রসিং ১। মরাম ঙম্বনা মুংয়াং কৈথেন থানবী পান্নদুনা লম্ফেন ঙম্বা পোকএ। লম্ফেন ঙম্বনা ময়াংঙম্বীগা ৱাইরোকপম চনূগা ২মা পান্নদুনা ময়াংঙম্বীনা অঙৌপানবা কোনখোম্বগা লোইখোম্বগা ২মা পোকএ। শোইনাইদে। লোইখোম্বসুং অঙোম ওইএ। লমতাবনা শাৎপম চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি শত্রুঘন ১। শ্যামচন্দ্র অমা। লোইখোম্বনা অখোম চনূগা কোনসম চনূগা য়ুমনাম চনূগা থাংজম চনূগা ইরোম চনূগা সিনাম চনূগা ৬মা পান্নদুনা অখোম চনূনা নুংশোংঙম্বা পোকএ। অঙোম ওইএ। কোনশম চনূনা পুরিংখোম্বা পোকএ। অঙোম ওইএ। পুরিংখোম্বনা ৱাংঙমলোন থরাকঙম্বীগা ৱাংখৈরাকপম চনূ নুংশাংঙম্বীগা হৱাইবম চনূগা কৈথেললাকপম চনূগা ৪মা পান্নদুনা হৱাইবম চনূনা খেমলাওবা পোকএ॥০॥ কৈথেল্লাকপম চনূনা তুতেশ্বর মনি পোকএ। অঙোম ওইএ।

ৱাংখৈরাকপম চনূনা বীরমনিনে হেমামনিনে রাসমনিনে ৩মা পোকএ। বীরমনিদি শোইনাইদে। য়ুমনাম চনূনা তাংশোইঙম্বা পোকএ। অঙোম ওইএ। তাংশোইঙম্বনা নোংথোম্বম চনূগা থোংগ্রাম চনূগা ২মা পান্নদুনা থোংগ্রাম চনূনা হেমসিং পোকএ॥০॥ ময়াং নিংথৌনাইদগী তিল্লবা ছত্রময়ুম শ্যাম ১। মাকৈশ্যামহরি ১। শামু মাইবা হাওবা ১। অচোম এলাংকোৗই ১। শাঙম্বম মুনিরাম ১। হৈরোম রাম ১। অয়িন পাতোন ১। নদি ১। লৈমনাই শ্যামচরণ ১। অপাং ময়ুমনে॥০॥০॥

অঙোম সলাইদা পুন্বা সাগৈশিংঃ

১। অঙোম	১৮। মাম্বম	৩৫। খেক্রাম
২। অকোইজম	১৯। কাইকোম	৩৬। খোইরাংবম
৩। অখনবম	২০। কাংথম	৩৭। খোইপম
৪। অমোম	২১। কাইকোম	৩৮। খোইমোমতাবম
৫। য়ুমখাইবম	২২। কাংশুবাম	৩৯। ঙামুকাপম
৬। অঙোমজাম্বম	২৩। কিয়াম	৪০। ঙারেংবম
৭। অচোইবম	২৪। হৈক্রুম্বম	৪১। ঙায়েনবম
৮। অপাংময়ুম	২৫। হৈক্রেনপম	৪২। ঙালেনবম
৯। অচুবম	২৬। কৈকোম্বম	৪৩। ঙাংলেংবম
১০। অয়েংবম	২৭। কোংবম	৪৪। চকপ্রম
১১। অয়েনবম	২৮। খরিবম	৪৫। চিংঙাবম
১২। ইকুদুম	২৯। খাঙেম্বম	৪৬। চিংশুবম
১৩। ইখোইশাংবম	৩০। খচেনবম	৪৭। তেলেম
১৪। ইখৈশাংবম	৩১। খানাচাউবম	৪৮। খুমগনবম
১৫। ওংনাম	৩২। খুমোংময়ুম	৪৯। নাকপোকহঞ্জবম
১৬। কম্বাম	৩৩। খুয়ুমথেম	৫০। নাপকখনবম
১৭। কসনাম	৩৪। খুৎয়োনথেম	৫১। নারুম্বম

৫২। নারুংবম
৫৩। নিংঙোম্বম
৫৪। নিংথৌবম
৫৫। নোংমাইথেম
৫৬। পোসম্বম পুতোঞ্জম
৫৭। পুংতোজম
৫৮। মানদিংবম
৫৯। সাংসাতম
৬০। মাংসতাবম
৬১। মংসিদম
৬২। মুখোম
৬৩। মুংখোম
৬৪। মুৎখোম
৬৫। মোফাংময়ুম
৬৬। মোইরাংলাইসংবম
৬৭। মোংসাতবম
৬৮। লাংমাইথেম
৬৯। লাইরেলাকপম
৭০। লৈতান্থেম
৭১। লোংজম
৭২। লোংমাইথেম
৭৩। লৌরিয়ানবম
৭৪। ৱাকোম
৭৫। ৱাথেম
৭৬। ৱাংগোইবম
৭৭। ৱাহৈবম
৭৮। সঙোম্বম
৭৯। সাঙম
৮০। সাঙম্বম
৮১। সংদোঞ্জম
৮২। সরোমকৈকাপম
৮৩। সমবন্ধুরাম
৮৪। সংদোঞ্জম
৮৫। সারোম
৮৬। সাইরোম
৮৭। সেন্দাংময়ুম
৮৮। সেঞ্জম
৮৯। হাইবম
৯০। হাহৈবম
৯১। হিতাম
৯২। হিখাম্বম
৯৩। হিদাম
৯৪। হেরোম
৯৫। হৈৱাম
৯৬। হোংনেমশুম্বম

মথক্তা পিরিবা শাগৈশিং অসি অঙোম য়েক সলাইদা পুনবা য়েক থোক্লবা শাগৈ অঙোম সলাইশিংনী। শাগৈশিং অসি লৌনহৈদিয়ে। অঙোম য়েক্তা পুনবা শাগৈশিংনী।

অঙোম য়েক সলাই ঃ

অঙোম য়েক সলাইদা পুল্লীবা সাগৈশিং অসি য়েক থোকপা ঙাক্তনী। হায়রীবা সাগৈশিং অসি য়েক থোকপা মরম্না লৌনা লৈনবা য়াদে। লৌনা-লৈনবা তারবদি অৱা-অনা নংই। অপোকপা লাইগী মফমদা হৈ-লৈ অমৎতা কৎপা অরেম্বা ওইয়ে খঙও। করিগুম্বা সাগৈ য়েক সলাই পুন্না লৌনা লৈনবদগী থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোক্তবসু নৎতে। লাইগী থৌরমদা য়েক তিন্নবা লাই পুবা য়াদে। অপোকপগী চনিং শোকপা য়াদে। সাগৈ অপোকপদা কৎলিবা

শারেন তুবগী শারেন লুকলেন ফাওবসু ফংবা য়াদে। য়েক তিন্নবনা লাইগী থৌরম থৌদাদা নম হাদুনা পাংবা তারবদি মচা মশুদা অফবা ওইদে। সলাই য়ুমদারোল পূয়ানা অসুম্না পীরি অপোকপা থৌগল্লিবা মীওই অমনা য়েক থোকপা লৌরবদি চহি ওন্দনা পীবা ফমসু থদোক্কদবনি। অঙোম য়েক্লা অঙোম য়েকপু চারৌ মৌরৌনবা হায়বসি মশাগী তুংদা লাক্কদবা পুন্নমক্তা মহাক অদুতা মাংজবা নৎতনা সাগৈশিংসু ময়েং তাগনী। য়েক থোকপা অঙোমনা অঙোমদা চারৌ মৌরৌনবা তারবদি অমাংবতা নৎতনা মচা-মশু শুরোন-চারোন পুরোন ৭ ফাওবদি ঈচেল্লোন মাং, হায়দুনা সলাই য়ুমদারোন্না ময়েক শেংনা পীরি। মসিদসু নৎতনা অঙোম য়েক সলাই পুন্না লৌনা লৈনরবদি মশা খমতেক্লবসু পীরি। মশাদসু লাইথুং তিনথুং, তিঞ্জ-লাইচুবা ফাওবা লাইচুবা লৈগনি। অঙোম য়েক সলাই লৌনা লৈনবা য়াদে য়ুমদারোন্না ময়েক শেংনা পীরি। অঙোম সাগৈ পুনবা মতমদা সাগৈ পীবা মথং মনাও নাইনা পুরোন-পারোন হংনরকপদা মতমদা য়েক লৌবা য়াওরবদি পুয়াদা সলাই অঙোমগী পুয়া ইরকপা মতমদা য়েক থোকপা পিবাদি সাগৈগী পুয়াদা চনবা য়াদে, য়েক সলাই পুনবা লৌনফদিয়ে।

অঙোম য়েক লাংজৈ ঃ

পাখংবা সলাই ৭নি। পাখঙবগী ঈথাংলোই ওইরিবা পোং সলাই ৭নি। পোংগী মচা-মশু ওইরিবা মীওইপোকসু সলাই ৭নি। লাইনিংথৌ সনামহি মালেম লৈশেমকোন্দা পাখঙবা ঈথাংলোই ওইদুনা সলাই চাওদা নাওদানা নোংদমলকখি। মদু নোংদগী মীওইবা সলাইনা মালেম লৈকোন্দা মপু ওইবনা পুথোকপিবা অচৎ-চৎতা জীবা পুন্নমক্তগী মীওইবা কৌবা মপোক্লা অথোয়বনি হায়না পাখঙবা লাইহুই পুয়ানা ময়েক শেংনা পীরিএ। খোয়ুম লাই ওইবনা তাইবঙ পানবগা অসুক্কী মতীক নক্লবা লৈ হায়নসু তাকলি। মদু নোংগী চৎনরোনবু তাইবঙ মীওইপোক্তা পোকলিবা তাইরঙ পানবনা খোইয়ুম লাই ওইববু পুঙরোন্দা মমি অদুনা নুংপাল অনিদা শেন্বী শাবীরকপনী হায়না লাইহুইনা পীরি। খোয়ুম লাই ওইবগা মীওইবগা অসুক্কী মতীক নক্লনা লৈ হায়বঙ্গি য়ান্নরবা ৱাফমনী। সলাই য়ুমদারোন্না অসুম্না পীরি। য়েক ৭ সলাই ৯বু খাইরমলিবনো হংলি সলাইচাশিংনা লাই ওইবা মপুনা য়ুমদারোন কৌবা পুয়া মাইচৌ অপোই মচানা খৃ: ৪২৮ দা কংলা উত্র সঙমাইথেন্দা অসুম্না য়েক সলাইবু খাইখিববু সনামহি

লৈশেমকোন্দা মপু ওইবনা নিংথিবা লৈকোন্দা লৈরাং মশিং থিঙমদনা তল্লমই। লৈরাং মাগী মতৌদা অমৎতা মান্নবা য়াওবা নৎতে। মসি নুংগী ৱারমবু সাগৈ য়েক সলাইবু হৈরাং লৈরাংগুম সাগৈ সলাইসু য়ুম্নাক সাগৈ নাইগনী হায়না নোংদম্বীএ। য়েক সলাই খায়খিবা ৱাবু অসুম্না নোংদম্বীরমই। মপুগী লৈকোন্দা শাৎপী লৈরাং-লৈখনশুনা য়েংবদা মীৎফম হোংবা ঙমদনা শাৎলীবা লৈরাংদো মপুগী লৈকোন্দা য়েংজরী লৈরাংদুবু শেম্বীরকপা মপু ওইবনা লৈখন শুনা শাৎপা লৈকোনগী লৈরাংদো মদুতবু য়েংজরগা মপু ওইবনা পেনজখি। নীংথিরবা লৈকোনগী লৈরাং অমৎতা মচু মান্নদে। অদুগুম্লবা নীংথিজরবা লৈরাং লৈচু নাইবদো মপু ওইবনা মিৎস্না অনীনা নুংশিনা য়েংলদুনা ফজবা নীংথিজবা লৈরাং অসে মাংবা য়াদে হায়না মপুগী পিবুক নুংদা খনজরমই। লৈরাং শাৎলিবা লৈকোন অদুগী য়াইদা লেপতুনা মপুনা পীবুক্কুংদা খল্লকখি। করি করম্না মতমদা লৈরাংগী মপোক্কা চাংদম্লবা য়াবা মপোক্তো মপু ওইবনা উনিংলক্লমই। লৈরাং পুম্ববু য়েংলদুনা মপু ওইবনা হায়খি। লৈরাং নংগী পুন্সিদি লৈয়োননুংদগী লৈশা তল্লকখি। মপুং ফারবা লৈরাং পাম্বীদো লৈশেম কোনগী অনেম্বা মালেমদা নহাক্লা ফুগাইনা শাৎপদু উরগা মালেমদা লৈরীবা অচৎ-চৎতা কয়ানা নহাক্কী নতৌদু য়েংজরী। খঙহৌদে লৈরাংগী পুন্সিদো লৈমন চন্দুনা লৈখোক্তা কেনখিবা। অমুক অনৌবা মপোক লৈরাং-মরু চাররদগী পাম্বী মউ লীংঙকখি। মপুগী লৈকোন্দা শাৎলিবা লৈখন নাইবা লৈরাংনি। লৈরাংনা লৈখোক্তা কেনবগুম মালেম তাইবঙ পানবা মপোক অশি অচং নাইরনী মচু-মমেন খাইরনী। লৈরাংগা পাংখক ওইরবা মীওইপোক সলাইবু। মপু ওইবা শিদবনা মীওইপোকপু মপুগী লৈকোন্দা শাৎপা লৈরাংগুম্বনী হায়না নোংদম্বীরী। লৈরাংবু মুন্না য়েংদুনা মপুনা হায়য়ে লৈরাংদো। হা নীংথিবী লৈরাংও নংনা লৈকোন্দা ফুগাইনা শাৎপগুম মালেম অসিদা নহাক্কী মপোক্কা মান্নবা মীওইপোক কৌবা সলাই নোংদমগনী হায়না পাখঙবা লাংজৈ পুয়ানা অঙোম মৈহৌরোন সলাই লাংঙজৈনা অসুম্না সলাই খায়খিবগী নোংলোন ৱাবু লাইহুইনা তাক্কুনা পীরিএ।

"মোইরাং মৈহৌরোন"

অহানবদা সলাইরেন শিদববু ইকোক নোঞ্জেএ। নুমিৎ থা অনীমকপু খুরুমজনা মোইরাং সলাই মৈহৌরোনবু ইকোন নোন্না ইজরক্কে হায়না সলাই চানা খুরুমজেএ। পাখঙবগী ইথাংলোয় ওইরীবা সলাইদি ৭নি। নোংমগী নুমিৎলোয় অমদা কুপত্রেং লাইনা লোয়নবা মহাক্কী মোইরাং সলাই পুকলেন য়াংববু ইনুং কোন্দা থিরক্লমই। সলাইরেল সিদবগী ফম্বালকোল য়াৱানে। কুপত্রেং পম্থৌ ওইবা নোংদা লাইরেন পাখঙবনা ফম্বাল কোন্দা হনঞ্জখ্রবাদা লোয়নবা পুকত্রেংনা অঙোম সলাইবু ফম্বালকোন্দা লংদাইখি। অঙোম লাইনা ফম্বালকোল লংতাইরবা মরোইরবদা সলাই মরিবু নাওকোনবীরীবা কুপত্রেংনা মোইরাং সলাই ফম্বালকোন্দা লংতাইহনগে পাইমখৈনা থৌশিলমই। য়াইবীকোন্দা মপল পম্থৌ পাখঙবগী ফম্বালকোন্দা মোইরাং সলাই ইখম তোলোইববু ফম্বাল ৱাইশিননগে হায়না থিরকখি। লৈনুংলোন্দা মোইরাং সলাইবু গুরু কয়াদা কুপত্রেং ওইবা মপুনা থিবদা মোইরাং পোকলেনবা থিবা খংখিদে। অদু নোংদা কংলৈ কংলাদগী ফম্বালকোল মফম কয়াদা মোইরাংবু থিখি। কুপত্রেংগী পাইমা পিবুকনুংদা খল্লকখি মোইরাং সলাই অপোকপনা মফম কৈদা খুম্থোকপনো হায়না কংলা য়াইবীকোন্দাগী থোক্লকখি। লাইওইবা কুকত্রেংনা খাগী মরম খৈরেন্দা লৈবা লাইজা ঈশিং ইয়েনখোং কয়াদা কুপত্রেং লাইনা খুমনবু থিরমই। থিবা কৌবা ফংবা লৈত্রবদা লোইবী চীংদা কাদুনা শুরুং কয়াদা পোকলেনবা মোইরাংবু কৌ কৌদুনা মহাকপু থিরমই। তাদুনসু খুন্বা কৌবা লৈত্রবদা করম্বা মফমদা থিশিগে পাইমা পিবীক্লুংদা খল্লকখি। কুপত্রেং লাইনা থিন্থবা কৌবা লৈতনা লোক্তাই কয়াদা খুমনবু থিরম্মী। অসিনসু মদোমদে কুপত্রেং লাইনা পাইমা পিবীক্লুংদা খল্লকলমই। মফম কৈদা মোইরাংনা য়াতোংদুনা লৈবা মফম অদু কুপত্রেং ঐনা থেংনগদগে হায়না নুংলোন য়াইদা খল্লক্লমই। লৈশেমকোনগী লাংহৈরেনদা লাইওইবা কুপত্রেংনা মোইরাংবু থিরক্লমই। লমলেন মাদি মদাইদা মপুরেল ফম্বালগী নোংপোক মরম খৈরেলদা খোংশালদুনা খুমনবু থিরক্লমই। নোংপোক মদাইমগী ঈরেলখোং লাইখোং কয়াদা খুমনবু কোয়না য়েংদুনা থিরকখি। লাইজখোং কয়াদা কুপত্রেংনা খুমন পোকলেনবা সলাইবু লাইজ ঈরেলনুংদা

কৌজখি। লাই ওইবা কুপত্রেংনা খুমনগী মপাও তাদ্রবা মীৎশনা অনীনা উবা ফংদ্রবদা নোংপোক ঈরেল খোং চপ্পী লাংশিং খোং কয়াদা ঈরোলনুংদা ইতাইদুনা থিখি। অদুনসু ফংবা কৌবা নাইদ্রবদা কুপত্রেংনা খল্লকই। করী করম তৌরগা মোইরাং পোকলেনবা মহাকপু ফংগদগে হায়না নুংলোন য়াইদা খল্লকই। লোইবী চীংশাংকোন কয়া কোয়না চৎতুনা খোয়ুম লাংওনবা মোইরাং পোকলোনববু লৌশি য়াংঙমলোয় ঈরেল খোংদি খোংসু খোং লাইরেন খোংদি নাদম খোংলীলহা খোংদি নোংদম খোং য়াংবী খোংদি ঈরেল খোং পাওবী খোংদি লাংশিং খোং নোংপোক্কী লমলেন মদাইমদা লৈরিবা তু-খোং পুম্নমক্তা লাইওইবা কুপত্রেংনা কোইনা চৎতুনা মোইরাং পোকলেনবা সলাইবু থিরকলমই। থিবা খঙবা কৌবা লৈখিদে। মোইরাং মানা খোংদোই হুল্লকলম্বগী লাইজা ঈশিংদা মমি তাদুনা লৈবদো লাই ওইবা কুপত্রেংনা উরমই। কুপত্রেং লাইনা খল্লকই করী করম তৌরগা মহাকপু থেংনগদগে হায়না খল্লক্লমই। লাই ওইবা কুপত্রেংনা ফম্বাল কোনগী অৱাং লমলেনদা মোইরাং মাবু মায়ওকনগে হায়বগীদমক লমলেন মাদি মদাইমা অৱাং ঙলেন মদাইমবু য়ৌরবদা লাই ওইবনা খল্লকখি। লোয়বী চীংশাং কোন কয়া লোকতাই শুরুং কয়াদা খোইয়ুম লাইওইবা কুপত্রেংনা মোইরাংবু থিরকখি। ফমলেন অদুদা মতম খরা পন্দুনা লৈরগা মোইরাং মাবু ফংদ্রি ফাওবা মীৎয়েং নোংদমগে পাইমা নুংদা খলকখি। লোকতাই কয়াদা খোয়ুম লাই ওইবা মোইরাংবু লাইজা ঈরেনখোং কয়াদা থিরক্লমই। মোইরাং পোকলেনবগী মীংখৈরোন ৭ হায়দুনা মকৌরমই কুপত্রেংনা। লোকতাই কয়াদা মোইরাংনা লাকলম্বগী মমি কয়াবু লাই ওইবা কুপত্রেংনা উরমই। মোইরাং লাই ওইবা মহাক্তী লৈবা উখিদে। লোয়নবা কুপত্রেংনা মোইরাং মাবু ফংদ্রিবমখৈ খোয়ুম লাই ওইবা কুপত্রেং ঐনা হনখিররোই হায়না নুমিৎ থা কৌবা লাইজা নোংদমজখি। মপুরেল য়াইবীকোন ফম্বাললেনদগী নোংচুপ থংবা খৈরেন লম মদাইমদা অমুক হন্না খোংদোইরম্মী। অৱাং লমলেন মদাইমবু থাদোকলমলগা নোংচুপ চীংশাংকোন লোক তাই ঈরেনখোং য়াংবী হৈরেল খোং নচিখোং কাইবী লৌশিখোং, মানবী হৌশু খোং কাইরেল নোংখাংখোং মানবী চীখাং খোং হৌশু লাইরেল খোং, নোং খাংহৌশু চাওবীরেল খোং ইচিক ঈরেল য়াংবী খোং পীনাই লৌশি চাইজিখোং খোংদাই য়াংবী ঈরেল খোং পুম্নমক্তা কুপত্রেং লাইওইবনা মোইরাংবু অসুম থিরকপদা মোইরাং সলাই পোকলেনবনা লাক্লমবগী ঈরৈনুদি

ময়েক শেংনা উবা ফংলমই। মশা শাহৌদি লৈবা উবা ফংখিদে। ঙহাক ঈরেল খোং অদুদা সেনত্রেং লাইনা ফমদেংদুনা মোইরাং পোকলেনবা লাই ওইববু ঙাইদুনা লৈখি। মোইরাং লাইওইবগী শামিন ফংদ্রবদা কংলা য়াইবীকোন্দা হল্লকখি। লাই ওইবা কুপত্রেংনা কংলা য়াইবীকোন য়ৌরবদা মপল-পন্থৌ পাখঙববু মকৌননা য়াৰা নোংদমজখি। হা-শিদবা কৌরৌনোংমদোল থক্তা নুমিৎকুম মশোং কারীবা খাগুম মায়থোং লাংলীবা পন্থৌও নপারী কুপত্রেংনা কৌজবা য়াৰাসে তারবদি য়াৰা মাবু নোংদম্বীয়ো হায়না শিদবা লাই পাখঙবদা কুপত্রেংনা থৌনীজখি। কুপত্রেংগী য়াৰা মপাওদু লাই ওইবা সনা মহি পাখঙবনা য়াৰা অসুমনা নোংদম্বীখি। তাও পারী ইবুংঙো নহাক্লা থিরিবদো মালেম লৈশেমকোনগী চুখোং মরিদা কোয়না চৎতুনা মোইরাংবু লাইওইবা খোয়ুম মাবু থিবদি থিবা ফংবা লৈরোইএ। মহাক্কী লৈফম ইপানা হায়গে পন্থৌনা ফমলম্বা ফম্বালকোলগী য়েৎ ওইবা লাংহৈকোন্দা নিংথিরবা মোইরাং পোকলেনবগী শুরুং অমা লৈবনী। শুরুং অদুগী নুংলোন্দা নহাক্লা চংদুনা মহাকপু কৌথোক্লো মতম অদুদা মহাক্লা শুরুং অদুগী মনুংদগী মহাক থোকলক্কী। পোকলেনবা মোইরাংনা সনা-মহি লৈইশেমকোন লংদাইকোন খা-ৰাং নোংপোক নোংচুপ মহাক্লা য়ৌদবা মহাক্লা চৎতবা মফম লৈরোই। লেংদ্রবা মোইরাং পোকলেনবা লাইগী ফম্বালকোলদি পন্থৌ ইপানা ফম্লমবা ফম্বান কোন মনাক্তা লৈবনে হায়না মপারী কুপত্রেংদা নোংদম্বীখি। পন্থৌ মপাগী নোংদম য়াৰা অদু কুপত্রেং লাইনা তারবদা পাইম নুংদা মোইরাং লাই ওইববু কংলা য়াইবীকোন্দা থিজগে হায়না পাইমা পিবীকনুংদা খনজখি। থিন্থবা কৌবা লৈতনা লাইওইবা কুপত্রেংনা কংলা ফম্বালকোলগী য়েৎ ওইননা লৈবা শুরুংদা কুপত্রেংনা নোংদমখি। লৈনুংলোন শুরুং য়ৌরবদা লাই ওইবা মোইরাংনা মোংদুনা লৈরমই হায়দুনা মোইরাং হায়না সলাই নোংদমখিএ। মোইরাং লাই ওইবনা মপুরেন কুপত্রেং উবদা খুবাং চাংজৌ লৈতানা ইদু কাইদা লিশিংনা কোকনোনজৈ মোইরাংনা। লাইওইবা মোইরাংনা কুপত্রেং লাইগী মফমদা য়াৰা নোংদমজরকই করীগীদমক মোইরাং লাইওইববু করীগী থীবনো কুপত্রেংনা মোইরাংবু য়েংঙগা হায়। মোইরাং লাইওইবা খোয়ুম ঐগী লোয়নবা ওইরিবও খোয়ুম ঐনা য়াৰা অমা হায়গে হায়বগীদমক মোইরাং নংগী ঈরেল শুরুং অসিদা ঐহাক লাকলীবনি। হৌজিক অঙোম ফম্বালকোল নুংলোনদা হনজনবা মতম ওইরক্লে মোইরাংনা ফম্বাল

কোন্দা লংদাইনবা অদুগা অপোকপা লাই ওইবা মোইরাং নহাক্কী সলাই নয়েকচানা লীংবা মতম ওইরে মদু নোংগীদমক্তা ইপন পন্থৌ সলাইরেন পাখঙবগী লিকলমবু কাইদনা মথং মনাও নাইনা ফম্বাল কাদা ফমদেংবীয়ু মোইরাং অপোকপনা নুংলোনদা শাফোংবীয়ু লোয়নবা কুপত্রেংনা মোইরাংদা য়াৱা মাবু হায়খি মোয়রাংনসু কুপত্রেংগী য়াৱা ইনজখি।



মোইরাং অপোকপা শঙলেন শঙমাইথেন

মোইরাং অপোকপা ৱাবু হায়গে ঃ

ইনিংথৌ ইবুংঙো নাওফংবা সনা হাক্তক সলাই য়ুমদারোন মাইচৌ অপোইবনা খোরিএ। সলাইবু নুঙরোন ৱাপু মতাইনা নোংদম খিবিক মপীএ। মদু নোংদা সলাই য়ুমচংএ। অপোকপা লাইগী মোইরাংবু শঙমাইথেল পূয়ানা খোরিদুনা লাংচৈ চৈরেন লাংপুয়এ। অপোকপা লাইবু মোইরাং সলাইনা থৌনী থৌখাই ইরাৎরোন পাংবা থাশিং মাবু খোয়ুম অপোকপা মহংবীনা নোংদম্বীএ। মোইরাং অপোকপা মীৎ পাংবা থাদি লমতা থাগী নিমাং ১২নি পানবা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা মোইরাং পোকই, মচুদি অঙাংবনা লাংবনে, লাইগী ঈশিংদি

লোক্তাক্তগী, লাইগী লাদি খাংগ্রানি, লৈদি য়েরুম লৈনি, হৈদি কাংগ্রৌনি, ঙাদি শরেং অৰাওবনি, শীংদি কুহিনি, মৈদি মৈথাং অহুমক্তগী লৌগনিএ, লাইগী থাংদি য়েনদোক শাবনি নাহৈবদি নাওহিংনে। হায়রীবা পোৎলমশিং অসি য়াওনা সাগৈগী পীবনা থৌরাংবীদুনা থৌপাংবীগনী। সাগৈগী পিবানা কুমশিং কাংদনা সাগৈ চাংক খাংগনীএ। সলাই পারোন-পিরোন মশক খংবনে। সাগৈ অপোকপা মোইরাং অপোকপগী সংমাই লৈফমদা সাগৈশিং পুন্দুনা কুমজাগী হৈকৎ-লৈকৎ শরেন চন্দুনা সাগৈ পাও তাক্তুনা সাগৈগী মীওইশিং অমত্তা চিৎথদনা পূন্না থৌ খাংমীন্নবা অপোকপা লাইবু শুরোন-চারোন্না অকাওবা পরৈ চনবা লৈতনা থৌপাং হৌনবগীদমক অপোকপা লাইবু সাগৈনা থৌপাংমীন্নগনী। মদু নোংগী সলাই মোইরাংগী মৈহৌরোনবু ময়েক শেংনা লৈনবগীদমক থৌপাংএ। সাগৈগী মচিন-মনাও, মচে-মচন, মখুরা মদোন পুন্নমক অমগা-অমগা মশক খংনবা নুংশিননা লাইগী থৌরম পাংমীন্নবা অপোকপা লাথুপ্পু ময়েক শেংনা লৈহৌনবগীদমক সলাই চাকখাংলোন পাংথোকপীগনী। মসিনোংগী ৰাবু য়ুমদারোন পূয়ানা ময়েক শেংনা পিরি।

মোইরাং লোন্দি ঃ

মোইরাং লোন্দি লৈনুং ঙাংশাবীনা ঙাংনিংশিং, ঙানুনা হামসা, ঙানুনা নারোং, ঙানুনা ফাংফাং, ঙানুনা শুনুবা, ময়াং লোইকেনবা লাইৰারৈমা ফিমোই কাংবা চনূনা ইৰাং ফৈদেনবা, পোকপী নুংঙৌ চনূনা চাউবা শৌবোন ঙম্বা, সানা লাইতোংনু পান্নদুনা লাইফা চেংবা খুরাই লমলোকপনে, মুবানে ২মা পোকএ। লাইফাংচেংবনা কোম্হৌবা চনূ নাউরেখ্বতোন পান্নদুনা মোইরাংদা খুনকুমখিএ। মানা উরাখুন্দাবা পোকএ। উরাখুন্দাবনা মোইবীরৈমা থিনমোইরাংবা চনূ পান্নদুনা সনারাখ্বানে, মনাও ১ নে ২মা পোকএ। মনাওগী ঈদি মোইরাংথেম পাঙননে, মোইরাংথেম শ্যামরাম ময়িমনে, ৰায়েনবম মুকত্রাম ময়িমনে, পুখ্রনবম খেলেন্বা ময়িমনে, পুকখ্রনবম চেংবা ময়িম, নারেংবম চুরামনী ময়িম, খাইখিবা য়াইরিপোক তাবা মোইরাংথেম লৌমী ময়িম মোইরাংথেম ঙাংবা ময়িম, কাবরম্বম গৌরশ্যাম ময়িম, কাবরম্বম অরোই ময়িম, থাংচবা শংখোমনে, মোইরাংথেম অচৌ ময়িম॥০॥

খুন তানা লৈরৌবা আখ্বাকা, অহলবাগা ২মা পোকএ। আখ্বাগী ঈদি চোংথাম অমুদোন ময়িম, ফোইজিংদা লৈবা মোইরাংখোম থোইবা ময়িম, অকোইজমদা লৈবা চোংথাম শ্যাম ময়িমনে॥০॥

অহলবাগী মংসাংকৈদা লৈবা মেলেম কোপা ময়িমনে॥০॥

স্না লাখ্বানা চিংঙুরৈমা নোংখাই নিংথৌ চনূ পান্নদুনা অতেরক্কী লোইচা অমবনে মনাও ১ নে ২মা পোকএ। মনাওগী ঈদি মোইরাং থোন্দয়া ময়িম, মোইরাংথেম কবুই ময়িমনে, মোইরাংথেম গবিন্দ্রাম ময়িমনে, পুথেম ব্রাকচিং ময়িম, মোইরাংথেম হরী ময়িম, লানশোনবী তাবা মোইরাংথেম তাংখুন ময়িম, সামুরৌ তাবা মোইরাংথেম কবুই ময়িম, উনম তাবা মোইরাংথেম হরী ময়িম, কোঞ্জেংবম তিন্নবা মোইরাংথেম হরিচরন ময়িম, মোইরাংথেম লৈমনাই দামু ময়িম, চাকফায়ামনে॥০॥

লৈয়ু পুনশিবগী ঈদি লাইয়ুজম অকোং ময়িম, লাইয়ুজম গৌরশ্যাম ময়িমনে॥০॥

শোংলেন লান্থবগী ঈদি মোইরাংথেমনে ব্রাংনুনামোই চনূনা খোকখৈ লান্থবা পোকএ। শোইনাইদে। ফাইরৌসুনা উরাংকোংয়াম্বা, চিংখুতেনহৈবা ২মা পোকএ। উরাকোংয়াম্বগী ঈদি লমপুজম, শামরাম ময়িম, ব্রাংলেনবমনে॥০॥

চিংখুতেনহৈবনা হৈরেম লৈমা নিংথৌয়াংবা চনূ পান্নদুনা থাঙ্গইফেন লান্থবনে, মনাও ১ নে ২মা পোকএ। মনাওগী ঈদি কাবজম মুসিন ময়িম, কাবজম তাংখোম্বা ময়িম, মোইরাংথেম গৌরাং ময়িম, ঙাংঙোম তাংখোম্বা ময়িম, ঙাংঙোম মুবা ময়িম, কাবজম নন্দ ময়িম, ইথাইদা লৈবা কাবজম মাইমু ময়িম, হাওচোংদা লৈবা কাবজম মাধবরাম ময়িম, কাবজম তেখাও ময়িম, নুংলেপপম কুল ময়িম, নুংলেপ্পম অকোং ময়িম, নুংলেপ্পম গব্রধোন ময়িম॥০॥ থাঙ্গইফেন লান্থবনা ব্রাংঙুরৈমা মাইনৌ চনূ পান্নদুনা ইথাইকাইরেম্বগা মনাও ১গা ২মা পোকএ। মনাওগী ঈদি থাংকাজমনে, লাইখুজম লনহাম্বা ময়িম॥০॥

ইথাই কাইরেম্বনা খুমোম্বা চনূ পান্নদুনা য়োইরেনবগা, মনাও ১গা ২মা পোকএ। মনাওগী ঈদি নিংথৌখোংজম ধনিরাম ময়িম, নিংথৌখোংজম মরাম্বা ময়িম, নিংথৌংখোংজম নন্দ ময়িম, নিংথৌখোংজম পাঙ্গৈতাবা শামরাম ময়িম, পাঙ্গৈতাবা মুশিন্দ্রাম ময়িম, কোনখাম পুনশি ময়িম, কোনখাম মাইবমদা

লৈবা হোংবা ময়িম, শুগুদা লৈবা কোনখাম অকোং ময়িম, ৱাংবজম কোনবা ময়িমনে॥০॥

য়োইরেনবনা মকুথাপলা চনূ য়াংলৈঙম্বী পান্নদুনা লোইনেম্বগা মচা ফাবগা ২মা পোকএ। লোইনেম্বগী ঈদি মোইরাং কৈথেল্লাকপম চেকয়াম্বা ময়িম, মোইরাং ওক্রম চুরানী ময়িম, মোইরাংথেম তেনবা ময়িম, শমুপনগী মোইরাংথেম সমুরোক ময়িম। চাফাবদি শোইনাইদে। য়োইরেনবনা তেরে ৱাংখৈরাকপম চনূ পান্নদুনা পুনশিবা খুরেনচনবা পোকএ। পুনশিবনা ঙানখারৈমা য়োইরেনবিনে, চকপা মোমনু চনূনে ২মা পান্নদুনা। ঙানখারৈমনা, স্নাহোংবনে, লৈয়িলাম্বনে ২মা পোকএ। মেনখোম চনূনা য়াওশুরাকপা পোকএ। লৈয়িলাম্বগী ঈদি মোইরাংথেম গৌরশ্যাম ময়িম, মোইরাংথেম মংলেম ময়িম, মোইরাংথেম ঙাংবা ময়িম, থাঙ্গদা লৈবা মোইরাংথেম তুলশিরাম ময়িম, য়াইখোম অনিন্দ্রাম ময়িম, কুমমাবম রস ময়িম, কুমমাবম গৌরাং ময়িম, য়াইখোম সনাতোন ময়িম, য়াইখোম লমলোই ময়িম, য়াইখোম অভিমৈন্যু ময়িম॥০॥ য়াওশুরাকপদি মশেম মরাং ওইখিএ॥০॥ স্না হোংবনা লংমাই চনূ স্নাথোইয়া পান্নদুনা তাংবনতোরা পোকএ। মাগী ঈদি ৱায়েনবম প্রেম ময়িম, থোঙ্গাম গৌর ময়িম, মোইরাংতাবা থার্মচরন ময়িম, খাইখিবা পোৎশংবা খনবা মরেম ময়িম, থোঙ্গ্রাম শিখাক ময়িম, নিংঙেন তাবা থোঙ্গ্রাম ঙাংবা ময়িম॥০॥

খেনজংচাইবানা মেনখোম চনূ হংকা হংকেবি পান্নদুনা ক্যাখোম্বা পোকএ। মাগী ঈদি চকপা তাবা মংলেম ময়িমনে॥০॥ মোইরাং খ্বাং অহলবা লোন্দি, হুইমুরৈমনা খ্বাং লাংমৈরেম্বা, য়াইবীরৈমনা খ্বাং পামিং, মঙাংনিংথৌ চনূনা য়াইরেন, য়াইবীরৈমনা অমুখমজাউবা, মঙাং নিংথৌ চনূনা অমুহেহিং, ঙানুনা লাংমৈ, ঙানুনা মুবা, ঙানুনা খারেকপা। মাগী ঈদি হাওরোংবম কৃত্তিচন্দ্র ময়িম, হাওরোংবম রসিকা ময়িম, হাওরোংবম গপিরাম ময়িম, হুইদোন পোকপি শংবা লাইখুজম লেংলেন লাকপা, কৌজেংবম নাতুম ময়িমনে, ওক্রম দামু ময়িম লিসম খুনলিংনে, ময়াংজম হরী ময়িম॥০॥

মোইরাং থোকচোম লোন্দি, লৈনুং য়ুচাখা চনূ ঙাংশাবিনা ঙাংনিংশিং ঙানুনা অঙাংঙা, ঙানুনা অমুহেহিং, ঙানুনা কৌবা অঙাংঙা অঙাংঙানা লাইরোংলেম্বী পান্নদুনা খোইনাই অহনবা, খোইনাই য়িমথংবা য়ুকোকথোং

য়াইমবা, ইরু লৌথিবা, নাউরুম অতোনবা, ৫মা পোরুএ। খোইনাই অহনবনা লুৰাং পুনশিবা মচা য়াঙ্গেনচাউবী পান্নদুনা মাগী ঈদি থোকচোম চাইরেনতাবা নেম্বা ময়িম, খাইখিবা কোপা ময়িম, খাইখিবা মুশিন্দ্রাম ময়িম, খাইখিবা নব ময়িমনে॥০॥

থোকচোম হিনাউখনবা খেমা ময়িম, খাইখিবা মতে ময়িম, খাইখিবা চুরামনী ময়িম, থাংসাবা পাংঙন ময়িম, থোকখোম থাংঙ্গদা লৈবা খাবা ময়িম, থোকচোম হঙ্গুন্দা লৈবা হোংব ময়িম, খাইখিবা পেরে নরায়ন ময়িম, খাইখিবা খোংচি তাবা পোংলেন ময়িম, খাইখিবা থোকচোম স্নামহি মনাই শ্যামচান্দ ময়িম, খাইখিবা লৈখম্বা ময়িম, খাইখিবা কৌরাং ময়িম, থোকচোম মাধবরাম ময়িমনে॥০॥

খোইনাই য়িমথংবনা খান্বী লৌখাম চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি পুখনবা গৌর ময়িম শোইবম অলি ময়িম, শোইবম পুকনবা বলরাম ময়িম, খাইখিবা পুকনবম চেকসা ময়িম, খাইখিবা মোনফূৰাম লনহাম্বা ময়িম, শোইবম কোইরেম্বা ময়িম, লাইফ্রাকপম লনহাম্বা ময়িম, লাইফ্রাকপম দামুদোর ময়িম, শোইবম নেম্বা ময়িম, লাইফ্রাকপম অখুন ময়িম, লাইরেন লোইচা ময়িম, লাইরেন পোংলেনবা ময়িম, খাইখিবা তোনবনে শোইবম গঙ্গারামনে, অরোংদা লৈবা শোইবম মোইরাম্বনে, শিখোংদা লৈবা শোইবম তোনশেন ময়িম, শোইবম পদা ময়িম, শোইবম ফৈদাদহৌবা ধনিরামনে, শোইবম তুলশিরাম ময়িম, শোইবম খুরাই তাবা লাখোপ ঙাংলোম নিরঞ্জয় ময়িম, ঙাংলোম লৈসাংখোং তাবা চিংলোইনে, মোইরাংদা লৈবা ঙাংঙোম মোনসাং ময়িমনে, নিংঙেন্দা লৈবা ঙাংঙোম চরণ ময়িমনে, শোইবম কবুই ময়িমনে, লাইফ্রাকপম নিমাই ময়িমনে, পুখ্রনবম খরী ময়িমনে, খোইনাইজম খগিনন্দ্র ময়িমনে থোইনাইজম অখুন ময়িমনে, খোইনাইজম নিমাইনে, খোইনাইজম ঙম্বা ময়িমনে, খোইনাইজম গবর্দ্ধন ময়িম, খোইনাইজম গঙ্গারাম ময়িম, শোইবম দয়ানন্দ ময়িম, লাইফ্রাকপম পনসা ময়িম, চাঙানকৈদ লৈবা লাইফ্রাকপম তাংখুন ময়িম॥০॥

য়ুকোকথোং য়াইমবগী ঈদি লৈমজম শিংখাংবম গবিন্দ্রাম ময়িমনে॥০॥ ইরুলৌথিবগী ঈদি ৰাংখেম খেলেম্বা, ৰাংখেম হিদাকফূ ফানবদা লৈবা তখেম্বা॥০॥

নাওরুম অতোনবগী ঈদি হিদম বৃন্দাবন ময়িম, হিদম মোইরাংদা লৈবা চন্দ্র ময়িম, হিদম খুঙম ময়িমনে, হিদম চাউবা ময়িমনে॥০॥

মরোই হাওবগী ঈদি অঙাংঙানা লাইরোকলেম্বী পান্নদুনা হাওবা পোকএ। হাওবনা কাংহুজম চনূ পান্নদুনা খোম্বগা তোরাগা ২মা পোকএ। খোম্বনা খোমদ্রাম ওইএ॥ তোরানা অসেম ওইএ॥

লনবু ওইনরিবা গরিবনিৱাজ মবুধৌ ইবুংঙো মহারাজনা লিংখৎলম্বা বংশাবলী অদুবু মদ্রাধা গোবিন্দনা থৱায় ওইনবা পঞ্চযুক্ত চীংথংখোম্বা মহারাজনা অমরক হন্না পানহল্লম্বা অদু মতুংদা ম্লেছনা উজার ওইরমলবা লৈপাক অসিবু পঞ্চযুক্ত মপা ইবুংঙো গম্ভীরসিংহ চীংলেন নোংদ্রেন খোম্বা মহারাজনা অমরক সনা লৈপাক শেম্বা হৌরবদা মৈতৈ ময়াং হাও অসিগী শাগৈ নাইদবা অমসুং পিবা নাউদা মচোই-মচোই কায়রবনা খঙনদরবা মরমদগী অমরক পানহল্লগে হায়না সনা পূকনীংদা খল্লদুনা কাঞ্চিপুর কোনুংদা শোক ১৭৫৫গী ইঙা থা ১০নি পানবা শগোলসেন নুমিৎতা বংশাবলী ইবা হৌরম্বা অদুবু করিগুম্বা লাইগী নোংদমনা লোমলমদবা মরমদগী শ্রীমতী মনিপুরশ্বেরী পুংলেনখোম্বী মমাশিজা সনা য়াথং বংশাবলী ইবা লোমলো হায়না হায়দোক্লুনা মচা ইবুংঙো পঞ্চযুক্ত মনিপুরেশ্বর চন্দ্রকীর্ত্তি সিংহ লাইরেন মৈদিংঙু নাউজিংলেন নোংদ্রেন খোম্বা মহারাজনা শকাব্দ ১৭৯৪ চন্দ্রাব্দ ১০৮৪ মেরা থা সংক্রান্তি ২৬নি সুবা নিম্মাং ১০নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিৎ য়ুংবা মতুং পূং ৫ হৌখিরবা পূং ৬কী মনুং ব্যাঘাত যোগনা থোকপা মতম অসিদা বংশাবলী ইবা হৌএ। ব্রহ্ম পরমাত্মা ভগবানগী মশক ওইনা লৈবা ঈশ্বর কৃষ্ণ কৌবা লাই অদুগী খুয়াদসু পরম গুরু বৈষ্ণব মহাপ্রভুজিগী খুয়া থম্বান্দসু কোটীরক হন্না খুরুমজদুনা জয় গরিবনিৱাজ নিংথৌনা বংশাবলী শাগৈগী মৈহৌবরোন হৌদোক্লুনা ইজরক্লে। স্বয়ং ভগবান ঈশ্বর অদুনা গুণ অহুম্মনাচিংনা চৌদ্ধ ভুবন মরোন ১৮ মক্তা থৱায় পাল্লিবা অচৎপা চত্তবা খৈবিক শেমলকপা অদুনা সত্য ত্রেতা দ্বাপর যুগ অহুম্মনা হৌখিরবা মতুংদা মনাওগী ঈদি লমাবম তেনশেন ময়ুমনে। য়াইথিংবম থৈবা ময়ুমনে। সময়োক ফাবনা লংমাই নিংথৌ চনূ পান্নদুনা থোংপু সমুকচাগা সমুকশুগা অনিমা পোকএ। সমুকশুগী ঈদি সমুকচম লাইবা ময়ুমনে। সমুকনুজানা ঙানুরোল শংলেমা থিংগোলশু পান্নদুনা, থিংগোলবগা থিংগোলখুবগা অনিমা পোকএ। থিংগোল খুবগী ঈদি থিংবাইজম চরোন ময়ুমনে। খোইরোল খুললিং ময়ুমনে। থিংগোল

হনবনা ঙানুরোল সংলৈমগা বাসিখুলপু লৈতংনুগা অনিমা পান্নদুনা ঙানুরোল সংলৈমা হাওয়েল খোংতৌবীনা, সেকমু কাইনৌ চিংসোমবগা, কাংচিল লাইনাও তাবগা অনিমা পোকএ। পৎসি খুলবু লৈতং চনূনা খোইবা তেলহৈবা পোকএ। মাগী ঈদি নামরাম তোনবা ময়ুমনে। হাওবম তেনহৈবা ময়ুমনে। সেকমু কাইনৌ চিংসোমবদি সোইনাইদে। কাংজিল লাইনাও তাবনা য়োইরুমলোল খোংলৈমা পান্নদুনা ইকোক লানথবগা মোইরেং শা ফাবগা অনিমা পোকএ। মোইরেং শাফাবগী ঈদি মোইরেংজম হনু ময়ুমনে। হেনতাকপম লোকপা ময়ুমনে। ইকোপ লানথবনা ৱাঙমলোল নাওরেমতোন পান্নদুনা পুন্সিবা পোকএ। মানা ৱাঙমলোন পানবা ফবীগা, লাইশ্রাগা, চিংখৈথানবীগা অহুমক পান্নদুনা লাইশ্রা ওকয়ামবীনা থোংপু হনবা পোকএ। মাগী ঈদি লাইশ্রম নিংথৌ কাবম থোংলেন ময়ুমনে। অমোম ময়াং চংবম হাওমু ময়ুমনে। খুৎহৈবম পাংঙল ময়ুমনে। ময়াংলংবম লোকপা ময়ুমনে। লাংকম মুবা ময়ুমনে। লাংখমবম খুইবা ময়ুমনে। চিংখৈথানবীনা লাই তাংবা পোকএ। মাগী ঈদি পুয়াম লৈফোল ময়ুমনে। সরাম পুকতাং ময়ুমনে। সংখোম সিননাইবা চরোল ময়ুমনে। লুকপুলম মোনসাং ময়ুমনে। ফানজম হাওসোমবা ময়ুমনে। অখাম পুরেন ময়ুমনে। থিংখোম ললহানবা ময়ুমনে। য়ামরেম মরিং ময়ুমনে। ঙাসেপম চেকসা ময়ুমনে। থাংজম তেনসেন ময়ুমনে। তৌমোমপলিং ময়ুমনে। সনথাম পলিং ময়ুমনে। পাংহনবম অপাং ময়ুমনে। তোকপম লমথোং ময়ুমনে। হাওক্কাম মাইচৌ ময়ুমনে। হাওমোইবম উরিৎপা ময়ুমনে। খুরাই তাবা সমশেনবম সোমপু ময়ুমনে। কদাম সরমপা ময়ুমনে। লৈফোনফম লেমবা ময়ুমনে। সেনজম কশোমবা ময়ুমনে। হাওরোংবম মোংসাংবা ময়ুমনে। লানথম চিনখু ময়ুমনে। চিংথাম চিংগোই ময়ুমনে। পামবা পাবীনা চরনবা পোকএ। মানা থিংলাই খূৎশু পান্নদুনা য়াওসোমবা পোকএ। মাগী ঈদি থাংজম য়াওসোমবা ময়ুমনে। তরমশু লময়াই কা খিনবা পোকএ। মানা কাবাতম চনূ পান্নদুনা স্নাবা পোকএ। মাগী ঈদি খুমনথেম খুলঙম ময়ুমনে। ৱাকোন অকোং ময়ুমনে। পুংয়াম ফুংথোল ময়ুমনে। তাওবম থরোই ময়ুমনে। মৈতাল কৈশংবম মংলেম ময়ুমনে। লাইশ্রম পানলোই ময়ুমনে। অনোম মোনসাংবা ময়ুমনে। খুমনথেম হায়রিবা মখৈ স্নাবগী ঈনে। অসুম খংউ।

মোইরাং লোল হায়গে ঃ

মোইরাংলোলদি লৈনুং য়ুজাখানু ঙাংসাবীনা ঙাংনিংশিং ঙাংনুনা হামসা, ঙাংনুনা নাতেং ঙাংনুনা ফাং ফাং ঙানুশুনা ময়াং লোইকেনবা, লৈমা ফিমোই ঙাংবা চনু, ইৰাং ফৈদেনবা পোকপী নুংঙৌ চনূনা চাউবা সাবোম ঙম্বা, মানা লাইতোংনুনু ফাবী পান্নদুনা লাইফা চেংবা লমলোকপগ্যা, মুবগা অনিমা পোকএ। লাইফা চেং খুরোইবনা, মৈদিংঙু কোনথৌবা চনু নাওরেমতোন পান্নদুনা মোইরাংদা খুলতাদুনা, মোইরাংদগী নিংথৌ ওইএ। নাওরেম তোন্না উরা খুলতাবা পোকএ। মানা মোইবী লৈমা ফি মোই লাংবা চনূ পান্নদুনা স্না খ্বাগা, মুবগা অনিমা পোকএ। স্না খ্বাগী ঈদি মোইরাংথেম অহোং ময়ুমনে। ৰায়েনবম লৈকোই হনবা ময়ুমনে। মমিংদি খেকলাওবা কৌএ। কবোরংবম সমু ময়ুমনে। পুখ্রমবম পলিং ময়ুমনে। নারেংবম হোংবা ময়ুমনে। থাংজম চেকয়াম্বা ময়ুমনে। চাওবা শৌবোন ঙম্বগী মচানা খুন্দাদুনা লৌরৌবা মনাও মুবনা, অখ্বাগা, অহলয়েল ৰাগা অনিমা পোকএ। অখ্বাগী ঈদি অখাংবম মাইচৌ ময়ুমনে। চোংথাম থরোই ময়ুমনে। অহলবগী ঈদি তোংলৈবম তোনশা ময়ুমনে। স্না লাকখ্বানা চিংঙু লৈমা নোংখাই নিংথৌ চনূ পান্নদুনা অতোল লক্কী লোইজা অমবা থোংলেন লানথবগা, লৈলাং পাম্বগা অনিমা পোকএ। লৈলাংগী ঈদি মোইরাংথেম খোমবা ময়ুমনে। চকপা ফিয়াম শকথি ময়ুমনে। পুথিবা শংবম ঙাংবা ময়ুমনে। মুংনায়ুমজম মুংয়ামবা ময়ুমনে। শোংলেন লানথবগী ঈদি মোইরাংথেম অহুম মানে। ৰাঙুনা মোইজানু লূকখৈ লানথবা পোকএ। সোইনাইদে। ফাইলৌশুনা উরা কোংয়াম্বগা, চিংখু তেলহৈবগা অনিমা পোকএ। উরা কোংয়াম্বগী ঈদি নমবুজম খোম্বা ময়ুমনে। ৰাংলেনবম ৰাকোং ময়ুমনে। চিংখু তেলহৈবনা হৈরেম লৈমা নিংথৌ য়াংবা চনূ পান্নদুনা থাংগা ইপেল লানথবগা, সাংসাংনাই কোনথবগা অনিমা পোকএ। নাইকোল থনবগী ঈদি মোইরাংথেম কোকপা ময়ুমনে। ওক্রম ঙাংব ময়ুমনে। থঙ্গা ইফেল লানথবনা ৰাঙ লোল মাইনৌ চনু পান্নদুনা ইথাই কাইরেম্বগা, থাংঙা ইরৌ হৈবগা অনিমা.পোকএ। মনাওগী ঈদি থ্নাংগজম নৰাং ময়ুমনে। নিংথৌ খোংগা অতোন কোনবা য়েনচমবগা অনিমা পোকএ। নিংথৌ খোংগী ঈদি নিংথৌখোংম খোম্বা ময়ুমনে। কোংখাম কোলখাং হৈবা ময়ুমনে। ৰাংবজম তেনবা ময়ুমনে। নুংলেপপম চেগাই ঙম্বা ময়ুমনে। কোকপা য়েনজমবগী ঈদি কায়রেনজম ময়ুমনে। য়োইরেনবনা অমু থাপলম চনূ পান্নদুনা, য়াওশোমবীনা,

লোইনিলবগা, চাম ফাবগা অনিমা পোকএ। লোইনিনবগী ঈদি মোইরাং কৈথেললাকপম ললহাং ময়ুমনে। মোইরাংথেম খোইবা ময়ুমনে। ৱাখলবম তোনা ময়ুমনে। চাম ফাবদি সোইনাইদে। য়োইরেমবনা তেলৈ ৱাংখৈলাকপম চনূ চাকপা পামলেন ঙমবী, অমেথাংসাবা ভাবী পান্নদুনা পুন্সি খুরেল চনবা পোকএ। মানা ঙাংখ লৈমা য়োইরেমবীগা ঙাইখোং লৈলাংবম চনুগা অনিমা পান্নদুনা, ঙাংখলৈমা য়োইরেম্বীনা স্না হোংবগা লৈই লানথবগা অনিমা পোকএ। ঙাইখোং চনূনা য়াওশুলাকপা পোকএ। লৈই লানথবগী ঈদি মোইরাং কুমাবম তখেনবা ময়ুমনে। য়াইখোম লমমিং ময়ুমনে। কাইরেনজম কোইবা ময়ুমনে। য়াওশু লাকপদি, অসেম মোইরাং ওইখিয়ে। স্না হোংবনা লংমাই নিংথৌ চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি মোইরাংথেম হোংবা ময়ুমনে। ৱাক্রনবম সোংপু ময়ুমনে। মোইরাং য়ুমখাইবম চিরু ময়ুমনে। থংবী চব্রৌতাবা মোইরাংথেম সাদোকপা ময়ুমনে।

মোইরাং খুরাং অহানবা লোলদি হুইমু লৈমনা খ্বাং লাংমৈলেম্বা য়াইবী লৈমনা খ্বাংবমিং, মঙাং নিংথৌ চনূনা য়াই রেলবা, য়াইবী লৈমনা, খ্বাং য়াইবী লৈমনা, অমু খম চাওবী, মঙাং নিংথৌ চনূনা অমু হাইং, ঙানুনা লাংমৈ, ঙানুনা মুবা ঙানুনা খারেপপা খারেপপগী ঈদি হাওরোংবম খরাবা ময়ুমনে। কৌজেংবম চেকোং ময়ুমনে। নিংঙোল লাকপা হুইদোল কোকপা সংবম ময়ুমনে। লাইকুজম লাইতোং ময়ুমনে। ওক্রমগোপাল ময়ুমনে। লিশম লোইজা ময়ুমনে।

থোকচোম লোলদি লৈনুং য়ুজাখা ঙাংসাবী চনূনা ঙাংহুনথোক, ঙাংনুনা অঙাংঙা ঙাংনুনা অমুবা, ঙাংনুনা কৌবা অঙাং ঙা, কৌবা অঙাং ঙানা য়াইরোকলেম্বী পান্নদুনা খোইনাই অহনবগা খোইনাই য়ুমথংবগা, য়ুকোক য়াইমবগা, ইরু লৌথিবগা, নাওরুম অতোনবগা মঙামা পোকএ। খোইনাই অহনবনা লুৱাং নিংথৌ চনু য়াংগেন চাওবী পান্নদুনা মাগী ঈদি থোককোন খোংফেল ময়ুমনে। শিংকাংবম খোম্বা ময়ুমনে। হৱাইবম নোইবা ময়ুমনে। পোলেন অমরা ময়ুমনে। কৈথেল্লাকপম মরিং ময়ুমনে। ঙাংখম খম্বা ময়ুমনে। খোইনাই য়ুমথংবনা খম্বা লৌখাম্বা চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি পুখ্রমবম খুল্লিং ময়ুমনে। সোইবম সামরাম ময়ুমনে। মাইফুৱাম পুকচাও ময়ুমনে। অহৈবম হিয়াম ময়ুমনে। লাইরেল অকোং ময়ুমনে। লাইফ্রাকপম ফলাল ময়ুমনে। ঙাসেপপম মোইরাম্বা ময়ুমনে। মোইরাং কোইরেং ময়ুমনে। খোইনাজম খম্বা ময়ুমনে। য়ুকোকথোং য়াইমবগী ঈদি লৈমজম হাওবা ময়ুমনে।

সেনত্রেংনা নিংথেম পোকয়ে, কুপত্রেংনা অঙোম পোকয়ে। পিরিংনু অরৈনু অপুমনুনা মাইরেং হৌবা চনূ নোংদা নোংখম লেম্বী, য়ুমজাও লৈমা, লৈমা অহুম থক্তা তানফংবী নিংথৌ অহুম পানফবী লৈনুংয়াইবী লোক্লা মৈদিংঙু নোংদা পাখংবা লাইগী নিংথৌনে। অখাক অরাওবা খাকপা নোংথৌ চনূনা চিংৰাংলক্কী নিংথৌ সোরারেল পুলৈরোমবা অঙৌবা নোংথৌনে। অঙৌবা লোল পিনাই তাবদি নোংখল য়াংবা নোংখল শাংবা, চিংখল য়াংবা, চিংখল শাংবা মরি মনে।

লাইশ্রা হেলোই তরেৎ মা ওইনা খায়রকপা লোলদি লৈকক লৈয়ারেল চনুনা লৈশ্রা মৈতৈ লৈমনে পাখংবা খোল্লে নিংথেম পোকয়ে। লৈইবীদি অনুমনুনে নোংলুম খোলে অঙোম পোকয়ে। লফূবীদি হামেং খোলয়ে খুয়োলথেম পোকয়ে, মাৰাইবীদি তোনথাংনুনে শমু খোলয়ে খুমন পোকয়ে। তুংৰাইবীদি থোইনুনে ইরোই থোলয়ে, লুৰাং পোকয়ে, শজিবীদি চিৎনুনে শজি খোলয়ে মোইরাং পোকয়ে, লাংকমপিদি পরেললোংবম চনূদি কৈ খোলয়ে, হানবা পোকয়ে, লৈকক লৈয়ারেল চনূনা তোনথাংনুগা অনিমাদি লৈপাক য়েংদনা কুমখরে। থারেল লোংবা চনূনা মোইরাংদা কুমখিয়ে। চিংনুগা, অনুমনুগা অনিমাদি মকুকা কুমখিয়ে, লাইস্নানাগা অরৈনুগা অনিমাদি হনগৎলকয়ে।

নিংথেম, অঙোম, খুয়োলথেম খাঙানবা। লুৰাং, সরাং লৈশাংথেম, হাওরোক কোনথৌ, মানদিং মারা, লেলা খোংনাং, থাঙ্গা কম্বোং লোকপু লোকহন, হৈরেম খুনজান, লোকখা, হাওখা খুমন সলাই অসি খৈবিক পোক্ল ফমদি কোনুং মনুংদা লৈয়ে, মালেলগী নোংপোক থংবদা থিয়ো।। লৈখারোল তিন্নবদি নিংথৌ মোংয়াং চাওবা, মচা তাংকুরুম ইবগা অনিমাদি পাখংবা সলাইনে, লোকখা, হাওখা, অনিমাদি চকপনে অরোং ইল্লে অরোং সলাইনে।

হৌজিক্তি সলাই তরেৎমা হায়গে, সরাং লৈশাংথেম লোলদি লিলি লৈমনা, খুম-পুম পুম খুম নিংথৌ চনুনা ৰাননে, শিনবী লৈমা লৈতং নিংথৌ চনুনা নিংথৌ কাংবা কাংখল লৈম তানুনা থরোং, নুইন, লৈমনা, লমলেক শাং হাও ওইবা চিংদা কান পাম য়ানবা। নুংঙৌ য়ুমথংবা, তোনবা থেংগোইবা অহুমনা পোকয়ে। লমলেক সাংদি হাও ওইখিয়ে। নুংঙৌ য়ুমথংবদি লৈশাংথেম ওইলৌয়ে। তোনবা থংকোইবদি লোকতোংবম ওইখিয়ে।

মোইরাং লোলদি ঃ

লৈফুরেল চনূনা য়ুচেং লৈচিকলেল চনূনা য়ুকৌরেল লৈথনরেল চনূনা খিং-খিং লাংবা। লৈনুং য়ুপুরোই চনূনা হেপু কাংচিকপা, ঙাংজেং লৈতকপা, উকাইতকপা, তোমশোমবা লৈনুং য়ুপুরোই চনূনা উরেন খুবা লৈনুং য়ুচাখা ঙাংখা চনূঙাংশাবীন ঙাংনিংশিংগা ঙাংহুনগা অনিনা পোকয়ে। ঙাংহুনথোকনা থোকচোম পোকয়ে। ঙাংনিংশিংনা মোইরাংথেম পোকয়ে।

মোইরাং সলাই ঈ তিন্নবদি ঃ

হি মথক্তা ফাদুনা পুবদগী চোংথহৌএ হায়বগী চোংথাম কৌএ ॥১॥ কংলাগী মেন মরূমদা লোৎতুনা লৈহৌএ হায়বগী মেনলেম কৌএ ॥২॥ ৰায়েল তৌবা ফৈ হায়বগী ৰায়েনবম কৌএ ॥৩॥ মপুনা পুখ্রনবা ওই হায়বদগী পুখ্রনবম কৌএ ॥৪॥ নাপী লেঙলিবা অসিবু করিনো হায়না য়েংবদা লৈরমএ হায়বগী নারেংবম কৌএ ॥৫॥ কবোগী লম্বু ওই হায়বগী কবোরম্বম কৌএ ॥৬॥ শনখোম শুম্বা হৈ থাঙসু শাই হায়বগী থাংচম শংখোম কৌএ ॥৭॥ মোইরাংগী নোংথোলনি হায়বগী নোংথোনবম কৌএ ॥৮॥ লাই পুথিবা শঙএ হায়বগী পুথেম কৌএ ॥৯॥ মীয়াম খুনদিন্নবদা কোননা চঙলকলে হায়বগী কোনচেংবম কৌএ ॥১০॥ চকফি য়ামনা শাইএ হায়বগী চকপাফিয়ান কৌএ ॥১১॥ লাই উনৈএ হায়বগী লাইউচম কৌএ ॥১২॥ লমপুচম লাই লাৎলে হায়বগী লমপুচম কৌএ ॥১৩॥ ৰাং চাউএ হায়বগী ৰাংপীচম কৌএ ॥১৪॥ মপু কাবা পুরাংগী মমিং লৌদুনা কবাজম কৌএ ॥১৫॥ অঙাং অসি মরেপ নেমএ হায়বগী ঙাংনেম কৌএ ॥১৬॥ নুংথেল লাৎলে হায়বগী নুংলেপপম কৌএ ॥১৭॥ মপুদু থাঙকারাকপা ওইরমএ হায়বগী থাঙ্গজম কৌএ ॥১৮॥ মপু নিংথৌ খাংগী মমিং লৌদুনা নিংথৌখোংজম কৌএ ॥১৯॥ কোন খাদুনা লৈ হায়বগী কোনখাম কৌএ ॥২০॥ কৈথেল পাননৈ হায়বগী কৈথেললাকপম কৌএ ॥২১॥ ওক্রনহনবা ওই হায়বগী ওক্রম কৌএ ॥২২॥ হী য়াই খোমজিললে হায়বগী য়াইখোম কৌএ ॥২৩॥ কুমগী লাই লাৎলি হায়বগী কুমাবম কৌএ ॥২৪॥ চকপগী মংদগী লেমনা হিংলে হায়বদগী চকপা তাবা মংলেম কৌএ ॥২৫॥ কুরুদগী মরাং মরাং চোংথোকলকএ হায়বগী মোইরাংথেম কৌএ ॥২৬॥ থাঙ শাই হায়বগী থাংজম কৌএ ॥২৭॥ খ্বাই পনকোক্তা তাইএ হায়বগী অখ্বাইবম কৌএ ॥২৮॥ ঙাংকোয়না

লুমএ হায়বগী নামুচম কৌএ ॥২৯॥ পূংবু ৱাংলেন কৌএ॥ অদুবু য়ৈএ হায়বগী ৱাংলেনবম কৌএ ॥৩০॥ কাইরেন কাইচাউ শাবা হৈ হায়বগী কাইরেনচম কৌএ ॥৩১॥ যুম খাইরকএ হায়বগী যুমখাইবম কৌএ ॥৩২॥ খুয়োল হায়বা খুল অদুদা হাননা তাইএ হায়বগী খুয়োনথেম কৌএ ॥৩৩॥ মং খোংতোকনৈএ হায়বগী মংখোম কৌএ ॥৩৪॥ খোইহি য়ানৈএ হায়বগী খোইয়াংবম কৌএ ॥৩৫॥ হাওরোংবম লাই লাংলে হায়বগী হাওরোংবম কৌএ ॥৩৬॥ ল্লাইগী খুয়াদা চঙদুনা খুরুমএ হায়বগী লাইখুচম কৌএ ॥৩৭॥ য়োইরেন শঙদা কায়এ হায়বগী য়োইরেনবম কৌএ ॥৩৮॥ কৌচেং লাই লাংলি হায়বদগী কৌচেংবম কৌএ ॥৩৯॥ লাইনা শা ঙা কুবিরকএ হায়বগী অকুরাম্ কৌএ ॥৪০॥ নিংথৌগী লী শাইএ হায়বগী লিসম কৌএ ॥৪১॥ ময়াংগী লমবু ওইএ হায়বগী ময়াংলম্বম কৌএ ॥৪২॥ নিংথৌনা শিরগা থোপ লৌথোকএ হায়বগী থোপচোম কৌএ ॥৪৩॥ পোন শাবা হৈএ হায়বগী পোনলেম কৌএ ॥৪৪॥ নিংথৌ ওইগদবা সোয়রে হায়বগী সোয়বম কৌএ ॥৪৫॥ মোইচীং লাংএ হায়বগী মোইফব্রাম কৌএ ॥৪৬॥ লাই ফায়এ হায়বগী লাইফ্রাকপম কৌএ ॥৪৭॥ লাইরেননা ময়ুমদা চঙএ হায়বগী লাইরেনময়ুম কৌএ ॥৪৮॥ ঙাঙগল শককললে হায়বগী ঙাংঙোম কৌএ ॥৪৯॥ খোই লাংলে হায়বগী খোইনাইচম কৌএ ॥৫০॥ লৈমচীং লাংলে হায়বগী লৈমজম কৌএ ॥৫১॥ অৱাংখৈনা তাইএ হায়বগী ৱাংখেম কৌএ ॥৫২॥ হি তোংবা তমএ হায়বগী হিতম কৌএ ॥৫৩॥ নিংথৌগী সীং খাঙএ হায়বগী সীংখাঙবম কৌএ ॥৫৪॥ হাওগী লমবু ওই হায়বগী হাওরোইবম কৌএ ॥৫৫॥ কৈথেল পাননৈএ হায়বগী কৈথেললাকপম কৌএ ॥৫৬॥ ঙাংখা লৱাইদা তাইএ হায়বগী ঙাংখম কৌএ ॥৫৭॥ কোল হয় হায়বগী অহয়বম কৌএ ॥৫৮॥ ঙা শেমএ হায়বগী ঙাসেপপম কৌএ ॥৫৯॥ মোইরাংদা হান্না যুম তাই হায়বগী মোইরাংময়ুম কৌএ ॥৬০॥ মবেননা লৈমা খুবী ওই হায়বগী লৈমাখুজম কৌএ ॥৬১॥ মপুনা খ্বাইরাকপা ওই হায়বগী খ্বাইরাকপম কৌএ ॥৬২॥ শাশেম ঙাসেমএ হায়বগী অসেম কৌএ ॥৬৩॥ চায়োম যুখোম পুরকএ হায়বগী খোমদ্রাম কৌএ ॥৬৪॥ অসিদি পু তিননৈএ॥ লৌনহৈদে॥ খঙও॥ সিখুন লাকপম চনূনা সনা হিহোন। য়াইসিখুন লাকপম চনূনা চীংসোং। য়ামপেম চনূনা হাওপা ॥০॥

খাকপা নিংথৌ চনূনা নিংথৌ তারি পাখং য়োইরেনপা। মচা লৈমা কাংখননা পুরৈরোমপা। লয়হৌনিংথৌ চনূনা খাংয়েন অহনবা। লয়হৌ নিংথৌ চনূনা পুতান। লয়হৌ নিংথৌ চনূনা হেমতৌ। লয়হৌনুনা ৱামৈ লানথাপা। পুরানথাপা চনূনা খোকমৈ লানথাপা। খুমোমপা চনূনা তাংখুল ঙমপা চাংতোনফাবা। মোইরাংথেম চনূনা কনসোইঙমপা। তেরে ৱাংখৈরাকপম চনূনা কোঙয়ামপা। লুক্রাম চনূনা চিংচারোংপা। লুক্রাম চনূনা নিংথৌখোমপা। পোংসুম চনূ কোননুসুনা ৱাংখৈরাকপা লুকোনপা। চেংলৈসূনা মুপা। লাইকোকসুনা কনসোইঙমপা। মোইরাংলমপম চনূনা সনালেমপা। থৱানথাপা চনূনা মুপানে॥০॥

লিকলাপিচা নোংতংনুপু সরারেননা তোং পায়তুনা খোইতোন পোকএ। লুৱাং পুনসিপা মতু হাওসিয়াং পুয়াংপা চনূনা মচা ওইনা য়োকঙৈএ। মানতোমনা লেরা খোংনাং ওইখিয়ে। লিকলাপিচা নোংতংনুনা খোইতোমনে। খুনচাউসুনা ফাননে। খুনচাউসুনা খোই পুমিংনাপা। লাইয়েক খূপীনা তরুংনে। লাইয়েকহনপীনা কাইমু। য়াইথিংকোনপা চনূনা মফৌ মিৎথোনপা। থিংমোইকাংপা চনূ। তোনপীসুনা সোংলাইপা। চেংলৈ নিংথৌ চনুনা। নিংথৌ য়ুকাংপা। পোকপী লৈমা, লৈমা লাইয়েং খূপীনা খমলোই অহোঙপা। নিংঙোনপম কৌরিপা খৈপিককী সাখৈনে। লাইতোনচম কসোম। ৩ মানে॥০॥

লয়ফূরেন চনূনা য়ুচেং॥ লয়চিকলেন চনূনা য়ুকৌরেন॥ লয়থমলেন চনূনা খিং খিং লাংপা॥ লয়নূং য়ুপুরোই চনূনা হেপু কংচিকপা॥ ঙাংচেং লৈতকপা॥ লৈনুং য়ুনাউরোই চনূনা উরেন হনপা॥ লয়নুং য়ুচাখা চনূ ঙাংসপীনা ঙাংহুনথোক॥ ঙানুনা ঙাংঙাসা॥ ঙানুনা কৌবরেন॥ অঙাংঙা॥ লৈমা লাইরোক লেমপীনা খোইনাই য়িমথংপা॥ খামপী লৌখাম চনূনা পুমিংনপা খমপা॥ মায়নৌ চনূনা খোইনাই খুনতাবা॥ খমপা য়িমলেনপা চনূনা খমপা চয়মাপা॥ লোকলাংপম চনূ অতাং নামোইসূনা লাইকোন॥ নামোইসুনা খোইনাই থাপানপা॥ ফাইরৌসূনা লমথোকপা॥ ফাইরৌসূনা লমসিং। চিংমু তাইমু চনূনা মরীংঙমপা॥ নাউখোংচম চনূনা খোইনাই অতোনবা॥ লংমাইথেম চনূনা ওমপু॥ নাউথিংখোং চনূনা খোইনাউ॥ লংমাইথেম চনূনা ওমপূ খনকাপা॥ থিংমুচম চনূনা হাওপা॥ থৌকরাইচম চনূনা খুনচান॥ ওইনাম চনূনা য়াপু॥ হিচম চনূনা তখেল॥ সাপম চনূনা কাপোমপা॥ অরানপম চনূনা তোনসেননে॥০॥

মতু লাইরোকলেমপীনা মচা ৫ পোকএ॥ খোইনাই অহনপাকী ঈতি থোকচোমনে॥ খোইনাই

<u>মোইরাং সলাইদা পুন্বা সাগৈশিংঃ</u>

১। অচেম
২। অকারম
৩। অকুরাম
৪। অখ্বাইবম
৫। অখুইবম
৬। আইখোম
৭। অহাইবম
৮। ওক্রম
৯। ইউরেনবম
১০। কবজম
১১। কবোরম্বম
১২। কুমাম
১৩। কুবাবম
১৪। লৈল্লাকপম
১৫। কোংখুব্রাম
১৬। কোখাম
১৭। কোংখাম
১৮। কোইরেনজম
১৯। কোইরেনজম
২০। কোইলেনচম
২১। খাইথেল্লাকপম
২২। খুইরাকপম
২৩। খোক্রম
২৪। খোইনাইজম
২৫। খোইবম
২৬। খোয়পুদ্রমি
২৭। ঙাংখাম
২৮। ঙাংশম
২৯। ঙাংথেম
৩০। ঙাংনোম
৩১। চাকপাতারবম
৩২। চকপকিয়াম
৩৩। থাংজম মংখোম
৩৪। থাংজম
৩৫। থোকচোম
৩৬। থোংজম
৩৭। থোংঙজম
৩৮। নমুজম
৩৯। নায়েংবম
৪০। নিংথৌখোংজম
৪১। নুংলেপম
৪২। নামবুজম
৪৩। পুকখুলপম
৪৪। পুক্রম্বম
৪৫। পোলেম
৪৬। ফাইখোম
৪৭। মাইফুরাম
৪৮। মাইরাংলম্বম
৪৯। মাইরেনবম
৫০। মংখোম
৫১। মেলেম
৫২। মোনকুম
৫৩। মোইরাংথেম
৫৪। মোইরাংবুমখাইবম
৫৫। মোইরাংকৈথেল্লাকপম
৫৬। মোইরাংনোংথোম্বম
৫৭। মোইরাংয়াংমোম
৫৮। মোইরাংথোংবম
৫৯। মোইরাংময়ুম
৬০। মুরাংবম
৬১। মুংয়াংজম
৬২। লম্বজম
৬৩। লম্বুজম
৬৪। লমপুজম
৬৫। লাইপুজম
৬৬। লাইখুরুম

৬৭। লাইতুজম
৬৮। লাইথংবম
৬৯। লাইফ্রাকপম
৭০। লাইরেনময়ুম
৭১। লাইমুজম
৭২। লাইমোম
৭৩। লিসম
৭৪। লেয়ুজম
৭৫। লৈমচম
৭৬। লৈমাখুজম
৭৭। লৈমাজম
৭৮। লদোনজম
৭৯। ৱাইরম
৮০। ৱাইনবম
৮১। ৱাকম্বম
৮২। ৱাকলপম
৮৩। ৱারেচম
৮৪। ৱারেম্বা
৮৫। ৱায়েলবম
৮৬। ৱাংপিজম
৮৭। ৱাংবিজম
৮৮। ৱাংলেম্বম
৮৯। সোইবম
৯০। মোইবম পুখ্রম্বম
৯১। সনখোম
৯২। সনখোম
৯৩। সেনসম
৯৪। হিতম
৯৫। হংলেম চকপাতবম
৯৬। তৌপোকচম
৯৭। য়াইখোম
৯৮। ঙাংনেম্বম
৯৯। ঙাংচোংবম
১০০। ঙাংচেংবম

মোইরাং য়েক সলাইঃ

মোইরাং সলাইদা পুল্লিবা সাগৈশিং অসি য়েক থোকপা ঙাক্তনী। হায়রীবা সাগৈশিং অসি য়েক থোকপা মরম্না লৌনা লৈনবা য়াদে। লৌনা লৈনবা তারবদি অৱা-অনা নংই। অপোকপা লাইগী মফমদা হৈ-লৈ অমৎতা কৎপদা অরেম্বা ওইয়ে খঙও। করিগুম্বা সাগৈ য়েক সলাই পুন্না লৌনা লৈনবদগী থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোক্তবসু নৎতে। লাইগী থৌরম য়েক তিন্নবনা লাই পুবা য়াদে। অপোকপগী চনিং শোকপা য়াদে। সাগৈ অপোকপদা কৎলিবা শরেন তুবগী শরেন লুকলেন ফাওবসু ফংবা য়াদে। য়েক তিন্নবনা লাইগী থৌরম থৌদাদা নম হাদুনা পাংবা তারবদি মচা-মশুদা অফবা ওইদে। সলাই য়ুমদারোন পুয়ানা অসুম্না পীরি। অপোকপা থৌগল্লীবা মীওই অমনা য়েক থোকপা লৌরবদি চহি ওন্দনা পীবা ফমসু থাদোক্কদবনি। মোইরাং য়েক্লা মোইরাং য়েকপু চারৌ মৌরৌনবা হায়বসি মশাগী তুংদা লাক্কদবা পূম্নমক্তা মহাক অদুতা মাংজবা নৎতনা সাগৈগীসু ময়েং তাগনি। য়েক থোকপা মোইরাংনা মোইরাংদা চারৌ মৌরৌনবা তারবদি অমাংবতা নৎতনা মচা মশু শুরোন চারোন পুরোন ৭ ফাওবদি ঈচেল্লোন

মাংএ হায়দুনা সলাই য়ুমদারোন্নাময়েক শেংনা পীরি। মসিদসু নৎতনা মোইরাং য়েক সলাই পূন্না লৌনা লৈনরবদি মশা খমতেকনবসু পীরি। মশাদসু লাইথুং তিনথুং, তিঞ্জু-লাইচুবা ফাওবা লাইচুবা লৈগনি। মোইরাং য়েক সলাই লৌনা লৈনবা য়াদে য়ুমদারোন্না ময়েক শেংনা পীরি।

মোইরাং সলাই লাংজেং

পাখঙবা সলাই ৭নি। পাখঙবগী ঈথাংলোই ওইরিবা পোং সলাই ৭নি। পোংগী মচা-মশু ওইরিবা মীওইপোকপু সলাই ৭নি। লাইনিংথৌ সনামহি মালেম লৈশেমকোন্দা পাখঙবা ঈথাংলোই ওইদুনা সলাই চাওদা নাওদানা নোংদম্লকখি। মদু নোংদগী মীওইবা সলাইনা মালেম লৈকোন্দা মপু ওইবনা পুথোকলিবা অচৎ-চৎতা জীবা পূম্নমক্তগী মীওইবা কৌবা মপোক্লা অথোয়বনি হায়না পাখঙবা লাইহুই পুয়ানা ময়েক শেংনা পীরিএ। খোয়ুম লাই ওইবনা তাইবঙ পানবগা অসুক্কী মতিক নক্লা লৈ হায়নসু তাকলি। মদু নোংগী চৎনরোনবু তাইবঙ মীওইপোক্তা পোক্লিবা তাইবঙ পানবনা খোইয়ুম লাই ওইববু নুঙরোন্দা মমি তাদুনা নুংপাল অনীদা শেন্বী শাবীরকপনী হায়না লাইহুইনা পীরি। খোয়ুম লাই ওইবনা মীওইবগা অসুক্কী মতিক নক্কনা লৈ হায়বসি য়ানরবা ৱাফম্নী। সলাই য়ুমদারোন্না অসুম্না পীরি। য়েক ৭ সলাই ৯বু খাইরমলিবনো হংলি সলাইচাশিংদুনা লাই ওইবা মপুনা য়ুমদারোন কৌবা পুয়া মাইচৌ অপোই মচানা খৃ: ৪২৮দা কংলা উত্র সঙমাইথেন্দা অসুম্না য়েক সলাইবু খাইখিববু সনামহি লৈশেমকোন্দা মপু ওইবনা নিংথিবা লৈকোন্দা লৈরাং মশিং থিঙমদনা তম্লমই। লৈরাং মাগী মতৌদা অমৎতা মান্নবা য়াওবা নৎতে। মসি নুংগী ৱারমবু সাগৈ য়েক সলাইসু হৈরাং লৈরাংগুম সাগৈ সলাইসু য়ুমনাক সাগৈ নাইগনি হায়না নোংদম্বীএ। মোইৱাং লাংচিং হুইরেললে সলাই পাওথা হিরিরেন। তাইবু লিশাং নোংতমমে পাখঙবা লাইহুই হুইরেললে। পাখঙবা চোমলাং হেনসুইএ। চামবু মীরেল নোংখৎলে খৈরেল মানসু ফৌরেলবও। তরংলেন লাইজ ঈরিকলোন ইখঙ-খমলেন তোলোইওইবও। মোইৱাং লাংচিং খেকৱাইবও। মানসু লৈরীক ইতাইরেল হেনবু লাংচিং থৌঙম পকও। খাংওই লাংচিং হল্লোইপা পাখঙবা চথাংলেনপও মোইরাং সলাই ইতমএ। য়াংকোই হানবা লাংশুবা লাংচিং হৈরেন পাওথাবও। মোইরাং ইখম তোলোইবা। ৱাংবা লাংচি পলেলোইপনে। মোইরাং হুইরেন নাহুইরে।

"খাবাঙাম্বা মৈহৌরোন"

নুমিৎ-থা অনীমকপু খুরুমজনা খাবা ঙাম্বা সলাই মৈহৌরোনবু নুংলোন ৱাবু ইজরক্কে। অঙম-অঙান খাইরিবা মপুনা তাথিবীগনু হায়না ৱাংবা সলাইচানা কোক নোনজৈ। খাবা-ঙাম্বা নুংলোন মৈহৌরোল ৱাবু শিদবা লাইনা য়াবা অসুম্না নোংতম্বীএ। নহান নোং মপু ওইবা পাখঙবগী ইথাংকোক সংলৈতোন পাখঙবা মালেম লৈদা খুম্হোক মতমঙৈনে। লাইওইবা শিদবা লাইদি সংলৈতোন্না কৌব্রু ইরেল খোংদা খোয়ুম মাগী লাংওনা ঙাইদুনা লৈখি। সংলৈতোন পাখঙবনা লাংওনবা তাওবীরেন লাংওন্দুনা কৌব্রু ইরেন খোংদা য়াথোংদুনা লৈখি। নোংমগী নুমিৎলোই অমদা কৌব্রুগী মমোয়লোয় লৈম্নানা ইরু শাদেংগে হায়না থৌশিল্লমই। ইরেলখোং অদুদা কৌব্রুগী মমোমলোয় লৈম্নানা কুমথদুনা লাইজ ঈশিং ইৱাইনরমই। ঈশিংগী ইপোম ফংলবদা সংলৈতোন্না লাংওনবা তাওবীরেন্না মীকপ থোকলক্কুনা লৈম্নাগী খুবোম মতা অফবদা তাবীরেল য়ারেল তমমই। লৈম্নানা মৈচাক অদু খাঙবা ঙমদ্রদুনা লাইজা ইপান থক্তা কাখৎলমই। তাওরোইনাইগী শাফুনা কনখিবনা লৈম্নানা মপল-অৱাং কৌব্রুবু কৌরদুনা কপলমই। খোঞ্জেল অদু তাবদা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা ইরেলখোং অদুগী মনাক তান্না লাক্লমই। মমোমগী তৌরম্ললীবা মতৌ অদু উবদা লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা অশাও খাম্বী মৈৱায়নরম্মী। মপু ওইবা কৌব্রুনা মমোম ওইবী লৈম্নাদা হংখি। করীনুংগী অৱা চৈথেংনবনো হায়না। মমোম ওইবী লৈম্নানা মপল পম্হৌ অসুপদা মাগী ওইখিবা ইরোলনুংগী য়াৱাবু কপ্লা-কপ্লগা তমজখি। মদুনুংগী মমোম ওইবী লৈম্নাবু খোয়ুম কনানা লাকচা খুদুম চনবনো হায়না অশাও-পরৈননা চিংগোইখি। লাইনিংথৌ অৱাং-কৌব্রুনা য়াৱা অসুম্না নোংদমখি। খঙগনীদো শারিসোল খোয়ুম মীনম্বা খোয়ুম লাংওনবা ইমোম ওইবীবু চৈবী চৈথেং পীদুনা ইরম ঈফাৎ তমবদি নংগী য়াইবী লৌরগা ঐহাক্কী শারি ৱাশকপু মদোম লোমগেকো শরিসোন। লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা শরি পনদোম লোমখ্রবদা মমোম ওইবীবু য়েংদুনা হায়রকই। ইপাগী ইমোম ইবেম্মা ইচাবু লাক-চা খুদুম চনখিবা ঈরেল খোংদু ইপাদা তাকউ। মমো ওইবী লৈম্নানা মপল পম্হৌদা ঈরেল খোং অদো তাকখি। থিম্বদনা অৱাং কৌব্রুনা খুৎতা থাংশাং পাইদুনা ঈরেল

খোং অদুগী মপান্দা লেপতুনা লৈখি। অসুপ্পনা তুবী লাই তাওরোইনাইগী মীংখৈ চাম্মা নিপাল হায়দুনা থাংলেন মমি পীদুনা লাইজ ইরেল খোং অদুদা শাথুপতুনা লৈরীবা সংলৈতোন্না লাংওনবা তাওরোইনাইবু খোম্থাং য়েনা মকৌখৎলমই। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রু অসুপনা তুবী মীংখৈ চাম্মা নিপান পীদুনা লৈথক লৈখালোন নোংখোল য়ারেল নোংতমদুনা অখাক-অরাওগা লোয়ননা নোংতম্বদু ইরোলনুংদা লৈবা সংলৈতোন্না লাংওনবা তুবী লাই লাইওইবদু খাংবা ঙমখীদে। অদু নোংদা ইরোলনুংদগী তুবী লাই তাওরোইনাইদো ইরোলনুংদগী ইকারাদুনা ইরেলখোং অদুগী মপান্দা তুবী শাংনা য়াতাদুনা লৈখি। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা তুবী খৈরেনববু থাংশাংনা মতুপ তরেৎ থোক্লা নোংদমখি। তুবী লাইগী মশা শাহৌ মতুপ তরেৎ অদো কোরৌ নোংমদোন থক্তা কোইপাই পায়দুনা লৈখি। ৱাংলেন ঙাইহাক লৈরবা মতুং তুবী তাওরোইনাইগী মমিনা শংলৈতোনগী শাহৌ ওইখি। সংলৈতোন পাখঙবনা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুদা চংজদুনা হায়রকখি। মপুরেল ওইবা অৰাং কৌব্রু অসুপনা খোয়ুম ঐগী লাংওনবা তাওরোইনাই য়াংবীবু মতুপ তরেৎ থোক্লা কক্কুনা লাংওন মপুং য়াই ওইহনখ্রে কৌরৌথক্তা। লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা সংলৈতোনবু য়েংলগা য়াৱা অসুম্না নোংদমলকই। ইমো ওইবী লৈস্নাবু করী নুংগী নহাক্লা খোয়ুম য়ারেল তমদুনা অৰা চৈথেং পীবনো হায়না নোংদমখি। সংলৈতোন্না লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুদা কোকনোনজনা হায়রকই। নমোম ওইবী লৈস্নাবু খোয়ুম ঐগী ওইগী লৈতেং ওইজগে হায়না মদু নুংগী ঐহাক্লা খোয়ুম ঈশক তাকচগে হায়না। য়াৱা মপাওদু তাবদা লাইনিংথৌ অৰাং কৌব্রুনা মমোম ওইবী লৈস্নাগী লাংওন মতম ওইরে হায়বা য়াৱা খংজখি। মদু নোংদা মমোম ওইবী লৈস্নাবু চীংঙুবা লাইয়াম পুন্দুনা খরাইথক্তা লৈ হাপ্লা লৈরোং লাইদা কৎতুনা মরাল লুহোংদুনা কৌব্রুগী চিংমাইথোলদা সংলৈতোন লৈস্না লাংওন তমখি। সংলৈতোন্না কোরৌ নোংদোনথক্তা খোঞ্জেল থোক্লা লাংদাইরেল ওইখিবা তাওরোইনাইগী মশা শাহৌনা কোইপাই পাইদুনা মালংদা লৈখি। মদু নোংদা কোরৌথক্তা পাইদুনা লৈরীবা তাওরোয়না য়াংবীবু সংলৈতোন্না য়েংলগা হায়রকই। খোয়ুম ওইবা নখোয় ৭মক ঐগী য়াৱা ঙাইদুনা লৈরি। য়াৱা অদুগী খোয়ুম মখৈ ফংনা নোংদম্বীরগে হায়রকখি। নখোয়গী লৈফম পুন্নমক ঐহাক্লা তাকলগে লাংওন মাগী লংদাইদো সুনা হায়রগে ঐহাক্লা।" য়াৱা মপাও অদু তাবদা

কোরৌনোংমদোন থক্তা লৈবা তাওবীরেন য়াংবীরেননা য়াৱা অসুম্না নোংদম্বীরকখি। হা মপুরেন ওইবা শিদবাও খোয়ুম নহাক্কী নফমদগী অসেংবা য়াৱা অমা লৌগে হায়দুনা ঙাইহিরিবনি। ঐখোয়না নোংমদোন থক্তা কোইপাই পাইদুনা লৈরকলিবসি শিংগুম মশিং য়াম্লকলে কুমজা মশিং কুমওনলকলে। মপুরেল লাইশিদবা সংলৈতোন পাখঙবগী য়াৱা মাতবু খুয়ুম লাইওইবা ৭ ঐখোয়না ঙাইদুনা লৈরি। অদুনুংগীদমক্তা শিদবা লাই পাখঙবনা নোংদমবীও হায়না লাই ৭না সংলৈতোনগী মফমদা হংগৎচখি। সংলৈতোন পাখঙবনা লাইওইবা ৭ য়েংঙদুনা হায়রকই। খোয়ুম ওইবা লাইওইবা ৭না পাখঙবা ঐগী য়াৱাবু মঙাইহিরকপা করি নুংগী ঙাইবনো হায়বদু মপুরেল ঐহাক্লা নোংদম্বীরগে লাই ওইবা ৭তা। খোয়ুম সংলৈতোন ঐহাক্কী ইশা য়াংবীদগী ওইরকখিবা তাওরোয়নাই নখোয় ৭তি কৈদৌনুংদা ঐহাক্তা থানবা য়ারোই। লাই ৭না হায়খি মদুনুংগী করি য়াৱা লৈবগে হায়না। মপু ওইবা শিদবা লাই পাখঙবনা লাই ৭পু য়েংনা তাকপিখি। ইশাদগী ওইখিবা মচু ৭ নাইবা লাংওন নংগী লংদাইদো নুমিৎ থানা নাওকোনবা ওইরনী নখোয় ৭না। খোয়ুম ৭মক্কী মমিংদি মীংখৈদি ঙাংঙানবা নহাক্লা মঙাং হায়না কৌগনী, ঙৌথাংনবা নহাক্লা লুৱাং হায়না মীংগৌগনী, মুরৈনবা মচু নহাক্লা খুমন হায়না কৌরনী, সনা য়ারেল তম্না অঙোম হায়না কৌরনী, কোরৌ লাংশিং থাবানা মোইরাং হায়না কৌরনী, ঙাংচেংমুবা সলাইনা খাবা সলাই কৌরনী, সংৱানবা মচুনা লৈশাংথেম সলাই মিংথোল্লনী, সলাই ৭মক পাখঙবা সলাই নোংতমমগনী। খোয়ুম লাই ৭তু সংলৈতোন পাখঙবগী য়াৱা তাবদা খোয়ুম মখোয়গী মীংখৈ খংজরে হায়না হরাও- মোমোন নোকলমই। লাই ৭মকনা সংলৈতোন্দা কোকনোনজনা য়াৱা অসুম্না চীংগোইরকই। খোয়ুম মপুরেল ওইবও পাখঙবা সলাই ৭তা খোয়ুম ঐখোয়গী মীংখৈ নোংদম্বীরে। নোংদম য়াৱা তাবদা সলাই ৭না পেনজখি। মপুরেল শিদবগী মফমদা খোয়ুম লাই ওইবা ৭না য়াৱা মপাও অমতা নীজগে হায়না থৌনীজখি। মপুরেল ওইবা সংলৈতোন্না লাই ৭মক্কী য়াৱা মাবু নোংতমও হায়না হোয়ানখি। পাখঙবা সলাই ৭না সংলৈতোনগী মফমদা কোকনোনজনা থৌনীজখি। সংলৈতোন পাখঙবনা লাই ৭পু য়েংঙগা য়াৱা অসুম্না নোংদম্বীখি। খোয়ুম ওইবা সলাই ৭ও নখোয়গী লৈফম ঐহাক্লা তাকলগে। ঐনা লৈরিবা ফমলেন অসিগী হাওরৈ খা পাংনা লমথোকলো। নখোয়না খুম্হোকদৌরীবা লাংওন অসিগী

লংদাইকোন ওইরুগদবা মফম অদু তাকলগে। মতমলেন খরদি নখোয় ৭না ঐহাকপু লাকপা ঙাইদুনা মফমদুদা লৈগনি। নখোয় ৭কী তোংঙান-তোংঙান্না শুরুংলেন ইথোং লোইগনী শুরুং অদুগী নুংলোন্দা খোয়ুম মীকপ থোক্তুনা লৈগনি।' হয়েং ঐহাক্না ঐহাক্কী ফম্বাল লিংলবা মতমদা খোয়ুম ওইবা পাখঙবা ঐগী কোলোয় মিংবু ওন্দুনা লাংওন মপুং য়াই ওইগনী। ফম্বাল লাংলিবা ঐহাক্কী কোলোয়দি নোংদা লাইরেল পাখঙবা হায়না মীঙ্গৌগনি। লাংওন ঐগী মপুং য়াই ওইবদো ঙাইদুনা কংলা শুরুংদা হিরীকোন্দুনা লৈজরুরো হায়না নোংদম্বীখি। সংলৈতোনগী য়াৱা তাবদা পাখঙবা সলাই ৭তো কোরৌ নোংমদোল থক্তগী হরাও মোমোনগা লোয়নানা কংলা শুরুং তমখি। খাবা ঙানবা সলাইগী লোয়নবা ওইরীবা কুপত্রেংনা তুমদুনা লৈরীবা খাবা ঙানবা সলাইবু কংলা শুরুংদগী হৌদোকখি। খাবা-ঙানবা সলাইনা লোয়নবা কুপত্রেংগী মফমদা করি য়াৱা লৈবগে হায়না হংকৎচরবদা খাবা-ঙানবা সলাইবু য়েংনা কুপত্রেংনা হায়রকই। হা খাবা ঙানবা হৌজিক্তি লাংওন নংগী মপুং য়াইদা পাখঙবগী ইথাংলোয় ও নহাক্না কংলা ফম্বাল লাংবা মতম ওইরে মদু নোংদা খাবা ঙানলোয়বা পোংঙনবনা লোয়নবা কুপত্রেংগী য়াৱাবু লৌজদুনা নিংথৌ ফম্বাল লাংখি হায়ববু য়ুমদাবা সলাই মৈহৌরোল পুয়ানা ময়েক শেংনা পিরি।



খাবা ঙানবা অপোকপা শঙলেন শঙমাইথেন

খাবা ঙানবা অপোকপা ৱাবু হায়গেঃ

ইনিংথৌ ইবুংঙো নাওফংবা সনা হাক্তক সলাই যুমদারোল মাইচৌ অপোইনা খোরিএ। সলাইবু নুংরোন ৱাবু মতাইনা নোংদম খিবিক মপিএ। মদু নোংদা সলাই যুম চংএ। অপোকপা লাইগী খাবা-ঙানবা শঙমাইথেন পুয়ানা খোরিদুনা লাংচৈ চৈরেন লাংপুমএ। অপোকপা লাইবু খাবা-ঙানবা সলাইনা থৌনী থৌখাই ঈরাৎলোন পাংবা থাশিং মাবু খোইয়ুম মহংবিনা নোংদম্বীএ। খাবা-ঙানবা অপোকপা মীৎ পাংবা থাদি কালেন থাগী নিমাং ১০নি পানবা অয়ুক্তা পোকই, মচুদি মাংগ্লা মচুনি, লাইগী ঈশিংদি লৈতাংদগীনি, লাইগী লাদি লৈমেলানি, লাইগী লৈদি লৈশংনী, হৈদি হৈবানি, শীংদি য়েন্সিলনি, মৈদি লৈখামনি, মৈবানি, ঙাদি শরেং ঙাঙনা লাংবনে, থাঙদি চিন্নাইবনি, নাহৈবদি নাপি-নাসোননি। হায়রীবা পোৎলমশিং অসি য়াওনা সাগৈগী পিবানা থৌরাংবীদুনা থৌপাংবীগনি। সাগৈগী পিবানা কুমশিং কাংদনা সাগৈ চাক খাংগনিএ। সলাই পারোন পীরোন মশক্ত খংবনে। সাগৈ অপোকপা খাবা-ঙানবা অপোকপগী সংমাই লৈফমদা সাগৈশিং পুদুনা কুমজাগী হৈকৎ-লৈকৎ শরেন চন্দুনা সাগৈ পাও তাক্তুনা সাগৈগী মীওইশিং অমৎতা চিৎথদনা থৌপাংহৌনবগীদমক্ত অপোকপা লাইবু সাগৈনা থৌপাংমীনপীগনী। মদু নোংগী সলাই খাবা-ঙানবগী মৈহৌরোনবু ময়েক শেংনা লৈনবগীদমক্ত থৌপাংএ। সাগৈগী মচীন মনাও মচে-মচন, মখুৱা, মদোন পুম্নমক অমগা অমগা মশক খংনবা নুংশিননা লাইগী থৌরম পাংমীন্নবা অপোকপা লাথুপ্পু ময়েক শেংনা লৈহৌনবগীদমক সলাই চাকখাংলোন পাংথোকপীগনী। মসি নোংগী ৱাবু যুমদোরোন পুয়ানা ময়েক শেংনা পীরি।

খাবারোন্দিঃ

খাবরোন্দি তৌরেনখা ১, লৈখোমলেননা তৌরেন খুবা ১, লাইশ্রা নিংথৌ চনূনা তৌখারেন ১, লৈথমলেন চনূনা তৌদিংতৌ ১, মহৌনিংথৌ চনূনা তৌদাংতোন ১, খাবীনা খাবা ১, লৈরেন চনূনা লৈশংলেন ৭মা অসিনে খংও॥

খাবারোন্দিঃ

খাবরোন্দি লৈচিক নিংথৌ চনূনা খাবা লৈচিকচিকলিবা, লৈথম নিংথৌ চনূনা, খাবা লৈথম থমলিবা, লৈনুং য়ুচাখা চনূনা খাবা য়ুচাখা, লৈনুং ইপুরোই চনূনা খাবা য়ুপুরোই, লংমাই নিংথৌ চনূনা ক্রুমকোইবা, মঙাং নিংথৌ চনূনা মহৌ লৈরাই নিংথৌ, লংমাই নিংথৌ চনূনা খাবা ফান্দোংবা, মঙাং নিংথৌ চনূনা লিরী, লংমাইনিংথৌ চনূনা মহৌ লৈরাই নিংথৌ, মঙাং নিংথৌ চনূনা খাবা নুঙানবা, লংমাই নিংথৌ চনূনা তোংবা, মঙাং নিংথৌ চনূনা খাইফাবা, লাইকোকসূনা লৈনিংথৌ, লাইকোসূনা য়ারা, লাইকোকসূনা খোমদাং, লাইকোকসূনা খুনচিরা, য়াইথিংবা চনূনা তোনাবা, লাইশ্রম চনূনা শেংৱাই লান্থবা, ৱাংখৈরাকপম চনূনা য়োংঙা, নামবম চনূনা তৌদোংৱাগা, ইচাউৱাগা ২মা পোকএ। মানা লংমাই নিংথৌ চনূ পান্নদুনা লৈরাই নিংথৌগা মনাও হোইদোন কোকপগা, অতৈ লৌখাম্বগা, ৩মা পোকএ। লৈরাই নিংথৌগা, অতেলৌখাম্বগা ২মাদি শোইনাইদে। হোইদোন কোকপগী ঈদি নোংচেংবমনে।।০।।

খাবা নুংঙানবনা লংমাই নিংথৌ চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি চিংবা লৈমা মনাই ৱাঙ্গোনশংবম মুরারী ময়িম, খুরাইজম শ্যামচন্দ্র ময়িম, খুরাইজম সারা ময়িম, খুরাইজম কৈথেন ময়িম, খুরাইজম খুঙম ময়িম খুরাইজম লমলোই ময়িম, খুরাইজম অরোই ময়িমনে, পুকচাউ, লনহাম্বা, য়াৱাখোংদা লৈবা আনন্দরাম ময়িমনে, খুরাইজম অচৌ ময়িমনে, খুরাইজম মাইচৌ ময়িমনে।।০।।

ঙানবরোন্দিঃ

ঙানবরোন্দি পুরোই লেমনুসুনা খমচিংকোন হাইহৈবা, চিংশোং নিংথৌ চনূনা পানবা, মঙাং নিংথৌ চনূনা হনফাবা, মঙাং নিংথৌ চনূনা তেমফাবা, মঙাং নিংথৌ চনূনা লিনতেংহনবা, মঙাং নিংথৌ চনূনা লিনৱাইহনবা, মঙাং নিংথৌ চনূনা খুকলুকোই, মঙাং নিংথৌ চনূনা তাংখোইনাই, মঙাং নিংথৌ চনূনা ৱাইহৈবা। মঙাংনিংথৌ চনূনা কাংহৈবা, মঙাং নিংথৌ চনূনা তেমশুরোন, মঙাং নিংথৌ চনূনা য়ুরোইরাং, লূৱাং খুম্বিবা চননা হাউৱা, কাংজেংৱাহেংমাংবা চনূনা ঙানবাৱায়েংমাংবা, মঙাং নিংথৌ চনূনা ঙানবা শিরাইকংচা, লোকলৌ

হামলেনলোকপম চনূনা হাউবা। হাউবনা লংমাই নিংথৌ চনূ মানেমগা, মবুংগী মচা মামৌগা ২মা পান্নদুনা মামৌ কোন্নগীনা তেকচা অহনবা, থোংঙাই য়িমথংবা, খোংজা য়াইমবা, ৱাংবা অতোনবা ৪মা পোকএ। হান্নগী মানেমনা কোননদা তানা পোকএ॥০॥

তেকচা অহলবগী ঈদি মৈহৌবম কাক্সুরাম ময়িম, ফিশাবা তেকচম ঙাংবা ময়িম, হাওগৈ তাবা তেকচম অকোং ময়িম, লাঙ্গোন্দা লৈবা তেকচম মুরারী ময়িম, শঙ্গোম শুম্বা তেকচম হাওজোম্বা ময়িম॥০॥ থোংঙাই য়িমথংবগী ঈদি হিজবা হনবা, থোংঙাম মুবা ময়িম, থোংঙাম অশেবা খনবা লাংলোংঙম্বনে, থোংঙাম অহলবা কিয়োং ময়িনে, থোংঙাম অহৈবগী চরোন ময়িম, অহৈবা বিনিন্দ্রাম, অহৈবা গৌরাং ময়িম, তমপাক নাই থোংঙাম দয়ানন্দনে, লানশোনবী তাবা থোংঙাম নোইবনে মোইরাং হেস্তাকপম ঙাংবা ময়িম, হাওবজম হাউবা ময়িমনে, ফৌগাক চাউগী থোংঙামনে॥০॥ খোংচা য়াইমবগী ঈদি থিনবম চাউবা ময়িমনে, থিনবম লাংপানখাংবম চেকয়াম্বা ময়ুমনে। খ্বাইরাকপম অথোই ময়ুমনে। ঈরু লৌথিবগী ঈদি ৱাংখেম চাউবা ময়ুমনে। নাওরু অতোম্ববী ঈদি মোনসং ময়ুমনে। মরোই হাওবনা কাংঙুজম চনূ পান্নদুনা খুমাগা, তেরাগা অনিমা পোকএ। খুমাগী ঈদি খোমদ্রমদনে। তেরাগী ঈদি অসোমদনে। খাবরোলদি লৈচিক চনূনা খাবা লৈচিক চিকলিবা লৈথমলেন চনূনা খাবা লৈথম থমলিবা, লৈনুং য়ুজাখা চনূনা খাবা য়ুজাখা, লৈনুং য়ুপুরোই চনূনা খাবা য়ুপুরোই লংমাই নিংথৌ চনূনা নারুমকোয়বা মঙাং নিংথৌ চনূনা মহৌ লৈরাই নিংথৌবা লংমাই নিংথৌ চনূনা খাবা ফানদোংবা মঙাং নিংথৌ চনূনা লিলি, লংমাই নিংথৌ চনূনা মহৌলৈ নিংথৌ মঙাং নিংথৌ চনূনা খাবা য়ুনানবা লংমাই নিংথৌ চনূনা খাবা। লৌরেম্বম চনূনা লাইনিং লাইকোকশুনা য়ারা লৌরেম্বম চনূনা খোমদাং, লৌরেম্বম চনূনা কুচিবা, য়াইখোম চনূনা তোনাবা, লাইশ্রম চনূনা সেকমাই লানথাবা, ৱাংখৈরাকপম চনূনা য়োংঙা নানবম চনূনা তৌতোংৱাককা ঈচাওৱাককা অনিমা পোকএ। ঈচাউৱাকচি সোইনাইদে। তৌতোংৱাককনা লাংমাই নিংথৌ চনূ পান্নদুনা, লৈরাং নিংথৌবগা মনাও হুইতোন কোকপগা, অতোল লৌখামবগা অহুমমা পোকএ। লৈরাং নিংথৌবদি সোইনাইদে। হুইতোনকোকপগী ঈদি নোংজেংবম চাইবা মানে খাবা নোংহনবনা লংমাইথেম চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি খুরাইজম চেকসা ময়ুমদনে।

পুরোইনেমনুশুনা খমচিংকোল হায় হৈবা মানা চিংসোম নিংথৌ চনূ পান্নদুনা পানবা। মঙাং নিংথৌ চনূনা হলফবা মঙাং নিংথৌ চনূনা তোনফাবা মঙাং নিংথৌ চনূনা লিলতেং হনবা মঙাং নিংথৌ চনূনা লিলৱাই হল মঙাং নিংথৌ চনূনা কাংহৈবা মঙাং নিংথৌ চনূনা তেললোলবা মঙাং নিংথৌ চনূনা পুরোইলাং লুৱাং নিংথৌ চনূনা হাওৱা কদেং ৱাহেংমাংবা চনূনা ঙাবা ৱাহেংমাংবা মঙাং নিংথৌ নিংথৌ চনূনা ঙানবা সেরাই কংজা লোকলৌ লোকখা মেললোকপম চনূনা হাওবা হাওবনা লংমাই নিংথৌ অনি পান্নদুনা, কোন্নগী মনাও তেকচা অহনবগা খোংৱাই য়ুমথংবগা, খোংজা য়াইমবগা, ৱাংবা অতোনবগা মরিমা পোকএ। অহল হনজবীনা তোনাবা পোকএ। মানা খাইদেম ওইখিয়ে। তেকচা অহলবগী ঈদি মৈহৌবম হাওবা ময়ুমনে। ফিজম ফললামবা ময়ুমনে। তেকচম অকোং ময়ুমনে। মাইবম পামসা ময়ুমনে। খোংঙাই য়ুমথংবগী ঈদি থোংঙাইবম ললহাং ময়ুমনে। অহৈবম চিংসোমবা ময়ুমনে। হাওবজম মোনসাবা ময়ুমনে। হেনতাকপম মুবা ময়ুমনে। খোংজা য়াইমবানে, ৱাংব অতোমবনে, অনিমদি সননাই ওইখিয়ে। খোংজা য়াইমগী ঈদি থিনবম খোম্বা ময়ুমনে। ৱাংবা অতোনবগী ঈদি লাংগোনজম তোনা ময়ুমনে। ৱাংবজম অকোং ময়ুমনে। সনজিরাম কেংবা ময়ুমনে। কবোরমবম লাসেং ময়ুমনে। তোনাগী ঈদি খাইদেম খোম্বা ময়ুমনে। কবোরমবম লাসেং ময়ুমনে। তোনাগী ঈদি খাইদেম খোম্বা ময়ুমনে। খুমুকচম লোলদি লৈচিক নিংথৌ চনূনা ঙানব লৈচিক চিকলিবা লৈথম নিংথৌ চনূনা ঙানবা লৈথম থমলিবা লৈনুং য়ুজাকা চনূনা ঙানবা য়ুজাখা লৈনুং য়ুপুরোই চনূনা ঙানবা য়ুপুরোই পুরোইলেমশুনা খমচিংকোল হায়হৈবগা, খোমুলোংগা অনিমা পোকএ। পুরোইলৈমনুশুনা খুমুরোম তুরেল নামফৌ, মচল পুংগ্রাইবীনা পানবা থেরেলোংবম চনূনা তাংখুল লৈতাংহলনে, মানা লুৱাং নিংথৌ পুনসিবা চনূ পান্নদুনা হাওবা। লুৱাং চনূনা থাংতুপ মীমোনবা লুৱাং চনূনা হাওকালবগা। লুৱাং নিংথৌ চনূনা সিংমিৎ লাংমিৎ চুম্বা মানা লুৱাং তাংগোই চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি খুমুজম খুলিল ময়ুমনে। লাইগী সলাইগী।

লুৱাংলোলদি পিয়াইনুনা থৱারেল, পিয়াইনূনা পোইরৈতোন লৈনাও তাবীনা সিংদবুম সম্বোং পুনেমবা চনূনা পামমিং হুইমু লৈমনা লুৱাং খুনথিবা কৌবরোল নামোইনুনা লুৱাং পুঙ্সিবা। মানা নাওশংখুনে, তাইতললৈমা মাইনৌ চনূনে, য়ুচিললৈমা চনূ হাওবা চনূনে। হাওকুললৈমা লমদন নিংথৌ চনূনে,

ঙানুরোল থোংঙাইবা চনূনে। হাওসিয়াম, পুয়ামবা চনূনে। ঙানুরোল খুৎয়াস চেনবীনে খাইয়োই রোল।

<u>ইথাই কাইরেমপাকী ঈতিং-</u> নিংথৌখোংচমনে।। কোনখুব্রামনে।। মতু অতৈনা পোকপাতি কপাচম অনীমানে।।

<u>য়োইরেনপাকী ঈতিং-</u> মোইরাং কৈথেললাকপমনে।। মোইরাং লাইময়ুমনে।।

<u>পুন্সি খুরেনচনপাকী ঈতিং-</u> য়াইখুপমনে।। কুমাপমনে।। ওক্রনপমনে।। থংপিচ্রৌতাপা মোইরাংথেমনে।।০।।

<u>কোনথৌচম লোনতিং-</u> হুইমুলৈমনা লোকপনে।। নুংঙৌয়িমথংপানে।। লোকতোন অতোনপানে।। মখোয় ৩মা পোকএ।।০।। হুইমু লৈমনা লোকপা।। মঙাংনিংথৌ চনূনা লোংলোন।। মঙাংনিংথৌ চনূনা লেমপা।। মঙাংনিংথৌ চনূনা থায়ায়।। মঙাংনিংথৌ চনূনা হাওরোক।। মঙাংনিংথৌ চনূনা মায়সাং।। মঙাংনিংথৌ চনূনা য়ুকোনপা।। মঙাংনিংথৌ চনূনা য়ুনানপা।। মঙাংনিংথৌ চনূনা য়ুনানপা সাফপা।।০।।

<u>লোকতোনপ লোনতিং-</u> হুইমু লৈমনা লোকতোন অতোনপা।। মঙানিংথৌ চনূনা সিংচা।। মঙাংনিংথৌ চনূনা লোকচা।। থারৈ নিংথৌ চনূনা চামোইপা।। লেমলৈ নিংথৌ চনূনা ঙামোইপা।। হাওখা নিংথৌ চনূনা লাংসাংপা।। খেনতে নিংথৌ হাওতক-লায়পা চনূনা মোইনুচা।। চেংলৈ নিংথৌ চনূনা সনতং চারোইপা।। ঙানুরোল খিংলৌ মালৌখোমপীনা লোকতোনপা খোমপীচা।। লাইতোং য়িফেনপা চনূনা খানিংথৌ সাফপা।।০।।

<u>খুয়োনথেমলোনতিং-</u> সুমলৈমানা লোকপা নিংথৌ য়োইরেনপা।। নিংথৌ মোইপি লৈমা মহুমনুনা উই ব্রাকোনলোইনেনপা।। তিংকোই নিংথৌ চনূনা লমপুয়াং।। মেনতে নিংথৌ চনূনা খুয়োন লেমপা।। য়োইথোপচাউ।। থোপচাউ অহনপা।। মোইরাংথেম চনূনা লেমপা পুমিংনাপা।। লয়হাংকোই চনূনা তোংপা।। ময়াংলমপম চাউপা ময়ুমসুং পুংতোন সাংতোনকী সাকৈনে।। লৈসাংথেম খাইখৎলুপানে।।০।।

<u>**খাপাকী সাকৈদি ঃ-**</u> থূপলাপানে।। তাংখুলতা য়ামনা লৈপানে।। খাপা লৌতাংখুল।। ''তাংখুল মচি-মনাপ হুললানপা' অসুম হায়না সৈসকনরিপানে।।০।।

<u>**ঙানপারোলতি খায়খৎপাতি ঃ-**</u> চিনফূরোল লয়চিক ঙানপীনা নোংতমলেন অখূপা।। লয়থমলেন চনূনা নোংতমলেন অহনপা।। চিৎনুলৈমনা কুরুমলেন মৈনাইতাপা।। হাইনু লৈমনা কুরুমলেন মৈনাইপা।। ফাইপিরোন চনূনা পোংথাং।। লয়নূং ঙানবীনা পোংহল।। পিসিননুনা হয়রোঙলেন লোঙচুমপা।। পিসিনখোমপীনা হয়রোংঙাং থঙাংলেন।। পিয়াইনুনা থৱারেন।। পিয়াইনুনা পোইরৈতোন।। পোইরৈতোনতি খুমন লুৱাং ওইখিএ।।০।।

পিয়াইনুনা থৱারেন।। লয়চিকলেন চনূনা ঙানপা লয়চিক চিকলিপা।। লয়থমলেন চনূনা ঙানপা লয়থম থমলিপা।। লয়নূং য়ুচাখা চনূনা।। ঙানপা য়ুচাখা।। লয়নূং য়ুপুরোই চনূনা ঙানপা য়ুপুরোই।। পুরোই লেমনুসুনা খমচিংকোল হাইহৈপা।। মঙাংনিংথৌ চনূনা কফাপা।। মঙাংনিংথৌ চনূনা তেমফাপা।। মঙাংনিংথৌ চনূনা লিনতেংহনপা।। মঙাংনিংথৌ চনূনা লিনৱাইহনপা।। মঙাংনিংথৌ চনূনা খূকলু কোয়পা।। মঙাংনিংথৌ চনূনা নিঙকোয়হল।। মঙাংনিংথৌ চনূনা তেমসুলোনপা।। মঙাংনিংথৌ চনূনা ঙানপা পুরোইরাং।। লুৱাং পুনসিপা চনূনা হাওপা।। কাচেং ৱায়েং মাঙপা চনূনা ঙানপা ৱাহেংপা।। মঙাং নিংথৌ চনূনা ঙানপা সিৱাইকংচা।। খামেললোকপম চনূনা হাওপা।।০।।

<u>*খাবা ঙানবা সলাইদা সাগে মিংখৈ পিখিবা রা হায়গে ঃ-*</u>
লৈহাওরুংবম লৈহাও মখোংদা লুমদুনা লৈবদা নীংথৌনা উইএ হায়বগী লৈহাওরুংবম কৌএ। অহৈবম কোন হৈ হায়বগী অহৈবম কৌবনে। থোংঙাম য়ুমথংনবগী মীং লৌদুনা থোঙাম কৌই। ইৱাংঙবম:- ই বু ৱাংনা থাইএ হায়বগী ইৱাঙবম কৌই। কোনচোপম:- খুন তাবদা কোন্না চোংথোরকই হায়বগী কোনচোপম কৌই। কোঞ্জেংবম:- নিংথৌনা ইকোন-কোনুবদা খুন থোকএ হায়বগী কোঞ্জেংবম কৌই। কোম্থৌচম:- য়াংনা লৈববু খাদা কোন্না কুমলকএ হায়বগী কোম্থৌচম কৌই। কোনহৈবম:- কোন হৈবগী মফমনী হায়বগী কোনহৈবম কৌএ। খাইদেম- নিংথৌগী নুপীনা মহাকপু শোনজবদগী শিরগা মবুক খায় হায়বগীদমক খাইদেম কৌই। খাথংবম- লম য়েনবদা মখা থংবা

শরুক লাইগীনে হায়বগীদমক খাথংবম কৌই। খুমজম- মপু খুমুজাম্বগী মমিং লৌদুনা খুমজম কৌই। খুদোংবম- মপু তাদুনা খুনগী মতোন্দা লৈ হায়বগী খুদোংবম কৌই। খুদোংবম- মপুনা খুনগী মতোন্দা তাখি হায়বগী খুদোংবম কৌএ। খুন্দোংবম- খুন অদুগী লমখৈ অতোঙবদা তাই হায়বগী খুন্দোংবম কৌএ। খুমুকচম- খুন্না মাবু নিংঙাই চাউ ঈ হাইনা মুক্লে হায়বগী খুমুকচম কৌএ। খুনে দাংবম- খুনগী মতোন্দা লৈ হায়বগী কৌএ। খুরাইজম- খুরাইদা তাই হায়বগী খুরাইজম কৌএ। থৌরিখুম- নিংথৌগী থৌ পুবা খুনবু থৌরিখুম কৌএ। ঙাকপম- থৌদোক খুদিংদা পনঙাকয়ে হায়বগী ঙাকপম কৌএ। চেংলৈজম- চেংবু লৈদুনা ৱান্দুনা চাই হায়বগী চেংলৈজম কৌএ। তেকচম- তেকচা অহনবগী মমিং লৌদুনা তেকচম কৌএ। থিনবম- থীমন থীনমাল্লি হায়বগী থিনবম কৌএ। থিংবম- থিংঙেন থিংবা হৈ পাম্মী হায়বগী থিংবম কৌএ। থোংঙাম-থোঙাই য়ুমথংনবগী মমিং লৌদুনা থোঙাম কৌএ। নোংচেনবম- খাবা সলাইনা নোং কৌথৈ হায়বগী নোংচেনবম কৌএ। ফিদম- ফজবা ফিদম লৌবা হৈ হায়বগী ফিদম কৌএ। মহৌবম-মমৌ কাংলোনবু পুথোকএ হায়বগী মহৌবম কৌএ। মাইহৌবম- নিংথৌগী মৈ হৌএ হায়বগী মৈহৌবম কৌএ। মানতংবম-মান্তক্তা খুন্দাখি হায়বদগী মানতংবম কৌএ। মোরিময়ুম-মোরি কৌবা লাইবু লাৎলী হায়বদগী মোরিময়ুম কৌএ। মেলাংবম-য়েনশাং হেকই হায়বগী য়েলাংবম কৌএ। ৱাংকোনচম-নিংথৌগী ৱাংকোনসঙ মনাক্তা পোকই হাইবগী ৱাংকোনচম কৌএ। ৱাকোনসংবম-নিংথৌগী চাবোকসঙবু সঙই হায়বগী ৱাংকোনসংবম কৌএ। ৱাংকোনচম-নিংথৌগী ৱাংকোনসঙ মনাক্তা হাইবগী কৌএ। ৱাংজম-ৱাংই চাউই হায়বগী ৱাংবীজম কৌএ। সঞ্জিবম-মপু সঞ্জিরামগী মমিং লৌদুনা কৌএ। সঙম্বম- লৌগী সংঙম সাবা তম্মী হায়বগী সাঙম কৌএ। সনজিরাম- শলগী মচি লামদুনা ফাই হায়বদগী শনজিরাম কৌএ। সমজেৎসাবম-নিংথৌগী শমজেৎ শাই হায়বগী শমজেৎশাবম কৌএ। হাওবীজম-হাওদা পীরুই হায়দুনা হাওবীজম কৌএ। হেকঙাকপম-নিংথৌ মাংদা হে তোংববু ঙাকই হায়দুনা হেঙাকপম কৌএ। হেন্তাবপম-নিংথৌগী হেন্তাক খ্বাই চাবা পামই হায়বগী হেন্তাকপম কৌএ।

খাবা ঙানবা য়েক সলাইদা পুনবা শাগৈশিংঃ

১। অহৈবম	১৬। খুমুকচম	৩১। মেরিময়ুম
২। থোঙাম	১৭। খুরাইজম	৩২। মেলাংবম
৩। ইবাঙবম	১৮। থৌরিখুম	৩৩। ব্রাংকোনচম
৪। কোনচোপম	১৯। ঙাকপম	৩৪। ব্রাকে মসংবম
৫। কোঞ্জেংবম	২০। চেংলৈজম	৩৫। ব্রাংবজম
৬। কোম্থৌচম	২১। তেকচম	৩৬। সঞ্জিবম
৭। কোম্থৌজম	২২। থিনবম	৩৭। সনজিরাম
৮। কোনহৈবম	২৩। থিংবম	৩৮। সমজেৎসাবম
৯। খাইদেম	২৪। থোংঙাম	৩৯। সঙম্বম
১০। খাথংবম	২৫। নোংচেনবম	৪০। হাওবীজম
১১। খুমচম	২৬। ফিদম	৪১। হেকঙাকপম
১২। খুদোংবম	২৭। মহৌবম	৪২। হেন্তাবপম
১৩। খুন্দোংবম	২৮। মহৌবম	৪৩। লৈহাওরুংবম
১৪। খুমুকচম	২৯। মাইহৌবম	
১৫। খুন্দোংবম	৩০। মানতংবম	

খাবা ঙানবা য়েক সলাইঃ- খাবা ঙানবা য়েক সলাইদা পুল্লিবা সাগৈশিং অসি য়েক থোকপা ঙাক্তনী। হায়রীবা সাগৈশিং অসি য়েক থোকপা মরম্না লৌনা লৈনবা য়াদে। লৌনা লৈনবা তারবদি অৱা অনা নংই। অপোকপা লাইগী মফমদা হৈ-লৈ অমৎতা অরেম্বা ওইরে খঙও। করিগুম্বা সাগৈ য়েক সলাই পুন্না লৌনবা লৈনবদগী থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোক্তবসু নৎতে। লাইগী থৌরমদা য়েক তিন্নবা লাই পুবা য়াদে। অপোকপগী চনিং শোকপা য়াদে। সাগৈ অপোকপদা কৎলিবা শরেন তুবগী শরেন লুকলেন ফাওবসু ফংবা য়াদে। য়েক তিন্নবনা লাইগী থৌরম থৌদাদা নম হাদুনা পাংবা তারবদি মচা মশুদা অফবা ওইদে। সলাই য়ুমদারোল পূয়ানা অসুম্না পীরি। অপোকপা থৌগল্লীবা,

মীওই অমনা য়েক থোকপা লৌরবদি চহি ওন্দনা পীবা ফমসু থাদোক্কদবনি। খাবা-ঙানবা য়েক্লা খাবা ঙানবা য়েকপু চারৌ মৌরৌনবা হায়বসি মশাগী তুংদা লাক্কদবা পুম্নমক্তদা মহাক অদুতা মাংজবা নৎতনা সাগৈশিংসু ময়েং তাগনী। য়েক থোকপা চারোন পুরোন ৭ ফাওবদি ঈচেল্লোন মাংএ হায়দুনা সলাই য়ুমদারোন্না ময়েক শেংনা পীরি। মশাদসু লাইথুং তিন্থুং লাইচুবা ফাওবা লাইচুবা লৈগনি। খাবা ঙানবা য়েক সলাই সাগৈ পিবা মথং-মনাও নাইনা পুরোন পারোন হংনরকপা মতমদা য়েক লৌবা য়াওরবদি য়েক সলাই খাবা-ঙানবগী পূয়া ইরকপদা মতমদা য়েক থোকপা পিবাদি সাগৈগী পূয়াদা চনবা য়াদে য়েক সলাই পুনবা লৌনফদিয়ে॥

খাবা ঙানবা লাংজৈঃ- পাখংবগী ঈথাংলোই ওইরিবা পোং সলাই ৭নি। পোংগী মচা মশু ওইরিবা মীওইপোকসু সলাই ৭নি। লাইনিংথৌ সনামহি মালেম লৈশেমকোন্দা পাখঙবা ঈথাংলোই ওইদুনা সলাই চাওদা নাওদনা নোংদমলকখি। মদু নোংদগী মীওইবা সলাইনা মালেম লৈকোন্দা মপূ ওইবনা পুথোকলিবা অচৎ-চৎতা জীবা পুম্নমক্তগী মীওইবা কৌবা মপোক্লা অথোয়বনি হায়না পাখঙবা লাইহুইনা পূয়ানা ময়েক শেংনা পীরিএ। খোয়ুম লাই ওইবগা তাইবঙ পানবগা অসুক্কী মতিক নক্লা লৈ হায়নসু তাকলী। মদু নোংগী চৎনরোলবু তাইবঙ মীওইপোক্তা পোকলিবা তাইবঙ পানবনা খোইয়ুম লাই ওইববু পুঙরোন দা মমি তাদুনা নুংপাল অনিদা শেম্নী শাবীরকপ্লী হায়না লাইহুইনা পীরি। খোইয়ুম লাইওইবগা মীওইবগা অসুক্কী মতিক নক্লনা লৈ হায়বসি য়ান্নরবা ৱাফম্লী। সলাই য়ুমদারোলনা অসুম্না পীরি। য়েক ৭ সলাই ৯বু খাইবীরমলীবনো হংলি। সলাইচাশিংনা লাই ওইবা মপুনা য়ুমদারোল কৌবা পূয়া মাইচৌ অপোয় মচানা খৃ: ৪২৮ কংলা উত্র সংমাইথেন্দা অসুম্না য়েক সলাইবু খাইবিববু সনামহি লৈশেমকোন্দা মপু ওইবনা নিংথিবা লৈকোন্দা লৈরাং মশিং থিঙমদনা তমলকই। লৈরাং মাগী মতৌদা অমৎতা মান্নবা য়াওবা নৎতে। মসি নুংগী ৱারমবু সাগৈ য়েক সলাইসু হৈরাং-লৈরাংগুম সাগৈ সলাইসু য়ুম্নাক সাগৈ নাইগনী হায়না নোংদম্বীএ। য়েক সলাই খাইখিবা ৱাবু অসুম্না নোংদম্বীরমই। মপুগী লৈকোন্দা শাৎলী লৈরাং লৈখন শুনা। য়েংবদা মীৎফম হোংবা ঙমদনা শাৎলীবা লৈরাংদো মপুগী লৈকোন্দা য়েংজবী লৈরাংদুবু শেম্নীরকপা মপু ওইবনা লৈখন শুনা শাৎপা

লৈকোনগী লৈরাংদো। মদুতবু য়েংজরগা মপু ওইবনা পেনজখি। নীংথিরবা লৈকোনগী লৈরাং অমৎতা মচু মান্নদে। অদুগুম্না নিংথিরবা লৈরাং লৈচু নাইবদো মপু ওইবনা মিৎসনা ২না নুংশিনা য়েংলদুনা ফজবা নিংথিবা লৈরাং অসে মাংবা য়াদে হায়না মপুগী পিবুক নুংদা খনজরমই। লৈরাং শাৎলিবা লৈকোন অদুগী য়াইদা লেপ্তুনা মপুনা পিবীকনুংদা খল্লকখি। করী করম্বা মতমদা লৈরাংগী মপোক্কা চাংদম্লবা য়াবা মপোক্তো মপু ওইবনা উনিংলক্লমই। লৈরাং পূম্ববু য়েংলদুনা মপু ওইবনা হায়রকখি। লৈরাং নুংগী পুন্সিদি লৈয়োননৃংদগী লৈশা তমলকখি। মপুং ফারবা লৈরাং পান্বীদো লৈশেম কোনগী অনেম্বা মালেমদা নহাক্লা ফৃগাইনা শাৎপদু উরগা মালেমদা লৈরীবা অচৎ-চৎতা কয়ানা নহাক্কী নতৌদু য়েংজরী। খঙহৌদে লৈরাংগী পুন্সিদো লৈমন চন্দুনা লৈখোক্তা কেনখিবা। অমুক অনৌবা মপোক লৈরাং মরু চারদগী পান্বী মউ লীংঙকখি। মপুগী লৈকোন্দা শাৎলিবা লৈখন নাইবা লৈরাংনি। লৈরাংনা লৈখোক্তা কেনবগুম মালেম তাইবঙ পানবা মপোক অসে অচং নাইরনি মচু মমেল খায়রনী। লৈরাংগা লৈরাংগা পাংখক ওইরবা মীওইপোক সলাইবু মপৃ ওইবা শিদবনা মীওইপোকপু মপুগী লৈকোন্দা শাৎপা লৈরাংগুম্বনী হায়না নোংদম্বীরী। লৈরাংবু মুন্না য়েংলদুনা মপুনা হায়রে লৈরাংদা। হা নিংথিবী লৈরাংও নংনা লৈকোন্দা ফৃগাইনা শাৎপগুম মালেম অসিদা নহাক্কী মপোক্কা মান্নবা মীওইপোক কৌবা সলাই নোংদমগনী হায়না পাখঙবা লাংজৈ পৃয়ানা খাবা-ঙানবা মৈহৌরোন সলাই লাংজৈনা অসুম্না সলাই খায়খিবগী নোংলোন ৱাবু লাইহুইনা তাক্লুনা পীরিএ।

খাবা-ঙানবা সলাইদি মীওইপোক্তা নোংদম্বীবা সলাই ৭গী মনুংদা ৬ শুবা সলাইনি হায়না পিরি। খাবা-ঙানবা সলাই মচিন-মনাওনী খাবানা অহননী। ঙানবনা অতোনবনি। খুবাক-খুনমলোন মতৌগুম অমতনী। খাবা লৌথিবা ৱাঙমলোন ঙানবা লৌশি পাললোইবনা থৌঙম পাংববু খাবাগী য়াৱা নাত্রবদি থৌপাংদেএ। ঙানবনা থৌপাংবসু খাবাগী য়াৱা নৎতনা লৈপাক থৌবু থৌপাংদেএ। লাইরেন নোংগী খাবা-ঙানবা সলাই হৈরেনমীঙৈগী য়াৱাবু লাংচৈনা অসুম্না নোংতমএ। হা - খাবা ঙানবও মালেম লৈকোই পুংদা খাবা-ঙানবা নচিন ননাওনা অমৎতা ওইনা থৌপাংনবগীদমক মালেম হয়ারেনদা খুন্থোকও হায়না শিদবা লাই মপুনা খুন্থোক নোংদম্বীখি। শিদবা লাইমপুগী য়াৱাবু ইনজনা অনেম্বা মালেমদা খাবা ঙানবা সলাই ৭কী লৈচু লৈখন নাইনা পাখঙবগী চথাংলোন ওইদুনা লৈশাতমখি।

"সরাং লৈশাংথেম মৈহৌরোন"

নুমিৎ-থা অনীবু খুরুমজনা সরাং লৈশাংথেম মৈহৌরোল নুংলোন ৱাবু ইজরক্কে। অমম-অঙান খাইরিবা মপুনা তাথিবীগনু হায়না ৱাংবা সলাইচানা কোক নোনজে। লাইওইবা কুপত্রেং লোয়নবা লাই সরাং-লৈশাংথেম পোকলেনবা লাইবু য়াইবীকোন্দা কুপত্রেংনা মকৌরকই। মপু ওইবা কুপত্রেংনা লৈশাং লাইবু থিবা খঙখিদে। খোঞ্জেল থোক্লা কৌজবদা তাবা কৌবা লৈতে। মপু ওইবা কুপত্রেংনা মায়কৈ মরি সুমদাই নিপালদা লৈশাং লাইওইববু কোয়না লৈনা খোম্থাং য়ৈনা মকৌরমই। ফমলেনদি কংলা য়াইবীকোন্নী, অসুম অসুম খোম্থাং য়ৈনা মকৌরকপনা লৈশাং লাই ওইবদো নাপ্পা চিক্লা লোয়নবা কুপত্রেংনা কৌবা খোঞ্জেল নাশোন্ননা তাজরমই। লৈশাং লাইনা পাইমা পিবুকনুংদা খল্লক্লমই। খোইয়ুম ওইবা ঐহাকপু য়াইবীকোন মপু কনানা মকৌবনো হায়বদু তাজরমই। লৈশাং লাইনা খল্লকই ঐবু কৌরিবা অসিদি খোইয়ুম কনা-নৎতেনা লোয়নবা ঐগী লাইওইবা কুপত্রেংনী হায়না লৈশাং লাইনা খংলক্লবদা থিন্থবা কৌবা লৈতনা। লাইওইবা লৈশাং লাইনা খোংদোয় হুল্লকখি। অসুম অসুম লাকপনা য়াইবীকোন কংলা য়ৌরবদা। লৈশাং লাই পোকলেনবনা মায়কৈ মরী শুমদাই নিপালদা কোয়না য়েংলক্লমই। লৈশাং লাই ওইবনা য়াইবীকোন্দা কুপত্রেং উরবদা খুবাং চাংজৌ লৈতানা ইদু কাইদা লিশিংনা কুপত্রেং লাইগী মফমদা লৈশাং লাইওইবনা কোকনখি। য়াৱা অসুম্না কুপত্রেংদা হংগৎচখি। ঐবু কৌবীববু করি য়াৱা নোংদমগদবা লৈবগে হায়না হংগৎচখি। লৈশাং লাইগী য়াৱা অদু তাবদা কুপত্রেংনা হায়। লৈশাং লাইদি লাইওইববও লোয়নবা কুপত্রেং ঐনা খোইয়ুম লাই ওইবা নহাকপু কৌরগা য়াৱা অদো হায়রগে। লৈশাং লাইওইবনা মপুরেল কুপত্রেংদা হায়বীরে হায়না হংকৎচখি। কুপত্রেং লাইদি মপুরেলনা লৈশাং লাইওইববু য়েংদুনা য়াৱা অসুম্না নোংদমবীখি। তারো লাইওইবা খোইয়ুম ওইবা কুপত্রেং ঐনা মালেম লৈশেমকোন মপুরেল ওইবা সনামহিগী লৈকোন্দা পাখঙবগী ঈথাংলোয় সলাই তরেৎনা মথং-মনাও কাইদনা থম্বাল কোলদা লাংদাইগনী। নহাক্লা পাখঙবা সলাইগী মেতোল ওইগনীএ। লৈশাংথেম সলাইনা পোকলেনবা নহাকপু ঈরাৎ থৌনী তৌদুনা সলাইচা কয়ানা থৌগলকনীএ। খাবা সলাইনা ফম্বালকোন্দগী হলৱাইখ্রবদা লৈশাং লাইওইবনা ফম্বাল মাবু

নোংতমগনীএ। য়াৱা খিবীক লৈবনা সল্যাং নংগী লাংওন লংদাইবু হায়কে হায়বগীদমক মকৌপনে। লোয়নবা কুপত্রেংগী য়াৱা তাবাদা সলাং লাইওইবনা কংলা য়াইবীকোন্দা য়াৱা অসুম্না কুপত্রেং লাইওইবদা হংগৎচখি। সলাং ঐনা মপুরেল ফম্বালদা লাংওন তৌদুনা খোইয়ুমগী থৌশিলখোল ওইবদো কয়ারক হন্না পানগদগে হায়না মপুরেল কুপত্রেংদা হংগৎচখি। মপুরেল কুপত্রেংনা লৈশাং লাইওইববু য়েংদুনা নোংতম্বীএ। তারো লৈশাং লাইওইপও নহান নোং লাইওইপা ইপন নোংতা লাইরেল পাখঙবনা লাংবা কোনবা চক্লোদা লাইগী নিংথৌ ওইদুনা কংলা য়াইবীকোল ফম্বাল লাংখি। অদু নুংদা লাইওইপা ইপানা পাখঙবা সলাই ৭ ফম্বাল কোলদা নোংদমপীখি। মদুগী মতুং মৈনা ৱাই তাংনা শম পাখঙবা সলাই ৭না ইনুংকোন্দা হনজিনখিবদা লাইওইবা লৈশেম্বা মপুনা নোংদম্বীবা পোং-সলাইবু শিদবা সলাই মশাইরেননা ইপল পম্ৗে পাখঙবা সলাই ৭তা পোংবু ৱাইশিন্নখি। পোং সলাই ৭না শিনবা থুংনা লৈশেমকোন মপাল থাখি। পোং নিংথৌবা কয়ানা পাখঙবগী ফম্বাল কোল লাংহৈ লাংদাইকোলদা মঙাং পোংহনবনা পাখঙবা সলাই ৭কী ঙমথংদা নীংথৌবা ওইনা পানখি। মঙাং পোঙহনবনা ফম্বালকোন্দা হঞ্জিনকে হায়রবদা লুৱাং পোংহনবনা কংলা ফম্বাল লাংএ।.তারো লৈশাং লাইওইবা লৈশাংথেম সলাই মৈহৌরোল ৱানে। লুৱাং পোংহনবগী কংলা মেন্দা হনঞ্জনখ্রবদা খুমন পোংসু য়েনবনা নিংথৌবা ওইদুনা কংলা ফম্বাল লাংএ। লৈশাংথেম লাইওইবনা কুপত্রেংগী মফমদা হনগৎচখিএ। মঙাং-লুৱাং খুমনদি খোইয়ুম কনা লোয়নপনো হংজখি। লাইওইবা কুপত্রেংনা লৈশাং-লাইওইববু য়েংদুনা হায়য়ে। মখোয় অহুমগী পাখঙবা সলাই সেম্লেংনে হায়না খুমখি। য়াৱা মপাও তাবদা লৈশাংথেম লাইওইবনা য়াৱা মপাল খৈনা পেনজখি। তারো লৈশাংথেম লাইওইপও মখা তাবা য়াৱা মপাও অমুক হন্না নোংদমমগে হায়না মপুরেল কুপত্রেংনা নোংদম্বীখি। খুমন পোংঙানবনা ফম্বালকোন্দা হঞ্জিনখ্রবদা অঙোম পোংসু হনবনা সলাই ৭কী ফম্বাক্লোন ওইরিবা পাখঙবা সলাই ফম্বাল নোংদমখিএ। লাই চাদি কয়া নিংথৌবা ওইদুনা থৌপুখি। অঙোম নীংথৌবনা ফম্বালকোলদা হনজীনখ্রবদা মোইরাংবু-পোংসুরোইবনা কংলৈ নীংথৌ ওইদুনা লৈশেম কোলগী লংদাইদা নুমিৎকুম মশোং কা থাগুম মায়থোং হেল পোং সলাই পুম্বগী থৌশিল কোনবু মোইরাং পোংসুলেনবনা থৌখাই কয়া পুখি। মোইরাংনা ফম্বালকোন্দা চহি চা কয়া লংদাইকোল ওইদুনা

নোংদম্বীঙৈগী য়াৱানে। মোইরাং পোংশুলেনবনা ফম্বালকোন্দা হনজীনবা মতম ওইরকলবদা খাবা লম ঙানবা মচীন মনাও অনীবু নিংথৌবা ওইনবা পোং-কয়ানা লংদাইকোল ওইরকখি। মৈনা ৱাই তাংনা শম খাবা লমঙানবা মচীন মনাও অনীনা নুমিৎ থাগী শকলোনবু নোংদমদুনা কংলা ফম্বাল কোন্দা খাবা মমি তমখি। খাবা ঙান্বা ওইবা মচীন মনাও অনিনা পাখঙবা সলাই ৭পু থৌনি থৌখাই ওইজদুনা ফম্বালকোল য়াইবীকোনদি কংলাদা খাবানা নিংথৌবা ওইদুনা পানফরীঙৈগী য়াৱানি। মদু নোংগী য়াৱা মপাওদু তাবদা লৈশাংথেম লাইওইবনা কুপত্রেংবু য়েংদুনা হংকৎচখি। ঐবু লোয়বা মপুরেলও য়াৱা মপাও অমতং নোংদমবীও লৈশাং লাইদি লাইওইবা ঐঙোন্দা হায়না হংগৎচখি। কুপত্রেংলাইদি লাইওইবনা য়াৱা অমতা চিৎথদনা নোংতমগনী হায়না লৈশাং লাইওইবতা অপান্বা য়াৱা করী লৈপগে হায়না কুপত্রেংনা নোংতমপীখি। লৈশাং লাইওইবনা লোয়নবা কুপত্রেং মপু ওইবদা হংকৎচখিএ। মপুরেল ওইবও লৈশাং লাই ঐগী য়াৱা মপাও তাপীও। সলাই মপু ৭কী মরিসুবা সলাই লৈপদি অহুমসুবা থকওই সলাই অহুমগী লোয়নপদি সেনত্রেংনী নোংদমবীএ মপুনা। সলাই ৭কী মনুংদা মরি অমা লেমহৌরিবা পাখঙবা ইথাংলোয় সলাই অসিগী লোয়নবা তাকপিও হায়না মপুরেল কুপত্রেংদা লৈশাং লাইনা হঙ্গৎচখি। লৈশাং লাইগী য়াৱা তাবদা কুপত্রেং লোয়নবনা হরাও মোমোন নোক্লা নোংদবীখিএ। তারো লৈশাং লাই ওইপাও নখোয় সলাই মরিদি লাইওইবা পোং ঙাক্তনি। পাখঙবা সলাই ঈথাংলোয়নী সলাই মরিমক্কী লোয়নবা ওইবা লায়দি ননাক্তা লেংদনা লৈবা কুপত্রেং ঐনে হায়না লৈশাং লাইওইবগী মফমদা কুপত্রেংনা নোংদম্বীখি। নোংদম য়াৱা অদো তাবাদা লৈশাং লাইওইবনা মশানা মশা খঙজদুনা শেংলবা থৌখাইরোল কয়াবু পাংগে হায়দুনা পোং লৈশাংথেম হল্লোইবনা পাইমা নুংদা খনজখি। লৈশাংথেম পোংহনবনা কুপত্রেং লাইওইবদা খুবাং চাংজৌ লৈতানা ইদো কাইদা লিশিংনা হংকৎচখি। সরাং পোংহনবা ঐহাক্কী সলাইনা হেক লৈরীবমখৈ থাদোকপীগনু হায়না কুপত্রেংদা কোকনোনজখি। লৈশাং পোংহনবনা খাবা ঙানবা পোং নীংথৌবা ফম্বাল কোন্দা হনজনখ্রবদা কুপত্রেংনা য়াৱা অসুম্না নোংদমলকখি। ঙসিএ কোরৌ য়াইফরবা নুমিৎলোই অসিদা য়াইবীকোল কংলা পাখঙবা সলাই ৭কী ফম্বালদা লৈশাং পোং হল্লোইবা নিংথৌ ওইনা নোংতমও হায়খি। মদু নোংদগী লৈশাংথেম পোং হনপনা নিংথৌ ওইনা কংলা

ফম্বাল ফমতেংদুনা সলাই ৭কী লৈঙাকলোন মপু ওইখি। লোয়নবা কুপত্রেংনা মদু উজবদা হরাও মোমোন নোক্লা লাইগী মখৈ ফংখি। কুপত্রেং লাইনা নিংথৌবা সরাং পুংহনববু য়েংনা হায়এ। নিংথৌবও সলাই নংগী তুংদানরকদবা য়াৱারেল মপাওবু লাই ওইবা কুপত্রেং ঐনা অরোইবা য়াৱা ওইনা অমুক নোংদম্বীগে হায়খি। সরাং পোং হনবা নিংথৌবনা কোকনোনজনা লাইওইবা কুপত্রেংদা নোংদমবীও হায়না হংকৎচখি। সরাং নিংথৌবা নাপ্পা চিক্লা তারো সরাং নংগী লাইতি সুরুংনুংদা য়াৱারেন মতৌ লৌনা শাংনা লৈকনীএ। মানা শাংনা শুরুংতা মালেম লৈরোননুংলোন্দা পান্দা থোক্লা লাংওন পুবা লাইনে। অসি লাইওইবা সরাং নংগী নয়েকচা সলাই ওইগনিএ। লাইওইবা মহাক্লা সুরুংনুংদগী শাংনা থোকলকএ হায়বগীদমক লাইশাং হায়না কৌপনে অদু নুংগী ৱাবু লৈশাংথেম হায়না মীংকৌএ। নাপা চীক্লা তারো নিংথৌপও। খোইয়ুম ওইবা মহাক্তো মৈ, ঈশিং, নুংশিৎতা তিনবনে। য়াইবীকোন্দী কংলা পাখঙবা ফম্বালকোলনে। লাইওইবা মহাক্লা সনা মহি লৈশেমকোন অনেম্বা মালেম শিনবা থুংনা য়ৌবনে। লাইওইবা লৈশাং লাইনা নাওকোনবদি সলাই সরাং লৈশাংথেম পুম্বনে। খোইয়ুম মহাক্কী কোলোয়দি পোকলেনবা হায়না মীংথোনবনে। মশানৌ লাইরেম্বী ৭নে।



সরাং লৈশাংথেম অপোকপা শঙলেন শঙমাইথেন

লৈশাংথেম লাইরেনবী হাললোইবনে অসিনুংগী কুপত্রেং লোয়নবা সরাং লৈশাংথেম পোংহনবনা খৃ: ৪২৭ ফাওবা কংলৈ কংলাদা নিংথৌ ওইদুনা পানখি হায়বা ৱাবু মাইচৌ অপোইমচানা নোংতমএ।

সরাং লৈশাংথেম অপোকপা ৱাবু হায়গেঃ- ইনিংথৌ ইবুংঙো নাওফংবা সনা হাক্তক সলাই য়ুমদারোল মাইচৌ অপোইনা খোরিএ। সলাইবু নুঙরোন ৱাপু মতাইনা নোংদম খিবিক মপিএ। মদু নোংদা সলাই য়ুম চংএ। অপোকপা লাইগী সলাং লৈশাংথেম শঙমাইথেল পুয়ানা খোরিদুনা লাংচৈ চৈরেন লাংপুমএ। অপোকপা লাইবু সলাং-লৈশাংথেম সলাইনা থৌনী থৌখাই ঈরাঙলোন পাংবা থাশিং মাবু খোইয়ুম অপোকপা মহংবীনা নোংদম্বীএ। সলাং লৈশাংথেম অপোকপা মীৎপাংবা থাদি ফাইরেন থাগী ১৬নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্তা পোকই। মচুদি শংনা ৱাওথাংনবনী, লাইগী ঈশিংদি তাকয়েলদগীনী, লাইগী লাদি চংবী লায়াইনি থম্না ইতাবনে, লৈদি লৈসংনি, লাইগী হৈদি মনম নাইবনে, ঙাদি শরেং শংনা লাংবনে, থাংদি খুম্হোক থাংনে, শীংদি নোংলৈসংনি, মৈদি মৈথাং মঙারক্তনি লৌগদবা নাহাইবদি শিংবীনে। হায়রীবা পোৎলমশিং অসি য়াওনা সাগৈগী পিবানা থৌরাংবীদুনা থৌপাংবীগনী। সাগৈগী পিবানা থৌরাংবীদুনা থৌপাংবীগনী। সাগৈগী পিবানা কুমশিং কাংদনা সাগৈ চাকখাংগনিএ। সলাই পারোন-পীরোন মশক খংবনো সাগৈ অপোকপা সলাং লৈশাংথেম অপোকপগী সংমাই লৈফমদা সাগৈশিং পুন্দুনা কুমজাগী হৈকৎ-লৈকৎ শরেন চন্দুনা সাগৈ পাও তাক্লুনা সাগৈগী মীওইশিং অমত্তা চিৎথদনা পুন্না থৌখাংমীন্নবা অপোকপা লাইবু শুরোন চারোল অকাওবা পরৈ লৈতনা থৌপাংহৌনবগীদমক অপোকপা লাইবু সাগৈনা থৌপাংমীনগনী। মদু নোংগী সলাই সলাং লৈশাংথেমগী মৈহৌরোনবু ময়েক শেংনা লৈনবগীদমক থৌপাংএ। সাগৈগী মচীন মনাও মচে-মচন, মখুরা মদোন পুন্নমক অমগা অমগা মশক খংননবা নুংশিননা লাইগী থৌরম পাংমীন্নবা অপোকপা লাথুপ্পু ময়েক শেংনা লৈহৌনবগীদমক সলাই চাকখাংলোন পাংথোকপীগনী। মসি নোংগী ৱাবু য়ুমদারোল পুয়ানা ময়েক শেংনা পীরি।

সরাং লৈশাংথেম লোন্দিঃ- খ্বাংই অহনবগী লোন্দি হুইমু

লৈমনা খ্বাং অহনবা ১। মঙাংনিংথৌ চনূনা খ্বাং ১। য়াইবি লৈমনা খ্বাং মিংনবা ১। মঙাংনিংথৌ চনূনা য়াইরেন ১। য়াইবি লৈমনা খ্বাংনে ১। য়াইবী লৈমনা অমু খমজাওবা ১। মঙাংনিংথৌ চনূনা অমু হেহিংনে ঙানুনা হেহিংনে। ঙানুনা মুবা ১। ঙানুনা খরেকপা ১। খ্বাংগী শলাইয়ুমচঙবদি হাওরোংবম কৃতিচন্দ্র লাক্তে। নম্বুন্তাবা হাওরোংবম পদ্মসিং ১। ফোইজিং তাবা হাওরোংবম হেরানন্দ ১। পোৎশংবনে ॥০॥ কৌজেংবম নাতুম লাক্তে। ৱাংখৈ লৈকাই তাবা আফ্রাম কোনসম থবারোকপা ১। হাওখা তাবা লিসম যাদব ১। অহন শ্যামনাগর অনোনবা লাক্তে। মুংয়াংজম লোন্দি মুংয়াং চাওবগী ঈদি শগোলবন তাবা মুংয়াংজম তাম্রধ্বজ ১। খাইবা মুংয়াংজম পূর্ণানন্দ ১। ইবুংঙো খমলাংবদা লৈবা মুংয়াংজম খোইরি লাক্তে ॥০॥০॥

লৈনুং ঙাংসবিনা ঙাংহুন্নোক ১। ঙানুনা ঙাংঙাসা ১। ঙানুনা মুহেহিং ১। ঙানুনা কৌবা।

লৈসাংথেম লোন্দি হুইমুরৈমনা নুঙঙৌঈমথংবা, মঙাংনিংথৌ চনূনা য়ুচীংলৈ, মঙাংনিংথৌ চনূনা য়ুকাংকউ, নোংসোইনুনা শোরাতোন, মঙাংনিংথৌচনূনা সরাপুকতাং, মঙাংনিংথৌ চনূনা সরাঙানৈ, মঙাংনিংথৌ চনূনা খোংজিনুংলাইবা ।০। বেৎনুনা থাংয়িতাওপুংখোংতউবা, মানা ইরেমতোই পীরৈমা পান্নদুনা পাঙথংঅহলবগা, য়ুনাওরোই য়াইমবগা, কামুঅনোনবগা অহুম্মা পোকএ। পাঙথংঅহলবনা মঙাংনিংথৌ চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি চেংলৈবম পথং মইমনে, তোকপম কোংবা মইমনে, সরাইচম খোংদৌ মইমনে, তৌরাংবম তরা মইমনে, থুমকোংবা কনবম কোনবা মইমনে, লোইতাম হানু মইমনে, কোনশম মাইচৌ মইমনে, ঙাথেম হাউমু মইমনে লাঙ্গোঞ্জম লাংমৈ মইমনে, ময়াংলম্বম ময়াম্বা মইমনে, লাউশিকাম লৌতা মইমনে॥০॥ য়ুনাওরোই য়াইমবগী ঈদি মানা নাওরোইবম (য়াউরৈবম) চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি লৈশাংথেম য়াওশোম্বা মইমনে, খাগোকপম কবোম্বা মইমনে, মাইবরম্বম ৱাইবা মইমনে, নাওশেকপম চীংবা মইমনে, ঈংগুদুম কেংবা মইমনে, খোইচরম খোম্বা মইমনে, মৈনম সোইরাম্বা মইমনে, হৈৱাম মাইমু মইমনে॥০॥ কামুঅতোনবনা য়াওরৈমা চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি সরাংথেম তোনা মইমনে, ৱাইরোকপম পামসা মইমনে, চনম চীংবা মইমনে, য়েলবম চীংঙা মইমনে, চীংঙাখলবম কম্বোংফাবা মইমনে,

সরোকফাইবা লোকপা মইমনে, মাইবাথিয়াম খৈবা মইমনে, সমনোইবম হনু মইমনে, খুরাইজম পামসা মইমনে॥০॥ চীংচেংনাবল পাঙ্গনবনা ময়াংদা ফৈদ্রিখোংনাংগী মচা লৈশংখোম্বী পান্নদুনা থৈপোং, মোনথৈ অনিমা পোকএ থৈপোংদি ঈ তাদে। মোনথৈগী ঈদি নাচৌ তাবা পোৎশংবমনে॥০॥

হুইরৈমনা লোকতোন অতোনবা মঙাংনিংথৌ চনূনা সিঙচা, মঙাংনিংথৌ চনূনা লোকচা, খারোইনিংথৌ চনূনা চমোইবা, লেমলৈনিংথৌ চনূনা ঙামোইবা মহৌনিংথৌ চনূনা লাংসং, খেলদেনিংথৌ চনূ হাউতোকলাইবা চনূনা চামোইবা, চাকলাইনিংথৌ চনূনা সলসংচারোইবা, লোকখা নিংথৌ চনূনা পুকোঁইবগা, তেন্দাংবগা অনিমা পোকএ। নোংবানলোন সিংলৌমাললৌখোম্বীনা লোকতোন অতোলবা, কাম্বীচা কোকপা চরাইলাং চনূনা খানিংথৌসাফবা মানা মঙাংনিংথৌ চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি লোকতোনবম খোম্বা মইমনে, য়াঙ্গৈইজম ময়োন মইমনে, হেমলাম পুকচাও মইমনে, অহৈব অমুৱাম হাউবা মইমনে॥০॥০॥

<u>চেংলৈরোন্দিঃ-</u> চেংলৈরোন্দি হুইমুরৈমনা লমলেকসাং হাউওইবা নুংঙৌ য়িমথংবা, তোনবা থেঙ্গৌইবা ৩মা পোকএ। লমলেকসাংদি হাউ ওইখিএ॥০॥ তোনবা থেঙ্গৌইবনা লোকতোনবম পোকএ। নুংঙৌ য়িমথংবনা লৈসাংথেম পোকএ॥০॥ হুইরৈমনা নুংঙৌ, য়িমথংবা, মঙাংনিংথৌ চনূনা য়ুচিকলৈ, মঙাংনিংথৌ চনূনা য়ুকাংকৌ, নোংমোইনূনা সরাতোন, মঙাংনিংথৌ চনূনা সরাপুকতাং মঙাংনিংথৌ চনূনা সরাঙানৈ, মঙাং নিংথৌ চনূনা খোংজিনুংলাইবা, পেনুনা তাউবুং খোংদৌবা। তাউবুং খোংদৌবনা ইরেম তোইবীরৈম লুৱাংখম চনূ পান্নদুনা পাংথং অহলবা, য়ুনাওরোই য়াইমবা, কামু অতোনবা ৩মা পোকএ। পাংথং অহলবগী ঈদি থাংজম মুনান ময়িম, থাংজম গৌরশ্যাম ময়িম খাইখিবা অয়েকপম হেরানন্দ ময়িম, খাইখিবা তোংব্রম উতোম ময়িম, তোংব্রম খেলারাম ময়িম, তোংব্রম কংলা ময়িম, ৱাংজিংতাবা তোংব্রম পাংঙন ময়িম, তোংব্রম খোংদৌ ময়িমনে, উশাবদা লৈবা তোংব্রম মংনেম ময়িম, থাঙ্গদা লৈবা তোংব্রম ময়াম্বা ময়িম, তোংব্রম গঙ্গারাম ময়িম, খাইথিবা তৌরাংবমনে, তৌরাংবম সরোং ময়িম, তৌরৈবম য়োইব ময়িম, খাইথিবা থুমবনবমনে, লৈতাং খোমদাংনে, ময়াংকৈনৌ তাবা সরাইশু পালোই ময়িমনে,

সরাইসম কোইব ময়িম, খাইখিবা কোনসাবা সরাইচম গৌরশ্যাম ময়িম, খারম লানতাবা সরাইচম লোইতোং ময়িম, খাইখিবা ময়াংলম্বম খুঙম ময়িম, ময়াংলম্বম চতে ময়িম, ময়াংলম্বম মরিং ময়িম ময়াংলম্বম তুলাইপাবা খনবা ময়িম, খুরাইদা লৈবা সরাইচম কৌরাং ময়িম, কবো ব্রাকচিং তাবা সরাইচম কোইবা ময়িম, লোইতাম নাওশ্রম শেকওম্বা ময়িম, খাইখিবা লৌশিকাম বৃন্দাবোন ময়িম, ঙাথেম চান্দ ময়িম, ঙাথেম মরিং ময়িম, সরাইচম নিমাই ময়িম, ময়াংলম্বম লোইনাই ময়িম, ময়াংলম্বম গৌরশ্যাম ময়িম, সরাইচম সমুপন তাবা দামুদোর ময়িম॥০॥ য়ুনাওরোই য়াইমবগী ঈদি লৈসাংথেম খারম ময়িম, খুরাই তাবা লৈসাংথেম খগিন্দ্র ময়িম, কৌবরেন শঙবা চন্দ্র ময়িম, লৈসাংথেম মুরারী ময়িম, খাইখিবা খাকোকপম অচৌ ময়িম, খাকোকপম গৌর ময়িম, খাকোকপম চাউবা ময়িম, খাইখিবা নাওশেকপম লাব্রাং ময়িম, নাউশেকপম ভবান্দ ময়িম, খাইখিবা ইমখুতুম গৌর ময়িম, লাই মনাই য়িমখুতুম হরী ময়িমনে, খাইখিবা খোইদ্রম পানলোই ময়িম, মৈনম মোনসাম্বা ময়িমনে, মৈনম পুকচাউ ময়িম, নাউরোইবম তুলারাম ময়িম, নাউরোইবম তেনবা ময়িম, খুরাই লৈ সাংথেমদগী খাইখিবা হিজম তিন্নবা সঙ্গাই ময়িম, নন্দ ময়িম, খাগোকপম থৌবান তাবা মংলেম ময়িম, নাউশেকপম পাম্হোইবী মনাই পনসা ময়িম, সামুপন তাবা নাউশেকপম চরোন ময়িম, হৈব্রাম পালোই ময়িমনে,কালিকা মনাই খাগোকপম শ্যামরাম ময়িমনে, খাগোকপম লৌবান তাবা পাঙ্গনবা শঙবা পিনিন্দ্রাম ময়িম॥০॥

কামু অতোনবগী ঈদি সরাংথেম ব্রচানন্দ ময়িম, সরাংথেম নাইখুরাকপা হাওজৌ ময়িমনে, সরাংথেম য়াইরিপোক তাবা অথৌ ময়িম, সরাংথেম অখুন ময়িম, খাইখিবা ব্রাইরোকপম শ্যামপুর্ণ ময়িম, ব্রাইরোকপম চন্দ্র ময়িম, হৈনৌপোক তাবা ব্রাইরোকপম মুরারী ময়িম, পোৎশংবদা লৈবা ব্রাইরোকপম মুরারী ময়িম, পোৎশংবদা লৈবা ব্রায়েনবমদা লৈবা চনম চাইবা ময়িমনে, চনম রামসিং ময়িম, ইবুংঙো হরি চরন মনাই চনম নন্দ ময়িম, চনম মুকুন্দ ময়িম, খাইখিবা য়েলাংবম পাঙ্গে তাবা ধনীরাম ময়িম, খাইখিবা, চিংঙাখনবা প্রেমমাল্লি ময়িম, হিদাক শুংবদা লৈবা চিংঙাখনবা গঙ্গারাম ময়িম, চিংঙাখনবা মোইরাম্বা ময়িম, সরোকখাইবা সনাতোন ময়িম, সরোকখাইবম চিংঙা মথক তাবা সামরাম ময়িমনে, সরোকখাইবম ককব্রা তাবা সামরাম ময়িম, সরোকখাইবম খুঙম ময়িম, সরোকখাইবম হিংকুম ময়িম, সরোকখাইবম খুননৌ তাবা সব্রাম ময়িমনে, মাইবা

থিয়াম সোকপাউ ময়িম, থংকাচাই মনাই মাইবা থিয়াম খারাবা ময়িম, ৱাইরোকপম কৈরাউ তাবা কাহ্নু ময়িম, ৱাইরোকপম লবঙ্গ ময়িমনে, ৱাইরোকপম অৱা চংবা লখোন ময়িমনে, শমলোম শ্যাম ময়িম, খাইখিবা খুরাইজম তাংখোম্বা ময়িম, কৈথেন তাবা মনাই থোংঙাক্তা লৈবা সমলোম পিনী ময়িমনে॥০॥

লৈশাংথেম লোন

লৈশাংথেম লোন্দি হুইমু লৈমনা নুঙেঙী য়ুমথংবা। মঙাং নিংথৌ চনুনা য়ুচিকলৈ ১। মঙাং নিংথৌ চনূনা য়ুকাংকৌ। নোংমোইনূনা শরাতোন ১। মঙাংনিংথৌ চনূনা শরা পুকতাং অমা। মঙাং নিংথৌ চনূনা শরাং ঙানৈ ১। মঙাংনিংথৌ চনূনা খোংজি নূংলাইবা। পেনুনা চীংজেং নারন পাংগনবা ১। পেনূনা থাংয়ি তাউবুং খোংতৌবা ১॥০॥ লৈশাংথেম লোন্দি থাংয়ি তাওবুং খোংতৌবনা ইরেম তোইবী লৈনা লুৱাংখুবা চনূ পান্নদুনা পাংথং অহনবগা য়ুনাউরোই য়ায়মবগা কামু অতোনবগা ৩মা পোকএ। পাংথং অহনবনা মঙাংনিংথৌ চনূ পান্নদুনা মাগী ঈদি চেংলৈরম মুনান লাক্কে। অঙোমদা লৈবা থাংজম বলরাম লাক্কে। অয়েকপম খমলাংবা তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং ভবানন্দনা য়ুম ঙাকলিএ। তোংৱম তিংগাংবম খোংনাং তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং হেম মনিনা য়ুম ঙাকলিএ। তোংৱম খুরায় তাবা তোমা ১। নৌনা কারম্বনে। তোংৱম নম্বুন্তাবা রতোনসিং ময়ুমনে। তোংৱম ৱাকচীংকৈগী নরসিং ১। লম্বুন্দা লৈবা তোংৱব ফুরাশাবা ইন্দ্রবর ময়ুমনে। ফিশাবা তোংৱম হাওরং তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং মাধবসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। তোংৱম খাবা লাক্কে। থাঙ্গগী তোংৱম চন্দ্রহাস ময়ুমনে। পোৎশংবদগী তোংৱম গঙ্গাম লাক্কে। তৌরাংবম সোরবোন নিঙেন্তাবা করুনাসিং ময়ুমনে। তৌরাংবম গুণধ্বজ ১। তৌরাংবম পাতোন ১। থুমগনবম শ্যামচরণ ১। ৱাকচিংগী সোরাইশম ঈচাও লাক্কে। লোইতাম শগোলবন্দ তাবা পুরন্দরসিং ১। অহন স্নারোকতি নোল্লে। শগোলবনগী সোরাইশম ভুবনসিং ১। পুখ্রম্বমদগী সোরাইশম ললহাম্বুং তাবা ধর্ম্মসিং ১। কোনসবা খুরায় তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং তুম্বুসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। কোনসম খেলেম্বা লাক্কে। শোরাইশম হৈনৌবোক তাবা সাগরসিং ১। ঙাথেম চান্দ মরিনে লাক্কে। নম্বুন্তাবা ঙাথেম গোপী ১। সোরাইসম নম্বুন্তাবা

পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং চন্দ্রসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। সোরাইশম ককব়া তাবা ধনসিং ১। লাইদা লৈবা সোরাইশম বলরাম ১। ধনিশ্যাম ১। ওইনুতাগী লাঙ্গোঞ্জম ব়াংখৈ লৈকাইতাবা পাঙনতোন ১। সোরাইসম পাঙন লাক্তে। করথোংগী সোরাইসম লাক্তে। ইবুংঙো ওঙ্গশাইদগী খায়ামাতাবা যদুসিং অমা। যদুসিংদগী খাইবা অমু ১। ময়াংলম্বম কৈরুংবা থাংজম হেরানন্দ লাক্তে। পীতম্বর অনোনবা লাক্তে। সোরাইসম গৌরাং লাক্তে। ময়াংলম্বম গৌরশ্যাম লাক্তে। ময়াংলম্বম লোইনাই লাক্তে। ময়াংলম্বম তখেন লাক্তে॥ ময়াংম্বম খোইমোম তাবা খোম্বা ময়ুমনে। ময়াংলম্বম নম্বুতাবা পোংলেনবা অমা নাওশম খুরায়তাবা পিবাদি ঔব়াদা লৈএ। মথং ভীমসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। লৈতাম শ্যামচরণ লাক্তে। লৌশিগাম ইরোইসেনবা তাবা পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং তাম্রধ্বজনা য়ুম ঙাকলিএ। শামুপন সোরাইশম দেবসিং ১। চজিং তাবা সোরাইশম ঙাথেম রামানন্দ ১। ময়ালম্বম মরিং লাক্তে। সোরাইশম হাওরংতাব পিবাদি ময়াংদ লৈএ। মথং জয়রামন য়ুম ঙাকলিএ। খুন্দোংবম লম্ফেন্তাবা চকপ গৌরশিং ১। ময়াংলম্বম খুঙম লাক্তে॥ ০॥ য়ুনাওরোই য়ায়মান য়াওরৈব চনু পান্নদুন মাগী ঈদি লৈশাংথেম লাইরেম্মা মপাম খারমগী ঈ দুর্গাশিং ময়ুমনে। লৈশাংথেম মায়জৌদি লাই লইরিয়ে। লাক্তে। খুরায় লৈশাংথেম পিবদি তখেনদ লৈএ। মথং রুপানন্দনা য়ুম ঙাকলিয়ে। কৌবরেন শঙবা লৈশাংথেম পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং জয়সিংনা য়ুম ঙাকলিএ। লৈশাংথেম হাওরং তাবা পাঙন লাক্তে। নাগামাপান তাবা লৈশাংথেম পিবাদি ময়াংদ লৈএ। মথং শ্যামসিংন য়ুম ঙাকলিএ। খাগোকপম অচৌ লাক্তে। লফুপোক তাবা লৈশাংথেম কঙাবা ১। খাগোকপম কোংবা কাচিন্তাবা জয়সিং ১। লৈশাংথেম পাংগনবা শঙবা ধনঞ্জয়। লৈশাংথেম নুঙ্গৈ তাবা রামচরন লাক্তে। য়াইস্কুল তাবা নাওসেকপম চিন্তামনি ১। থৌবান্তাবা খাগোকপম যশসিং১। লৈশাংথেম খমলাংবা সঙবা থাবন ১। খাগোকপম কোংবা কাচন্তাবা হেরানন্দ ময়ুমনে। য়াইস্কুল তাবা খাগোকপম দরিন্দ্রসিং ১। খ্বাই তাব ইংগুদুম রতনসিং ১। লাইমনাই- ইংগদুম হরি লাক্তে। খোইচরম উচেক্কোন তাবা চাওবা ১। মোংশাংকৈগী খোইচরম ক্যাম্বা লাক্তে। কোনোক থিঙেন্তাবা মৈনম কমলসিং ১। মৈনম কোনোক থিঙেন্তাবা ভগ্যাসিং ময়ুমনে। শংগোম শুম্বদগী নাউসেকপম তুলসিরাম লাক্তে। নাওসেকপম য়াইস্কুল তাবা চাওবা ১। নাওসেকপম ইরেংবম তাবা পূর্ণশ্যাম ময়ুমনে। পুর্ণশ্যামদ পকপা শচেপ্পা লৈবা

চাওবা কবুইনে। কৈশামদ নাই ওইরিয়ে॥০॥ লৈশাংথেম্মদি য়াবা লাইরিক্তদি লৈতবা চোংথাম চিংঙা মথক তাবা বৌধশিং শেলুংবা ১। অনোনবা চিঙামখা তাবা চোংথাম চৈতন্য বলহব ১। শঙ্গাইগী ঈ চোংথাম চিংঙামথক তাবা চোংথাম চৈতন্য বলহব ১। শঙ্গাইগী ঈ চোংথাম চিংঙামথক তাবা চুডাসিং হাজরি ময়ুমনে। নন্দগী ঈ পিবাদি চুরাসিংদা তিল্লে। থিংনোংগৈ তাবা খাগোকপম চাওবা লাক্তে। হৈরাম পাৎশোই তাবা মাইজৌ ১। চন্দ্রখোংগী হৈরাম, চন্দ্রমনি ১। কালিকা মনাই খাগোকপম থৌবাল লৈমনাই তাবা হরিসিং ১। থৌবাল ঈরোং তাবা খাগোকপন কৃতসিং ১। ককচিং খুলেন্দা লৈবা লৈশাংথেম রাসমনি ১। লাংঙথেম তাবা পোৎশংবম পুরাসিং ১॥০॥০।

কামু অতোনবনা য়াওরৈবা চনু পান্নদুনা মাগী ঈদি শরাংথেম লাইরেম্মা মপাম জগদা ১। শরাংথেম হিয়াংথাং তাবা খিরদজিৎ ১। য়াইরিবোক তাবা অথৌ লাক্তে। শরাংথেম হাওবম মরক তাব পিবাদি ময়াংদ লৈএ। মথং জাবান- দন য়ুম ঙাকলিএ। শরাংথেম নাউরোইবম ময়ালম্বু খনবা পিবাদি ময়াংদ লৈএ। মথং হেমসিংনা য়ুম ঙাকলিএ। অসিদি অকোকশানে। শুগ্নুদা লৈব শরাংথেম তোঞ্জাও ১। পল্লেন্দা লৈবা শরাংথেম গৌরাং ১। ৱাইরোকপম ৱাংখৈলৈকাই তাবা পরমসিং ১। ৱাইরোকপম চিংঙামখা তাবা তুলানন্দ ১। খাইব সুখমন্দন ১। ৱাইরোকপম মুরারি নাই ওইবা লাক্তে। য়ুম ঙাকপা বলসিং ১। পোৎশংবদা লৈবা ৱাইরোকপম লৈরি ১। ৱাইরোকপম শ্রীদাম ১। চনম শ্যামবা নাই ওইবা লাক্তে। ইবুংঙো পুখ্রনবদা নাই ওইবা রামসিং লাক্তে। য়ুমঙাকপা বৃন্দাবনগী ঈ চনম থম্বাল লৈমনাই তাবা বলসিং ১। চনম তুলসীরাম ১। লৌসিখাম বামন ১। খাইবা চাওবা ১। চনম শন্তোক তাবা হমেসিং ১। ইরোইশেনবা তাবা দেবশ্বর ১। চনম মুকুন্দ লাক্তে। ইরোইসেনব থেলরাম লাক্তে। চনম হরিচরণ মনাই নন্দ হরিচরণ মনাই নন্দ লাক্তে॥০॥ অঙোম নাইদগী এলাংবম নম্ভুন্তাবা ইরাসিং ১। এলাংবম নম্বুন্তাবা তুমগ্রসিং ১। এলাংবম পাংগৈ তাবা পিবাদি উৱাদি লৈএ। মথং রামনন্দনা য়ুমঙাকলিএ।।০॥ চিংঙাখম মোইরাংখোম তাবা দুলহবসিং নোংথোনবা ময়ুমনে। অহন কম্বোং নোল্লে। চিংঙাখম হিদাকশুংবা শরুবা ১। পাখংবা মনাই চিংঙাখম অহোঙ্গৈ তাবা মাইজৌ ১। সোরোকখাইবম ককৱা তাবা যদুরসিং ১। সোরোক খাইবম শীংজমৈ তাবা কুমুদ ১। সোরোক খাইবম উরিপোক তাবা রসিকা ১। সোরোক খাইবম বলদেব ময়ুমনে। সোরোক খাইবম

নৌতুনসিং ১। সোরোখাইবম গুণধবজ ১। সোরোক খাইবম রসিকা লাক্তে। কামু তাতোনবগী ঈনি হায়দুন লৌখত্তুনা পকপ ময়াং লৈমনাই খাৱা চুড়ামনি ১। বানপিামা চুরা ১। মরাম গোবিন্দ চরণ ১। শোরোক খাইবম হিংগুম লাক্তে। থাউদৈজমদা সোরোখাইবম থৈবা লাক্তে ॥০॥ মাইবা থিয়াম শোকপাও লাক্তে। ৱাইরোকপা লোকৱাবা ১। ইবুংঙো তঙ্গশাইদগী মাইবা থিয়াম খারাবা লাক্তে। মাইবা থিয়াম কাহ্ লাক্তে। ৱাইরোকপম লবঙ্গ লাক্তে। বামন্দগী লক্ষণ লাক্তে। ৱাইরোকপম হোংবা লাক্তে। শমনোইবা অঙাং মচা ১। শমনোইবা রুপানন্দ ১। সোরোখাইবম শ্রীদাম ১। রামনন্দ ১। খুরাইজম তেংখন ঈশৈহনবা শ্যামসিং ১। কবো লৈকাইদা লৈবা থোঙ্গাবম শ্যামপুর্ণ ১। কবোনে ॥০। চীংজেন নারন পাংগনবনা ময়াংদা থোংনাং ফৈদ্রি খোংনাংগী মচানুপী লৈরিলৈশংখোন্বী পান্নদুনা থৈবোংনে মোষ্টেনে ২মা পোকএ। থৈবোংদী ঈ তাদে। মোষ্টেনা অঙোম চনু পান্নদুনা লুকোকনে মোষ্টৌনে ২মা পোকএ। লুকোক্কী ঈদি পোৎশংবম নাচৌ তাবা গোকুলসিং ময়ুমনে। পোৎশংবম অঙাংজাও ময়ুমনে ।০॥ মোষ্টৌগী ঈদি পোৎশংবম অবুংজাও খরোবা ময়ুমনে ॥০॥

(কোম্ভৌজম লোন্দি হুয়মু লৈমন লোকপা ১। মঙাং নিংথৌ চনুনা পাথুপ ১। মঙাং নিংথৌ চনুনা নোংলোন ১। মঙাং নিংথৌ চনুনা লেম্বা ১। মঙাং নিংথৌ চনুনা থৌয়ান ১। মঙাং নিংথৌ চনুনা হাওরোক ১। মঙাং নিংথৌ চনুনা কোম্ভৌ ১। মঙাং নিংথৌ চনুনা মাইপাক ১। মঙাং নিংথৌ চনুনা মাইশঠ ১। মঙাং নিংথৌ চনুনা ৱা ১। মঙাং নিংথৌ চনুনা য়ুকোনবা ১। মঙাংনিংথৌ চনুনা নানবা ১। মঙাংনিংথৌ চনুনা নানব শারাবা ১॥০॥)

কোম্ভৌজম শলাই য়ুমচঙবদি নানবা শরাবন মঙাংনিংথৌ চনু পান্নদুনা মুবগা খাংজেংগা ২মা পোকএ। মুবগী ঈদি কোম্ভৌজম লাইরেম্মা মপাম শাজৌ ১। কৈবগী কোম্ভৌজম অদ্রাম লাক্তে। উয়ান তাবা কোম্ভৌজম পুর্ণসিং ১। কোম্ভৌজম হাওবা লাক্তে। অহান হাওজৌ লাক্তে। ফুবা তাবা কোম্ভৌজম বুধিরাম ১। কোম্ভৌজম ময়োন ঙম্বা লাক্তে। শিখোংগী কোম্ভৌজম নিমরাম লাক্তে। ৱাকনবমদগী কোম্ভৌজম খুরায় তাবা দেবসিং ১। ইবুংঙো সেনাপতি মনাই কোম্ভৌজম খুরাই তাবা যদুসিং ১। থোঙাক শঙবা কোম্ভৌজম য়োইবা লাক্তে। কোম্ভৌজম লোইবা লাক্তে। কোম্ভৌজম কম্বোং লাক্তে। কোম্ভৌজম মৈনম তিন্নবা কৃষ্ণচরণ ১। ময়াং নিংথৌনাইদগী কোম্ভৌজমনি হায়না পকপা

199

হাওরোকচম মুংয়াং ১। বিদামচম চৈতণ্য ১। শোমবেম পুকচাও ১। থাংজম য়ুপানবম শীংজমৈ তাবা ইন্দ্রধবজসিং ১। ৱাংখৈ লৈকাই তাবা থাংজম য়ুপানবম পিবাদি ময়াংদা লৈএ। মথং চৌরদ মলসিং ১॥০॥ খাংজেংবগী ঈদি কোঞ্জেংবম নোংপোক তাবা মৈতৈ ফিশাবদা লৈবা অমু ১। শঙাইব্রৌ তাবা কোঞ্জেংবম করুনা ১। শগোলবন্দ তাবা কোঞ্জেংবম অতোঞ্জাও ১। চঙানকৈদগী কোঞ্জেংবম খুৎলুম্বা লাক্তে। কোঞ্জেংবম খৌদোন ১ লাক্তে। মোইরাংদগী কোঞ্জেংবম কর্ণ খান্বী লাকপা ১। কোঞ্জেংবম খোম্বা লাক্তে। হিদাকশুংবা কোঞ্জেংবম মুরারী লাক্তে। হাওরোকচম শগোলবন তাবা জন্মসিং ১। থিংনোংকৈদগী নিত্যাইপাৎতা লৈবা হাওরোকচম সদানন্দ ১। কোঞ্জেংবম ঙাংবা লাক্তে। কোঞ্জেংবম নম্বুন্তাবা রত্ননন্দ ১। থিনোংকৈ তাবা পাঙন লাক্তে। কোঞ্জেংবম পুকচাও লাক্তে॥০॥

(লোক্তানবম লোনন্দি হুয়মু লৈমন লোক্তোন অতোনবা ১ মঙাং নিংথৌ চনুনা শীংজা ১। মঙাংনিংথৌ চনুনা লোকচা ১। থরৈনিংথৌ চনুনা চমোইবা ১। লেমলৈ নিংথৌ চনুনা ঙামোইবা ১। মহৌনিংথৌ চনুনা লাৎসং ১। খেন্দে নিংথৌ হাওতক লাইবা চনুনা মোইবা ১। চেংলৈ নিংথৌ চনুনা চারোইবা ১। নিংথৌ চনুনা পুক্লোইবা তোম্হোংবা ১। নোংবাল্লোন শিংলৌ মাল্লৌ কোইবীনা লোক্তোনবা কোনবিচা ১। লাইপোং চনুনা শাফব ১॥০॥) অমোম মপু অদুগী মীং লৌদুন অমোম কৌএ। অমোম অহৈবম মপু অদুনা অহৈবমদ লৈখি হাইবগী অমোম অহৈবম কৌএ। ইং কুমজা অয়ীংবদ পংতুম তুম্মী হাইবগী ইংকুমজ কৌএ। ইংঙুদম (ইঙুদম) মপুদ মফি মরোও য়াওদনা ইংন তুম্মে হাইবদগী ইংঙুদম কৌএ। কোঞ্জেংবম খুন তান্নবদ কোন্না চঙলকই হাইবদগী কোনচংপ কৌএ। হাওরোকচম মপু কোম্হৌবগী য়ুন্নাকপু হাউরোকপম (হৌরোকপম) কৌএ। কোম্হৌজম ৱাংলম্বদগী লৈ তারক্তুন লৈখিবা কোম্হৌগী মিং লৌদুন কোম্হৌজম কৌএ। মৈনম -মৈবু নমদুন মুৎলে হাইবগী মৈনম কৌএ। খুরাইদম - খুরাইদা তাই হাইবদগী খুরাজিম কৌএ। খাগোকপম মপুদু মশম হৌদে খাগোক মাল্লে হাইবগী খাদোকপম কৌএ। খোইচম - খোইরু শুংই হায়বগী খোইচম কৌই। খুনতোংবম - খুন অদুগী অতোংব লমখৈদ তাই হাইবগী খুনতোংবম কৌএ। খুন্দোংবম মপু অদুন খুনগী মতোন্দা লৈ হাইবগী খুনদোংবম কৌএ। খোইস্নাম খোইরে হাইবগী খোইসনাম কৌএ। খোইরোম- খোই লোকপা (য়োকপা) হৌই হাইবগী খোইরোম কৌএ। খুরিয়েম্বম- খুৎনা তাদুন থৌরি খুরী সাদুন

য়েল্লি হাইবগী খুরি য়েনবম কৌএ। খুরাইজম - খুরাস তেংথনপাগী মমিং লৌদুন খুরাইচা তেংখপপম কৌএ। খুরাইজম - নিংথৌগী থোঙ থিংনব খরাই সাই হায়বগী খুরাইজম কৌএ। তেংখমপম তেন সাদুন সেমদুন লৈ হাইবগী তেনবম কৌএ। ঙাখেম - ঙা ফাবা সমনব হে হায়বগী ঙাসম কৌএ। ঙাথেম- ঙা থিবা থেম্ব হৈ হাইবগী ঙাথেম কৌএ। ঙামুকাপম - ঙামু কাপপে হাইবগী ঙামুকপম কৌএ। চিংঙাখম – চীংঙা সংঙে হাইবগী চীংঙাখম কৌএ। চোলেপম চেংগৈগী য়ুমফমদা লৈয়ে হাইবগী চেংলৈনম কৌএ। তোংব্রম- লৈবাক তোংনা থোল্লে হায়বগী তোংব্রম কৌএ। তৌরাংবম - য়াম্না য়ানাববু তৌরাংবম কৌই। সৌগানবম তেন্নবদ লৈরুই হাইবগী তেন্নাইনবম কৌএ। থাংজম নিংথৌগী মাং শাই হায়ন তাংজম কৌই। পাওসেকপম - মরৈ অদু নাওসেক মাল্লে হায়বগী পাওসেকপম কৌএ। নাওশ্রম- অঙাং মচাশিং নৱাশিংগা পামহে হায়বগী নাওশ্রম কৌএ। পোৎসংবম - নিংথৌগী পোৎপু শংঙে হায়বগী পোৎশাংবম কৌএ। ফৈদবসোইবম -কৈবু শাবা থিবা হে হাইবগীদমক মাইবাথিরাম কৌএ। মাইব্রম- মোইরাংগী মায়বা ওই হায়বগী মাইব্রম কৌএ। মাইরম্বম- মায়রেল থাবা হৌখি হায়বগী মাইমেচম। মাইরম্বম) কৌএ। মাইরমবম - মায়রেল থাব হৌখি হায়বগী কৌএ। মোইনম মোইকাম মোইজিং লাংলে হায়বগী মোইনম কৌএ। য়ুমশদুম - য়ুম কুপ্পা হৈ হায়বগী য়ুমওদুম কৌএ। লাংঙোদ্রম লাঙ্গোন্দ মং সঙঙে হাইবগী লাংঙোজম কৌএ। লৈতাম - লৈপাক তৌব হৈ হায়বগী লৈতাম কৌএ। লৈসাংথেম -লাইগী লৈয়ংবেবদগী সাবুনা চোংথোরক্লে হাইবগী লৈসাংথেম কৌএ। লোকতোংবম - লোক মতোন্দ খুন্তাই হায়বগী লোকতোংবম কৌএ। লৌসিগম লৌসুবা কাবা পাম্মে হাইবগী লৌসিগম কৌই। ৱাইরোকপম কৌএ। সমনোইপক - নিংথৌগী মশম মনা নোই হায়বগী সমনোইবম কৌএ। সংখুবম- মপু সংখুবগী মমিং লৌদুনা সংখুবম কৌএ। সরোইখাবম - অসিবগী খাইদুন লৌই হায়বদগী সরোইখাইবক কৌএ। সরাংথেম চীংউগী মশাদগী সাংনা থোরক্লে হাইবগী সরাংথেম কৌএ। সোমবেম- মপু সোমবেকগী মমিং লৌদুন কৌএ। সোরাইজম-লাই সোরারেলগ শম লৈ হায়বগী সোরাইসম কৌএ। সমোম- মপু সমোমগী মীং লৌদুন সমোম কৌএ। সুইমেম- থবক য়াম্না সুই হাইবগী সুসেম (শুরাইশম) কৌএ। হাইবম - হাইদুন নজিথেময়ে হায়বগী হাইবম কৌএ। হাওরোকচম - মপু কেন্থৌবগী য়ুম্নাকপু হাওরোকপম কৌএ।

হৈবম - হৈয়াম্না পান্মী হায়বগী হৈবাম কৌএ। হেমোইবম মপু হেমোইবগী মমিং লৌদুনা হেমোইবম কৌএ। শুইয়াম-মশাগী হুই যাম্ন লোয় হায়বগী হুইয়াম কৌএ। য়ুমপুন্বম- য়ুম কুপগী হৌ তৌই হায়বগী (য়ুমকুমবম) য়ুমপুন্নম কৌএ।

১. অমোম
২. অমোম অহৈবম
৩. ইবুকুতম
৪. ইংঙুদম
৫. কোঙেংবম
৬. হারোকচম
৭. কোন্থৌজম
৮. মৈনম
৯. খুরাইজম
১০. খাগোকপম
১১. খোইচম
১২. খুপতোংবম
১৩. খুন্দোংবম
১৪. খোইস্নাম
১৫. খোইরোম
১৬. খুরিয়েম্বম
১৭. খুরাইজম
১৮. খুরাইচম
১৯. তেংখমলম
২০. ঙাথেম
২১. ঙাথেম
২২. ঙামুকাপম
২৩. চিংঙাখম
২৪. চোলৈপম
২৫. তোংব্রম
২৬. তৌরাংবম
২৭. গৌগানবম
২৮. থাংজম
২৯. নাওসেকপম
৩০. নাওশ্রম
৩১. পোৎসংবম
৩২. কৈদাসোইবম
৩৩. মাইবথিরাম
৩৪. মাইব্রম
৩৫. মাইরম্বম
৩৬. মাইরেম্বম
৩৭. মোইনম
৩৮. য়ুমশুদুম
৩৯. থাংগোসজম
৪০. লাংঙোদম
৪১. লৈতাম
৪২. লৈসাংথেম
৪৩. লোক তোংবম
৪৪. লেসিগম
৪৫. ব্রাইরোকপম
৪৬. সমনোইপম
৪৭. সংখুবম
৪৮. ইরোখাইবম
৪৯. সরোক খাইবম
৫০. সরাংথেম
৫১. সোমবেম
৫২. সেরোইসম
৫৩. সমোম
৫৪. সুইসেম
৫৫. হাইবম
৫৬. হাসরাম
৫৭. হাওরোকচম
৫৮. হৈবাম
৫৯. হৈমোইবম
৬০. হুইয়াম
৬১. য়ুমপুন্বম

সলাং লৈশাংথেম য়েক সলাইদা পুল্লীবা সাগৈশিং অসি য়েক থোকপা ঙাইনী। হায়রিব শাগৈশিং অসি য়েক থোকপা মরম্না লৌনা লৈনব য়াদে। লৌনা লৈনব তারবদি অৱা-অনা নংই। অপোকপা লাইগী মফমদ হৈ-লৈ অমৎতা কৎপা অরেম্বা ওইরে খঙও। করিগুম্বা সাগৈ য়েক সলাই পুন্না লৌনা লৈনবদগী থোকহন্নীংদব থৌদোক কয়া থোক্তসু নংতে। লাইগী থৌরমদ য়েক তিন্নব লাই পুবা য়াদে। অপোকপাগী চনিং শোকপা য়াদে। সাগৈ অপোকপদ কৎলিবা শরেন তুবগী শরেন পুকলেন ফাওবসু ফংব য়াদে। য়েক তিন্নবান লাইগী থৌরম থৌদাদা লম হাদুন পাংব তারবদি মচা মশুদ অফব ওইদে। সলাই য়ুমদারোল পুয়ান অসুন্না পরি অপোকপা থৌগল্লিবা মীওই অমনা য়েক থোকপা লৌরবদি চহি ও দন পীবা ফমসু থাদোক্কদবনি। সলাং লৈশাংথেম য়েক্ল সলাং লৈশাংথেম য়েকবু চারৌ মৌরৌনব হায়বসি মশাগী তুংদ লান্দবা পুম্নমক্তা মহা অদুতা মাংজব প দুনা সাগৈশিংশু ময়েং তাগন্নী। য়েক থোকপা সলাং লৈশাংথেম সরাং লৈশাংথেমদ চারৌ মৌরীনবা তারবদি অমাংবতা নংতন মচা মশু শুরোন চারোন পুরোন ৭ ফাওবদি ঈচেল্লোন মাংএ হায়দুন সলাই য়ুমদারোন্না ময়েক শেংনা পীরি। মশাদসু লাইমুং তিনমুব, তিন্দ লাইজব ফাওব লাইচুবা লৈগনি। সলাং লৈশাংথেম য়েক সলাই লৌনা লৈনব য়াদে য়ুমদারোন্না ময়েক শেংনা পীরি। সলাং লৈশাংথেম পুন মতমদা শাগৈ পীবা মথং মনাও নাইনা পুরোন নারোন হংনরকপা মতমদা য়েক লৌবা য়াওরবদি য়েক সলাই সৱাং লৈশাংথেমগী পুয়া ইরকপদা মতমদ য়েক থোকপ পিবাদি শাগৈগী পুয়াদা চনব য়াদে য়েক সলাই পুনবা লৌনফদেয়ে। পাখংবা সলাই ৭ নি। পাখঙবগী ঈশাংলোই ওইরিবা পোং সলাই ৭ নি। পোংগী মচা মশু ওইরিবা মীওইপোকসু সলাই ৭ নি। লাইনিংথৌ সনামহি মালেম লৈশেমকোন্দা পাখঙবা ঈ শাংলোই ওইদুনা সলাই চাওদা পাওদনা নোংদমলকখি। মদু নোংদগী মীওইবা সলাইনা মালেম লৈকোন্দা মপু ওইবনা পুথোকলিবা অচৎ-চৎতা জীবা পুমনমক্তগী মীওইবা কৌবা মপোক্লা অশোয়বনি হায়না পাখঙবা লাই হুইনা পুয়ান ময়েক শেংনা পীরিএ। খোইয়ুম লাইওইবনা তাইবঙ পানবগা অসুক্কী মতিক নক্লা লৈ হায়নসু তাকলি। মদু নোংগী চৎনরোলবু তাইবঙ মীওইপোক্তা পোকলিবা তাইবঙ পানবনা খোইয়ুম লাইহুইনা পীরি খোইয়ুম লাইওইবগা মীওইবগা অসুক্কী মতিক নক্লবনা লৈ হায়বসি য়ান্নরবা ৱাফম্নি। সলাই য়ুমদা রোন্না অসুন্না পিরি। য়েক ৭ সলাই ৯ বু খাইবিরমলবিনো

হংলিবা সলাইচাশিংনা লাই ওইবা মপুনা য়ুমদারোন কৌবা পুয়া মাইচৌ অপোই মচানা খৃ: ৪২৮ দা রুংলা সঙমাইথেন্দা অসুম্না য়েক সলাইবু খাইবিববু স্বনা মহি লৈশেমকোন্দা মপু ওইবনা নিংথিবা লৈকোন্দা লৈরাং মশিং থিঙমদনা তমলম্মই। লৈরাং মাগী মতৌদা অমৎতা মান্নবা য়াজবা নৎতে। মসি নুংগী ৱারমবু সাগৈ য়েক সলাইসু হৈরাং লৈরাংশুম সাগৈ সলাইসু য়ুম্নাক সাগৈ নাইগনি হায়না নোংদম্বীএ। য়েক সলাই খায়খিবা ৱাবু অসুম্না নোংদম্বীরকই। মপুগী লৈকোন দা শাৎলী লৈরাং লৈখন শুনা। য়েংবদা মীৎফম হোংবা ঙমদনা শাৎলীবা লৈরাংদো মপুগী লৈকোন্দা য়েংজরী লৈরাংদুবু শেম্বীরকপা মপু ওইবনা লৈখন শুনা শাৎপা লৈকোনগী লৈরাংদো মদুতবু য়েংজরগা মপু ওইবনা পেনজখি। নীংথিরবা লৈকোনগী লৈরাং অমৎতা মচু মান্নদে।

অদুগুম্নবা নিংথিরবা লৈরাং লৈচু নাইবদো মপু ওইবনা লাই অনীনা নুংশিনা য়েংলদুনা ফজবা নীংথিবা লৈরাং অসে মাংবা য়াদে হায়ন মপুগী পিবুক্ত ংদা খনজরম্মই। লৈরাং শাৎলিবা লৈকোন অদুগী য়াইদা লেপ্তুনা মপুনা পিবুক্ত ংদা খনখি। করি করম্বা মতমদা লৈরাংগী মপোক্কা চাংদম্নবা য়াবা মপোক্তা মপু ওইনা ঊনিংলকই। লৈরাং পুম্নবু য়েংলদুনা মপু ওইবনা হায়রকখি। লৈরাং নংগী পুন্সিদি লৈয়েংনুংদগী লৈখা তম্লকখি। মপুং ফারবা লৈরাং পাম্বীদো লৈশেম কোনগী অনেম্বা মালেমদা নহাক্কা ফুগাইনা শাৎপদু উরগা মালেমদা লৈরীবা অচৎ-চত্তা কয়ানা নহাক্কী নতৌদু য়েংজরী। খঙহৌদে লৈরাংগী পুন্সিদো লৈমন চন্দুনা লৈখোক্তা কেনখিবা অমুক তানৌবা মপোক লৈরাং মরু চারবদগী পাম্বী মউ লিংঙকখি। মপুগী লৈকোন্দা শাৎলিবা লৈখন নাইবা লৈরাংনী। লৈরাংনা লৈখোক্তা কেনবগুম মালেম তাইবং পানবা মপোক অসে অচং নাইরনী মচু মথেল খায়রনী। লৈরাংগা পাংকক ওইরবা মীওই পোক সলাইবু মপু ওইবা সিদবনা মীওইবপোকপু মপুগী লৈকোন্দা শাৎপা লৈরাং গুম্বগী হায়না নোংদম্বীরী। লৈরাংবু মুন্না য়েংদুন মপুনা হায়রে লৈরাংদো। নীংথিবী লৈরাংও নংনা লৈকোন্দা ফুগাইনা শাৎপগুম য়ালেম অসিদা নহাক্কী মপোক্কী মান্নবা মীওই পোক কৌবা সলাই নোংদমগনী হায়ন পাখঙবা লাংচৈ পুয়ান সলাং লৈশাংথেম মৈহৌরোল সলাই লাংজৈনা অসুম্না সলাই খায়খিবগী নোংলোন ৱাবু লাইহুইনা তাক্তুনা পীরীএ॥

সলাই অপোকপা মশক তাকপা

মঙাং লাংপুম অরিবা:

মঙাং লাংপু খৈরেনপাও। নোংকী য়াৰা মতমঙৈ। লাংপুম মৈরেন মতাইঙৈ। লাংসু হৌরেন য়াংপনি। য়াংপ নোংকী লাংশিং ম্ওইএ। হৌরেনঙৈকী মঙাংও সলাই নোংতম য়াৰারেন মহায়কে, পাখঙপা লাংকোই হুইরেন শা। শাবু হুইরেন নোংতমএ। লাংশিং হুইরেন মতাইন, নোংখৌ লিক্লাং লাংপুমএ। পাখঙপা সলাই লাংপুম্বনা নাওরেন নাওবু নাও শারে। খিঙ্গৈ। মীরেন য়াহোইরেন। পুথাং কোকলেন লাংপুমএ। সাবা লিংলেন মঙাংও, পাখঙবা নথাং য়ৈরেনলে। নাওয়োম লাংশিং হুইরেল্লে। কাইবী হীদোং নোংশাপাও। লৈরি চেল্লোং নাহুইরে। মঙাং হৈরেন পোংশুপা পোংগী হৈশোই ঈপাল্লে। কোরৌ য়োইদা থাংওইননা পাখঙপা লৈচা ৭ তা নোংখোঙ ফুইনা মতাইরে। মঙাং লাংপুম হিখোম্বাও। পৌরেন নুংগী পাওশাপনো। পাখঙপা লাংজিন ৰাইরেম্বানা নোতমএ। করি নোংকী য়োইত ঙানপা লাংহুইপনো হায়না মতাইএ। নোংকী লিক্লাং সনা লৈরি নচোমপাবু হিকলেন তোইনা নোংখৌএ। নোংকী য়াৰা হৌরেনপাবু খিকলোয় নোতমএ। পাখঙপা সলাই ৭ চোম্লাং খিক্লা মতাইও। সলাই লাংচিং মাওইরেন তাইবু মীরেন হালোয়পাও। য়াৰাতবু মহায়কে খোয়ুম ওইপা পাখঙপা সলাই নংদি মঙাংতা নোংতমও। নুমিৎকুম নশোং কাং মায়থোং মাকা লমজৌও। সলাই ৭ লাংজিংকোন পাখঙপা ঈথাংলো হালোয়পা। মঙাং পোকলেম্বা হায়ন মকৌপানে। লোয়নপা লাইতি নুমিৎ রোয়নে। মীরেন ঈথাং লোং পাখঙপা ঈরিরেন ৭নে। অতু নোংকী ঈপুল্লোন লাংপুম্পু মঙাং য়েক সলাই পাখঙপা নাওয়োমকী থোংলোয়নে। লাংপুম মঙাংতা পুনপানে খঙও।

লুৰাং লাংপুম অরিবা

হা লুৰাং খৈরোইপাও। সনা লৈরিক লৈচু ফাসিবাও। লাংপুম খৈরেন নোংখাং ৰাইশেন পাবু নোংতম লাইনা মতাইএ। খিয়ুরোন নোংতম লাইহুইপান। ৰাংপা লুৰাং হুইরেনপাবু কৌরৌ নোংবু য়েংনা মহায়এ। লাংশিং থাপু, হেখোয়এ হায়না হা ৰাংলেনপা খোইয়ুম ওইপতি সলাইপাও। য়াৰা কংজৈ লাংহৈকে নপা চিখাং হুইরেনও। সিতাপা লাই ঐহাক্লা নোংখোং কাইনা মতাইকে। ৰাংলেন পতি লুৰাংতা নোংতম য়াৰা মহায়এ। নোংকী য়াৰা কৌফারোইএ। লুৰাং নোংকী লাংপুমনে। খোইয়ুম ঙালোয় লুৰাংনা নপা নরেন মতাইএ। সিতপা লাই

সলাইরেন্না নোংতম পিএ লুৱাংতা। হা লুৱাংখিংওইপা নোংকী য়াৱানি মকাওকনো নোংতমপীএ। লাইওইপা সলাই লুৱাংনা। লাংপুম খেকৱাই মতাইএ। নহান নোং লুৱাং নঙনা মহায়এ। সিতপা লাই সলাইরেন পতা কোরৌ লাংশিং হুইরেন্মা মহায়পতে। খোইয়ুম ওইপা লুৱাংনা হয়া মালেম কোনপরেন্তা। নোংকুম লিল্লাং নোংতমচগে মহায়পতা সিতপা লাই সলাইনা করি নুংকী লুৱাং নংনা নোংকুমপানে। হংখি। লুৱাংনা মহায়এ লৈশেমকোনকী লাংহৈতা লুৱাং ঐনা নোংকুমকে হায়পতি হয়া মালেম অনেমপতা সলাই নোংতমচকে হায়পকী লুৱাংনা য়ালেমতা নোংকুমএ। সিতপা লাইও সলাইনা অদু নোংকী লুৱাংকী য়াৱাপু হোয়পিখি। লুৱাং ওইপা সলাই পাখঙপাও। মালেম অনেমপাদা লুৱাং সলাই পাখঙপা লাংদাইকোন মতমএ। সিতপা সলাইরেনকী য়াৱা মাপু হুইরেল্লে। লাইকী ফম্বাল নোতমএ। লুৱাং ফম্বাল য়াবিকোন্দা ঈতমএ। সলাইরেন সিতপা মোমোন নোকিএ। অদু নোংকী লুৱাং লাংপুম হৈরেল্লে।

<u>খুমন লাংপুম অরিবাঃ</u>

খুমন য়াংপু হৈরেনপাও। নোংখোং ফুইনা মতাইপাপু করি নোংকী য়াথোংপানো। কোরৌ লাই য়োইহেনপানা নোংতম সনা ঈতাইরকখি। কোরৌ খিকলোয় ঙাইওইনপাও। খুমন নপা লৈরাং লৈরিকপু। অনেমপা মালেমতা মঔ লিংকে। থৌঙম থৌশু থৌশিন থৌপাংকে। অদু নোংকী য়াৱা লৈপনা খুমন ঐনা মালেম নোংকুমএ। খুমন লৈরিক য়ামোইপাগী খোইয়ুম মপাও মতাইপতা কোরৌ ঙালোয় য়োইহেনপনা মহায়এ। মতু নোংকী য়াৱা লৈরিক নোংতমপাপু নপা চীরেল্লে। খোইয়ুম ওইপা খুমন ঐহাক্লা মালেমতা খুম্হোকপকী য়াৱা মতাইকে। খোইয়ুম ওইপা ঐহাক্কী লাংওন মাবুসু মতাও ও। খোইয়ুম ওইপা ঐহাক্লা অনেমপা মালেমতা লাংওন মশিং য়ামকানিএ। সলাইরেন সিতপাকী ফম্বালতা নোংখোং ফুইনা খুমন ঐনা চুকনিএ। খেবু নোংথাং তরংলেন। লাংপুম খিকলোয় হৌসুনা খুমন পুংকোই মতাইনা। তরং হুইরেন শাওইনা। ঈরিক লৈশা নোংখৌনা খৈরোই লাংপুম খুমনপনা য়াথোক্কনিএ। তাবিয়ো নোংথৌপাও। খুমন ঐগী লিশাংকোন য়াৱা পুম্বা নোংতমচগে। চীঙউপা ফম্বালরোন হৈরেনঙৈ নোংশা পালোয় নোংতমএ। সনা চুবুম মৈরেল্লে। খুমন চীখাং হাশুপনা লৈশা কোনগী ঈরিক্তা লাংপুম মীরেও ঈতমকানিএ। খৈরেন নোংপু খিংকালেন। চোল্লাং হিরি মতাইরেন। খুমন লাংপুম হিবুরোই। নোংকং য়াইরেন নোংতমএ। লাংওন লাংতাই ওইপতি সিদব লাই সলাইরেনকী নিংথিপা লৈরাং মরক্ত খুমন লৈশাং নোংতমকনিএ।

য়াৰা মপাও তাপতা। য়োইদা ঙানপা অঙানপানা মঙান মশেক ওইতুনা খুমন মাকী লাওনতো মপুয়াই নোংতমও মহায়পিএ। মতু নোংকী য়াৰা তাবতা খুমন সলাই পুংকোইপনা লায়াই লাংপুম নোংতম্লগে হায়ন অনেমপা লৈশেমকোনতা খুমন পুংকোই সলাই লাংপুম নোংতমখিএ॥

অঙোম লাংপুম অরিবা

অঙোম সলাই য়াংখুরেম্বাও। খৈরেন মৈনা লাংতাইরকলে। মৈরেন তোংবী হুইরেন শনি। খাংকোই মীরেন লাংশিং পীনাইরে। থৌসু য়াংকা অঙোম লিতাওপাও। লৈখি খৈরোই নুঙকী ঈতাইনা। চুবুম লাংশিং মাওইরে। কোরৌ ঙালোয় য়াইমাপনা খোইয়ুম নাপু মতাইএ। নপা চীরেন লাংতাইও। মাতু নোংকী য়াৱাপু তাপতা অঙোম খৈরেনপনা মউইএ। অঙোম লাই থৌরেনপাও নঙবু উকে হায়না খোইয়ুম ঐনা মমিএ। অঙোম লাই ওইপা নঙপু উপতা পায়মা খৈনা চীখাংএ। য়াৱা লাংজিং ওইপপু মতাইএ অঙোম লাই ওইপা। করি নুঙকী অঙোম ঐপু তুথিব্র য়াৱা মপাউ পাওশাইএ। মতু নোংতা য়াইমাপা ঙাংজেংপানা অঙোম লাই ওইপাতা য়েংতুন্না হায়এ। খোইয়ুম ওইপা অঙোম লাইনা। পৌরেন নুঙকী পাউশা হীরিলেল্লে। খোইয়ুম ও অঙোম লাইওইপাও। খোইয়ুম নঙকী লাংওন লাংদাইদো ঙালোইপা ঐনা উকে হায়তুনা লৈপনে। ঙালোয়পা য়াইবপা ঐতি অঙোম নঙকী লোয়নপনে। শকলোন্তি সনা চুথাং পাহুইএ। অঙোম লাইওইনা ঙাঙোইপা য়াইম্নাপাবু য়েংনা মহায়এ। অঙোম লাইওইপা ঐতি সনা কোংকোই লৈফাবা পুংকোই সনা লৈরিকপা মগাইরেন লৈশাকোন্তা অঙোম ঐনা লাংওন লাংদাই ওইপা ৱাপু মহায়কে। হো খিংলোই য়াইখুপা অঙোম সনারিক ঙালোয়পা। ফম্বাল নুংজেং হালোয়পা। পাখঙপা লাংজিং সেনত্রেংপাও। সলাই লাংপুম হুইরেনপাকিএ। সনা লৈরিবা লৈখোম্না নোংখাং য়াংবী হুইদেমনা পাখঙপা সলাই য়াখোংগনিএ সনা লৈরিবা লৈখোম্না নোংখাং য়াংবী হুইদেমনা পাখঙপা সলাই য়োখোংগনিএ। মৈরেন খাংবি লাংশিংকোন। খৈরেন তাইনা মতাইকে। লাংজিং হুইরেন নোংতমকে।মপুগী সনা অঙোম লিকফাং নুরেন ৱাইশেন নোংদমকে। য়াৱা কাংলেন ঙালোয় য়াইমাতা নোংতমএ। মদু নোংকী নোংতম য়াৱা তাবদ ঙালোয় য়াইমাপা পেঞ্জখি। অসুম্না নোংদমবীখি। অঙোম সলাই লাংপুম্বাও। লৈশেমকোনগী লাংহৈদা অঙোম সলাই নোংতমও হায়ন তৌজাও খিবিক কুবিখিএ।

মোইরাং লাংপুং অরিবা

য়াংখোয় মোইরাং লাংচিং ।খিকলেন, তোইবী শাংখোইপাও। নোংকী চীফেং ঙানচিপাপু নোংদম য়াৰা খিকলোয়ও। খৈরেন মোইরাং লাংসু লাংপুম খৈরেনকে হায়না। নোংথৌ মপুরেন লাংতাইএ। নোংথৌ মপু ৱাংঙমপনা কোরৌ লাংশিংকোন্দা লৈঙমতে। হয়া রেনতি মালেমতা নোংথৌ মপুনা লাংকুমএ। মোইরাং চাইরেন নোংতমপাপু অনেমপা মালেমতা মপুকী লৈকোন্দা লৈশাৎ তমএ। য়াংওই হৌসু লাংকোইলেন। তাংবী হুইরেন নোংশাপাও। মতু নোংতা নোংথৌ মপুরেন সিত পানা মোইরাং লাংসু তেমহনপপু উহনকে হায়না তেমশিংএ। কোইনা লৈনা লৈশেমকোনগী লাংহৈদা লাংহৈ মপুং মওইরকলে। মপুরেন্তি লাই সিতপা নোংথৌনা। কোরৌ মাকী য়ুহেনপাতা মোইরাং লাংসুপানা খিংকাই লমতি মতাইমা লাইজ ঈরোন নোংফুংতা। তুরি শান্থনা য়াহিপ তম, লাইরেন তোংবী য়াতাইএ,নোংথৌ মপুরেন সিদপা। লাই য়াব্রা মপাউ মোইরাং নোংশা পালোয়এ। মতু নোংতা নোংথৌ সিতপানা মোইরাং য়াংখুরেল লাংপুমপাবু লাইজ ঈরোন্নুংতা মমি তাবনা মউইএ। নোংথৌ সিদপা লাইনা ঈরোন্নুংতকী ঈকৌএ। মোইরাং য়াখুরেমপা সিতপা লাইকী নাক্ত নোংতমএ। সিতপা লাইনা মোইরাংপু য়েংতুনা য়াৰা কাংলেল্লে। হা মোসরাং য়াংখুপাও য়াৰা অমা নোংতমকে মহায়না। নফম ফলেন্তা নঙপু থিরকপানে হায়না। মোইরাং য়াৰা পুমপা নোংতমপীয়ে। হায়এ। মতু নোংতা মপু নোংথৌনা মোইরাপু য়েংনা হায়এ। খোইয়ুমও মোইরাং নঙকি সলাই লাংওনপাতা মপুংয়াই ওইপতে। হায়রে। লাই ওইপা পাখঙপা সলাইগী ঈথাংলেন ওইকনি। পাখঙপাকী সলাইনা নোংতমকনিএ। মোইরাং নঙতি লৈয়াৎনা লৈকানিএ। লোয়নপা কোলোয় মীংলেনকি কুপত্রেং কৌপনে। পাখঙপা সলাই ঈথাংলোন্নে। মোইরাং সলাই লাংপুমকানি,। অতু নোংকী য়াৰাপু পাওথাংনৌও হায়এ। সলাই সিতপনা নোংথৌ ঐঙোন্তা মোইরাংকী লাংওনপু লাংতাইও হায়না নোংতমপিখি। মদু নোংতা হায়না নেংদমখি। নোংদম য়াৰা অদু তাবদা মোইরাং লাংপুম ওইখিএ। নোংথৌ অৰাংপানা কৌরৌ থক্তা লাংহৈখি। মোইরাংনা হয়ামালেমদা খুম্থোকখি।

খাবা ঙানবা খিকলোয় পাও। থৌরি মানসু হৌরেমঙৈ। পোম্বী খৈরেন নোংশা পান। খঙকোই মীরেন হালোয়পাও। ঈথৈ ৰাংনা হিরেমনু। লৈশি খিংকোই, য়াংওইনু। কোরৌ খিকলোয় খাবরেল। ঙানবা লৌশি পাংগোইনু। লাংতাই হুইরেন পাওশানু। খৈরোই, লাংশিং ময়েনপাও। খাকলোয় চুমবুম মৈরেনবা। ঙানবা লৌচি পালোয়পাও। সনা তুবুম লৈরিকপা; মরৈ নুঙগী হিয়াইনু। লৈনুঙরোন খারো লৌঙানবা। কোরৌ নোংথাং তাগুপলেন। য়াইবু নোংখল হীবুরেন। ঈখম লৌশি পাঙ্গোইনু। তুবি খিংলোয় খাবলেন। ঙানবা চীখোঙ লাংতাইরেল। খাবা ঙালোয় হান্বনা কোরৌ নোমদোন থক্তা খেক্লা খোম্থোক তমদুনা নোংদম্বদা শজিকলোয়ও ঙালোইপানা মউই। করি নুঙকি মতৌনে। হায়না চীঙউ অঙানপা শজিক লোয়না নোংতমএ। খাবা ঙালোনপা খোইয়ুম অঙানপা ঐনা য়াৰা অমা নোংতমপিকে। য়াৰা নোংতম ৰাপু নপা চিরেন্তা চীখাংও হায়পএ। খাবা ঙালোয়পানা শজিকপলোয় অঙানপাকী য়াৰা মাপু ইঞ্জেএ। শজিকলোয় অঙানপানা মহায়এ। খাবা ঙালোয়পা শকলেন অনিনা অমৎতা ওইপাও। খোইয়ুম নহাক্লা তরং নোংমাদোন অৰাংপতা খেক্লা লাওনা লৈফরোইএ। হয়া মালেম লৈশেমকোন্দা মপু ওইপা সলাইরেন্না ফম্বাল নাক্তা নিংথিরবা লৈরাং ওইনা/ লৈরাংগী কোলোয় মীংলেন্তি খাবা ঙানপা সলাই লাংপুম লৈ। হায়না মীংথোন্দুনা মপুগী ফম্বাল নাক্তা লৈপনে। অদু নোংকী য়াৰা তাপতা খাবা ঙালোয়পনা শজিকলোয় অঙানপতা হায়জখি। ঐখোয়না কোরৌদা তরং য়াইবীকোন্দা ইনিংতৌনা লৈপতি করি নুঙকি নৎতেএ। খাবো ঙানবা সলাই ওইপা ঐখোয়গী লাংওন লাংদাই ঙাইপানি হায়খি। অঙানপা লাই শজিকলোয়গী থৌজালতপু ঐখোয়না ঙাইজরি। থৌজাল ঈরিক নোংতম্বীরবনিনা খাবা ঙানবা মালেম লৈশেমকোন্দা নোংদমজরগে হায়না লৈখারেন্তা নোংতমচখি। খাবা ঙানবাগী মতৌদো উপতা শাজিকলোয় অঙানপানা পাইবা পীবুক্লুংদা পেঞ্জখি। মপুগী লৈকোন্দা খাবা ঙানবা সলাই লাংওন মাকী মপুংয়াই লাংপুম্নু সলাইনি হায়ন লাংদাইখি।

সরাং লৈশাংথেম লাংপুং অরিবা

সরাং লৈশাংথেম লাংপুং অরিবা

লৈশাং হিরি নোংতম য়াইবু লাংকোইকে। মানবী লাংকোই তাওবীরেন লাংতাইএ। লাংসু পোম্বী থৌপুংএ। পোম্বী হৌসু পীনাইএ। সরাং তোইবী ঈকাইএ। নোংতম হৌসু থেংকোইএ। পোম্বী লমঙান থৌপুংএ। হা সরাং পোমবীপাও মপুকী লৈকোন্দা লৈরাং নঙপু শাফোংও। অসি য়াৰা মখৈরেন সলাইরেন সিতপানা নোংতম্বীএ। সরাং পোম্বী ঈথাইনু। লৌশি য়াংঙম হৈবীন। মপুগী পাওতাক নোংতমপাপু নোংতম সনা লাইয়াইএ। সরাংনুংনা মপুরেন খোয়ুম সিতপা মফম ফমতি ফমলেন্তা নোংতমচৈএ। সরাংনু লাইওইবী ঐহাকপু মপুরেন সিতপা সলাইরেন্না করি য়াৰা তাকপিগদবা লৈপাকে হায়না হংগৎচৈএ। মতু নোংকী য়াৰা খৈরেন তাপতা সিতপা লাই সলাইরেন্না লৈশাংনুপু য়েংলকা মহায়এ। হা হোই সরাংনুও লাইওইপি নহাক্তি ফম্বাল অনি নাইপানে। খোইয়ুম নঙকি সলাই নাইকানি। নহাক্কী সলাইপু মালেম লৈশেমকোন্দা নাউথেমই, হায়পা ৰানা লৈপনা সরাংনু লাইরেমপী ইমোমপু অনেমপা মালেমত। নোংকুমও হায়পাতা ইমোমনা য়াখিতে। মতু নোংতা নপান সলাই সিতপানা সরাংনু ইমোমপু হৈথেমএ হায়পাকীদমক খোইয়ুম লাইরেম্বী ইমোম ওইপী ইমোমকী সলাইপু লৈশাং সলাইরেন সিতপানা থেমখি হায়পগী সরাং লৈশাংথেম হায়না লাংপুম লাংশিং থারগনি। সরাং লৈশাংথেম সলাইনা পারি পাখঙপা ফম্বাল নাক্তা মপুগী লৈকোন্দা লৈশাৎ নোংতমচরে। থিন্থপা কৌবা লৈতনা সরাংনু লাইরেম্বীনা হয়া মালেম লৈশেমকোন্দা নোংদমখি। মতু নোংতকী সরাং লৈশাং সলাইপু সরাং লৈশাংথেম মীঙ্গৌদুন মালেম লৈশেমরোন লাংহৈদা, লাংপুমখি। খৈরেন ৰাইনা তাংসু পুংকোইনা সরাংলৈশাংথেম লাংকোই মপুং নোংতমখিএ। হায়পা য়াৰাপু য়ুমতাপা পুয়া খৈরেন কোক্লা পীএ।

য়েক ৭ কী সাগৈ অপোকপা থৌরমলোন

মাগী মাগী য়েক সলাইগী হৈথা লৈথা থাদুনা অপোকপা খুভমদ, চহিগী ওইবা সাগৈ ময়াম পুন্দুনা অপোকপা লাইবু ইরাৎ থৌরম সাগৈ অপোকপা থৌরম পাংথোকপা কৌই। সাগৈ অদুগী পীবা অহল হাপ্পুনা চহি চহিগী সাগৈনা ফীহোংগনিএ। পীবা অহলনা শিন লাংদুনা লাইগী থৌরম থৌদা চহি লেপ্পুনা

পাঙথোক্কনি, মসিনা সাগৈ পীবা পুন্সিএ। অদুগা সাগৈ অদুগী অফবা চাওখৎপা ওইএ। পোইরৈ মীতৈ লৈপাক্ত লাই হাক্তক্তগী চৎনরক্লবা লাইগী থৌরমনে।

য়েক ৭ কী পীবা অপোকপা থৌরমলোন

মাগী মাগী য়েক্কী পীরাশিংনা অপোকপা লৈবা মফমদা চহিগী ওইনা সাগৈ সাগৈগী পীবা সাগৈ অদুদা ওংলকপা সাগৈগী মৌশিংনা মাগী মচা মশুশিংনা অপোক লাইগী অনৌ অপেন হৈ লৈ পুরক্কুন, সাগৈ অপোকপা থৌনিজবা, থৌরম থৌদা চহিগী ওইনা পাঙথোকচদুনা লাইগী চাকক্লোন কৎতুনা পীবানা থোং থাক্কুনা চহিগী ওইনা পাঙথোকচদুনা লাইগী চাক্লোন কৎতুনা পীবানা থোং থাক্কুনা চহিগী ওইনা চাক্কী চবান য়েংদুনা মথেন মকোই অহুমগা লোয়ননা চাক্কী চাকমাই য়েংদুনা মাংচোক ফামেন চহিগী অথোয় অহেন, নিঙোলকা, ফমেন কাগী অথোই অহেন্বা খঙবা ঙম্বা চহিদুগী অপোকপা লাইনা মতমবীএ। সাগৈগী অহেন পীএ।

য়েক ৭ কী শঙ ৩ গী থৌরম থোখাইরোন

য়েক ৭ কী অপোকপগী থৌরমলোনবু মাইবা ১ অমসুং মাইবী ১ হেক্তা অপোকপগী থৌরমবু সুপনা তাইশিনবা যাদেএ। সাগৈ অপোকপগী থৌরমলোনসি শঙতনা অপোকপগী থৌরম পাংগনিএ। শঙ মশিং সুদনা অপোকপগী থৌরম তৌরবদি সাগৈদা অয়েৎপা ওইএ। অপোকপদি মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, অরুবা লাইনে, নুংলোন ৯ গী মপুএ। অমাইবনা লাইতাইএ। পেনানা অপোকপা লাইবু নৌথেম্মে। অমাইবীনা হৈথারোন, চরৈরোন চীংউ খোনথাবা মতমএ। থৌরমবু কায়দুন চৎপনা সাগৈগী য়াইফবা পুইএ।

অপোকপা মখল মরিগী থৌরমলোন

১। পোকলেন পোকপা অপোকপা:

সাগৈ, পুন্দুনা অপোকপা পোকলেন অপোকবু থৌকাংবদি সাগৈ অদুগী পারি পুরি পুথাংবা লাইতাই নুংতাই ওইরিবা পোকলেনবদা থৌনিজবা পুরোন, পারোন, পীরোন অহুম্মকপু মকৌনা মঙম পোংদা মথৌ খঞ্জবা, লাইনিংথৌগী

থৌদাদা থৌকাংজবনে, লাইনিংথৌ হৈকৎ মতমগনি যুময়াই কারন য়েংদুন পোকলেনবা অপোকপবু মাংচোক ফামেন মতাইনা নোংপোক অৱাং মাইওন্না পোকলেম্বা মীষ্খেরোন মতাইনা ইকোক নোন্না মহায়জেএ। চাকলোন চাকথাং পীবনা মতমগনিএ। সাগৈ সলাই পীবরেন, পীবা মশিং মশুনা থৌনি থৌরম মপাংগনিএ। পোকলেনববু কোকলেন্নে। থৌরম থৌনি ওইনা।

ফুঙ্গা পোকপা অপোকপা:

২। ফুঙ্গা অপোকপা থৌনিরোন্দি অরুবনে/লুবদগী লুবদি ফুঙ্গা অপোকলোননে/নুংলোন ৯ নি। মতাইএ নুংলোন ৭ খঙঙৈ। থৌখাইরোন ৩ নি। হৈকৎলোন ১৮ নি মতাইএ। নুংলোন ৭ খঙএ। থৌখাইরোন ৩ নি। হৈকৎলোন ১৮ নি, লৈকৎলোন ২১ নি। কোরৌ থক-খা নুংলোন অহুমবু মতাইএ। মাংচোক ফমেনসু মওইএ। য়াংবী লাইরুপোঞ্জেম্বী হিকু লেম্বীসু মওইএ। ফম্বাললোনগী য়াৱানা খোঙ্হোকএ, ফৌওইবীন। ফৌ থুংএ, ইমোইনুনা চাকতাই, লাংদাইরোন কয়াবু তাইদুনা ইমুংগী লন থুম পুন্সি। নিজবা থৌরমলোন থৌকাংববু ফুঙ্গা অপোকলোন থৌনি থৌরম হায়না মকৌনিএ।

৩। <u>সাগৈ সলাই অপোকপা:</u>

য়েক ৭ কী মাগী মাগী সলাইগী থাচৎ থানুং নুমিৎ থাবান সাগৈ সলাই অপোকপগী থৌরমবু সাগৈ অদুগী পীবা অহলনা লৈবা সাগৈ অপোকপগী খুভমদা কুমজাগী সাগৈ সলাই পুন্দুনা অপোকপগী থৌরম থৌদা মপুং ফানা পাঙথোকপা সলাই সাগৈ মশেন শকখঙ মায়খঙনা সাগৈ পুয়া ঈথোক্তুনা মপা মচা, মপু মপন, মচিন মনাও মৌ মশেন, মখুরা মনদোন অপোকপবু পুন্না থৌনিজদুনা, চাকলোন কৎচবা, পুন্না সাগৈ চাক খাংদুনা হরাও তয়াম্বগী লোয়ননা থৌরম পাংববু সাগৈ অপোকপা থৌকাংবা কৌএ। সাগৈ চাহোং ঙাহোংএ।

৪। <u>কসা পোকপা অপোকপা</u>

(১) সাগৈ অপোকপা (২) ফুঙ্গা অপোকপা (৩) পোকলেন পোকপা অপোকপা অহুম অসি থৌকাংগদবা লৈরবদি থা ১ ৱাৎলিঙৈদা সাগৈ কসা অপোকপা মাংওইননা মতাইগনিএ। মহাক্তি অয়েৎপনে। নমু সলাইনা পোকএ।

সাগৈ সলাই অদুদা মতম শাংনা শোন্দুনা লৈরম্লগা লৈখিদব, উদগী তাবা, ঈশিংদা তাবা, খঙহৌদনা থোকপা থৌদোক্তা লৈতবা অসিগুম্বা মমাংচৎতা থোকখিব, সলাই অদুগী অয়েৎনবা মৈ চংদব, থাশিং শুদব, মীরেন্না কোরৌদা লৈতনা সলাইদা অয়েৎপা ওইনা লৈবা অপোকপা থৌরমলোন্দা অয়েৎপা ওইনা লৈএ। মচেৎ মশুং নাইএ। সাগৈ কসা অপোকলোনবু মাঙওইননা মখাইগনি। অশুম তৌনা পাংবাবু কসা অপোকপা নোংঙ্গারোন মকৌই।

সলাই ৭ কী অপোকপা পীবানা থোং হাংবা য়াদবা:

মঙাং, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাবা ঙানব, সরাং লৈশাংথেম সলাই ৭ মক্কী পীবাশিংদা য়ুমদারোন পুয়ানা পীরি। সাগৈগী য়ুম মাংবা থোক্লবদি পীবনা। অপোকপা থোং হাংবা চারৈ ফী হোংবা লাই চাইথবা। হৈ-লৈ তম্বা, শারেন লাইফাও তুবা হায়রিবা থৌরম অসি সলাই ৭ খুদীংমক্কী পীবানা পাংথোকপা য়াদে। নুমিৎ ১২ নি সাগৈ য়ুমশেংলবা মতমদ থা অদুগী পীবুক্লুংদা অপোকপগী থৌরম পাংথোকমিন্নগনি। করিগুম্বা সাগৈ সলাই ৭কী অপোকপবু থৌগল চংলিবা পীবাগী ইমুংদা অশি অনা নংলবদি লৈখিদ্রিবা মীওই অদুগী ফীরোই থাদ্রিবা ফাওবা অপোকপবু শোক্তুনা চরৈ ফীহোংবা, লাই চাইথবা, শারেন তুবানচীংবা পাংথোকপা য়াদে। হায়বা ৱাপু য়ুমদারেন সলাই হৈহৌরোন পুয়ান য়েক ৭ কী অপোকপা থৌগল চংলিবা পীবাশিংদা খঙহল্লি। সাগৈ সাগৈগী সলাই ৭ মক্কী ওইনদি অপোকপা লাইদা নুমীৎ ১২ নি য়ুমশেংলগা অপোকপা থৌরম পীবশিংনা মাগী মাগী সাগৈগী মীপুম খুদিংমক থাশিং য়েংদুনা থৌপাংবীগনি। সলাই ৭ মক্কী অপোকপাবু থৌগল ফংজরিবা পীবানা য়েক থোকপা চরৌ মৌরৌনরগা অপোকপগী থৌগল চংলবদি সাগৈ অদু ময়েং তাগনি। সাগৈ পীবনা ঈ নমুংহৈদে। য়ারিবমখৈ সলাই ৭ মুক্লসু য়েক থোকপা লৌরগা অপোকপগী লাইগী থৌরমদা মাংজিন থাফদে। য়েক থোকপা লৌবা সাগৈগী পীবাশিংদি চারোন সুরোন ৭ ফাওবা অপোকপা ফম্বাল তাইনবা য়াদে।

সলাই ৭ কী পিবা থৌখাইরোন

সলাই ৭ কী পিবাশিংনা অপোক সলাই ৭ মক্কী কুমজাগী থৌরম থৌখাইরোন সাগৈ সলাই পাওতাক্কুনা থৌরম মপুং পীবানা থৌ পাংবীগনি। চহি কুমজাগী কুম কাওদনা অপোকপা সলাই ৭ মক্কী থাশিং কুমশিং য়েংদুনা থৌরমলোন, থৌদা, থৌপাংগনিএ। সলাই ৭ মক্কী পিবানা অপোকপগী থৌজাল লোংবা ওইবদি সাগৈ সলাই মশক খঙনা পুরোন, পারোন, পীরোনবু মশক খঙনা সলাইগী লাইওইখ্রবা পুরোন পারোনবু খুরুমজন অপোকপা লাইবু সাগৈ পিবশিংনা থৌনিবীগনি। মঙাং পিবানা অপোকপাবু থৌগঞ্জরিবা, সাগৈগী পিবা ওইরিবা সালাইগী য়েলহেন হেনবীগনি। মঙাং য়েক সলাইগী সলাইচা খুদীঙমক্কা সলাইগী য়েলহেন হেনবীদুনা সলাই অপোকপগী থৌরমলোন থৌখাইবু কুমজাগী য়াওবীগনি। লুৰাং পিবানা অপোকপাবু থৌগঞ্জরিবা সাগৈগী পিবা ওইরিবা সলাইগী য়েলহেন হেনবীগনি। লুৰাং য়েক সলাইগী সলাইচা খুদংমক্কা সলাইগী য়েলহেন হেনবীদুনা সলাই অপোকপগী থৌরম থৌখাইবু কুমজাগী য়াওবীগনি। খুমন পিবানা অপোকপাবু থৌগঞ্জরিবা সাগৈগী পিবা ওইরিবা সলাইগী য়েলহেন হেন্বীগনি। অঙোম য়েক সলাইগী লাইচা খুদংমক্কা সলাইগী য়েলহেন হেনবীদুনা সলাই অপোকপাগী থৌরমলেংবা থৌখাইবু কুমজাগী য়াওবীগনি। মোইরাং পীবানা অপোকপাবু থৌগঞ্জরিবা সাগৈগী পিতা ওইরিবা সলাইগী য়েলহেন হেন্বীগনি। অঙোম য়েক সলাইগী সলাইচা খুদীংমক্ক া সলাইগী য়েলহেন হেনবীদুনা সলাই অপোকপাগী থৌরমলোন থৌখাইবু কুমজাগী য়াওবীগনি। খাবা ঙানবা য়েক সলাই অপোকপাবু থৌগঞ্জরিবা সাগৈগী পীবা ওইরিবা সলাইগী য়েলহেন হেনবীগনি। খারা ঙানবা য়েক সলাহচা খুদিংমক্ক া সলাইগী য়েলহেন হেনবীদুনা সলাই অপোকপগী থৌরমলোন খৌখাইবু কুমজাগী য়াওবীগনি। সরাং লৈশাংথেম য়েক সলাই অপোকপবু থৌগঞ্জরিবা সাগৈগী পীবা ওইরিবা সলাইগী য়েলহেন হেনবীগনি। সরাং লৈশাংথেম খুদিংমক্কা সলাইগী য়েলহেন হেম্বিদুনা সলাই অপোকপাগী থৌরমলোন থৌখাইবু কুমজাগী য়াওবীগনি।

লৌনা লৈনবা য়াদবা সলাইশিং:

মঙাং য়েক সলাই না লৌনা লৈনবা য়াদবা সাগৈশিং:

লৌনরোইদবা সাগৈশিংদি:

সেয়ক থোকপা : অহৈবম, অশেংবম, অতোম, অহন্থেম, অখোম, অয়েকপম, ইকরাইন্থেম, ইখোইসংবম, ইরোম, ইরেমসিনাম, ইরেংবম, ইরুম্বম, ইরুংবম, ইসেনবম, কোন্সম, ফোংঙচম, কোংপম, কোংবদুম, কোংঙবম, কোন্থহাওবম, কাংসেনবম, খনাম, খম্লাংসংবম, খাংজাপম, খুরিয়েনবম, খুনজাহুনবম, খুন্দোম, খুন্দ্রাকপম, খোংনাম, খোইদোংবম, খোইস্নাম, খোইনুদুম, খোইরোম, খুনজাম, খুমনলম্বম, খুমনচায়পম, খুরাইলাকপম, খ্বাইরাকপম, খুমনকৈরাকপম, ঙাঙোম, ঙাংবম, ঙারিয়ানবম, ঙাংখরুংবম, ঙাংঙোম য়ুমদংবম, চপম্বম, চনিংসেনবম, চরাইময়ুম, চনিংহনবম, চাকময়ুম, চা ন, চান্নবম, চাওনবম, চরোইবম, চিংখম, চিরোম, চোঞ্জোনবম, চোরিবম, চোংথাম, নিংথৌজম, তাংইজম, তাইমচম, তাইবুংজম, তায়ুজম, তায়েনজম, চোরিবম, চোংথাম, নিংথৌজম, তাংইজম, তাইমচম, তাইবুংজম, তায়ুজম, তায়েনজম, তোইবীসম, তোনবম, তোনাম্বম, তেনসুবম, তখেলম্বম, থাংগংসাবম থিংনাব, থিংয়াম, থেংকাপম, মোংগবম, মোংগাতাবম, থৌদাম, খোম্নাম, থাংগসাবম, নাওদম, নাবম, নান্তেবম, নাওরেম, পাথোইজম, নাওকোন সংবম, নামোইরাকপম, নামৈরাকপম, নহাকপম, নোংমাইদুম, নিংথৌজম, নোংথোম্বম, নোংমৈকাবম, লৌলন, নয়াংলম্বমুতুম, নুমিৎলৈসংবম, পুথেম, পুনম, পাওনম, পাউপম, পেবম, পৌনম, পেচিময়ুম ফমদোম, ফাইরেম্বম ফাজৌবম, ফিজম, ফুরিৎসাবম, ফিলেম, ফেলেম, ফৌরুংবম, ফিঞ্জফিবম, য়াংঙৌবম, য়াংঙৌরেবম, য়েংখোম, য়াইস্কুলাপম, য়েনপোকপম, য়েলাম, য়েলরাম, য়ুমখাইবম, য়ুম্নাম য়াংঙৌয়ৈবম, য়েনসেবম, য়েনকোকপম, য়াংঙ্ৰাকপম, য়ুম্নাম কোমসম, লৈমলৈরাকপম, লাইকংববা, লাইচনবম, লাংপোকলাকপম, লাইতাম, লাইশ্রম, লাইসংবম, লাইতেন,

লাংফম, লিউনুংবম, লৈউসুংবম, লৈচোনবম, লৈখাসংবম, লৈমপোকপম, লৈযুংশুংবম, লুক্রাম, লৈসংবম, লৈম্বায়, লোইতাম, লোইতোংবম, পৌরাংবম, লৌক্রাকপম, লৌরেম্বম, লৌরিয়ান, লেম্নম, লৌরাংবম, লৌশম্বম, লৈসোংবম, ৱাইখোম, ৱাংখৈরাকপম, ৱাঙাময়ুম, ৱাইরাকপম, ৱাঙ্খেফাদোংবম,ৱাঙ্খেলৌরুংবম, ৱাংখারাকপম, ৱারপুম, ৱাইরোম, ৱারেম্বম, ৱারেপম, সনসম, সনবাম, সামসিনবাম, সগোলশেম, সগোলহঞ্জবম, সঙাইসেন, সঠলেম, সংলেলময়ুম, সঙ্গাইসেনবম, সাইখোম, সাপম, সাইরেম, সানৌজম, সংথোকপম, সারুংবম, সনশুবম, সপৱাইবম, সিংখাম, সিংখাবম, সিংখুবম, সিনাম, সিঙাম, সিঙগান, সেরাম, সোরাম, সোরেনসংবম, সোইরাম, সৌগ্রাকপম, সুঙ্খাম, সওকপম, সেঞ্জম, হুইদ্রোম, হুইরোংবম, হুইয়েংবম, হুইরোয়, হৈস্নাম, হৈবীথাবম, হৈরাংলৈশংবম, হিরোম, হৈরাংখোংদুম, হকৱাম্থেম, হয়িংথেন, হাওখোম, হাওদৈদুম, হিরোম্বম, হৈস্নাম, হোদাম, হোদামঙামম, হৈরাংথোকচম, হিচম, হৈরোম, ইপুমসংবম, লৈচোইবম, লোইতোংবম, চোমজম্বথ, খুরাই, চেরোম, কিচম, লাইতোনজম, লৈমারোকপম, সুইরেম, ৱারেল্লম্বম, সনাগাইসেম, হিরিংথেম, হৌবিয়াম॥ সনরোকপম, সঠলেনবমী। শাগৈশিং অসি য়েক থোক্লবা মঙাং য়েকসলাইনি। লৌনা লৈনহৈদে।

লুৱাং য়েক সলাইনা লৌনা লৈনবা য়াদবা শাগৈশিং

য়েক থোকপা লৌনফদবা শাগৈশিং: অচোইবম, অরাম্বম, অসাংবম, অসংৱাংবম, অয়েকপম, অথোকপম, অবুজম, অরুবম, অচোইময়ুম, অঙাম্বম, ইচোয় উরিকখিনবম, উরেপখিনবম, উসম, কোংপচম, কম্বোংময়ুম, কোইজম, খোইরম, খোকনম, খুমুকচাম, খুজাময়ুম, খুগাম, ঙাংলোম, ঙৌবম, ঙাঙোম, ঙাংবম, চোংথাম, চিংগাংবন, চিংজবম, তখেল্লম্বম, তিনবিজম তোইজম, তোইবিজম, তৌমোম, তৌরেম, মমংচম, থপাংচম, থমাংবুম, থাংজম, থাংজম সোরাম, থাওরোইজম, থাউতৈজম, থাঙজম, খুমুকচম, থিরান, থৌনাওজম, থৌদোইজম, পাওরোইবম, নহাকপম, নানবম, নাওরোইজম, নাম্বম, নিংচিংপম, নিংঙাচিকপম, নোংপোকপম, নোংথোম্বম পুংক্রাইজম, ফমপীবম, ফমপিহনবম, ফমমিহনবম, ফৈরোইজম, ময়েংবম, মাইস্নাম, মৈত্রম য়াৱকমপম,

য়াংকোকপম, য়াংঙম্বম, য়েন্দ্রেম্বম য়োইরেলবম, য়ুমলেম্বম, য়েলাংবম, লাইরেঞ্জম, লাইরোংজম, লাইসোম, লাকপমসাবম, লৈরোংজম, শোরেংবম, লৌখাম্বম, লৌপম, লুসংবম, লুৱাংশাংবম, লাইচ খাংলেম্বম, ৱাইখোম, ৱাহেংবম, ৱাকোম্হেম, ৱাংলেনবম, ৱাংলেমপম, সলাম, সম্নাত্রম, সাকাকপম, সেন্দম, সেম্বাংসম, সোরাম, সৌরাম, সেলান, হাওরোংবম, হিংখাংবম, হাইখাম, হিজয়, হিনাওসারম, হৈকম, হৈখম হাওরোংবম, হুইরোংবম সাগৈশিং অসি য়েক থোক্লবা লুৱাং য়েক সলাইনি। লৌন লৈনহৈদে।

খুমন য়েক সলাইনা লৌনা লৈনব য়াদব সাগৈশিং:

য়েক থোকপা লৌফদবা সাগৈশিং: অহোংশাংবম, অকাংজম, অখাম, অথোকচম, অয়াম, অকুয়, অসেম, ঙাইখোইবম, অসৈৱাহনবম, অহাইবম, তেবম, অহৈবম, অমোম, অহোংবম, অকুৱাম, অখুৱাম, অঙুদম, ইঙুইবম, ইংলাইবম, ইংলেম, ইনাবম ইনসেনবম, ওইনাম, করোংরুংমব, করম, কানম, কাঞ্জেম, কাপ্রেবম্বম, কদাম, কাপাউবম, কাংজম, কোলোম, খুদৈবম, খুন্নাইবম খুবম, খুমন্থেম, খুলেন, খোইরোম, খোইরিশুংবম, খোংবান্তাবম, খ্বাহৈজম, ঙাসেপম, ঙাংবম, চবুংবম, তান্দম, চাংগময়ুম, চিখোম, চিংখুবম, চিংখাম, চোংথাম, চুংখাম তাওজম, তাউপম তাউমোম, তাউজম, তাইবজম, তাউরম্বম, তাউপম, পলপুবম, পল্লেম্বম নাংঙম্বম পানুজম, পাংকৈজম, পাংখাইজম, পাংখোইদুম, পুখ্রম্বম, পুক্রেম, ফানচাম জানাজম, ফাইরেঞ্জম, ফাইরেলপম, মাইফম, মাইফাম, মাইখুরাম, মাইকুরাম, মাইবম, মাইমম, মাইমোম, মাইনোম, মাইরেংবম, মেপ্রম, মৈতাংকৈসংবম, মৈনম, মৈকুবম, মৈকরাম, মোইজম, মোংফিজম, মোংবিজম, মোংজম, মোইরেংবম, মোইরেংজম, মোইয়াংলম্বম, লমাবম, লাখোম, লাংগম, লাংদেম, লাংহৈবম, লামতোম লাবম, লিকমাবম, লিমাবম, খোংখুমকচম, লোইজায়াংবম, ৱাকোন, ৱাংগোম ৱাংয়েল্লম্বম সকওপম, সগপুম, সনাখাম ননসেনজম, সোরাম, সনখাম, সমুকচম, সমোম, সৌরাম, সোগাইসম, সিনাম, সপম, সনখোয়, সাকোপুম, হৱাইবম, হংলেম, হাওজম, হাওবিজম হাওরোংবম, হাউওইকম, হাওরুংবম হেন্তাকপম, হৈক্রুজম, হোৱাইবম, য়াঙয়ৈবম, য়াংলেম, য়াইখিবম, য়াইনিংবম

217

য়াংলৈম্বম, য়াম্বেম, য়েনতাকপম, য়েন্থাকপম, য়ুমখায়, য়ুকাদুম, য়ুরেনজম। সাগৈশিং অসি য়েক থোকনব খুমন য়েক সাগৈশিংনি। লৌনা লৈনফদেএ।

অঙোম য়েক সলাইনা লৌনা লৈনবা য়াদবা সাগৈশিং:

য়েক থোকপা লৌনফদবা সাগৈশিং: অঙোম অকোসজম, অখনবম, অঙোম, য়ুখাইবম, অঙোমজাম্বম, অচোইবম, অপাংময়ুম, অচুবম অয়েনবম ইকুদুম, ইখোইসংবম, ইখৈসাংবম, ওইনাম, কম্নাম, মাস্নম, কাইকোম, কাইকোন্বম, কাংথম, কাংশুবাম কিয়ান, হৈক্রুশনম, হৈপ্রেনপম, কৈকোন্বম, কোংবম, খরিবম, খাঙেনবম, খাচেনবম, খানাচাউবম, খুমো ময়ুম, খুয়ুমথেং খুৎয়োনথেম, খেক্রাম, খোইরাংবম, খোইপম, খোইমোংতাবম, ঙামুকাপম, ঙারেংবম, ঙায়েনজম, ঙালেনবম, ঙালেংবম, চকপ্রম, পারুংবম, নিংঙোম্বম, নিংথৌজম, নোংমাইথেম, চপাসম্বম পুতোঞ্জম, পুংতোজম, শনদিংবম, সাংসাতম, মাসাতাবম, মংসিদম, মুখোয়, মুংখোম, মুৎখোম, নোংফাংবয়ুম, মোইরাংসাইসংবম মোংসাতাবম, লাংমাইথেম, লাইরেলাকপম, লৈতান্থেম, লোংজম, লোংমাইথেম, লৌরিয়ানবম ৰাকোম, ৰাথেম, ৰাংগোইজম, ৰাহৈম্বম, সঙোম্বম, সাঙম, সাঙম্বম, সংদোঞ্জম, সরোমকৈকপম, সমবন্ধুরাম সংদোঞ্জম, মারোয়, সাহরেম, সেন্দাংময়ুম, সেঞ্জম, হাইবম, হাহৈবম, হিখাম্বম, হিতাম, হেরোম, হৈরাম, হোংলেমশুম্বম। সাগৈশিং অসি য়েক থোক্র বা অঙোম য়েক সাগৈশিংনি লৌনা লৈনাহৈদে।

মোইরাং য়েক সলাইনা লৌন লৈনয়াদবা সাগৈশিং

য়েক থোকপা লৌনফদবা সাগৈশিং: অচোম, অকারাম, অকুরাম, অখ্বাইবম, অখুইবম, আইখোম, অহাইবম, ওক্রম, ইউরেনজম, কবজম, কবোরম্বম, কুমাম, কুবাজম, লৈলাকপম, কোংখুৰাম, কোখাম, কোংখাম, কোইরেনজম, কৌইলৈনচম, খাইমেল্লাকপম, খুইরাকপম, খোন্দ্রম, খোইনাইঞ্জম, খোইবম, খোয়পুদ্রমি, ঙাংখাম, ঙাশম, ঙাংথেম, ঙাংনোম, চাক পাতাবম, চাকপিরাম, থাংজম, মংখোম, থাংজম, থোকচোম, থোংজম, থোংঙজম, নমুজম, পামপুজন, পায়েংবম, নিংথৌখোংজম পুংলেপম, পুকখুলপম, পুক্রম্বম,

পোলেম, ফাইখোম মাইপুরাম মাইরাংলম্বম, মাইরেনবম, মংখোয় মেলেম, মোনকুম, মোইরাংথেম, মোইরাংয়ুমখাইবম, মোইরাংকৈথেল্লাকপম মোইরাং নোংথোম্বম, মোইরাংয়াংমোম, মোইরাংথোংজম, মোইরাংময়ুম, মুরাংবম, মুরথাজম লম্বজন, লম্মুজম, লমনুদুম, লাইপুজম, লাইখুরুম, লাইতুজম, লাইথংবম, লাইফ্রাকপম, লাইরেলময়ুম, লাইমুজম, লাইমোম, লিসম, লেয়ুজম, লৈমচম, লৈমদুম, লৈমাখুজম, লুদোনজম, ৱাইরম ৱাইনদম, ৱাকম্বম, ৱাকলপম, ৱারেদুম, ৱায়েলবম, ৱাংপিজম, ৱাংবিজম, ৱাংলেম্বম, সোইবম, মোইবম পুখ্রম্বম, সনখোম, সেনসম হিতম, হংলেমকেপাতাবম, তৌপোকমে, য়াইখোম ঙাংনেম্বম, ঙাংচোংবম ঙাংচেংবম/সাগৈশিং অসি য়েক শোক্লবা মোইরাং য়েক সাগৈশিংনী সাগৈশিং অসি য়েক শোক্লবা লৌনা লৈনফদেএ।

খাবা ঙানবা য়েক সলাইনা লৌনা লৈনবা য়াদবা সাগৈশিং

য়েক থোকপা লৌনফদবা সাগৈশিং: অহৈবম, থোঙাম, ইৱাঙবম, কোনচোপম, কোঞ্জেংবম, কোন্থৌচম, কোন্থৌজম, কোনহৈবম, খাইদেম, খাথংবা, খুমজম, খুদোংবম, খুমুকচম, খুরাইজম, খৌরিকুম, ঙাকপম, চেংলৈজম, তেকচম, থিনাম, থিংবম, থোংঙাম, নোংচেনবম, ফিদম, মহৌবম, মাইহৌবম, মানতংবম, মেরিময়ুম, মেলাংবম, ৱাকোনমে, ৱাকে মসংবম, ৱাংবজম, সঞ্জিবম সনজিরাম, সমজেৎসাবম, সঙম্বব হাওবীজম, হেকঙাকপম, হেন্তাকপম, লৈহারুংবম। সাগৈশিং অসি য়েকথোক্লবা খাবা ঙানবা য়েক সাগৈশিংনী সাগৈশিং অসি য়েক থোক্লবনা লৌনা লৈনফদেএ।

সরাং লৈশাংথেম য়েক সলাইনা লৌনবা য়াদবা সাগৈশিং

য়েক থোকপা লৌনফদবা সাগৈশিং: অমোম, অমোম অহৈবম, ইংকুতম, কোঞ্জেংবম, হাওরোকচম, কোন্থৌজম, মৈনম, খুরাইজম খাগোকপম খোইচম, খুনতোংবম, খুন্দোংবম, খোইস্নাম, খোইরোম, খুরিয়েম্বম, খুরাইজম, খুরাইচম তেংখমপম, ঙাখেম, ঙাথেম, ঙামুকাপম চিংঙাখম, চোলৈপম, তোৱম, তৌরাংবম সৌগানবম, থাংজম নাওসেকপম, নাওশ্রম, পোৎসংবম, কৈদাসোইবম মাইবাথিরাম, মাইব্রবম, মাইরম্বম, মাইরেকপম, মোইনম, য়ুমশুদুম, য়াংগোইজম, লাংঙোদম, লৈতান, লৈসাংথেম, লোকতোবম,

লৌসিগয়, ৱাইরোকপম, সমনোইপম সংখুবম, মরোখাইবম, সরোকখাইবম, সরাংথেম, সোমবেম, সোইরাইসম, সমোম, সুইসেম, হাইবম, হাইবাম, হেইমোইবম, হুইয়াম, য়ুমপুম্বম। সাগৈশিং অসি সলাং লৈশাংথেম য়েক থোকপা সাগৈশিংনি লৌনা লৈনফদিএ।

চারৌ মৌরৌনবা য়াদবা সাগৈ সলাইশিং

সাগৈ সলাই ইতিন্নবা সলাইদি চারৌ মৌরৌনফদেএ, মঙাংনা মঙাংগা, লুৱাংনা লুৱাংগা খুমনগা খুমনগা, অঙোমগা অঙোমগ মোইরাংগা, মোইরাংগ খাবা ঙানবগা, খাবা ঙানবগা, সরাংলৈসাংথেমগা সরাংলৈসাংথেমগ, য়েক্কা সলাইগা সলাইগা চারৌনফদেএ মচা মচা মচন মপুং মচে মনে মৌরা মচে মপা মচা সাগৈ সলাই পুন্না হৌনফদে লাইরমলেনসু মীরম্লেনসু/তান্নবদে চৎনফদেএ; সাগৈ সলাই ময়েং তাইএ, সুরোন চারোন চয়োনগনিএ, থৌখাই থৌরম মপুং ফাদেএ, মীয়েৎ লাইয়েৎনগনি সাগৈ পীবাগা অপোকপা অয়েৎপা ওইএ, সলাই মশেল চারৌনবদি, অসোই অঙাম থোকপা মচা মশুদা অশোই অঙাম নাইগনি মাংচোক ফমেন নাইবদা মাংচোক ফমেন্দা লৈবা লাইনা হোইয়াদেএ, সাগৈ সলাই চারৌনবদি লাইবুবু তিনবুং মওইএ।

য়েক লৌনবদগী থোকপা অমাংবশিং:

সাগৈ সলাই ইতিন্নবা লৌনবদি মপা মমা মচা মশু মাংচোক ফামেনদা তাইনৈএ, অসোই অঙাম মথোকএ সাগৈ সলাই ইতিন্নফদেএ, অপোকপা লাইগী থৌরম থৌদাদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বসু অরেম্বদা মাংওইনৈএ (অরেম্বা ওইএ) মচা মশু সোইনাইএ মপা মমা তাইবঙ খাংতেক্লনা মতাইএ, অয়েৎপনা থৌকাংঙে; মীয়েৎনা মাংওইনৈ, লাইরেননোংনা লংজিল থাই, সলাই মশেল ইতিন্নবা মচা মশু নাইবা পুথাং চামাং নাইবশু চয়েৎনবা সলাই থৌকাংঙে অনাবা লাইওং মওইনা থৌরম থৌদা পীদেএ, লাইগী লাইনা লাইওংবু থৌরম থৌদা চয়েৎনৈএ মদু মঙম পাংবদা সলাই চুকতাই মপাংও, চারোন সুরোন সোনাইদেএ (পোক্তে), ইতিনবা সলাইদি চরৌনফদেএ, সাগৈ অপোকপগী থৌরম থৌপাংদেএ।

চারৌ মৌরৌনবা য়াবা য়েকশিং

ইতিনদবা সলাইদি চারৌনবা ময়াইএ, পুক্লিং খেবম লাংওইএ, মঙাং য়েক সলাইগা লুৱাংগা, লুৱাং খুমনগা, খুমনগা মঙাংগা, অঙোমগা মোইরাংগা মোইরাংগা মঙাংগা, খাবা ঙানবগা সরাংলৈশাংথেমগা মঙাংগা লৈশাংথেমগা অঙোমগা মঙাংগা খাবা ঙানবাগা লুৱাংগা, লুৱাংগা লৈশাংথেমগা, খুমনগা মোইরাংগা সলাই অমগা অমগা চারৌ মৌরৌনবা ময়াইএ, লুৱাংনা মোইরাং ওনবা মঙাংনা খুমন ওনখিবা, লৈশাংথেমনা অঙোম সলাইদা ওইখি য়েক অমনা য়েক ওনখিবা অসিনা সলাইদা অয়েৎনবা কয়া লৈএ, অশেংবা সলাইদি হান্নগী লৈজরম্বা সলাই তাদুনে, সলাই অদুগী অশেংবা সলাই ওইএ, হোংদোক হোংজিন তৌবা সলাই অদুদি চারৌনফদেএ।

য়েক থোক্তবা সাগৈ সলাইশিং

য়েক থোক্তবা সলাই অমগা সলাই অমগা চারৌনবদি সাগৈ সলাই হৌনা লিচৎনে, অপোকপগী থৌদাংনে, সুরোন চারোন সাগৈ সলাই তাইএ, অপোকপা লাইগী থৌকাংবা খোয়ুম লাইগী হৈকৎপা হৈরাং মপুং ফাইএ, লৈরাং, লৈশাৎ তম্মে, সুথাং নাইএ, মসি থৌকাং মপাংববু, পুরোন পারেন পীরেন অপোকপী মশক খংএ, সাগৈ সলাই সাকোক নাইএ, য়েক্কা য়েক পুনদবা সলাইগা সলাই সলাই পুনদব, চারৌ মৌরৌনবা লাইগী খুভবলেন ওইবা থৌরম থৌদা পাংবদা থৌনি মপুং মকাইএ, থৌরম থৌদা কয়া লাংজিন থাবা মওইএ হৈতিন্নদবা সলাইদা সাগৈ পুন্সি নুংশাংবা অপোকপা থৌরম থৌকাংবদা থৌরম মপুং কাফৈএ, সলাই চাহোং ঙাহোংঙে সাগৈগী চাওখৎ মওইএ।

বামোন খুন্থোকলোন

মৈদুংঙু, ক্যাম্বা হাক্তক্তা লাকপা।

১। নোংচুপ তখেন্দগী লাকপা শুতি নারায়ননা হাওকৈচনু থোইনু পাননদুনা মাগী ঈদি ফুরাইলৎপমনে।

২। তখেন্দগী লাকপা মিশ্রিপিতম্বরনা ঙপ্রুম হাওচনু হোংঙবী পাননৈ। মাগী ঈদি পিতাম্বরনা ঙপ্রুম হাওচনু হোংঙবী পাননৈ। মাগী ঈদি পিতাম্বর চৈথাবা ময়ুমনে।

৩। তখেন্দগী লাকপা মিশ্রিপান্দানা ময়া নাচৌ চনুনে কুম্বী চনুনে। রাশিকানে ২ না পাননৈ। মাগী ঈদি পান্দা ময়ুমনে।

৪। গুজারটিতগী লাকপা শ্রীরায়ধরমামতু বেলোইনি পুদুনা মনাও অমগা লাকএ। মাগী ঈদি শ্রী ময়ুমনে।

৫। নেপালদগী লাকপা সারাংগীনা ময়াঙ হৈখোঙ চফু কুম্বী পাননদুনা, মাগী ঈদি গোতি ময়ুমনে।

৬। তখেন্দগী লাকপা ডুম পতিনীগী গঙ্গারামনা শেক্তা ফৈ চনু মাইমুবী পাননৈ। মাগী ঈদি শিজগুরুময়ুমনে।

৭। তখেন্দগী লাকপা ঘনরাম তন্ত্ররাম তন্ত্রধারন ময়াং কৈখোঙ চনু কুমু পাননৈ। মাগী ঈদি ককচীঙ তাবমলে।

৮। তেখাওদগী লাকপা রাঙাচরননা হাওকৈ চনু তিংকী পাননৈ। মাগী ঈদি অধিকারী ময়ুমনে।

৯। মদিরাদগী লাকপা শিতারম্না লাংনুং চনু মায়তেকপী পাননদুনা মাগী ঈদি শিত্রাম ময়ুমনে।

১০। নদিয়াদগী লাকপা তেনননা কুম্বী চনু শমাদেম্বী মাগী ঈদি বাচস্পতি ময়ুমনে শঞ্জকিনে (লম্বোইমচা)।

১১। তখেলদগী লাকপা জবীশিংনা পেরে খোংবম চনুধনি পাননৈ। মাগী ঈদি লৈখুলচংবম কৌখরে।

১২। নদিয়াদগী লাকপা ভাঞ্জুম ময়ুমদি ধারা লৈত্রে।

১৩। তখেলদগী লাকপা রাঘুনাথদাঁম্না শামুপন চনু চাওবা পাননৈ। মাগী ঈদি শঞ্জুকি ময়ুমনে (লম্বোইমচা)

১৪। তখেলদগী লাকপা হরিদেবনা কুম্বী চনু শাফবী পাননৈ। মাগী ঈদি ধ্যানদাস ময়ুম কৌখ্রে। শঞ্জকিনে (লম্বোইমচা)

১৫। তখেলদগী লাকপা হরিবীদ্যালস্কারনা তাংখমকৈ চনু মাইমুবী পাননৈ। মাগী ঈদি তখেল চাবমনে।

১৬। তখেলদগী লাকপা গনেশগীরিনা ময়াং তৌযুল চনু হাওবী পাননৈ। মাগী লৈহাওথাবম কৌখ্রে শঞ্জকিনে। (লম্বোইমচা)।

১৭। কানপুরদগী দামুদম লাকএ। মাগী ঈদি লৈহাও থাবম কৌখ্রে।

১৮। শিৎপোৎ কুলিনগ্রামদগী পরমানন্দ লাকএ। মাগী ঈদি ককচিং তাবমনে।

মৈদিংঙু চালাম্বা হাক্তক্তা গৌরদেশাগী লাকপা:

২১। গোবীন্দগীরিনা পন চনু পাননৈ। মাগী ঈদি হঞ্জবা চন্দ্রশ্যাম ময়ুমনে।

২২। কানপুরদগী কৃষ্ণরচন তেৱারী লাকএ। মাগী ঈদি খুরাইতাবা কনৌজি ময়ুমনে।

২৩। গৌরদেশদগী লাকপা কৈল্যাম্বরনা, মহাক্কী লোইনবীগা লোইননা লাকএ। মানা রঘুনাথনে, নাথনে ২ পোকই। রঘুনাথনা নিঙোল লাকপিনে, কবো চনু পোরসিনে, সাইখোম চনু চিন্তিনে ৩ পাননৈএ। রঘুনাথগা গোনোক হেঙ্গ্রাঁগা মতাও শাননৈ। থেঙ্গ্রা শিরবদা রঘুনাথগী লোইনবী অতোম্বী সাইখোম চনু চিন্তাবু থা ৩ গী নাউপুবা লোইননা গোনোক থেঙ্গ্রাদা পীখিএ। চিন্তানা কেশোর, জীবনাথ ২ পোকএ। গুরুময়ুমদা চংখ্রে।

মৈদুংঙু ময়াম্বা সনা হাক্তক্তা লাকপা:

২৪। শান্টিপুরদগী লাকপা হরিহরগী ঈদি লৌবুক তোংরমনে। মৈতিংঙু খাগেম্বা সনা হাক্তক্তা লাকপা:

২৫। গৌরদেশদগী লাকপা য়াঙ্গবনা ক্ষেত্রি শঞ্জিময়ুম চনু হেরি পাননদুনা মাগী ঈদি কোংব্রাই লাৎপমলে।

২৬। গৌরদেশদগী লাকপা যুগীগৈ জয়রাম ময়াম্বগী ঈদি লৌবুক তোংবম কৌএ। কোংব্রাইলাৎপমদা চৎখ্রে।

২৭। কালকতাদগী লাকপা শ্রী নাথনা য়াইরিপোক চনু পাননৈ। মাগী ঈদি শামুলাই লাৎপমনে।

২৮। কালকতাদগী লাকপা ব্রজানন্দনা ইরাপোৎ তাইনজম চনু হোংবী পাননৈ। মাগী ঈদি বিষ্ণুলাৎপমনে।

২৯। অসাম ঘোষাল পারাদগী লাকপা পানিনাথনা ককচিং চনু পীনি

অরিবম সাগোর লাই লাইপামনা লমথোক্লা লৌখ্রে। মচাসু লৌখ্রে। মাগী ঈদি অরিবমদা চংখ্রে।

৪০। গুজরাটিতগী লাকপা মুকুন্দগী ঈদি বাচস্পতিময়ুম কৌখ্রে।

৪১। নন্দগ্রামদগী মতিরাম ধোবী লাকএ। মাগী ঈদি ব্রহ্মপুরন তাবা অঙোম লাই লাৎপা গুরুময়ুমনে।

মৈতিংঙু চরাইরোংবা সনা হাজ্ঞক

৪২। তখেলদগী লাকপা লাইপুর নিংশরারগা অহোং কৈ চনু, মায়পাকপী পাননদুনা মাগী ঈদি লাইপুবম কৌখ্রে। শঞ্জুগী (লম্বোইমচা) নে।

৪৩। জবতরুনা ফৈয়েং চনু শিতু পাননদুনা মাগী ঈদি লাইপুবমদা চংখ্রে।

৪৪। জগনাথদগী লাকপা বিচিত্রপুরীনা কৈ চনু খোংগোনবী পাননদুনা মাগী ঈদি হংঙোইবম কৌখ্রে।

৪৫। কানপুরদগী লাকপা বীমলনা পাঙল চনু তায়া পাননদুনা খারাবা পোকএ। মাগী ঈদি হঙোইবমদা চংখ্রে।

৪৬। নদিয়াদগী লাকপা সনোইরদাসনা সোপু হাও চনু মাইতেকপী পাননদুনা মাগী মনোহরময়ুম কৌখ্রে। শঞ্জকি (লম্বোইমচা) নে।

৪৭। রঘুনাথনা অহোং কৈ চনু চাওবী পাননদুনা মাগী ঈদি গোপাল হঞ্জবা ময়ুমনে।

৪৮। জগনাথদগী বদমালী কৌবা পান্দা অমা লাই। মহাক্কী লোয়নবীগা লাকএ। মাগী ঈদি গুরু অরিবম ময়ুম কৌখ্রে।

৪৯। তখেলদগী লাকপা গঙ্গারাম শেক্তা কৈ চনু মাইমু পাননদুনা মাগী ঈদি লাইময়ুম কৌখ্রে।

৫০। তখেলদগী লাকপা শিগুপাননা ময়াং তৌবল চনু মবী পাননদুনা

পাননদুনা মাগী ঈদি চৌদ্রিময়ুম কৌখ্রে।

৫২। তখেলদগী শুরথ, দশরথ, উদ্বব ৩ লাকএ। শুরথ, দশরথ ২ মাগী ঈদি গোনোকফতা চংখ্রে। উদ্বনা হাওচোংপম চনু ঙৌবী পাননাদুনা মাগী ঈদি লাইময়ুমদা চংখ্রে।

৫৩। উরিষ্যাদগী লাকপা মনু শঙ্গুকিনা কৈখুহাও চনু মাইচোনবী পাননদুনা মাগী ঈদি শামুলাই লাৎপমদা চংখ্রে।

৫৪। উরিষাদগী বৃন্দাবন কৌবা অমা লাকএ। মাগী ঈদি গুরু অরিবম কৌখ্রে।

মৈতিংঙু গরিবনিৱাজ সনা হাত্তুক্তা লাকপা:

৫৫। শুপানন্দনা সলাম চনু পাননদুনা মাগী ঈদি হঞ্জবা ময়ুমনে।

৫৬। শিলোৎতগী লাকপা শান্তিদাস লম্বোইবনা মৈতিংঙু পামহৈবা চনু ৱাঙমলোন পাননৈএ। মচা অমৎতা পোকতেএ।

৫৭। শান্তিদাসকা লোয়নরকপা মালোমদাসনা কৈখুহাও চনু হাওবী পাননৈএ। শঙ্গুনি (লম্বোইমচা) ময়ুমনে।

৫৮। রামদাসনা কবুই হাও চনু পাননৈ মাগী ঈদি শঙ্গুগী (লম্বোইমচা) ময়ুমনে।

৫৯। শ্যাম বৈরাগীনদি অমসুং বর্ন ঠাকুর মচিন মনাও ২মক্লা কৈ চনু অমমম পাননৈ। মাগী ঈদি শঞ্জকি (লম্বোইমচা) ময়ুমনে।

৬০। নাখা কোননা মরিং হাওচনু কোনবী পাননদুনা মাগী ঈদি তিনখাক ময়ুমনে।

৬১। প্রেমানন্দনা তখেল চনু সতি পাননদুনা মাগী ঈদি হঞ্জবা ময়ুমনে।

৬২। তখেলদগী লাকপা পাঞ্জি অনিদ্রস্না হয়েল চনু মুংবী পাননদুনা মাগী ঈদি গোপাল হঞ্জবা ময়ুমনে। হাজারীময়ুম ওইখ্রে।

৬৩। অসাম শুমারান্দিদগী লাকপা ষুদরামগী ঈদি হিদংময়ুমনে।

৬৪। কন্যাকৃঞ্জদগী শেখরানন্দা তেৱারি লাকএ। মাগী ঈদি উরিপোক তাবা অনৌবমনে।

মৈতিংঙু ভৈগ্যাচন্দ্র সনা হাত্তক

৬৫। তখেলদগী জয় লাকএ। মাগী ঈদি ৱাবা হঞ্জবা ময়ুমনে।

৬৬। অসাম বেন্টলাদগী লাকপা যুদরামগী ঈদি ৱারিলিবম ময়ুমনে।

মৈতিংঙু গম্ভীরসিং সনা হাত্তুক

৬৭। ব্রজাদগী রামদিলা ১।

৬৮। মথুরাদগী মাধবরায় ১।

৬৯। ময়াংদগী রামানন্দ ১।

৭০। চাকাদগী লক্ষীকান্ত লাকএ। মাগী ঈদি ললহাপুং তাবা আচর্য্য ময়ুমনে।

৭১। তখেল আগরতালাদগী নবাধন লাকএ মাগী ঈদি থাংমৈবন্দ পনখা তাবা অনৌবমনে।

৭২। গঙ্গাতীরদগী থাংমৈবন্দ তাবা অনৌবম অমা।

মৈতিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সনা হাত্তুক

৭৩। রায়বেনিদগী কহ্নাইলাল লাকএ মাগী ঈদি এলাংবম লৈকাই তাবা ব্রজাবাসি ময়ুমনে।

মৈতিংঙু নরসিং সনা হাত্তুক

৭৪। শান্তিপুরদগী লাকপা চন্দ্রাগোস্বামীনা অধিকারি ময়ুম চনু লৈমা পাননদুনা মাগী ঈদি গোষাক্রী ময়ুমনে।

মৈতিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তি সনা হাত্তুক

৭৫। রধাকন্দদগী লাকপা শ্যাম সনৌবিয়াগী ঈদি উরিপোক তাবা রাধাকুন্দবাসি ময়ুমনে।

মৈতিংঙু চরাচান্দ সনা হাত্তুক

৭৬। রামনাথ কৌবা দেশৱালি সনা সরোংখাইবম চনু তোম্বী পাননৈএ। মাগী ঈদি শাগোমা উনুং তাবা অধিকারি ময়ুমনে।

৭৭। কলকতাদগী লাকপা ময়াং খোৱদা পোকএ। লাইরিকয়েংবম চনু পাননদুনা লাল্লজি লাকপা পোকএ। মাগী ঈদি অধিকারি ময়ুম ওইখ্রে।

৭৮। কলকাতাদগী লাকপা ময়াং ভোগোন বাবুনা লাইরিকয়েংবম চনু পাননদুনা গোপাল লাকপা পোকএ। মাগী ঈদি চৌদ্রিময়ুম ওইখ্রে।

৭৯। কশিদগী লাকপা ময়াং তোনাননা ব্রহ্মচারিময়ুম চনু যুমপাননদুনা

227

মাগী ঈদি বাচস্পতিময়ুম ওইখ্রে।

কংলৈপাক্কী অপুন্বা শক্তম

মৈহৌরোন নুঙলোন: অপুন্বা শক্তম : মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈথক, লৈখা মঙা অসিগী মনুংদা মীওইবা মপোক্লা মৈ, ঈশিং নুংশিৎকী মতেং লৌদুনা অনেম্বা মালেমদা, মালেমগী লৈথক্ত মীওইবা মপোক্লা ইপারোমদগী পুরোন, পারোন চথোং নথাং নাইদুনা মহৌশাদগী চৎনরকপবু মীওইপোক্কী চৎনরোন, থৌদোক ৱাথোক, অফ- ফত্ত, অচুম অরান পুন্নমক মালেমগী মুৎপা য়াররোইদবা কয়া কর্য়াগী থৌদোক, মীওইপোক্কী থৌশিন থৌদা কয়ানি। চৎকদবা লম্বীদি য়াম্মী মীওইপোক্কী। ফংলি মীওইপোক্লা লৈখারোলগী মালেমদা। মালেমগী অৱাবা খুদিংমক পুরিবা লৈশারোলগী তাওবীরেননা হস্তবা থাক্কী মপোক ওইরবসু লৈথকরোন্না, মালেমদা লৈরিবা মীওইপোক্লা নুংশিফম থোকই। লৈখারোনবু লৈথকরোননা নুংশিরবতদা মালেমগী মীওইপোক খুদিংমক্লা অমৎতা ওইবা মীনুংশি মায়থোংদো ফংগনি হায়না পাখঙবা লাইহুই পুয়ানা পীরি।

লাই, পোং, মী হৌবা হাননা কংবা ফমলেনবু কংলা কৌএ। কংলাগী খৈরেন তাম্বা লমলেনবু কংলৈপাক মীংকৌএ। সনামহি লৈশেমকোন অনেম্বা মালেমনে। অচৎ চৎতা জীব কয়াগী লাংদাইকোন ওইরিবদি অনেম্বা মালেমনে লাইনা পোং (নঙগী যুগ) মপুথোকএ। পোং সলাইনা তাইবঙপানবা মীওইপোক পোংনা পুথোকপিবা লাই মপুবু ইপুধৌ কৌরে।

সলাই তাইবঙ পান্বদি পাখঙবা লাইগী ঈথাংলোয়নে। পোং সলাইনা ঈথাংকোক্লে। তাইবঙ সলাই ৭ তি পোংগী মচা মশুনে। সলাই কোনদা লোয়নবা লাইদি সনামহিনে। সলাইগী চৎনরোন কংলৈ পুংমায়োন, কংলা মেনশঙকোন মপুরেন ওইবনা নোংতমবীএ। লাইওইবদি পাখঙবনে। পাখঙবা ফম্বাকোন কংলৈনে। কংলা মেনশঙকোনগী উত্রাদি

মপুগী লৈফম তাকপনে। কংলাদা হীরুশঙ লাইরেম্বী নোংতম্বীএ। নুঙজেং পুখ্রিদি সলাইগী থৱায়নে। কংলৈ কংলৈদা সলাই ৭ কী অপোকপা লাইফম লৈএ। কংলা লাইফমদি লাই ১৪০ লৈবনে। থেংথৌরোন্দি পাখঙবনে। জগোয়দি কংলৈপাক লৈ হায়বা তাপনে। কংলানা কংলৈপাক্কী ঙমখৈ তাকপনে। কংলৈপাক্কী নিংথৌ সলাইশিংগী থৌপুবনি। পোংদি মৈহৌরোননে। লাই হরাওবনা সলাই তাকপনে। কংলাদা সলাই হৌরকফম লৈবনে। কংলা মেন চকখাংলোন্দি পাখঙবনে। থৌরমদি সলাইনা থৌপাংবনে। থা ১২ গী থৌরমদা চৎনরোন মরানরোন্দি লাইরেম্বী লাইস্নানি। মেনশঙকোন খৈরেন্দি লাইহুইনে। কংলৈপাক্কী অপুনবদি নাওকোনরোননে। কংলৈপাক্কী চৎনরোন কংলানা পীরি। পুয়াদি পাখঙবা লাইহুইনা পীরি। মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈথক, লৈখা মঙা অসি য়াবীরেননি হায়দুনা থম্বীরমলি। মরম অদুনা খৃ: নিংমালোই লাই ওইবা ৭, পাখঙবা, তোমপোক, তাওথিংমাং, নিঙোম্বা পেংশিবা, কাওখঙবা, লাইগী তাঙ্কনি হায়দুনা থম্বীরমলি। কংলৈপাক্কী লৈজরমলিবা উমং লাইগী লিরেন্দসু উমংলাই ৭৬১ নি হায়দুনা থম্বীরমলি। উমং লাইগী লিরেন্দসু উমং লাইগী অথোয়বা লাইনি হায়দুনা থম্বীরম্বদা কৌব্রু, থাংজিং, মারাজিং, ৱাংব্রেন, নোংপোক, লোয়ালকপা, খোরিফাবা, য়াঙ্গোয় নিংথৌ, ইকোক নিংথৌ। চীংনিংথৌ, থোঙাক নিংথৌ, চীংখৈ নিংথৌ, পুনম নিংথৌ, ফুনাল নিংথৌ, সরাং নিংথৌ, লাইজিং নিংথৌ হায়দুনা শুমলেন লৈঙাকনি হায়দুনা থম্বীরমলি।

মৈনা ৱাই তাংনা শমথরকপনা সলাই সিদবা লাইনিংথৌনা মালেমদা সলাই খাইনা শন্দোকপা য়ানবগীদমক, মালেম লৈশেম তুশেন্বা য়ানবগীদমক লৈনুং লোনচা পাখঙবা, লৈশিরেম্বী অনি পাননদুনা মচা অনি তানফংএ। মচা অনিগী কোলোয় মীংলেনদি শেনত্রেং পুপত্রেংনে। সেনত্রেংনা মচা অহুম্মা তানফংএ। কোলোয়দি মঙাং, লুৱাং, খুমন নে।
শেনত্রেংনা মচা অহুম্মা তানফংএ। কোলোয়দি মঙাং, লুৱাং, খুমন নে। কুপত্রেংনা মচা ৪ মা তানফংএ। কোলোয়দি অঙোম মোইরাং খাবা ঙানবা, সরাং লৈসাংথেম নে।

কংলৈপাক্কী নোংপোক চীঙ্গোইরোন ৯, পামেন উথাওকোন নোংপোক অচিবগী মগাইথেন্দগী তিনজং কাইজংদবা হৈরাং মরু অমা পুরক্কুনা সলাইরেন সিদবনা কংলৈপাক্কী কংলা পুংমায়োন্দা থাইএ। সিদবা মপুনা লৈশেম তুশেমদুনা মরুনা মঙাং ওইএ। ময়োননা লুৱাং ওইএ। মউনা খুমন ওইএ। মশানা আঙোম ওইএ। মনানা মোইরাং ওইএ। মপালনা খাবা ঙানবা ওইএ। মাহৈনা সরাং লৈশাংথেম ওইএ। অসুম্না সলাই মশক খঙনা থন্বীরমএ। লাংবা কোনবা চকরোননে।

মীওইপোক্না মালেমদা তাংজদুনা হিংলি। তাইবঙ মীওইপোক পামেলগা পাংখকনি হায়না নোংদম্বীরি লাইহুইনা। পামেলনা মালেমগী লৈশাদা তাংজদুনা অইং অশা খাংজবা লৈনুঙগী লাইজবু চীঙখৎলক্কুনা হিংজরি পামেলনা মালেমদা। পামেলনা মশাদগী পাঞ্জবা হৈরাংদো কৈদৌনুংদা হৈরাং মানা মপুং মরৈ ফাদুনা মশা শারেপ ফারক্কুনা, মপুং ফারবা হৈরাং মহৈনা লৈখোক লোমখিদুনা মাদোম লোমখিএ লৈমায়থক্ত। তাইবঙ পানবা মীওইবসু, হৈরাং পাম্বী খুদীংমক মহৈ পানবা নৎতে। পান দবা তিঞ্জংবা, শোইরোম্বা য়াওদবা নৎতে। নিংথিবা পামেল হৈরাং মহৈনা পালেমদা মদোম কেনখিবগুম, মীওইবসু মাগী মতম লোয়রবদা কনা হৌরমদনা মদোম চৎখিএ। থৱায়গা হকচাংগা কায়নখিবা মীওইপোকনি হায়দুনা পীরি।

মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈথক লৈখারোল ৫ পুন্দুনা অপুনবা শক্তম অসি ওইরকখি হায়ববু পাখঙবা লাইহুই পুয়ানা তাকলি। মশাগী হৌরকফম্বু অপুনবা শক্তমনি হায়দুনা তাকলি। শক্তম ৫ অসিদি মীওইবগা থানবা য়াদ্রবা অসুম্মক লোয়নদুনা লৈরগদবা অপুন্বা শক্তমনি হায়দুনা লাইহুইনা পীরি।

লৈখারোন তাওবীরেন কায়াৎরোন্দা, মীৎ, নাকোং, নাতোন, মশোং, য়া মখল ৫ নি হায়দুনা পীরি। লৈখারোন তাওবীরেনগী মীৎনা মীওইবদা, পাংবা ঙমদবা লৈনুংদা উবা ঙমই। নাকোংনা ঈশিং অমসুং শুরুংদা তাবা ঙমই। নাতোননা লৈফমগী মফম খঙহনবা উমই। মশোংনা

মশাগী লৈঙাক্লি। ময়ানা চহি মশিং খঙবা ঙম্বা অমসুং হিংজনবা চীঞাকপু তাইননবা য়ারেননি। য়ানা তাওবীরেনগী পাঙ্গলনি। সলাইদি মচু তাকপনি। মশা শাহৌ হকচাংদি তাওবীরেননি। পাখঙবা তাওবীরেন য়াংবী পুয়ানা পীরি।

কংলৈপাক্কী মৈহৌরোনবু অপুনবা শক্তম্না লাই ওইখ্রবা কয়া কয়ানা লাতম্নীরমদুনা অমুক কয়া অমা ইথোক্লরকলি অমদি লাইরিক ওইনা ফোংনরকলি। পাখঙবা লাইহুই পুয়া মালেম চুকখোং পুয়াগী মতুং ইননা তাইবঙ মীওইবনা হেক তাইবঙদা হঙা হায়বা খোম্হোক্তগী তম্লকপনা হকচাংগা থৱায়গা কাইনদুনা হকচাংনা মালেম লৈশাদা তিনখ্রবা, থৱায়না কোরৌদা নোঙ্গাখ্রবা ফাওবগী মনুংদা সলাই থৌখাইরোন, লেংদ্রবা ৩৬ নি হায়দুনা থম্লীরমলি। মখোয়শিং অদুদি (১) মীওইপোক (২) মমা (৩) মপা (৪) মপু (৫) মপুধৌ (৬) পুরোন (৭) পারোন (৮) পীরোন (৯) চাথাং (১০) মপারি (১১) মামোম (১২)নাওকোনলোন (১৩) মহৈ মশিং (১৪) মপুং ফারকপা (১৫) মপারি শিন্থা (১৬) মামোম শিন্থারোন (১৭) মীয়াম... থৌখাই (১৮) মীনুংশি (১৯) মমানা ৱাজবা (২০) মপুনা পেঞ্জবা (২১) য়ুম্বালোন (২২) মীয়াম্না নুংশিবা (২৩) নুংশিবীদবা (২৪) মশাগী থৌদাং (২৫) মীয়াগী মীনোক (২৬) অখাঙ কনবা (২৭) অরানবা তৌদবা (৩০) অচুম অরান থৌখাই (৩১) লৌশিং শিংবা (৩২) মমা মপা নুংশিবা (৩৩) পুরোন পারোন থিবা (৩৪) লৈপাক নিংবা (৩৫) থৱায় কৎথোকপা (৩৬) মীয়ামগী থৌরম পুবা, হায়রিবা থৌরম থৌখাই অসি মীওইপোক্না পাঙথোক্লবদি অপুনবা শক্তম অদু পুরক্কনি হায়দুনা পীরি।

মরম অদুনা কংলৈপাক মণিপুরগী মৈহৌরোন্দগী লৈজরমলিবা খলবুসু কায়হন্দনা অমুক নৌহৌননা চৎনরোন, থৌরম থৌদা , মাংশোক ফম্মেন, হৌনা লোনচৎ কয়া নিংশিংদুনা তুংলমচৎকী মীওইপোক্না পাংথোক্লবদি অফবা ওইগনি হায়দুনা পীরি।

কংলৈপাক্কী মৈহৌরোন্দা মঙাং অপোই মাইচৌ:

231

খৃ: ৪২৮ দগী চহি ৯০ ফাওবা ইনিংথৌ নাওফংবা সনা হাক্তক্কী কংলৈপাকগী পুয়া লারাকপু ৰাংবনা কোক নোঙ্গেএ। কংলৈ কংলাদা মপুরেল ফম্বাল লাংলিবদি ইনিংথৌ নাওফংবনে। লাইওইবা মাইচৌবদি মঙাং অপোই মাইচৌবনে। মাইচৌবা মঙাং অপোইনা লাই, পোং, সলাই (মী) হায়দুনা পুয়া লারাক লাশিংবু মশিং শুনা লাতমবীখিএ। য়েক ৭ সলাই ৯ চাদা নাওদাদুনা কংলৈপাক মরম লমলেন মদাইমনে। লাই পোংনা মাইচৌবা ৭ মাইচৌবা ৭ চৈশিংকোন নিংথৌ চৈ থেকখ্রবদা, সেনত্রেং, কপত্রেং অনিগী মপারী শিংখোং পোং সলাই ৭ না কংলৈ নিংথৌ ওইরবদা পাখঙবা সলাইগী ঈথোংলোই পোংনি। পাখঙবা সলাইনা ফম্বালদা হঞ্জিনখ্রবদা পাখঙবগী ঈ থাংলোয় শেনত্রেং কুপত্রেং কুপত্রেং অনিবু হৌরকলে। পাখঙবা ঈথাং ওইরিবা লৈনুং লৈশিরেম্বীগী মপারী মালেম লৈরোননুংদা পাখঙবগী য়াৰা ঙাইদুনা লৈএ। মতম শুরবদা শৈনত্রেং, কুপত্রেং ২বু কংলৈদা মকৌরবদা শেনত্রেং, কুপত্রেং অনিনা কংলাদা লাকএ। মপানগী য়াথং হোয়জদুনা শেনত্রেংনা লুৰাং চনু পোঞ্জেনবীবু পাননদুনা মঙাং, লুৰাং, খুমন তানফংএ। কুপত্রেংনা অঙোম চনু হিয়াইনু পাননদুনা অঙোম, মোইৰাং, খাবা ঙানবা, সরাং লৈশাংথেম পোকএ। লাই ওইবা ৭ না কংলৈপাক্কী নিংথৌ ওইদুনা পাখঙবা ঈথোংলোই পোংহনবা ওইনা নিংথৌ ওইদুনা ফম্বাল লাংএ হায়বা ৰাপু নিংথৌ শিংককএ। য়ুমদাবা নিংথৌদি পোংগী ঙমথং ওইরিবা নাওফংবা সনা হাক্তক্কী মাইচৌবা মঙাং অপোই লাই ও খৃ: ৪৪৭ মঙাং অপোই মাইচৌবনা উমংলাই খুন্দারেন পুয়া লাশিং ৬২০ খোরিদুনা কংলৈপাক্কী চীঙবুরোই তম্বরোই খঙহননবা থৌখাইখি। উমং লাই খুম্থোকপা শুমলেন ৪ ফম্বাল লাংবা পাখঙবা মেতোংবা, কৌব্রু হরাওরোন, নোংমাই হরাওরোন, কংলৈ হরাওরোন, লাই ওইবা মঙাং অপোইনা কংলা ফমলেন নোংকুমশঙদা খোরিএ। মাইচৌবগী মতুং ইননা কৌব্রু না হানবনি হায়না তাকলি। সনামহি থৌশিনকোননা উমং লাই খুম্থোকপনে হায়না তাকলি। অনিশুবদি মাইচৌবদি অপোইনা তাইবঙ মীওইবদা তমজহৌনবা,

খঙজহৌনবা নোংমাই নুরাবী পাময়ান শিন্থা পাংববু থোইনা তৌবগুম তমজনিংঙাই ওইববু নোংমাই লৌতারোননা হরাওববু ময়েক শেংনা তাক্ল বগীদমক খোরিখিবীখিএ। কংলৈ হরাওবনা নুংলোনগী ৰাবু সলাইদা ময়েক শেংনা ৰারি লিশাং থাদুনা সলাইদা খঙহনবীএ। মাইচৌবনা কংলৈপাক্তা লৈরিবা সলাইশিংবু অমৎতা ওইনা নুংশি চানননা লৈববু উৎতুনা অমগা অমগা মতেং পাংনবা, পুননা শিন্থা পাংমিননবা, থবক থৌরম অদুবু মহৈ চাননবা হোৎনবা, ময়াম পুনশিন্দুনা অমৎতা ওইনা পাংথোকমিননবা থৌখাইবু মঙাং অপোইনা লাইশিংনা চৎনরম্ববু থৌশিনখিএ। কংলা শঙকুমশঙদা মনাই ৪ গা মাইচৌ অপোইগী লোয়বশিংদি কহ্নাই, য়াইরেম্বা, য়াইখুতোম্বা, সলাই হাওবনি। মাইচৌবা, মনাইশিংগা লোয়ননা য়ুমদবা সলাই, উমং লাই খুম্থোকরোন, নিংথৌ শিংকক, হৈরেন নুংথেল থিরেন, পাখঙবা য়াঙবী হৈরেন নচীংবা লাই ওইবা মাইচৌবনা মৈহৌরোনগী পুয়া কয়াবু খোরিএ। মাইচৌবনা সলাই ৭ তা পাউরৌবু পুয়ানা পাউতাক ওইনা নাউথেমখিএ। মঙাং অপোই মাইচৌবনা কংলামেশঙকোন্দা কৌখৎতুনা মীয়ামগী অপাঙ্গ করি লৈবগে হায়বসু খঙদোকই। ইপু মঙাং অপোই মাইচৌবগী হৈবা শিংবা, মতিক মগুনবু ইনিংথৌ নাওফংবগা ইপুবু নুমিৎ খুদিংগী নিংথৌগী ফম্বাল নাক্ত কৌখৎলমই।

লৈপাক মপুরেন ইনিংথৌ নাওফংবনা ইপু মাইচৌববু কংলৈপাক্কী ঙমখৈরেন পুয়া লারাক্তা নোংদম্বীয়ু হায়খি। মাইচৌবনা নিংথৌগী ময়াথং ইঙেনা থাজা ৩ চঙদুনা কংলৈপাক্কী ঙমখৈরেন লায়াৎ খৃ: ৪৪৮ দা কংলা নোংকুমশঙদা খোরিখিএ। ইনিংথৌগী ময়াথংনা অৰাংলেন ঙমখৈ ঙাকপা লালোই ১৮ শিংলোই ২৮ লৈঙাকহননবা থাদুনা পনঙাকহনখি। মফম অদুদা খুন্দাখিবা মফমশিংদি অৰাং চীংমাইথেন লোকশাকোন নুঙবা চীঙ, উরেপ য়াংবা চীঙ,য়াংঙমলোন চীঙ লোকচাও থেননি। নুঙকী ৮ য়ুংদুনা অথৌবশিংগী ময়াথংবু ইপু মাইচৌবনা পুয়া লারাক্তা হাপচিল্লে। পানঙাকপশিংসু মফম অদুদা খুম্থোক্তুনা লৈখিএ। খারৈকোন্দসু পানঙাকপা ৪২ খাকোন্দা থাদুনা পুয়া লারাক্কী মতুং ইননা খুল্লিংদুনা পানঙাকহনখিএ।

খৃ: ৪৪৮ দা ইনিংথৌগী ময়াথং ফংজদুনা ফম্লাইবা ১২ লালোই ৫২ গা লোয়ননা নোংচুপ ঙমখৈবু পনঙাকহনখিএ।

নুমিৎ ১২ নি চঙনা চীঙ লম্বী শেমদুনা লোইবী চীঙগী চীঙশাংদা নুঙবী ৮ য়ুংদুনা কংলৈপাক্কী ঙমখৈবু পুয়া লারাক্তা খোরিএ। মফমদি নোংচুপ থংবা ঙমখৈদনে। নোংপোক ঙমখৈ মদাইমা কংলৈপাক্কী ঙমখৈরেন্দা লালোই ৬১ কৌখৎতুনা পনঙাকহননবগী থাদুনা নুঙবী ১৮ উয়ুং তমদুনা নোংপোক ঙমখৈবু পুয়া লারাক্তা খোরিএ। লমলেন মদাইমা লোইবী চীঙ সনা মানবা চীঙ, হেলোয়বা চীঙ ধুম, ধমানে। কংলৈপাক্কী মপুরেন ইনিংথৌ ইবুংঙো নাওফংবা সনা হাক্তক মাইচৌবা মঙাং অপোইনা থৌশিন থৌদা মপুং ওইনা মাইচৌবগী মনাই মশনগা লোয়ননা থৌপাং মপুং ওইখিএ। মঙাং অপোই মাইচৌবা খৃ: ৪৯৮ লাংওন অমা তমদুনা মাইচৌবগী অরোইবা মপোক ওইখি।

কংলৈপাক মৈতৈ লৈপাক্তা পুননা খুন্দামিননরিবা জাতিশিং:

কংলৈপাক মণিপুর অরিবা মহৌশাগী লৈজরক্লুম্বা লাই হাক্তকী নুঙলোন, মৈহৌরোন, লৈশেম নুঙশেমঙৈগী য়াৱানা কংলৈপাক মৈহৌরোন নুঙরোন ইরিকপু সনা লৈরিক নোংতম্লা ঈতমলিএ। লৈশেম নুঙশেমঙৈনা ইরম লমলেন মদাইমাবু লমলেন ঈরিক ইচাইনা, হৈরেন মাসু হৈপুম্লা লাংসু খিকলোয় মতাইএ। হৌসু লাংসু মওইরেন, সনা কাগোক মহাংনা, খিংলোই পাভল লমতাইএ, কৌরেননুবী মওইরেন, সনা কাগোক মহাংনা, খিংলোয় পাভল লমতাইএ, কৌরেন নুবী লমখ্রাইনু, চোল্লাং খিঙলোয় মতাইনা, খিঙ্গা নাউহুই মওই এ।

লৈথক লৈখারোন:

নুঙরোন পুয়ানা অসুম্লা নোংতমএ। হৈহৌরোন্দা লাই ওইবা সনামহি লৈখারোন মালেমদা নোংকুম্বীদনা লাই ওইবা মপুনা মালেম লৈশেমদুনা

লৈশেম্বগী থৌকাংবা সনামহিগী মতেং পাংখিবা ৱাবু নুঙরোন লৈশেমরোননা ময়েকশেংনা পীদুনা তাকলি। লাই ওইবা মপুরেন লৈশেম নুঙশেম্বা সুমদারেন্দা অনেম্বা মালেম হয়ারেন্দা অচৎ চৎতা জীবা কয়াবু সনামহি লৈশেমকোন্দা লৈহনগে হায়দুনা মপু ওইবনা থৌশিন থৌদা থৌপাংলক্লমই। খিকলোয় পাঙল হৈরেমনু, য়াঙবী হীরেন লৈশানু, খিকলোই মানবী হৌসুনা, পীনাই পৌসু ৱাংঙমলে, হৈরেম ইশা লৈরিকপী, নোংগী য়াৱা মকাউফদে। পাবু হেনসু মাকওইরেন, লাংজিং হিরেন মানসুবা, খিকরেন নোংখৌ মতাইরেন। খঙকোই হৈরেন নামুংবী, পামসু য়াঙবী হিয়াইনু, লাংচিং খৈরেন মতাইনা, শাবু ওকসু, লমকোইরেন, খৈরেন লমকোই লুৱাওবী, লাইজা ঈপাল ঈরিকলোয়, খৈরোই লাংচিং হালোয়পাও, নোংগী চুনাই খাঙওইরেনপাও। পোম্বী লাংকোই মতাইনা, লৈরিক ইচিক মওইরেল্লে। নোংথৌ লাংচিং খৈরেননা, সনা তবু খিঙওই এ। সনা চোমজাও হৈরেম্না লিক্লাই য়াঙসু মৈরেল্লে। নোংখ্রাং তোইবী হাবুরেননা, সনা চোমচাও মাওইএ। লৈরিক নুঙগী নোংখ্রংয়াই, সনা কারন মাওইএ। হা হৈরেম নুবীও নুঙরোন য়াৱা নোংতমবীয়ো মহায়এ। মপু ওইবা লৈশেম্বনা, লৈশেম নুঙশেম লোয়রকপদা মালেম, তাইবঙ পাম্বদা অচৎ চৎতা জীবা কয়া মপু ওইবদা পুথোকপিরবদা হৈপাল- লৈপা, উপাল- ৱাপাল, কয়া মশিং লাংঙমদনা লৈশেমকোনগী লাংহৈদা মপু ওইবা সনামহনা অচৎ চৎত জীবা কয়াবু মালেমদা হিংজনবগীদমক পুথোকপিরি মপু ওইবনা। মপু ওইবা লাই ওইবা মহাক্লা লৈশেম্বগা লৈশেমকোনগী লৈকোন্দা উহৈ- ৱাহৈ কয়া পুথোকপিদুনা হয়া মালেম লৈশেমকোন্দা মপুনা পুথোকপিরিবা লৈখন নাইবা লৈরাংদো মপুগী লৈকোন্দা ফুগাইনা লৈশাৎ নোংদমলি। মপুগী লৈকোন্দা নোংদমলিবা লৈরাংবু য়েংলগা মপু ওইবা লৈশেম্বনা কয়াগী মতিক পেঞ্জখি। মসি নোংগী য়াৱাবু সল্লাই নোংদমরোন, অচৎ চৎতা লাংহৈরোন হায়না পুয়া লাংশিং হৈরেম্বনা খোস্থোক নোদমএ। ওইবা মপুনা হয়া মালেম অনেম্বা লৈশেমকোন্দা চীঙউবা, লাইয়াম লাইতিনহনগে পায়মা নুঙদা উনবী মরু তমখ্রে। লাইয়াম পুম্বনা অনেম্বা

মালেম হয়ারেন্দা নোংকুম্বীদুনা মালেম লৈশেমকোন্দা লাইগী ফম্বাল নোংদমখি হায়বা ৱাবু সনামহি লাংকোই পুয়ানা নোংদম্বীরিএ। সনা নোংদম লৈরিক্তি অসুম্না মাইচৌ খোর্জে লাংপুম্না নোংদম্বীবা য়াৱাবু মহায়জগে সলাইনা - চীঙউ লৈশেম্বা, মালেম লৈকোইবা মপুনা পায়বা পীবুক নুংঙদা খল্লকলে। মালেমদা লৈরিবা লাইয়াম পুম্নমক লৈশেমকোনগী লাইয়াম পুম্বসে চীঙউ ফম্বাল লাংহল্লগে হায়না নুঙরোন য়াইদা মমি থমখ্রে। মপু ওইবা সনামহিনা পাইমা পীবুকনুঙদা ফম্বাল তোংনবা থৌশিল্লগে খল্লকলে। চীঙউবা লাই ময়াম পুম্ববু লৈশেম্বা মপু সনামহিনা চীঙউ লাইয়াম পুন্দুনা থৌখাই মবু মপিরগে খল্লকই লাইনিংথৌনা। লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুগী চীঙমাইথেন্দা লৈশেম্বা মপুনা নোংদল্লকখি। মপু ওইবা সনামহিনা লাইয়াম্বু য়েংলগা হায় লাইয়াম পুম্নমক তাবিয়ু খোয়ুম ঐগী য়াৱানি। লাইনিংথৌগী য়াৱাবু লাইয়াম পুম্নমক্লা মপু ওইবা সনামহিনা লাইয়ামবু য়েংদুনা হায়- লৈশেমকোনগী লাইয়াম পুম্বা নখোয়গী ফম্বাল পীবা মতম ওইরে। য়াৱা অদু লাইয়াম্না তারবদা চীঙউবা লাইয়াম পুম্বদো হরাও মথোয় কারমই। মতৌ অদু উবদা লৈশেম্বা মপু সনামহিনা লাইয়ামবু য়েংদুনা য়াৱা নোংদল্লকই। ঙসি কোরৌ নুমিৎ অসি চীঙউবা লাইয়াম নখোয়না হরাও মথোয় কাবা উরপা লৈশেম্বা মপু সনামহি ঐগী পীবুক্লুংদা লাইয়াম মমি অমা পীবুক্লুংদা মমি অমা অদুনা লৈরে। তাদুনা লৈরিবা মমি অসি করি নুঙগী খক মাংফরোইএ। মপু ওইবগী য়াৱা অদু তাবদা চীঙউবা লাইয়াম পুম্বনা লৈশেম্বা মপুদা হংগৎচখি। করি নুঙগী মমিনো হায়না হংজখি। মমি অদুবু পান্দা থোক্লা উহনবীয়ু হংগৎচখি। মদু নোংদগী লাইনিংথৌ সনামহিনা লাইয়ামবু য়েংদুনা মহায়- ঐগী পীবুক্লুংদা তারিবা লাইয়ামগী হরাওবগী মমি অসি পান্দা থোক্লা উৎলগে হায়খি। ঐগী য়াৱা তারো লাইয়ামদা নোংদমবীখি। চীঙউবা লাইয়াম পুম্বানা থৌঙম থৌসু মঙম পাংজরগে

পীখ্রে। মপু ওইবা লাই নিংথৌ সনামহিগীময়াথং ইঞ্জদুনা লৈশেমকোনগী লাইয়াম পুম্নমক কৌব্রুগী চীঙমাইথেন্দা থুংলখি। অদু নোংদা লাইনিংথৌগী নুঙরোন্দা তমখিবা হরাওরোন সনামহিনা চীঙউবা লাইয়াম পুম্বদা পাং দাথোক্না লাই হরাওরোন অহান্বা ওইবনা কৌব্রু চীংমাইথেন্দা লাইয়াম পুম্বগী ফম্বাল পীখি। মৈনা ৱাই তাংনা শম মদুনসু মদোমদে লাইনিংথৌ সনামহিনা লৈশেমকোনগী লাইয়াম পুম্ববু য়েংদুনা হায়রকই। তারো চীঙবা লাইয়াম পুম্বা - য়াৱা মখা খোইয়ুম ওইবগী লিচৎলোনবু হায়রগে হায়না মপু ওইবনা লাইয়ামবু য়েংদুনা নোংদমরকই। মালেম হয়ারেন লৈশেমকোন্দা অচৎ চৎতা জীবা মশিং লাংঙমদনা মপু ওইবা ঐহাক্না নোংদম্বীখ্রেদো। মখোয়না মালেমদা হীংজনবগীদমক্তা নোংদম য়াৱাদো হায়রগে। চীঙউবা লাইয়াম পুম্বনা য়াৱা অদু তাকপিরো হায়না কোকনোঞ্জরি। লাইয়াম পুম্বনা মপু ওইবা সনামহিদা য়াৱা মপাও নোংদম্বীরো হায়জখি। লাইয়ামগী য়াৱা তারবদা, মপু ওইবা সনামহিনা হায়রকই চীঙউবা লাইয়াম পুম্বা লৈশেমকোনগী লাইদাইকোন্দা লৈরিবা লাইয়ামনা নোংপোক নোংমাই মরমখৈদা লাইরেম্বা লাইরেম্বী পুম্বনা লৌতা শিন্থা পাংথোক্কুনা খোয়ুম লাইগী হরাওরোন মপাংগনি হায়না খোয়ুম গী পাওথাংনজরে। মপুগী য়াথং তাবদা লাইয়াম পুম্বা হেরোননা থৌরম মাবু থৌপাংনজখি। লৈশেমকোনগী লাইয়াম পুম্বা মপুরেন সনামহিগী ময়াথং ইঞ্জদুনা নোংমাই চীঙশাংকোন্দা কুম্থোকখি। মদু নোংদা চীঙবা লাইয়াম পুম্বনা নোংমাই চীঙদা লৌজা শিন্থা পাংখি। চীঙউবা লাইরেম্বা লাইরেম্বী পুম্বনা হৌ হা, ইপা লৌকোই ময়ানসে, কোরৌ থৌদা মপাংসে, সে সে ৱাইনৌসে, চারা তোংবী ৱাইনৌসে, চীঙউবা লাইয়াদা পুম্বনা য়াৱা অসি হায়দুনা খোয়ুমগী থৌঙম মপাংখি। নোংপোক অচিবানা ৱাংঙমরোন লাইরেম্বীশিংবু য়েংদুনা হায়রকই। নোংয়াই শিন্থা থৌপাংবী থৌঙম মপু হালোয়বী, চারা ৱাইনৌ শিংকুম্বী, নোংপোক খৈরেন মদাইমাদা লৈশেমকোনগী লাইয়াম্না হরাও চেঙজেন তম্বদি করি নুঙগী নৎতেএ- লৈশেমকোনগী মপুনা মালেমদা লাংদাইরিবা অচৎ চৎতা কয়ামরুম মালেমদা হিংজবা ঙম্নবগীদমক্তা খোয়ুম লাই ওইবা

ঐখোয়না থৌপাংবনে, য়াৱা অসি লাইয়াম পুম্বনা কাউজ উপাল লিংবিয়ু মহায়রকই। মদু নোংদা মপু অচিবাগী য়াৱা মপাউ অদু লাইয়াম্না তারবদা পাইমা পীবুক নুঙদা হরাও মথোয় কাজখি। অদু নোংদা লাইয়াম্না পানাওশিংনাও, লশিং মপোপ, উহৈ ৱাহৈ মশিং থিঙমদনা নোংমাই চীংমাইথেন্দা নোংদমখি। মদুনসু মদোমদে লাইয়াম্না - থৌদুম ফৌঙাং, মোইরাং ফৌ ফৌরেন, ককচেং ফৌ, লাইফৌ, নুঙ্গাং ফৌ, চাইজি ফৌ হুইকা ফৌ, ফৌবী লামফৌ, চীঙকা ফৌ, ঙাংবী ফৌ, লাইচিং ফৌ, তুবুম ফৌ, খৈরেন ফৌ, চাইজি ফৌ, মানচি ফৌ, চম্মু ফৌ, তাওরেন ফৌ, হুইখাং ফৌ, শুমলেন ফৌ, লমকাং ফৌ, পোইরৈ ফৌ, ঙাঙোই ফৌ, তাওবী লাংসু ফৌ, য়াকা ফৌ, ফৌজৈ হুইরেন ফৌ নচিংবা লাইরেম্বী মশিং লাংঙমদনা নোংমাই লোতাকোন্দা থৌকাংদুনা থৌসু মহৈ থাখি। মাদু নোংগী লাইরেম্বীগী থৌঙম্বা উবদা লৈশেম্বা মপুনা পেঞ্জখি। নোংমাই হরাওবা মপুংলেন ওইখি। নোংমাই লৌতা ববু য়েংদুনা মপুরেন ওইবনা হায়রকই। হা নোংমাই নুরীবাও - নোংমাই খুলং লৌতাবীয়ো করি নুংগী থৌপাংবা নৎতেএ, খোয়ুম লাইরেম্বা লাইরেম্বী নখোয়গী মতৌ লৌদুনা অচৎ চৎতা লৈশেমকোন্দা লংদাইনরক্কদবা লাইদাইরিবা পুম্নমক্কী নোংমাইগী থৌকাং অসি মপুংয়াই ওইদুনা লৈশেমকোনগী লাংহৈদা লৈহৌরসনু হায়দুন। লাইরেম্বা লাইরেম্বী পুম্বদা য়েংলদুনা লৈশেম্বা মপুনা নোংদম্বীখি। মখা তাবা য়াৱাদি সিদবা লৈশেম্বনা থৌকাংলিবা লাইয়ামবু য়েংদুনা হায়-মালেম লৈশেমকোনগী লাইরেম্বা লাইরেম্বী পুম্বনা নোংমাই মরমখৈ মদাইমাদা লৌতা শিংদা, তু- খোং, লাখোং, শিনলম শিন্থা থৌকাংববু উবদা য়াৱা অসুম্না নোংদমরকই। তাবিয়ু চীঙউবা লাইয়াম পুম্বা নোংমাই থৌকাংরোন লাইয়ামনা হরাওদুনা থৌসু মঙম পাংববু, থৌঙম মহৈ য়াল্লে হায়না মপু ওইবা সনামহিনা মহৈ য়াল্লে নোংদম্বীখি লাইয়ামদা মপু ওইবনা লাইয়ামদা য়েংদুনা হায়- হৌজিক লাংবা কোনবা চবশিংকোন মওইরেল্লে। মদু নোংগীদমক্তা চীঙউবা লাইয়াম পুম্বনা পুংময়োন লাংহৈকোন্দা লাংদাইননবগীদমক শেম শাবীরো হায়জখি। মপুরেনগী য়াৱাবু লাইয়াম

পুম্বনা হোয়াজখি। মালেম লাইয়াম পুম্বদা সিদবা লাইদি লৈশেম্বনা লাইয়াম্বু য়েংনা মহায়এ। তারোদা লৈশেমকোনগী লাইয়াম পুম্বা হৌজিক্তি হয়া মালেমদা চক্কী লাংহে লাংদাইনরক্লে। লাংবা কোনব চকশিংকোন লৈকোই মপুগী ফম্বাল নোংতম্লগনিএ লাইয়াম পুম্বাও। শাতৌতোন পাখঙবগী লাংদাইকোন মতম ওইরক্লে।কোনবা চকশিংকোন লাংহৈদা। তারো হায়বগে - লৈশেমকোনগী লাংদাইরেন্দা কুরু লাই সিদবনা খোয়ুম ওইবা সনামহি ঐহাকপু মকৌরকলে লাইয়াম পুম্বা। ঐহাক্না কুরু লাইসিদবগী ময়াথংবু থৌকাংলম্লগা লাইয়াম তাখো অমুক লাকখিগনি। মসি য়াব্রা হায়রম্লগা লৈশেম্বা সনামহিদা কুরু নাক্তা খোংদোই হুনখি। কুরু লাইসিদবা হায়রেনগী মালেম লৈশেমকোন চাংজৌ ঈপান্দা লেপ্পুনা লৈরমই। লৈশেম্বা সনামহিনা কুরুগী নাক্তা য়ৌরুবদা খুবাক চাংজৌ ১০ ইদু কাইদ লৌশিংনা খুরুমজখি। কুরুনা সনামহি উরবদা য়াব্রা অসুম্না হায়রকই। পারি ইবুংঙো হালোয়বা ইপানা নঙবু মকৌবদি অতৈ করিগী নংতেএ। তাইবঙ পানবা পোং মীতম হায়গে হায়বগী ইপানা নহাকপু কৌবনে। সনামহিনা কুরুগী য়াব্রা তারবদ, পন্থৌ ইপাগী য়াব্রা পারি অহল চরৈ ফীগাওশানা য়াজরি। শিন্থতবু নোংদম্বীরো হায়না নোংদম্বীয়ু হায়না কুরু লাইসিদবদা। কুরু লাইসিদবনা মপারী সনামহি য়েংদুনা হায়রকই।

ইপানা চাংজৌ ইপান্দা লেপলি অসিগী মমি লৌদুনা ইপাগী মমিবু ইরেননুংদা পুথাদুনা তাইবঙ পানবা পোংসলাই মীতমলো হায়না মপন লাই সিদবনা হায়এ। পন্থবা কৌবা লৈতম লাইনিংথৌ সনামহিনা তাইবঙ মীতমলোনবু লাইজ ইরোননুংদা নোংদমখি। কুরু লাই সিদবগী মমিবু চাংজৌ ইরোননুংদা সনামহিনা পুথখিদুনা থাজ ১০ মীতম লাংদাইখি। থাজ ১০ ফারদুনা তাইবঙ মীতম মপুং ফাখি। লাইনিংথৌ সনামহিনা তাইবঙ মীতমরোনবু ইরোননুংদগী ঈপাল লাংদা কুরুগী নাক্ত পুরক্তুনা সিদবা লাইদা কৎচখি। কুরু লাই সিদবনা তাইবঙ পোংসলাইবু য়েংদুনা সনামহিদা নোংদম্লকই। অসিনসু মদোমদে পারি হল্লোয়বা সনামহি ইপানা য়াব্রা অমা হায়গে। করি য়াব্রানো তাকপিয়ু হায়না মপারী হালোইবনা সিদবা হায়জখি।

পারি নঙবু নুঙশিবা তাইবঙ থোংদাইরেন মতাইনবা কৌবা লাইবু মকৌরুচো হায়না নোংদম্বীখি। থিন্থবা কৌবা লৈতনা লাইনিংথৌ সনামহিনা কৌবা লাইবু কুরু সিদবগী মনাক তম্না পুরক্লমই। কুরু লাই সিবনা য়াৱাপুন্না কৌরেনবা লাইদা নোংদম্বীখি। কৌব্রুনা ৱারম পুম্নমক মখঙলবদা কুরুগী শিন্থাবু ইঞ্জখি। তাইবঙ পোং সলাইগী ঈফাৎ তমখি। লাইনিংথৌ অৱাং কৌব্রুনা কুরু লাই সিদবগী ময়াথং লোয়রদুনা অৱাং কৌবু সিদবা লাইবু কোকনোল্লমলগা চীঙউ মাগী ফম্বালকোন্দা হনৱাইখি। সনামহিবু য়েংপা কুরু লাই সিদবনা য়াৱা অসুনা নোংদম্লকই। নশানৌ পাখঙববু মকৌও হায়রক্লবদা থিন্থবা কৌবা লৈতনা সনামহিনা পাখঙবা কোন্দা খোঙদোই হুনখি। লাই ওইবা সিদবা মপুনা তাইবঙ য়াইবীরেন অচংববু পোংসালাইদা নোংদমবীখি। তাইবঙ পানবা পোংসলাই মীকপ থোক্লবদা পী- পা চাথাং নাইনা নোংদম্বীখি। সনামহি পাখঙবনা কুরু লাই সিদবগী ফমলেন নাক্ত য়ৌরবদা সিদবা লাইদি মপুদা পাখঙবনা কোক নোঞ্জনা হঙ্গৎচরমই। মপারী অতোম্বাবু উবদা সিদবা লাই মপুনা য়ারো অসুম্না নোংদম্বীখি। পারী অতোম্বা পাখঙববু নহাক্কী সলাই ওইনবা, তাইবঙ সলাই য়েননবা নয়াম্মুং সনামহিনা মীতম্বা তাইবঙ পোং সলাইসে নগাইফমদা পুজরো হায়রগে হায়বগীদমক মকৌবনি। য়াৱা মপাও অদু তাবদা পাখঙবদি তোমপোক্না চরৈ ফীগাও শানা সিদবা লাই কুরু সিদবগী শিন্থাবু ইঞ্জখি মপারিতোননা। মপন পান্থৌবু কোক নোঞ্জরম্লগা মপারীতোন পাখঙবনা পোং সলাই পুম্নবক পুদুনা য়াইবীরেন কোন্দা নোংদমখি। পাখঙবনা কংলা য়াইবিকোন য়ৌরবদা নুমিৎ থা অনিনা ফম্বালকোন্দা লাংদাইখি। পাখঙবা কোন্দি কোনফাঙে। লাইনিংথৌ সনামহিনা মশানৌতোন পাখঙবগী নাক্ত খোঙদোই হুল্লক্লমই। চীঙউবা লাইয়ামগা লোয়ননা। মশানৌ ওইবা পাখঙবনা ময়াম্মুং সনামহি লাকপা উরবদা ফম্বালদগী কুমথদুনা কোক নোঞ্জখি। সনামহিনা পাখঙবা য়েংদুনা হায়রকই। হৌজিক্তি পোং সলাই ৭ পু পাখঙবা নহাক্কী সলাই নোংদমবী হায়খি। চীঙউবা লাইয়াম পুম্বা ৱাতাই শিংদাইনদনা পাখঙবা কোন্দা লাইয়াম

হরাও মথোয় কাশি হায়দুনা লাইয়াম পাওথাংনখ্রে। মদু নোংগী থৌরম থৌদা পুম্নবু চীঙউ লাইয়াম্না লাইতিন পুংকোই নোংদম্লসনো হায়না লাইনিংথৌ সনামহিনা পাখঙবদা নোংদম্নীখি। ময়াম্লুংগী নোংদম য়াব্রা অদু তাবদা পাখঙবনা পেঞ্জখি। চীঙউ লাইয়াম কংলৈ ময়োন্দা থুংলরবদা লাই ফম্বালকোন নোংদমদুনা কংলৈ হরাওবা পুঙকোই তমখি। লাই ওইবা পাখঙবনা লাইরেন মথেক পাতোন চৎতুনা চীঙউবা লাইয়াম মমাংদা পাখঙবগী মতিক ময়াইবু লাইয়ামদা নোংদমখি। নোংমাইদা খোঙদোইরকপা লাইরেম্বীশিংনা নোংমাই লৌতারোন পাংথোক্তুনা লাইতিন পুংকোইদা কংলৈ খুম্থোকখি। মদু নোংকী ৱাপু লাই হরাওবদা নোংমাই লৌতারোন কংলৈ হরাওবদা নোংতমখিএ। লাই অৱাংবা শারেম্বনা তেনসু ৪ কাপ্তুনা য়োৎলৈ কাংলোন মায়ল্লে। নোংপোক শারম ঙমপনা নোংমাইগী লাই ৯ লাকপবু করি নুঙ লাকপনো হংবদা লাই ৯ না খুমখি। ঐখোয় ইচিন ইনাও ৯ দি পাখঙবা সলাইগা থানবা য়াদে হায়খি। ঐখোয় ৯না চীঙউবা লাইগী লাইতিন পুঙকোই কংলৈ হরাওবদা পামেল, উজাও মৈরা, উকা থক্তা খোইবী খোইরেন খোইশারোন নোংদমদুনা লাইয়াম হরাওবা য়েংজগে হায়জখি। শারম পাখঙবনা ঙসি কোরৌ নুমিৎলোয়দি লাইরোই তানবা নুমীৎনি, ইয়োং শমজিং নোংতম্লগনি। হা খোইবী ৱাংপাও নাহুম পোম্বী য়াথোকতম, খোইবী খোইরেন খোইশাকোন নচিন ননাও ৯ না সলাই ৯ নোংতম ও। খোইশা কাংরোন মতাইও চীরিক হুমবী ঈথাইরেন খাংলেন নঙবু খোইপুংলেন নহাক্কী নমিং হায়গে- পম্হৌগী শকরেন মতাককে। কুরু লাই সিদবগী খোইদগী থোকএ হায়বগীদমক খোই হায়না মকৌখি। লোইবী চীঙতগী চীঙজাওনে নাওপোমদা পামেল মাদি উথাওকোন, পাভল ফৈরা মথক্ত খোইশারোন নোংদম লুরো ঙসিদগী ননিং নখা তৌনা। সনামহি লৈকোল মালেম লৈশেমকোন্দা খোইশারোন ৯ নোংদমজরে।

নোংপোক খোইশারোন, অৱাং খোইশারোন, নোংচুপ খোইশারোন খাগী শাংচৈ হুইরেন্থা খোইশা মমি তমজরুরো। চীঙখৈ থাংমাই হন্থগী লাইকোন্দা লৈজরুরো। খাগী মরম মৈরেন্দা লাইনিংথৌ কাংব্রেন

লাইকোন্দা খোইশারোন ৯ নোংজমজরুরে। শস্থোং কাজাও থাংজিং চীংমাই থেন্দা কংলৈ ময়োন কংলাদা খোইশা। লোইয়ুম লংজিন থারো। মদু নোংদা শারম পাখঙবগী য়াৰা মাবু ইঞ্জদুনা খোইশারোন নোংদমখি।

ঔগ্রি হঙ্গেল, হীজিং হীরাঙও, চীঙউ লাইয়াম পুন্নমক্লা থৌরম থৌখাই পুন্নমক লংজিং ওইখি। পাখঙবা কোন্দা লাইতিন পুংকোই ওইদুনা কংলৈ হরাওবা মদোম লোমখিএ। লাইয়াম পুন্নমকসু মাগী মাগী মগাইফমদা হনৰাখি। মৈনা ৰাই তাংনা শম পাখঙবা সলাই ৭না কংলৈ ময়োন কংলাদা চকশিংকোন্দা মথং মনাও নাইনা পাল্লকপনা পাখঙবা সলাই ৭ ফম্বাল নোংতম্বা মদোম লোমখি। পাখঙবা সলাই ৭ না কংলা মেন্দা হঞ্জিল্লমদাইদা পাখঙবগী লাংওন লৈনুংলোন পাখঙবা মশানৌ লৈশিরেম্বী পায়মা পীবুক্ল ুংদা খল্লক্লমই। পাখঙবনা লৈনুংলোন লৈশিরেম্বীবু খোয়ুম মাইয়োক থাখি। পাখঙবনা লৈনুঙ লৈশিরেম্বী য়েংলদুনা হায়রকই। ইপারী শেনত্রং কুপত্রেংন অনিদো নশানৌ ঐঙোন্দা শিননৌ। লৈনুংলোন লৈশিরেম্বীগী য়াৰাবু ইঞ্জদুনা মপারী ২ বু শিননখি। কংলা ফম্বাল কোন্দা পাখঙবনা সেনত্রেং ৰাপাও অনিবু পুরকখি। ৰারম পুন্নমক হায়দুনা মপারী সেনত্রেং কুপত্রে অনিদা মঙাং লুৰাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাবা ঙাম্বা সরাং লৈশাংথেম সলাই ৭বু শিননখি। পাখঙবা সলাই ৭ না কংলা ফম্বালকোন্দা হঞ্জিনখিএ। পোং সলাই ৭ না সেনত্রেং কুপত্রেং ইঞ্জদুনা মথং মনাও নাই কংলা য়াইবী কোন্দা ফম্বাল লাংখি। পোংনা ফম্বাল লাংবা খু: অহৌবদগী মঙাং নিংথৌ পোংহনবনা কংলা ফম্বাল লাংখি।

কংলৈপাক্কী মৈদিংঙু লাই ওইবা ৭ না পানখিবা ৰাবু হায়গে:

মৈ তরং, ঈশিং তরং, নুংশিৎ তরং, লাংসু মাইচৌ হৌরল্লে। য়াংখ পিনা হৌসুরে। নিংথৌরেন্দি কংলৈপাক হৌরেনঙৈদা নোংতমএ। মৈদিংউ লাংশিং হৌরেনলে। লাইনিংথৌ চোমাই হেনসুইএ। হৌরেন

হৌরেনঙৈ কংলৈ পাখঙবা সলাই ৭ শাফোংএ। মৈরেন তাংনাৱাই সেনত্রেং, কুপত্রেং অনিনা সলাই ৭ লোয়নবা মওইদুনা কংলৈ ফম্বাল ৭ লাংএ। মখোয়গী কোলোয় মীংলেন্দি মঙাং, লুৱাং, খুমন লোয়নবা সেনত্রেং লাইনে। অঙোম, মোইরাং খাবা ঙানবা সরাং লৈশেংথেম লোয়নবদি কুপত্রেংনে। পাখঙবা লাইওইবগী সলাই ৭ ঈথাংলোয়নে। পোং নিংথৌপা ৭ না পাখঙবা সলাইনা কংলামেনদা হঞ্জিখ্রবদা সেনত্রেং, কুপত্রেংগী লোয়নবা ৭ না নিংথৌপা ওইএ। মদু নোংগী চৈশিংদি খৃ: অহৌবদা ঙাঙোইবা মঙাং পোংহন্বনা নিংথৌপা ওইএ। পোংনা মথং মনাও নাইনা নিংথৌপা ওইদুনা কংলাদা পাল্লকপনা পোং নিংথৌ ৭ না নিংথৌনা ওইদুনা কংলা পুংমায়োন্দা পাল্লকখি। খৃ: ৪২৭ ফাওবা সরাং লৈশাংথেম পোং নিংথৌ মৈতোম্বনা পানবা অরোইবা মতমনে। কংলা মেনখোংদা পোং নিংথৌ ৭ না মাগী মাগী মতম লোয়রদুনা হঞ্জিনখি।

খৃ: ৪২৮ দা মৈতৈ নিংথৌরেন নাওফংবনা পোইরৈ য়েক ৭ সলাই ৯ গী নিংথৌরেন ওইদুনা সলাই লৈঙাক পুখি। মৈনা ৱাই তাংনা শম নিংথৌরেন ৬৯ না মথং মনাও নাইনা কংলৈপাক মদাইমাদা নিংথৌরেন ওইনা পানখি। খৃ: ১৯৪১ দা নিংথৌরেন মহারাজ বুধাচন্দ্র অরোইবা নিংথৌরেন ওইখি। কংলৈপাক্তা লৈশেমঙৈদা কোনবা চক্তা পানখিবা লাইগী মৈদিংঙু ৭ নি। মৈনা ৱাই তাংনা শম পোং নিংথৌ ৭ না কংলা ফম্বাল লাংখি। পোং নিংথৌ না ফম্বাল নুংরোন য়াইদা হঞ্জিখ্রবদা মৈতৈ নিংথৌ ৬৯ না কংলৈপাক্তা পানবা ৱাপু নোংদমজগে।

চকশিংকোন্দা পানবা লাই ওইবা ৭ কী সলাই ৱাবু হায়গে:

১। মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবা - চৈশিং ১০০ পানফৈএ। (পাল্লে)

২। মৈদিংঙু খুইনহা তোমপোকপা পাখঙবা - চৈশিং ৯২ পানফৈএ। (পাল্লে)

৩। মৈদিংঙু তাওথিংমাং চাংলোইবনা পাখঙবা - চৈশিং ৮৫ পানফৈএ। (পাল্লে)

৪। মৈদিংঙু খুই নিঙোম্বা লমঙাম্বা পাখঙবা - চৈশিং ৮২ পানফৈএ। (পাল্লে)

৫। মৈদিংঙু পানসিকা থৌঙম থৌবা পাখঙবা - চৈশিং ৭৮ পানফৈএ। (পাল্লে)

৬। মৈদিংঙু কাওখম্বা সনা লৈরিক পাখঙবা - চৈশিং ৭৫ পানফৈএ। (পাল্লে)

৭। মৈদিংঙু নাওখম্বা চাইজিবা - চৈশিং ৬৫ পানফৈএ। (পাল্লে)

পাখঙবা সলাই ৭ লাই ওইবনা ফম্বাল কোন্দা হঞ্জিনখ্রবদা, পোং সলাই নিংথৌনা ৭ না পাখঙবা কোমদি কংলা ফম্বালদা পোং নিংথৌ ৭ না পানখি। পোংদি খোইয়ুম লাই ওইবগী ঙমথংদা পানবা নিংথৌপা সলাই ৭ নে। মখোয়গী কোলোয় মীংলেনদি মখাদা অসুম্না নোংতমই।

ফম্বাল লাংখিবা চহি

১. মঙাং পোং নিংথৌ পোংহম্বনা খৃ: ১ দগী ৯২ ফাওবা ফম্বাল লাংখি চহি ৯২

২. লুৱাং পোং হলোয়বনা পোংহম্বনা খৃ: ৯২ দগী ১৫৭ ফাওবা ফম্বাল লাংখি চহি ৬৫

৩. খুমন লৌথিবা পোং নিংথৌপানা খৃ: ১৫৭ দগী ২০৯ ফাওবা ফম্বাল লাংখি চহি ৫২

৪. অঙোম পোং নিংথৌপানা খৃ: ২০৯ দগী ২৬১ ফাওবা ফম্বাল লাংখি চহি ৫২

৫. মোইরাং পোংহম্বা নিংথৌপানা খৃ: ২৬১ দগী ৩২৩ ফাওবা ফম্বাল লাংখি চহি ৬২

৬. খাবা ঙান্বা পোংহন নিংথৌপানা খৃ: ৩২৩ দগী ৩৮০ ফাওবা ফম্বাল

কংলৈপাক্কী নিংথৌরেন ৬৯ দা মদোম লোমএ:

১। মৈতৈ নিংথৌরেন নাওফংবা খৃ: ৪২৮ দগী ৫১৮ ফাওবা চহি ৯০ পানখি ।

২। মৈতৈ নিংথৌরেন সামৈরাং খৃ: ৫১৮ দগী ৫৬৮ ফাওবা চহি ৫০ পানখি ।

৩। মৈতৈ নিংথৌরেন উরাকোন্থৌবা খৃ: ৫৬৮ দগী ৬৫৮ ফাওবা চহি ৯০ পানখি।

৪। মৈতৈ নিংথৌরেন নাওথিংখোং খৃ: ৬৫৮ দগী ৭৬৩ ফাওবা চহি ১০০ পানখি।

৫। মৈতৈ নিংথৌরেন খোঙতেকচা খৃ: ৭৬৩ দগী ৭৭০ ফাওবা চহি ১০ পানখি ।

৬। মৈতৈ নিংথৌরেন কৈরৌচা খৃ: ৭৭০ দগী ৭৯৯ ফাওবা চহি ১৫ পানখি ।

৭। মৈতৈ নিংথৌরেন য়াইচা খৃ: ৭৯৯ দগী ৮২১ ফাওবা চহি ২২ পানখি ।

৮। মৈতৈ নিংথৌরেন অয়াংবা খৃ: ৮২১ দগী ৯১০ ফাওবা চহি ৮৯ পানখি।

৯। মৈতৈ নিংথৌরেন নিংথৌচেঙ খৃ: ৯১০ দগী ৯৪৯ ফাওবা চহি ৩৯ পানখি ।

১০। মৈতৈ নিংথৌরেন চাংলৈ লান্থবা খৃ: ৯৪১ দগী ৯৬৯ ফাওবা চহি ২০ পানখি ।

১১। মৈতৈ নিংথৌরেন য়াংলু কৈফাবা খৃ: ৯৬৯ দগী ৯৮৪ ফাওবা চহি ১৫ পানখি।

১২। মৈতৈ নিংথৌরেন ইরেংবা খৃ:৯৮৪ দগী ১০৭৮ ফাওবা চহি ৯০ পানখি।

১৩। মৈতৈ নিংথৌরেন লোইয়ুম্বা খৃ: ১০৭৪ দগী ১১২২ ফাওবা চহি ৪৮ পানখি।

১৪। মৈতৈ নিংথৌরেন লোইতোংবা খৃ: ১১২২ দগী ১১৫০ ফাওবা চহি ২৮ পানখি।

১৫। মৈতৈ নিংথৌরেন অতোম খৃ: ১১৫০ দগী ১১৬৩ ফাওবা চহি ১৩ পানখি।

১৬। মৈতৈ নিংথৌরেন ইরাস্থাবা খৃ: ১১৫৩ দগী ১১৯৫ ফাওবা চহি ৩২ পানখি।

১৭। মৈতৈ নিংথৌরেন থৱান্থাবা খৃ: ১১৯৫ দগী ১২৩১ ফাওবা চহি ৩৬ পানখি ।

১৮। মৈতৈ নিংথৌরেন চিংথং লান্থাবা খৃ: ১২৩১ দগী ১২৪২ ফাওবা চহি ১১ পানখি।

১৯। মৈতৈ নিংথৌরেন থিংবাই (শঙহোংবা) খৃ: ১২৪২ দগী ১২৪৯ ফাওবা চহি ৫ পানখি।

২০। মৈতৈ নিংথৌরেন পুরান্থাবা খৃ: ১২৪৯ দগী ১২৬৩ ফাওবা চহি ১৬ পানখি।

২১। মৈতৈ নিংথৌরেন খৌমোম্বা খৃ: ১২৬৩ দগী ১২৯৮ ফাওবা চহি ১৫ পানখি।

২২। মৈতৈ নিংথৌরেন মোইরাম্বা খৃ: ১২৯৮ দগী ১৩০২ ফাওবা চহি ২৮ পানখি ।

২৩। মৈতৈ নিংথৌরেন থাংবীলান্থাবা খৃ: ১০০২ দগী ১৩২৮ ফাওবা চহি ২২ পানখি।

২৪। মৈতৈ নিংথৌরেন কোংয়াম্বা খৃ: ১৩২৮ দগী ১৩৩৫ ফাওবা চহি ১১ পানখি।

২৫। মৈতৈ নিংথৌরেন তেলহৈবা খৃ: ১৩৩৫ দগী ১৩৫৫ ফাওবা চহি ২০ পানখি ।

২৬। মৈতৈ নিংথৌরেন তোনাবা খৃ: ১৩৫৫ দগী ১৩৫৯ ফাওবা চহি ৫ পানখি।

২৬। মৈতৈ নিংথৌরেন তাবুংবা খৃ: ১৩৫৯ দগী ১৩৯৪ ফাওবা চহি

৩৫ পানখি।

২৭। মৈতৈ নিংথৌরেন লাইরম্বা খৃ: ১৩৯৪ দগী ১৬৯৯ ফাওবা চহি ৫ পানখি ।

২৮। মৈতৈ নিংথৌরেন পুনসিবা খৃ: ১৪০৪ দগী ১৪৩২ ফাওবা চহি. ২৮ পানখি ।

২৯। মৈতৈ নিংথৌরেন নিংথৌখোম্বা খৃ: ১৪৩২ দগী ১৪৬৭ ফাওবা চহি ৩৯ পানখি।

৩০। মৈতৈ নিংথৌরেন কিয়াম্বা খৃ: ১৪৬৯ দগী ১৫০৯ ফাওবা চহি ৪১ পানখি।

৩১। মৈতৈ নিংথৌরেন কোইরেম্বা খৃ: ১৫০৪ দগী ১৫১২ ফাওবা চহি ৮ পানখি।

৩২। মৈতৈ নিংথৌরেন লমকুম্বা খৃ: ১৫১২ দগী ১৫২৩ ফাওবা চহি ১১ পানখি।

৩৩। মৈতৈ নিংথৌরেন নোঙ্গাইফাবা খৃ: ১৫১৩ দগী ১৫২৪ ফাওবা চহি ১ পানখি।

৩৪। মৈতৈ নিংথৌরেন কাবোম্বা খৃ: ১৫২৮ দগী ১৫৪২ ফাওবা চহি ১৮ পানখি।

৩৫। মৈতৈ নিংথৌরেন তাংজাম্বা খৃ: ১৫৪২ দগী ১৫৪৫ ফাওবা চহি ৩ পানখি।

৩৬। মৈতৈ নিংথৌরেন চালাম্বা খৃ: ১৫৪৮ দগী ১৫৬২ ফাওবা চহি ১৭ পানখি।

৩৭। মৈতৈ নিংথৌরেন মুংয়াম্বা খৃ: ১৫৬২ দগী ১৫৯৭ ফাওবা চহি ৩৫ পানখি।

৩৮। মৈতৈ নিংথৌরেন খাগেম্বা খৃ: ১৫৯৭ দগী ১৬৫২ ফাওবা চহি ৫৫ পানখি।

৩৯। মৈতৈ নিংথৌরেন খুঞ্জাওবা খৃ: ১৬৫২ দগী ১৬৬৫ ফাওবা চহি ১৫ পানখি।

247

৪০। মৈতৈ নিংথৌরেন পাইখোম্বা খৃ: ১৬৬৫ দগী ১৬৯৭ ফাওবা চহি ৩২ পানখি।

৪১। মৈতৈ নিংথৌরেন চরাইরোংবা খৃ: ১৬৯৭ দগী ১৭০৯ ফাওবা চহি ১২ পানখি।

৪২। মৈতৈ নিংথৌরেন গরভনিৱাজ খৃ: ১৭০৯ দগী ১৭৪৮ ফাওবা চহি ৩৯ পানখি।

৪৩। মৈতৈ নিংথৌরেন চিৎসাই খৃ: ১৭৪৮ দগী ১৭৫২ ফাওবা চহি ৪ পানখি।

৪৪। মৈতৈ নিংথৌরেন ভগ্যসাই খৃ: ১৭৫২ দগী ১৭৫৩ ফাওবা চহি ১ পানখি।

৪৫। মৈতৈ নিংথৌরেন ময়াম্বা খৃ: ১৭৫৩ দগী ১৭৫৯ ফাওবা চহি ৬ পানখি।

৪৬। মৈতৈ নিংথৌরেন চীথংখোম্বা খৃ: ১৭৫৯ দগী ১৭৬১ ফাওবা চহি ৩ পানখি।

৪৭। মৈতৈ নিংথৌরেন ময়াংঙম্বা খৃ: ১৭৬১ দগী ১৭৬৩ ফাওবা চহি ১ পানখি।

৪৮। মৈতৈ নিংথৌরেন চীঙলেম্বা খৃ: ১৭৬৩ দগী ১৭৯৮ ফাওবা চহি ৩৫ পানখি।

৪৯। মৈতৈ নিংথৌরেন রাবৈনাচন্দ্র খৃ: ১৭৯৮ দগী ১৮০০ ফাওবা চহি ৩ পানখি।

৫০। মৈতৈ নিংথৌরেন মাবাচন্দ্র খৃ: ১৮০০ দগী ১৮০৩ ফাওবা চহি ৩ পানখি।

৫১। মৈতৈ নিংথৌরেন চৌরজিৎ খৃ: ১৮০৩ দগী ১৮১৩ ফাওবা চহি ১০ পানখি।

৫২। মৈতৈ নিংথৌরেন মারজিৎ খৃ: ১৮১৩ দগী ১৮১৯ ফাওবা চহি ৬ পানখি।

৫৩। মৈতৈ নিংথৌরেন হেরাচন্দ্র খৃ: ১৮১৯ দগী ১৮২০ ফাওবা চহি ১ পানখি।

৫৪। মৈতৈ নিংথৌরেন য়ুমজাওবা খৃ: ১৮২০ দগী ১৮২১ ফাওবা চহি ১ পানখি।

৫৫। মৈতৈ নিংথৌরেন গম্ভীরসিং খৃ: ১৮২১ দগী ১৮২২ ফাওবা চহি ৬ পানখি।

৫৬। মৈতৈ নিংথৌরেন জোহসিং খৃ: ১৮২২ দগী ১৮২৩ ফাওবা চহি ১ পানখি।

৫৭। মৈতৈ নিংথৌরেন জদুসিং খৃ: ১৮২৩ দগী ১৮২৩ ফাওবা চহি ১ পানখি।

৫৮। মৈতৈ নিংথৌরেন রাগুবাসিং খৃ: ১৮২৩ দগী ১৮২৪ ফাওবা চহি ১ পানখি।

৫৯। মৈতৈ নিংথৌরেন লোইয়াঙম্বা খৃ: ১৮২৪ দগী ১৮২৫ ফাওবা চহি ১ পানখি।

৬০। মৈতৈ নিংথৌরেন গম্ভিরসিং খৃ:১৮২৫ দগী ১৮৩৪ ফাওবা চহি ৯ পানখি।

৬১। মৈতৈ নিংথৌরেন চন্দ্রকৃতি খৃ: ১৮৩৪ দগী ১৮৪৪ ফাওবা চহি ১০ পানখি।

৬২। মৈতৈ নিংথৌরেন নরসিং খৃ: ১৮৪৪ দগী ১৮৫০ ফাওবা চহি ৬ পানখি।

৬৩। মৈতৈ নিংথৌরেন দেবেন্দ্র খৃ: ১৮৫০ দগী ১৮৫০ ফাওবা থা ৩ পানখি।

৬৪। মৈতৈ নিংথৌরেন চন্দ্রকৃতি খৃ: ১৮৫০ দগী ১৮৮৬ ফাওবা ৩৬ পানখি।

৬৫। মৈতৈ নিংথৌরেন শুরচন্দ্র খৃ: ১৮৮৬ দগী ১৮৯০ ফাওবা চহি ৪ পানখি।

৬৬। মৈতৈ নিংথৌরেন কুলাচন্দ্র খৃ: ১৮৯০ দগী ১৮৯১ ফাওবা চহি ১ পানখি।

৬৭। মৈতৈ নিংথৌরেন চুরাচান্দ খৃ: ১৮৯১ দগী ১৯৪১ ফাওবা চহি ৫০ পানখি।

৬৮। মৈতৈ নিংথৌরেন বুধাচন্দ্র খৃ: ১৯৪১ দগী ১৯৫৫ ফাওবা চহি ৫০ পানখি।

অসুম্না মৈতৈ নিংরেন ৬৯ না লৈঙাক মপু ওইরমই হায়রবু সলাই য়ুমদাবা পুয়ানা পীরি।

THE PEOPLE

There is not much of historical evidence available on the origin of the people of Manipur. There are different schools of thought regarding the origin.

The people of Manipur are simple and largely untouched by the pollution of modern living. Their wants are few; they love outdoor life, find communion with nature and depend on the gifts of nature and depend on the gifts of nature like rice for food, fish to supplement their dish.

MEITEIS:

The Meities are mainly populating the main valley. Men are muscular and stout with well developed chest and hard limbs. They possess enormous stamina and muscular power. The dress of a man is white kurta, dhoti and pagari (old man).

Their houses are well adapted to the climatic conditions, The rich construct houses on the posts and beams with wood, and the poor with Bamboo. The common profession among men is agriculture. The educated fold seek official jobs and some engage themselves in different kinds of business. Fish is the common article of diet. Meiteis do not take meat and purely vegetarians but fish is not considered non-vegetarian.

KUKIS :

The Kukis are also called Khongjois. They are distributed widely in Manipur, occupying the south-western, south and south-eastern hills which spread in the district of Churachandpur, Tengnoupal district and Sadar hills in the north Manipur. Kukis are of Mongoloid stock. The Men are short as well as medium sized. Their face is broad and round. The cheekbones prominently bulged with bulged eye-socket.

The houses of Kukis are raised above the ground. The floor is made of split bamboo and if wood is available, then of wooden plants. The men generally wear a cloth round the waist and cover the body above with a coarse sheet. A ceremonial dress is more colourful. The chief is the owner of the land and the forest of a certain area in that locality. rice is the staple food. They have certain restrictions in eating animal flesh. The intoxicating drink is rice beer, both men and women enjoy it. It is served to the guests on all ceremonial occasions. Smoking is common among the men and women.

NAGA TRIBES:

The Nagas occupy the northern, north-eastern, and north-western hills of Manipur. The different groups of Nagas are Thankhuls, Mao, Muram Nagas, Tadubi, Klya, Khoiras or Mayang Khong, Kabuis, Koirengs, Chirus and Marings. Nagas are of Mongoloid stock. The skin colour varies according to the habitat. The Tangkhuls, Mao-

Muran Nagas are generally fairer as compared to the Kabuis. The men are muscular and sturdy and full of stamina.

The dress is of simple form. In the case of men it is a piece of cloth wrapped round the waist, its ends are allowed to hand down. Nagas are expert and bow fight, spear throwing and in the use of Dao. all tribes keep Dao. The Naga village is always situated on a ridge in the hills especially at a connivent place where water is in the land or near by. Their houses are constructed on wooden poles. Rice is the staple food.

LOIS:

The Lois consider themselves as the oldest inhabitants. Lois means "slaves or dependent". These small tribals inhabit the valley of Manipur. They are called Singmei, Undro and Chairel. All of them speak different dialects but with a considerable mixture of Manipuri words.

Physical Features: Lois are of Mongoloid stock but feature wise, with sharp features, resemble the Aryans.

The Lois are expert at agriculture and hold monopoly in the silk,iron smelting and other craft work. Now they have been given scheduled caste status and the state government is taking interest in their uplift.

MUSLIM:

There is no original population of Manipuris as Muslims.

They entered Manipur from Sylhet and Cachar. Some entered along with the royal troops. They settled in Manipur and most of them married the Meitei girls. Muslims of Manipur were divided into four classes on the basis of labour. They are sepoys, gardeners, turners and potters. Their main occupation is agriculture. Some educated ones also seek official jobs in state and central government service.

SIKHS:

The Sikhs settled in Manipur are of Punjab origin but most of them have come from Burma where they had gone from Punjab in earlier times. Some of them entered Manipur after the Second World War and some others after the Burmese government disallowed them the citizenship. They have Gurudwaras at Imphal and Moreh. All Sikhs are businessmen dealing in transport, cloths and contracts etc. They are pioneer transporters in Manipur.

NEPALS:

The Nepalis are the old settlers in Manipur. The contribution of Nepalis to the Manipuri society is valuable. Most of the Nepalis entered Manipur as servants and labourers and settled here. Some started cultivation of the tribal chiefs land as tenants with sufficient share of the crops. They were known for cattle rearing. Most of the settlers started dairies along with their agriculture. Nepalis have scattered into small valleys in Mao, Maram, Karong and Kangpokpi areas.

BISHNUPURIES:

Some people of lower caste entered Manipur and they got good promises for their labour and jobs. Safaiwalas, cobblers, watermen, gardeners, washermen etc. were not available. Manipur being a casteless society was unmindful of these requirements. In Manipur these jobs are done by all. There are some Sudra Manipuris who are supposed to be the descendants of immigrants who married Manipuri women. This is also a degraded class called Kalacheiya or Bishnupuris which consists of descendants of Doms and other Bengalis of low castes. They have played an important role in the society. In Manipuri society they are respected. There is no concept of untouchability. Those who are declared bonafide citizens of Manipur get the reservation benefits.

BIHARIS:

Most of the labour class comprises people of Bihar and Uttar Pradesh. They have come here to earn their bread. They are fluent in Meitei as well as in Tribal dialects. They have established themselves throughout the valley on all routes.

PUNJABIS:

There are some non-Sikh Punjabi traders settled at Imphal. Their contribution to Punjabi culture is worth mentioning. Their dishes are very tasty. They retain

their habit of speaking Punjabi amongst themselves. They speak in a hilarious and jubilant mood. their women wear salwar-kurta, sari and are very fond of cosmetics. Inside Punjabi house one finds several items of furniture and comfort. They believe in decent living and eating.

MARWARIS:

Marwaris are the dominating business community in the north-eastern region. They deal in big business and wholesale trade. Their concentrations are only in the established old towns and business centres like Imphal, Churachandpur and Moreh. They have entered Manipur in the late nineteenth and early twentieth century.

SOUTH INDIANS:

Moreh town of Manipur is the real settlement of Tamils and Keralites. Most of them are refugees from Burma. They have introduced Idli and Dosa, the famous snack dishes of South Indians to the Meities and tribals. The men dress in lungi and shirt. Office goers wear pants and shirts. The women wear sari and blouse. they are all Hindus and a few Christians may also be there. Moreh Tamils are all Hindus and have established several temples of Kali. Durga and Shiva in the town. They also celebrate their festivals with great pomp the show.

BENGALIS:

The Bengalis are the old settlers in Manipur. Due to the geographical closeness with Bengal the land has experienced a lot in respect of socio-cultural and socio-reli-

gious interaction between the two societies. The contribution of Bengalis to the Manipuri society is valuable. Bengalis are one of the most advanced and intellectually superb ethnical group of India.

GOVERNMENT RECOGNISED TRIBES:

The Government of Manipur has recognised 32 tribes in the state. These are as follows:

1. Aimol
2. Chothe
3. Kacha Naga
4. Kom
5. Maring
6. Paite
7. Sema
8. Tarao
9. Anal
10. Gangte
11. Kharam
12. Lamgang
13. Mao
14. Poumi Naga
15. Simte
16. Thadou
17. Angami
18. Hmar
19. Koirao
20. Lusai Tribes
21. Monsang
22. Purum
23. Sahlte
24. Vaiphei
25. Chiru
26. Kabui
27. Koireng
28. Maram
29. Mayon
30. Ralte
31. Tangkhul
32. Zou

***

কংলৈপাক্কী মৈহৌরোন্দা ঙমখৈ

মৈতরং, ঈশিং তরং, নুংশিৎ তরব লাংপু হৌরেনলে, য়াখু পিয়াইখুনা হৌশুরে নিংথৌরেনতি কংলৈপাক হৌরেনঙৈদা নোংতমএ মাইচৌ লাংশিং হুইরেনলে, হৌরেন নোংতম হৌশুইএ, লাংপুম হৌপু পিনাইএ নিংথৌ শিংকক লাংসুইএ, পাখঙবা কংলৈ মতাইএ হৌ হৈ...... কংলৈচা।। কংলৈপাক্কী ঙমখৈবু ময়েক শেংনা পীরিবা পুয়াদি পাখঙবা লাইহুই, নিংথৌ শিংকক পুয়ানি। মীয়াম্না ময়েক লানা শেংনা উবা খঙগদবদি কংলা মেন শারবতা কমলৈপাক্কী ঙমখৈরেন্তা চয়েৎনবা কোক্কুনা অমত্তা ওইনা নুংশি চাননা লৈমিননবা অপুনবা কংলৈপাক্কী শক্তম্বু উবা ঙমগনি হায়বসি কংলা মেনগী মপু ওইবা সলাইরেন শিদবা কংলা ইপুধৌ পাখঙবা লাইহুই পুয়াগী লাতম্না তাক্লিএ। (১) কংলৈপাক্কী লাই ওইবা পাখঙবা সলাই ৭ ফমসুবা মাইচৌবা ৭ নি। (২) পোং সলাই সেনত্রেং, কুপত্রেং সুথাং পোং নিংথৌপা ৭ কি মাইচৌ ৭ নি। (৩) সলাই নিংথৌ ৬০ নি মাইচৌ ৫০ নি। হৌরেনঙৈ কংলৈ পাখঙবা, সলাই ৭ মাইচৌ শাফোংএ। মেরেন তাংনা ৱাই সেনত্রেং পোং সলাই ৭ নিংথৌপা ওইএ। নিংথৌ শিংককএ। মাইচৌ ৭ নে। সলাই নিংথৌপা পোইরৈ খুম্হোকনিএ। নিংথৌ ৬০ না সলাই য়ুমদাকনিএ। চায়োন শুরোনগী মাইচৌবা ৭ কা তামোকা কা পোং সলাইগী মাইচৌবা ৭ কা সলাই নিংথৌরেনগী মাইচৌ ৫০ অপুনবা মাইচৌ ৬৪ না কংলৈপাক্কী লাই ওইবা মাইচৌ ৬৪ লৈরকএ হায়ববু নিংথৌ শিংকক পুয়া লাতমলেননা ময়েক শেংনা পীরি।

হয়া লাংবা চক্তা লাইনিংথৌ সনামহৈনা মালেম লৈশেম তুশেমএ। লাংবা চক্কা লোইরবা কোননা চক্লা হৌবদা পাখঙবা সলাই মৈদিংঙু ৭ না কংলৈদা পাল্লে। মৈদিংঙু ৭ কি কোলোয় মীংলেন্দি অহানবদা কংলৈ ফম্বাল কংলা কোরৌ পাখঙবা অনিশুবনা তোমপোকপা অহুমশুবা তাওথিংমাং মরিশুবদা নিঙোলবা মঙাশুবা পেংবা তরুকশুবা কাওখম্বা তরেৎশুবা নাওখম্বা মৈদিংঙু ৭ না কংলৈ কংলা পুঙয়োন্দা ফম্বাল লাংএ। মৈদিঙু ৭

257

কি মাইচৌ ৭ নসু থৌপাং মপুং ওইদুনা কংলৈ কংলাদা থৌপুং ওইদুনা থৌপাংএ। মৈদিংঙু ৭ তি কংলা পুঙময়োনগী থোইপুঙনে। কংলাবু পাক্লা শননা হায়বগী মৈনা ৱাই তাংনা শম পাখঙবা লাইহুই নিংথৌ শিংকক পুয়ানা কংলৈপাক হায়না ইরমদম লমলেন মদাইমাবু নোংদম্বীখি। মপু ওইবা পাখঙবা সনা মেনতোংঙৈদা (ফম্বাল লাংবা) পাখঙবাগী ঈথাংলোই মপারী কুপত্রেং শেনত্রেং অনিবু মালেম লৈরেননুংদগী কৌখৎতুনা সনাম্নহিনা মীতমখিবা পোং সলাই (পুঙ যুগ) পোং লামঙানবা, নোংদমখিএ। পোং লমঙানবা তালোইদি পোং ককশাবী কৌএ। মখোয় অনিগী মচা অনি ফংজখিএ। অহানবা মচাগী কোলোই মীংলেনদি য়াংঙৌ কৌশিংবা অনিশুবা কোলোয় মীংলেনদি কৈরোই লানবা কৌএ। পোং লমঙানবনা মপারি অহল য়াংঙৌ ফৌশিংবদি শাম্বা পাঙ্গল কনবা ওইবনা কংলৈপাক্কী ঙমখৈবু পনঙাক্ল বা মায়কৈ ৪দা মনাইশিংগা লোয়ননা থাখিএ। মপারি তাতোনবা শেলোয় লানবনা কংলৈ পুঙময়োন্দা লৈপাক নিংথৌ ওইদুনা পাল্লে। সলাই ৭ কি ফম্নাইবা মাইচৌ লালোই শিংলোই কয়া হাপ্তুনা পাল্লে। সলাই ৭ কী ফম্ন ইবা মাইচৌ লালোই শিংলোই কয়া হাপ্তুনা নিংথৌগী থৌশিল থৌদা পাংদুনা খৃ: ১ দা কংলৈপাক্কী লৈপাক নিংথৌ পোং কৈলোই লানবা ওইএ। পোং নিংথৌনা পানবা মতমদা কংলৈপাক্তা কনবা ওইবা খুৎকন পাঙ্গনবা ওইদুনা লৈপাক মরা তপ্পা ইংনা চীক্লা, তংদু লৈতানা পান্দুনা পানখিএ হায়না নিংথৌ শিংকক পুয়ানা ময়েক শেংনা পীরি।

মৈনা ৱাই তাংনা শমথরকপনা খৃ: ৪২৮ (এডি) দা পানবা মৈতৈ নিংথৌরেল নাওফংবা সনানা কংলৈদা ফম্বাল লাংএ। তালোইদি মঙাং চনু লাইরেনতোম্বী লৈমা ফম্বাল লাংএ। মৈতৈ নিংথৌ নাওফংবনা কংলৈপাক্কী মপুরেন ওইদুনা কংলা নোংপোক খৈরেন্দা লৈপাক নিংথৌগী কোনুং শাদুনা লৈঙাকলি। কংলৈ মপুরেন শিদবা পাখঙবা মেতোংবা থৌরম নীংশিংদুনা ঈরাৎ থৌনি থৌরম কয়াবু কাইফদা পাংদুনা কংলৈপাক্কী মপুরেন ওইখি। খংলোই য়াংবা নাওফংবনা পোইরৈ মৈতৈ লৈপাক্কী মপুরেন ওইবা মতমদা কংলাগী ঙমখৈ মশক খঙদোক্লা নিংথৌগী থৌঙম্বা লালোই কয়া

থাদুনা থৌখাই কয়া পাংখি। নিংথৌ নাওফংবা কংলৈপাক্কী নোংপোক খৈরেন মদাইমাদা লালোই ১৮ অমদি খোংলোই কয়াগা লোয়ননা থাদুনা মফম অদুদা নুঙবী ৮ থুংদুনা ঙমখৈগী খৈরেন অমবু তাইখি। নোংপোক খৈরেন মদাইমদি দুম দুমা ঙাঙোই চীংমাইদনে। নোংচুপ খৈবা ইনিংথৌগী লালোই ঙম্বা ১৬ অমদি খোংলোয় কয়া থাদুনা নুঙবী উয়ুং ৭ য়ুংদুনা ঙমখৈ নোংচুপ খৈরেনবু নোংদমখি। ফমলেন্দি মীরানখোঙ কাক ইয়াই খোঙবান্দনে। খা থংবা খারেকোল লমপুবা১৬ অমদি খোঙলোয় কয়াগা থাদুনা নিংথৌ থোঙবী ঈরাংলোন্দা (তমু) লৈ। নুঙবী৬ য়ুংদুনা ঙমখৈ খঙখিএ। অৱাং খমলেন্দা কংলৈপাক্কী ঙমখৈ খঙনবগীদমক্তা নিংথৌগী লাল্লোই হনবা ২১ অমদি খোঙলোই কয়া লোয়নদুনা নুমিৎলোই ২৫ চঙনা ফমলেন্দি কোইরেন লানকা চীঙমাইথেন্দা নুঙবী ১২ য়ুংদুনা ঙমখৈ খোংতাই মশক খঙজখি। ইনিংথৌ সনা হাক্তক্তা নুঙবীবু চহি কুমজা খুদিংগী অঙম অথৌ কয়া থাদুনা নুঙবীবু য়েংবা চংহনখি। কংলৈপাক্কী লম্মীৎলোন মশক খঙবা মঙাং অপোই মাইচৌবনে। নিংথৌগী ময়াথংবা ইঞ্জদুনা লৈপাক্কী থৌপাং মপুং ওইহনখি। ইনিংথৌনসু চহি কুমজা খুদিংগী মনা মথুম পীদুনা থৌপাং মহৈ য়ালহনখি। ইনিংথৌ নাওফংবা সনা হাক্তাক্তা অপোই মাইচৌবনা খৌরিবদি কংলা পুংকোই রেননী হায়দুনা নিংথৌ শিংকক পুয়ানা ময়েক শেংনা পীরি। খৃ: ১৬৬৬ তা পানখিবা মৈতৈ ইনিংথৌ পাইখোম্বা সনা হাক্তক্তা , কংলৈপাক্কী নিংথৌরোন কয়ানা মথং মনাও পাল্লকপনা, পাইখোম্বা ইনিংথৌনা কংলৈপাক্কী মীয়াম পুম্ববু অমত্তা ওইনা লৈনবগীদমক থৌনি থৌরম কয়া পাঙথোকএ। কংলৈপাক্কী মপুরেন ওইরিবা ইনিংথৌ ইবুংঙো পাইখোম্বনা কংলৈ অৱাং খমলেন মদাইমদা মনাই মশল ২৫ গা লোয়ননা শাবা লমথোকএ। কংলৈপাক্কী অৱাং খমলেন লম্বু নুঙবী য়ুংবী ফমলেন্দা লৈরাং ৭ কত্তুনা অৱাং পম্ভোং থিংএ। অৱাং খৈরেন চীবুরোই খোইখা ঙম্বনা ইনিংথৌ লাকএ হায়বা তাদুনা নিংথৌগী থৌবু থৌপাংজখি। সনা কোনুংদা মনাই মশনগা লোয়ননা ইনিংথৌ হনৱ ইখিএ। খৃ: ১৬৬৯ দা ইনিংথৌ পাইখোম্বা খারৈকোন্দা দোলাই পাপোৎ

লোন্দুনা লালোই ৩০ না নিংথৌগী তেংবান ওইনা চৎপাদা খারৈকোনগী চীংবু খোইরেন লাম্পুনা কংলৈদগী মপু লাকএ তাবদা নিংথৌ থৌবু পাংদুনা খারৈ চীংলাই ইরেন খোঙদা লৈবা নুঙবীদা থৌনি থৌরম কয়া তৌদুনা পনখৈ সনা পোরোন থিংজখিএ। নোংপোক খৈরেনদসু নুঙবী ৭ য়ুংদুনা থৌনি থৌরম কয়া তৌদুনা লমবু খঙনা নোংদমএ। নোংপোক খৈরেন লম্বু পুবদি য়াংলৈবনে। য়াংলৈনো ইনিংথৌগী থৌপাং ইঞ্জখি। নোংচুপ ইরেন কংলৈপাক্কী ইরেন খোঙবী মপান্দা নুংখোঙ ৬ য়ুংদুনা লমপুবা লানচা ঙম্বসু ইনিংথৌদা তোংবাংজখিএ। ইনিংথৌ পাইখোম্বনা কংলৈপাক্কী ঙমখৈদা চৎপদা তোনবাংএ হায়দুনা লোইবী থৌঙম্বশিং কংলৈচা কৌদুনা পীজ পীথক তৌরগা লৈরুম ফিবু পীদুনা ইকাই খুম্নখিএ। চীং তম পুম্না কংলৈ অপুনবা ওইদুনা নুংশি চানননা লৈমিননখিএ হায়ববু নিংথৌ শিংকক পুয়ানা ময়েক শেংনা পীরি। মৈনা ৱাই তাং শম ইনিংথৌ ইবুংঙো উরা কোম্হৌবনা ফমথোন ৬৪ দা অসুম্না শিন্থা পিখি। কংলৈ নিংথৌবগী থৌপুবা (১) ফমসুবা (২) কৈরোই লাকপা (৩) লালোই হন্নবা (৪) ৱ ায়েল চুকফাবা (৫) ৱায়োল তাইখোম্বা (৬) ফমসু হনবা (৭) ৱাইয়েন পুবা (৮) লৈপাক খোলাউবা (৯) পনঙাকপা

কংলৈপাক পনঙাকপা: ফমথেন হনবা (২) শেলুংবা (৩) থৌপাংলোই (৪) কৈরুংহনবা (৫) শেনবুং লাকপা (৬) লানচাবা (৭) লৌপানবা (৮) লৌঙাকপা (৯) কৈরুংবা (১০) লানচাবা (১২) কৈনাবা (১৩) লৈফাৎপা (১৪) পামবা (১৫) তাওশেম্বা

খৃ: ৫৬৮-৬৫৮ দা পানবা ইনিংথৌ ইবুংঙো উরা কোম্হৌবানা কংলৈপাক্কী মপুরেন ওইদুনা লৈপাক্কী থৌবু পুরমই। মৈতৈ নিংথৌগী ফমনাইবা ১৫ বু সনা কোনুংদা কৌখৎখি। ইনিংথৌ উরা কোম্হৌবনা কংলৈ কংলা পুঙময়োন দা সলাই ৭ কি থৌশিনকোন কয়া থৌকাংখি। নিংথৌনা ফম্নাইবা ১৫ বু কংলৈ পুঙমায়োন নিংথৌগী ফম্বালকোন্দা কৌখৎখি। মনাই ১৫না লাক্তুনা নিংথৌদা ঐখোয়বু করি য়াৱা তাকপিগদবনো হায়না কোকনোঞ্জনা হঙ্গৎচখি। নিংথৌনা ফম্নাইবশিংদা লৈপাক নিংথৌগী ফমথেন ৬৪ শুনবা হাপ্পগনি হায়না ফম্নাইবশিংদা খঙহঞ্জখি। নিংথৌগী ফমনাইবা ১৫ সু হোয়জখি। ইনিংথৌ উরা কোম্হৌবনা

মনাই মশনশিংদা তাকপীরে। লৈপাক নিংথৌ ফম্বালকোন্দা ফমথোন ৬৪ শুবদি নিংথৌ ফম্বাল অচেৎপনি। হয়েং ইনুং তৈরেন ঙানবদ লৈপাক মীয়াম পুম্বদা ফমথোন ৬৪ শুনবা খনগনি হায়না পাউজেল পীগনি হায়না পাউথাংলোয়দা পাউজেল পীখ্রে। মনাই পাউথাংলেন্না লৈপাক মীয়ামদা পাউথাং য়েনা পাউজেনখ্রে।

ইনুং ঙাল্লে, শিংদাইরবদা লৈপাক নিংথৌনা কংলা ৱায়েল শঙদা ফমদেংদুনা মনাই ১৫ গা ফমদেংদুনা কংলৈ মীয়াম্বু লাকপা ঙাইখ্রে। মীয়াম লাকপা উরবদা ফম্নাইবশিংনা মীয়াম্বু ফিদা থাদুনা ফমহল্লমই। মীপুম খুদিংমক শুনা তিল্লবদা ইনিংথৌ উরা কোম্থৌবনা মীয়াম্বু য়েংলগা হায়রকই। লৈবাপ মীয়াম্না য়াবা পুম্নমক নখোয়না থৌপাংগদবনি। মতিক মগুন লৈবা ফম্নাইবা খন্দুনা নিংথৌগী ফম্বালকোন্দা ফম্নাইবা ফিদা পীবনি। লৈপাক মীয়াম পুম্বা নিংথৌ ঐগী ফম্নাইবা ১৫ অসিগী মথক্তা ফম্নাইবা ৬৪ হাপলে হায়বসু খঙহনগননি। মীয়াম পুম্বাগী মরক্তা-ফম্নাইবা ওইনিংবা কয়ানি। নিংথৌনা ফম্নাইবশিং অসি করম্না ফম্নাইববু খনসিগে হায়না পায়মা নুংদা খল্লকলে। উরা কোম্থৌবা ইনিংথৌনা নিংথৌগী ফম্বালকোন্দগী হৌগৎতুনা মীয়াম্বু য়েংনা হায়রকই নিংথৌ ফম্নাইবা ওইজগে হায়না সলাইচা ৪৯ চোংথোক্লকই। ইনিংথৌনা মখোয়গী মতিক মগুন অমসুং সাগৈ সলাই খঙলবদা মীওই ৪৯ বু মীয়ামগী মমাংদ ফম্নাইবা হাপলে হায়না লাওথোকখি। লৈপাক নিংথৌনা মখোয় ৪৯ বু কোনুংগী লোয়শঙদা কৌশিন্দুনা ফম্নাইবশিং অদুগী ফীজোল শেৎহনখি। অদুগা কংলাদা মীফম মীয়াম পুনবদা মখোয়গী মমিংগা কোন্ননা ঙসিদগী ফম্নাইবা ওইরে হায়দুনা ৱাশক লৌখি। লৈপাক ফম্নাইবশিংসু অমমম ওইনা নিংথৌগী মমাংদা শরি ৱাশকহনখি। লৈপাক মীয়ামগী ফননবা থৌশিনগনি অমদি নিংথৌ ফম্বাল হেলোয়নবা ফম্নাইব ইথৌ থৌপাংজগনি। লৈপাক মীয়াম পুম্নমকসু নুংশি চান্না থৌবু পুজগনি হায়না ফম্নাইবশিংনা নিংথৌগী মমাংঙদা শরি ৱাশকহঞ্জখি। নুমিৎতুগী কংলা মীফম লোয়রদুনা ফম্নাইবা ময়ামসু ময়ুম মরাং য়াইদা হনৱাইখি।

খৃ: ৫৭৫ দা ইনিংথৌ উরা কোম্থৌবনা ফমথোল ৬৪ শিন্থা পীদুনা নিংথৌগী ফমথোল চাওথোকখি। য়েক ৭ সলাই ৯ ইনিংথৌনা চীঙবুরোই তম্বুরোই পুম্নমকপু অমৎতা ওইনা থৌপাংমিন্নখি। খারৈকোন চীঙশাং মরমখৈ মদাইমাদা লৈবশিংবু ইনিংথৌগী চহি কুমচাগী ওইনা চীঙবুরোই কয়ানা কংলৈ নিংথৌদা

লোইপোৎ কাই। চান্ন-চীন্ননা, নুংশি চান্ননা কংলৈপাক্কী মপুরেন ইনিংথৌ উরা কোম্থৌবনা পানফরিবা ইরমদমনি। ইনিংথৌনা কংলৈপাক্কী য়েক ৭ সলাই ৯ দা মাগী মাগী সলাইগী অপোকপা লাইবু ঈরাৎননবা ময়াথং পীখি। অসি নোংদগী সলাই ৭ অপোক মৈনা ৱাই তাংনা শম থৌপাংলকখি। মাগী মাগী য়েক মতুং ইন্না অপোকপাবু থাশিং কুমশিং নাইনা চহীগী ইরাৎপা থৌপাংহনখি। নোংপোক চীঙ্গোইরোনগী চীঙশাংকোন্দা কংলৈচা চীঙবুরোইশিংবু নিংথৌনা লমবালশেন ওইদুনা খুন ১৮ না লোইপোৎ কাইএ। নোংচুপ ১৩ সু লমবানশেন লোইপোৎ ওইনা লৈপাক নিংথৌদা লোইপোৎ কাখিএ।

ইনিংথৌ ইবুংঙো উরা কোম্থৌবনা পানবা মতমদা ফমথোন নাইবশিংনা থৌশিন্দুনা নিংথৌগী ময়াথং লৌজদুনা পাৎ তুরেল, খোংলম কয়া তৌজদুনা তুতেংখি। লাইচা পুম্বনা নিংথৌগী মরৌচা উহনখি। মদুদগী থোকপা ফৌনা কোনুঙদা শরুক ৩ থোকপগী অমনা কোনুঙদা থিংগৎহল্লমই। শরুক অনিনা মশাগী ওইনা লৈপাক নিংথৌনা পীবিখিএ। হৈরাং উপাল কয়া চীঙবুরোই তম্বুরোই মফম কয়াদ মীয়াম সলাইচাশিংনা নিংথৌগী ফম্নাইবশিংনা থৌশিন থৌদা থৌপাংজদুনা সলাইচাশিংগীদমক থৌপাংজখি। মতম খরা লৈরগা ইনিংথৌ উরা কোম্থৌবনা কংলা বিচার তৌদুনা ফমথোন ৬৪ বু শুনা তিল্লবদা লৈপাক নিংথৌনা হায়খি খাগী নোংপোক্কী চীংবুরোই তম্বুরোই পুম্নমক চহিগী লম্বালশেন মহুৎ শিন দুনা লোইপোৎ চহি খুদিংগী লৈপাক নিংথৌগী কোনুঙদা তম্ববু করি অৱাবা তাবনো। করি মরমগী লোইপোৎ কোনুঙদা কারত্রিবনো। খারৈকোন চীঙবুরোই, অৱাং ঙমখৈ, নোংচুপ ঙমখৈ চীঙবুরোই লমবালশেন গী মহুৎ শিন্দুনা কংলৈ নিংথৌ ঐঙোন্দা লোইপোৎ কারত্রিবা করিগীনো হায়না ফমনাইবশিংদা হংখি। সুমরেন ৪ গী চীঙবুরোই পুম্নমক লোইপোৎ কারত্রিবদি অৱা খিবীক লৈবননি হায়না ফম্নাইবশিংনা কংলৈ বিচারদা ইনিংথৌদা হঙ্গৎচখি। নুমিৎ অদুগী কংলা বিচার অদু লোয়শিনখি। নিংথৌনা অয়ুক য়েন্দা অঙনবদা হৌগৎতুনা মনাই শগোন তোংবা অনিগা, মনাই খরগা, নিংথৌগী শাগোল ভৌরেন্বা শাগোল ৩, মনাই ২, শিংলোই খরগা নুমিৎ ৭ নি চঙনা খারিকোন নোংপোক মদাইমা, অৱাং খমলেন, নোংচুপ হুইরেন লম মদাইমচা চৎ-চৎতুনা চীঙবুরোই পুম্নমক করি নুঙগী অৱাবা নঙবনে হায়না য়েংবা চৎলবদা খুঞ্জ পুবা অথৌবশিংনা নিংথৌ লাকএ খঙবদগী লোইপো অদু কুমজা অনিগী খা, অৱাং, নোংপোক, নোংচুপ

গী চীঙবুরোই তম্বরোই পুম্নমক্লা নিংথৌদা লোইপোৎ তম্নরোই খল্লম্বা অদু লৈপাক নিংথৌনা খোঙলেংলক্কুনা মায়কৈ ৪ দগী লোইপোৎ অদু খোমগৎখি। চীঙবুরোই পুম্নমকসু য়াররোই খঙলদুনা হান্নদগী চৎনবী অদুদা হঞ্জিন্দুনা য়ুমদাংবনা কৈ কাবা, কৈনাবা য়াদে হায়বা ফমথোন ৬৪ নিংথৌগী লৈপাক মীয়ামদা, চীঙবুরোই তমবুরোই পুম্নমক্তা খঙহনখিএ। লৈপাক মীয়াম্নসু নিংথৌগী ময়াথংবু ইঞ্জখি। কংলৈপাক্কী চুকলেন ৪ দা লৈবা চীঙবুরোই তম্বুরোই পুম্ববু ইনিংথৌ ইবুংঙো উরা কোন্থৌবনা খৃ: ৫৮৭ তা য়ুমদাংবা, কৈকাবা, কৈনাবা য়াখি হায়বা চীঙবুরোই তম্বুরোই পুম্নমক্লা খঙজখিএ।

সলাই ৭ কী য়েলহেলশিং ঃ

মঙাং য়েলহেন ঃ

ঙাদা য়েলহেন্বা: ঙারিন্নি। মঙাং সলাইনা ঙারিন চাহৈদে। নোংমা মঙাং সলাইনা ঙারিন ফাদুনা লাইখোংদগী পুরকখি। অচৌবা ঙারিনবু মঙাং সলাই মীয়াম্না পুন্সিন্দুনা চাক চান্নখি। মদু চারুবদগী পাক্তক্লনা মঙাং সলাই অৰাবা তাখি। মদু নোংদগী ঙারিনবু য়েনহেন ঙা ওইখিএ। ইনিংথৌ ইবুংঙো অয়াংবা সনা হক্তক্লি।

মনা মশিংদা য়েনহেন্বদি: মাইরেন অঙৌবা, নিংথৌরেন্বী, সেবোৎ লিমান্বী হায়রিবা মনা মশি অসি মঙাং য়েক সলাইনা চাফদেএ। করি নুংগীনো হায়বদি নিংথৌরেন্বী চারবদি য়েক্তা নামুংই। সাগৈদা তাথিনৈ। চাহৈদে। মাইরেন অঙৌবা চারবদি মচা, মশু ফাইবোক তাই। মঙাং য়েক্তা লাইথুং তিনথুং পক্কুনা মীরক তিন্বদা ইকাইবা নংই। শেবোৎ লিমান্বী চারবদি চীনবান্দা অঙৌবা পকই। পুন্সিদা কোক্তবা লাইমন তিনমন লোয়নগনি।

লৈদা নমুংবদি পেক্রুক লৈনে। মঙাং পীবানা অপোকপা লাইদা পেক্রুক লৈ কৎলুবদা পীবা মরোন থোকখিদেএ। মদু নোংদগী লৈ অসি লাইদা কৎপা য়াখিদে। মঙাং সলাইগী নমুংবা লৈনে। নপাদসু চীনবা য়াদে। খৃ: ১৪৬৯ দা পাম্বা ইনিংথৌ ইবুংঙো ক্যাম্বা সনা হক্তকনে। মঙাং য়েলহেনবু মশক তাকলিবা লাতমরোন্দি নিংথৌ শিংকক পুয়ানে। মঙাং য়েক সলাইনা মৈহৌরোন্দগী চাবা য়াদে হায়দুনা মঙাংগী য়েলহেন্নি হায়দুনা লাই ওইখ্রবা কয়ানা লাতমদুনা নোংদম্বীরম্ববু মঙাং য়েক সলাইনা চাহেন ঙাহেন অসি পাংনবগীদমক থন্বীরম্বনি। খঙদববু খঙহন্বীবা, উদববু উহনবীবা লাই ওইখ্রবা কয়ানা মঙাং

সলাইগী য়েলহেন চাহৈ থকহৈদবা মনা মশিং, লৈশু, ঙাহেন কয়াবু ময়েক শেংনা তাক্নুনা মঙাংনা উরিনবু করিগীদমক হেনখ্রিবনো ময়েক শেংনা তাক্নুনা সলাইদা পীরি। সেবোং লিমানবী চারগা মঙাংদা য়েলমৌনবা থোকখিববু তাক্নুনা পীরি। মঙাং সলাইনা মাইরেন অঙৌবা চাবদগী করি ওইখিবা হায়বদু তাকলি।

মঙাং সলাইদা নিংথৌরেম্বীবু চারুবদগী সলাইদা য়েলমৌনবা থোকখিবগী থৌদোক কয়া ময়েক শেংনা পীরি। সলাই মশেন তাথিনৈ, অমগা অমগা নুংশিংনদবা হায়বা ৱাবু নিংথৌরেম্বী মঙাংনা চারুবদগী থোকহন্নীংদবা সলাই মঙাংদা, অদু নোংগী য়েলহেন মশক খঙনা মঙাংনা চাথাং শুথাংদা মঙাং য়েক সলাইগী চাহৈদবা য়েলহেনবু ঈদুনা থম্বীরমই। য়েলহেন অসি ঙাক্ল া চৎপনা পুরোন পারোন খঙজবতা নৎতনা অপোকপা লাইনা সলাই মঙাংগী নিংজববু থুংহল্লে হায়না পীরি। য়েলহেনবু ঙাকপদি চাথাং শুথাংদসু পুন্সিএ হায়না শিংকক পুয়ানা পীরি।

(২) লুৱাং য়েলহেন:

ঙাদা য়েলহেম্বদি ঙাপংনে। মদু নোংগী ৱাবু অশুম্না নোংদমখি। নিংথৌগী মনাই অচাম্বা খোইজু হোংববু লুৱাংবু ঙা ফারুনবা নিংথৌ ময়াথংবা নোংদম্বীরকখি। মদু নোংদা নিংথৌগী ময়াথংবু ইঞ্জদুনা লুৱাং খোঙদা নিংথৌগী মনাই অনিগা লোয়নদুনা চৎপদা লুৱাং খোঙদা ঙা থিখি। খঙহৌদনা খোইজী হোংবা ইরোন্নুংদা ঙাপং অমা থেংনখি। ঙা অদু ফাদুনা পুখৎলকখি। নিংথৌগী মনাইশিং অদুসু মাগী মাগী ঙায়াম ফাদুনা সনাকোনুংদা পুরকখি। ইনিংথৌ ইবুংঙোদা কৎচখি। লৈপাক নিংথৌ না খোইজী হোংববু হায়রকখি। নহাক্না ফারকলিবা ঙা অদু নয়ুম নরাংয়াইদা পুজখ্রো হায়না নিংথৌনা ময়াথং নোংদম্বীরবদা খোইজী হোংবনা ঙা অদু থোংদুনা চাবদা মপারি মমোম মরেন থোকখিদে। মদু নোংদগী লুৱাং সলাইদা ঙাহেম্বদি ঙাপংনে হায়না খঙজখিএ। ইনিংথৌ ইবুংঙো খোম্বা সনা হাক্তকনে। লুৱাংনা লমখুনু ফাদুনা চারুবদগী মচিন মরৈ পোকথোক্নুনা, মনা পংশিন্দুনা অৱাং খিবীক নংখি। কাইনা মৈচাক লাংএ। মদু নোংদগী য়েলহেন ওইখি। লৈদা নামুংবদি কাবোক্রুং মপান্নে, ইঙেল্লৈনে। করি নুংগী নামুংবা লৈ ওইবনো হায়বদি লৈ অসি অসিবু হেক্লুনা উমঙ লাইদা কৎখিএ। মদু নোংদগী অৱা মৈচাক নঙদুনা লৈ অসি লুৱাং য়েক

সলাইগী নমুংবা লৈ ওইনা লৌখি। ইনিংথৌ ইবুংঙো খোম্বা সনা হাক্তক্তনে মনা মশিংদা য়েলহেম্বদি চীঙজুম পেরে, পাখঙবা লৈতোনে। মদু নোংগী লুৱাং হৈরেনবা মচিন মনাও অনিনা শা তানবা খারৈ য়াংবা চীঙমাই থেন্দা খোংদোই হুল্লে। শা অমৎতা ফাবা ঙমদ্রবদা মচিন মনা অনিনা লোইবী চীংমাইথেন্দা নিংথিরবা লোকমাই ঈরেন্দা ফজরবা চীংজুম পেরে, লোক্কী লাইজ ঈরেন খোং অদুদা হৌবা উজখি। চীংজুম পেরে পাখঙবা লৈতোন হেক্তুনা মচিন মনাওনা পুরকখি। লুৱাংনা মদু চারুবদগী মীশি মীনা থোকখি। মদু নোংদুদা য়েলহেননি হায়বা মশক খঙজখি।

খুমন য়েলহেন উদি তেরা পান্বী খুম । য়ান্দুনা কাংথোল শেমদুনা মচা মশুনা হিপনা চানবা তেরা উনা কাংথোল শেমদুনা খুম । শিজিন্নখিএ। মদু নোংদা মচা মশু অঙক অঙাও হৌদুনা লাইয়েংবা ঙমখিদে। মদু নোংদগী তেরা উবু য়েলহেন ওইখিএ। ইনিংথৌ ইবুংঙো থাবি লান্থাবা সনা হাক্তকনে। লৈদা য়েলহেম্বা লৈদি নোংজুমলৈনে। নোংমগী নুমিৎ অমদা কৌব্রুগী চীংমাইথেন্দা শিংঙেল লৈরাং থিবা খুমন সলাইনা খোঙদোই হুল্লমই। লোইবী চীংমাই লোকমাইথেনগী লাইজনা ঈশিং লিলি তপ্পা খঙবা লৈতনা চেনবা লোকমাইথেন অদুদা নোংজুমপান লৈরাংনা নিংথিনা শাৎপদু খুমনা উজখি। লৈ অদু হেক্তুনা মরাং ৱাইনা পুরকখি। লৈ অদুগী ফজবা অদু খুমন পুন্নমক্কা কল্লকখি। লৈ অদুবু খুমন সলাই পুন্নমক্কা নাপাদা চিন্নখি। লৈ অদু চিল্লুবদগী খুমন সলাই নাকপাক তানা কাইনা মৈশা লাংখি। মদু নোংদগী নোংজুমলৈবু খুমন য়েক সলাইগী য়েলহেন্নি হায়না খঙজখি। খুম । নোংজুমলৈ উরবদি মায় লৈথোক্তুনা নাথৈনৈএ। খুমন সলাইগা লোইবী চীংগী নোংজুমলৈগা য়েলমৌনৈএ। ইনিংথৌ ইবুংঙো থাবী লান্থবা সনা হাক্তক্তা খুমন য়েক সলাইগী য়েলহেন মশক খঙজখি।

ঙাদা য়েলহেম্বদি: নোংমা কোরৌ য়াইফরবা নুমিৎলোইনে। ইনিংথৌ ইবুংঙোনা সনা কোনুংদা মনাই মশনশিংবু কৌখৎলমই। মনাইশিং সনা কোনুঙদা ইনিংথৌগী ময়াথংবু ইঞ্জনা কোনুংঙ তম্না খোঙদোই হুল্লকখি। মখোয় অহুম অদুদি খুমন লান্থবা, মোইরাং তোচাবা, অঙোম সরাবনে। মখোয় অহুমদা ইনিংথৌনা শারেং চাননবা নিংথৌ ঈরেন্দা খোংদোই হুল্লো হায়না তাকপিরমই, মখোয় অহুম্না খোঙনুং অদু য়ৌরবদা লেমলৈ ঙা থিবা হৌরক্লমই। লেমলৈ ঙা মথং মথং নিংথৌগী মনাই অচানবশিংনা ফারমই। খুমন চাখাবনা লাইজ ঈরেন

মনুংদগী ঙা অমুবা মচিনতুম্বা অমা লাইজ ঈচেন অদুদগী ফাদুনা পুখৎলকখি। মদু উবদা ঙা ফাবা লোয়নরকলিবা অনি অদুনা মুন্না য়েংখি। মদু নোংগী মতৌদু উব্রদা খুয় । হায়রকই। ঙা অসি ঐহাক্না ফাবনি। ঐগী ওইবগে হায়বদা অনিনা হোয়াখি। ফারিবা ঙায়াম অদু কোনুঙদা পুখৎখি। খুমনগী চীন্দুম্বীদু খুমন ময়াম চংদুনা চাখি। মদু নোংদা মীশি মীনা নঙখি। খুমনগী য়েলহেন ঙাদি ঙা চীন্দুম্বীনি হায়না খঙজখি।

অঙোম সলাই য়েলহেন:

মনা মশিংদা: অঙোম য়েক সলাই অপোকপা লাইদি তাংজা হুপান্বা ওইনা য়াথোংএ। অঙোম সনা অহিংবা মচুনে। নোংমা নুমিৎলোই অমদা তাংজা হুপানবা তাওরোইনাইনা লোইবী চীংগী চীংমাইথেন্দা য়াথোক্লমই। লোইবী নোংপোক চীংমাইথেন্নী। তাংজা হুপান্বনা শারবা নুংশাগী মৈশা খাংবা ঙমদ্রদুনা চীং য়েনশিন পান্বীশিংগী মখোংদা থুপচখি। অঙোম সলাই নোংমাতই নোংপোক খৈরেন মদাইমদা তাবনে। নোংমগী নুমিৎ অমদা নিংথৌগী মনাইশিং চীংশাং নাপোমদা শিংজা লাংলমই। ৱামন্দুনা ঙাহাক পোৎথারমই। অঙোম্না চীং ইনশিন হেক্তুনা চারমই। অদু নোংদা অৱাবা নঙখি। অঙোম্না চীং ইনশিনবু য়েলহেন্নি হায়না খঙজখি।

লৈদা য়েলহেন্দি: অঙোম নিংথৌনা মহাক্কী মনাই মশনগা লোয়ননা লোইবী চীংদি নাপোমদা অঙোম লৈকোই পুংদা লৈ শাৎপ্রা য়েংখি। অঙোম লৈকোইপুংদা লৈ শাৎপা উদ্রবদা নোংমাই চীংশাংকোন্দা মনাইশিংনা নিংথিরবা লৈরাং কয়া হেক্তুনা পুরকখি। লৈশিং অদুগী মরক্তা য়েনকোক লৈ কয়া য়াওখি। লৈ অদো খন্দোক্তুনা মনাইশিংদা পীখি। লৈ অদু চিল্লুবদগী অঙোম পুম্নমক অৱ। মৈচা নংখি। অঙোম নিংথৌনা য়েনকোক লৈবু অঙোল য়েলহেন লৈনি হায়না অঙোম সলাই পুম্বদা খংহনখিএ।

ঙাদা য়েলহেন্বদি: ঙারেন লৈনানি। নোংমগী নুমিৎ অমদা অঙোম সলাই তন্বা নুপা অমন্া পীকলিবা মচা অদো ঙারিন লৈনা লৈবা ঈশিং মপান অদুদা নৱা অদু থম্লগা তুমহন্দুনা থমখি। অঙোম খুরেম্বনা লাইজা খোক্লুং অদুদা কুমদুন্না ঙারেন লৈনা তানবা হৌরমই। ঙারিন লৈনাগী মকোন অমা লৈবা উখি। মদুদগী ঙারেন লৈনা অদু ফাননবা অঙোমনা তানখি। ঙারেন লৈনা মীনা ফাবা হেক্তা য়াবা নৎতে। মহাক্না কন্না হোৎনরবসু ঙারেন লৈনা অদু ফাবা কৌবা লৈখিদে।

মকোন অদু থুগাইরগা ঙারেন লৈনানা মচা লৈরিবা মনাক অদুদা ফাওগৎখি। পীকলিবা অঙাং অদুগী মনাক্ত কোইশিখি। অঙাং অদুবু লৈনানা য়োৎশিনখি। মতৌ অদু উবদা মপানা করি মতৌনো হায়ন নুঙাইতবগা লোয়ননা ঙারেন লৈনাবু ফাননবা থৌরাংলমই। অঙাং অদুবু য়োৎশিল্লগা লৈনানা ঈশিং ঈপাক্ত কুমথখি। তৌফম খংদ্রবা মপা অদু ঙারেনবু য়েংদুনা ঈশিং খোংবান্দা লেপ্তুনা লৈহৌএ। মীৎলু পীরাং পীরোইননা, মদু নোংদগী ঙারেন লৈনাবু অঙোমগী য়েলহেন্নি খঙজখি।

মোইরাং য়েলহেন:

মনা মশিংদা: মোইরাং মচিন মনাওনা অয়ুক য়েন্দা অঙম্বদা চাকঙন চাদুনা লোইবী চীংগী পামেন শিংজা লাংবা খারৈ কোনগী চীংমাইথেন হুনলমই। মোইরাং মচিন মনাওনা পামেল শিংজা লাংবা হৌরক্লমই। অসুম অসুম য়াম্বনা পামেল শিংজা কোকথোল ফারদুনা মচিন মনাও অনিদো শিংবুং অদু পুনশিন দুনা চীংমাইথেলদা ঙাদুনা থনমই। মচিন মনাও অনিনা মনা মশিং থিরমই। মনাও য়াইমনা লোইবী চীংমাই অদুদা হৌবা মোইরাং খানম হেক্তুনা ফীনা পুনশিন্দুনা মচিন মনাও হৌনদুনা লোইবী চীং অদুদগী কুমথরকখি। ময়ুম মরাং য়াই পাংলকখি। ময়ুম য়ৌরবদা মোইরাং খানম অদু ইরোন্দুনা চাখি। মদু নোংদা অৱাবা নংখিএ। মোইরাংনা য়েলহেন মোইরাং খানমবু মশক খংখিএ। ইনিংথৌ ইবুংঙো হেলহৈবা সনা হাক্তক্নে।

লৈদা য়েলহেন্দি : নোংমগী নুমিৎ অমদা মোইরাং সলাই পুম্বনা পুংকোইরেন্দা শাবা লম থোক্তুনা মোইরাং চা পুম্নমক তিনখি। মোইরাং পুংকোই অকোইবদা কামবীরে থাশি হায়না ৱারেপনখি। মদু নোংদা মোইরাং সলাই পুম্বনা কামবীরৈবু মীপোৎ অমমম য়ান্দুনা শাবা লমথোকফম লমজাওদা কামবীরৈ শিন্বা থুংনা অকোইবদা থুংখি। মদু নোংদা মোইরাং সলাই পুম্নমক খংহৌদনা ৱাম্থরকখি। মীকপ মীরাওখোন্না শাবা লমথোকপা মফমদো নিনখি। অদু নোংদা মোইরাং সলাইনা কামবীরৈবু মোইরাং য়েক্কী নমুংলৈনি খঙজখি।

ঙাদা য়েলহেন্বদি: মোইরাং য়েক সলাইনা নোংমগী নুমিৎ অমদা থুম্বীখোংদা লেমহৈ ঙা তানবা চৎলমই। থুমবীখোং য়ৌরবদা মোইরাংনা লাইজ ঈশিং খোংদা কুমদুনা লেমলৈ ঙা থিবা হৌরক্লমই। লেমলৈ ঙা অমৎতা ফাবা ফংখিদে। মোইরাংনা পায়মা পীবুক নুংদা খল্লকখি। করি নুংগী ঙাবু ফাদ্রিবনো হায়না

মোইরাং সলাই তম্বা নুপাশিং অদুনা লেমলৈ ঙা ফাবা ফংদ্রবসু ইরোম্নুংদা লৈবা জীবা অমৎতা ওইরবসু মোইরাং সলাইনা চাউম তমগনি হায়না ৱাশকখি। মদু নোংদা মোইরাংনা ঈশিংগী ঈয়াইদা কুমদুনা লাইজা ঈশিং নৈবা হৌরক্লমই। লাইজ ঈশিংনা নৈরবদা ঈরোম্নুংদা লৈবা ঙমদ্রদুনা মাইখুম্বী ময়াম লাইজা ইপান দা কাখৎলকখি। মদু মোইরাংনা উজখি। মদু নোংদা মাইখুম্বী ফাদুনা ঈশিং খোঙ মপান্দা মাইখুম্বীবু মৈদা লৌদুনা চাখি। মদু নোংদা মখোয় ৭ মক শিখি। মাইখুম্বী মোইরাংগী য়েলহেন ঙানি খঙজখি।

উচেক্ত য়েলহেন্বদি শেন্দ্রাংনি: মোইরাংনা য়েন্দ্রাংবু ফাদুনা শান্নবদা সলাই পুম্বা মশা মউ পুম্বা কিন্থদু অৱা মৈচাক নংখি। মদু নোংদগী মোইরাং য়েক সলাইনা শেন্দ্রাং উচেকপু নামুং চেক্লানি হায়না খঙখি।

খাবা ঙাম্বা সলাই য়েলহেন:

মনা মশিংদা য়েলহেন্দি : খাবা ঙাম্বগী সলাই য়েলহেন্দি ইনিংথৌ ইবুংঙো থাংবি লাম্থবা সনা হাক্তকনি। মোইরাং খানমনে। লৈপাক নিংথৌনা নোংমা য়াইফরবা নুমিৎ লোই অমদা সলাইবু সনা কোনুংদা কৌখৎখি। সলাই ৭ না লৈপাক নিংথৌগী কোনুং য়ৌরবদা সলাই ৭ না কোক নোঞ্জনা হংগৎচখি। ইনিংথৌনা সলাই ৭ ঐখোয়বু কৌবীববু করি নোংদম য়াৱা লৈবগা হংগৎচখি। লৈপাক নিংথৌপানা সলাই ৭ তা নোংদম য়াৱা নোংদম্বীখি। সলাই নখোয় পুম্বা ঐনা কৌবগী মরম হায়গে মনা মশিং ১০৮ থিরক্কদবনি। হায়েং কোরৌ নুমিৎলোই অসিদা নিংথৌ ঐহাক্কী মথেন ১০৮ চাবা নুমিৎনি হায়খি। সলাই ৭ না মনা মশিং মরম ১০৮ থিদুনা পুরকখি। মরম ১০৮ মথেন লুকোই লোইরবদা ইনিংথৌনা লাইচাক তমদুনা লৈপাক নিংথৌনা ১০৮ চাখি। নিংথৌনা চাবা লোয়রবদা খাবা ঙাম্বা সলাইনা মোইরাং খানম চারুবদগী সনা কোনুংদা লাইকন্নখি। মদু নোংদা ইনিংথৌ ইবুংঙোনা খাবা ঙাম্বা সলাইদা নখোয়গী য়েলহেন্দি মোইরাং খানমনি হায়না নোংদম্বীখি। অদু নোংদা খাবা ঙাম্বা সলাইনা খঙজখি।

লৈদা নামুংবদি নোংজুমলৈনে: খাবা ঙাম্বা সলাইনা নোংমা কোরৌ নুমিৎলোয় অমদা লোইবী চীংদা কাদুনা শিঙেল লৈরাং ইনিংথৌদা লৈ লাংনবা চৎলমই। লৈরাং অমৎতা ফংদ্রবা লোকমাইথেন্দা কুমদুনা কোইনা থিরমই। অরাপ্পা লোকমাইথেন্দা লৈ মখল শুনা থেংনখি। খাবা লানশুবনা লোক অদু তান্না

চৎলমই। মফম অদু য়ৌরবদা নিংথিরবা লৈ মখল কয়া হেকচখি। মফম অদু হন্না য়েংবদা ঈশিং মপান্দা লৈ শাৎপা উরমই। লৈ অদু খাবনা য়াম্না পান্লমই। মহাক্লা লৈ অদু হেক্লমই। নোংজুমলৈ অদু হেক্কুনা ময়ুম মরাং য়াইদা হেক্কুনা হল্লকখি। সনা কোনুংদা লৈশিং অদু ইনিংথৌদা লাংজখি। নিংথৌনা নোংজুমলৈ অদু মনাইদা পীবিরকখি। মদু নোং খাবা সলাইনা লৈ অদু চিন্বদা অৱা মৈচাক নংখিএ। য়েলহেন লৈনে হায়বা খঙজখি।

ঙাদা য়েলহেন্দি: ইনিংথৌ ইবুংঙো থাংবী লান্থবনা পানবা মতমনি। নোংমগী নুমিৎ অমদা খাবা ঙানবা সলাইচানা লাইজ ঈশিং খোনুংদা লেমলৈ ঙা থিরমই। মদু নোংদা খাবা সলাই চানা লোক্লুং অদুদা চাওরবা ঈশিং খোং অমা থেংনখি। ঈশিং খোং অদুদা কুমদুনা লেমলৈ ঙা থিবা হৌরকখি। খঙহৌদনা ঙা অশাংবা অমা উজখি। ঙা লিনমানবী অদো খাবা সলাইনা ফাদুনা পুরকখি ময়ুম মোংবা মরাংয়াং পুরকখি। মদুবু খাবা সলাইনা থোংদুনা সাগৈ য়েক সলাই চাখি। য়েলমৌনদুনা অশি অনা মরোন থোক্তবা মশাদা মরিন মরাং, লাইথুং পকখি। মদু নোংদা ঙা লিনমানবী য়েলহেন্নি খংজখি।

সরাং লৈশাংথেম য়েলহেন্দি:

মনা মশিংদা : ইনিংথৌ ইবুংঙো পুন্সিবা সনা হাক্তকনি। সরাংখোং মপান্দা সলাই লৈজাংথেম পুম্বনা লৈসাংথেম কোন, খোঙ অদু তৌদুনা শেংলমই। নুমিৎ অদুদা সরাং লৈশাংথেম খোং অদুগী মপান্দা মনা মশিং য়াম্না হৌবা উরকখি। সরাংখোম্বনা তোবর্বান অদুদা হৌরিবা লাই চাংখ্রং ফাজমনখিদুনা হেকপা হৌরমই। সরাং লৈশাংথেম পুন্নমক্লা খোম্ববু য়েংলগা হায় মদুদি সলাই চানবা উনদে। চাবা য়াগদবা মান্দে। চারুনু হেকলুনু হায়। সলাই কয়ানা মঙোন দা তাকখিখি। খোম্বনা ৱা অদু লৌখিদে। মদুদগী লাই চাংখ্রাংবা অদু ময়ুমদা পুরকখি চারৈ ফীনা য়োমদুনা। ময়ুম য়ৌরবদা চমফুৎ ফুৎলগা খোম্বনা থকখি। মশানা শিংজু শুদুনা চাই। অদুগী খোম্বা খঙহৌদনা অৱাবা নঙখি। মমিৎ অনিদো উবা ফংখিদে। মদু নোংদগী লাই চাংখ্রং লৈশাংথেম সলাইগী য়েলহেন্নি খঙখি।

লৈদা য়েলহেন্বদি : নোংখ্রননে। লৈরাং নোংখ্রন লৈবু লৈশাংথেম সলাইগী করিগী নোংগী লৈরাং য়েলহেন ওইখ্রিবনো হায়বদি নোংমা হেলোইবা নুমিৎতা লোইবী চীংদা উরেপকী শা তানবা লৈশাংথেম সলাইনা নোংদল্লমই। শাদি অমৎত ফাদনা নিংথিরবা লৈচরোং হেক্কুনা মোংবা মরাং য়াইদা হনৱাইরকখি।

লৈ অদু পায়দুনা চিল্লুবদগী মশাদা অঙৌবা পকখি। মদু নোংদা সরাং লৈশাংথেম্না *নামুংলৈনি হায়না খঙখি।*

ঙাদা য়েলহেন্বা ঙাদি: মীৎঙাংবী ঙাদি ঙারিৎচানি। ইনিংথৌ ইবুংঙো পুন্সিবা সনা হাক্তকনি। নোংমা কোরৌ নুমিৎলোই অমদা লৈশাংথেম ফমসুববু নিংথৌনা কৌরমই। লৈপাক নিংথৌনা ফমসুববু ময়েংনা মহায়এ ঙসি কোরৌ নুমিৎতা মীৎঙাংবী ঙাখাবু নিংথৌ ঐনা চীন্দমগে হায়না তাকপিরবদা ফমসুবনা থিন্থদনা সরাং ঈরেন্দা লেমলৈ ঙা ফাবা খোংদোইখি। উরিৎচা মীৎঙাং ফারক্লুনা নিংথৌ কৎচখি। মহাক্কী চাজবুনবা হায়দুনা তংখাই অমা পীখি। মদু পুরক্লুনা ময়ুমদা মচা মশু পুন্বগা চামি খি। মদু নোংদা অৱাবা নংখি। য়েলহেননি মশক খংখি। উচেক্তা শংগাই লাবনি: নোংমা নুমিদাং অমদা চেক্লা শঙ্গাই লাবনা পাইরক্লুনা সলাই লৈশাংথেম য়ুমদা খঙহৌদনা তোংখি। শঙ্গাই লাবানা য়ুমগী য়ুমথক্তা তোংবা অদু সলাইনা খঙলদুনা য়াম্না কন্না তাম্থোক্লবা হোৎনখি। শঙ্গাই লাবা উচেক অদু চৈনা লংবদা পান্দুনা শিখি। মদু মচাশিংনা থোংদুনা চাখি। মদু চারুবদগী মচাশিং অদো মরোন থোকখিদে। মদু নেংদগী উচেক অসি সরাং লৈশাংথেম য়েলহেন উচেকনি খঙজখিএ।

খঙজিন্নীগদবা :

সলাই ৭না য়েলহেনবু ঙাক্লুনা চৎপদি সলাই পুন্সিএ। অপোকপা লাইবু থৌনি থৌরম থৌপাংজবদা অফবা অনিংবা থুংএ। চীন য়া পুন্সিএ। মচা মনাই পানাও শিংনাও তাইএ। সলাইশিংগী মশাগী কুচু মাংদেএ। মশাদা লাইথুং তিনথুং পানদেএ। য়েলহেন খংনা খংনা সলাই চাবা থকপা তারবদি সলাই য়েলমৌনৈএ। লৌনহৈদবা য়েক থোকপা চারৌ মৌরৌনবা লৈগনি। পঙ্গিদা কোকপা ঙমদবা মশাদা লাইথুং পক্কনি। ইমুং মনুং পুক্লিং লাংনগনি। সুরোন ফাইবোক নাইগনি। য়েলহেন অসি সলাই পুন্নমক্লা ঙক্লা চৎপা ফৈএ হায়বা ৱাবু নিংথৌ শিংকক পুয়ানা ময়েক শেংনা পীরিএ।

মতেং লৌজবা পুয়াগী লাইরিকশিং:

১।　সলাই ৭কী শঙমাইথেল : লৈহৌনুংহৌ শঙলেন লাংচৈ পুয়া
২।　সাগৈ সলাই : লৈহৌনুংহৌ শঙলেন: য়ুমদাবা পুয়া
৩।　সাগৈ সলাই অপোকলোন : লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন
৪।　সলাই অপোকলোন : লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন
৫।　সাগৈ সলাই : সাহিত্যা পরিষৎ : ফমাং পুয়া

••••

IRABOT NINGTHOUJA

N. Irabot Singh

Father's Name : (L) N. Mangi Singh
Mother's Name : N. Ibempishak Devi
Address : Chingmeirong Maning Leikai Imphal
Date of Birth : 1st February, 1955
Educational Qualification : PUC
Meitei Puya Guru : M. Chandra Singh

অইবগী ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং

১. ইমোইনু অহোংবী
২. ফৌওইবী লাইরেম্বী
৩. সনামহি মীখ্রৈ লিশিং অমা
৪. লৈমরেন মীখ্রৈ রোন
৫. পান্থেইবী মীংখৈরোন
৬. ব্রাকচিংগী ১২ নি পানবা
৭. সনামহি ফম্বাললোন
৯. খুমন লমপাক পুব্রারী
১০. সনামহি লাইহুই
১১. চাউখোঙ হীদেন মরু
১২. লাইরেম্বী নোংকারোন
১৩. নোংকুম নোংকারোন
১৪. মীতৈ নট পালা
১৫. সলাই অপোকপা
১৬. সাগৈ অপোকপা
১৭. সাকৈ অপোকলোন
১৮. ফুঙ্গা ব্রারী
১৯. পান্থোইপী লিক্লাং
২০. লুহোংবা নুমিৎ
২১. জ্যোটিশকী মীওইবা
২২. মণিপুর লম্মিৎলোন পাফল
২৩. খুবাক ময়ি য়েংবা
২৪. মীতৈ ময়েক মপি লাইরিক
২৭. কৌব্রু চীঙ্গোইরোন ৯
২৮. লাই হরাওবা
২৯. সলাই পাফল অসুবা
৩০. শাগৈ সলাই য়ুমদারোন
৩১. কংলা থেল্লোন ১৪০
৩২. য়ুমশারোন
৩৩. য়ুমলাই খুরুম্বা
৩৪. মনা মশিংনা লাইয়েংবা
৩৫. ঈশিং পুকচৎ
৩৬. নুংশঙ লাইয়েং
৩৭. পেনা শৈশকলোন ৯
৩৮. লাইনিংথৌ থৌনিরোন
৩৯. কংলা শা পুব্রারী
৪০. শজিবু চৈথারোন
৪১. পীশাতাও পুব্রারী
৪২. কংলা থেলোন ১৪০ ব্রাঙুরোন
৪৩. ব্রাংব্রেন খুম্থোকলোন
৪৪. কৌব্রু থেলোন
৪৫. থাংজিং ফম্বাল্লোন
৪৬. তোলোংখোম্বা ফম্বাল্লোন
৪৭. লোয়ারাকপা মরানলোন
৪৮. মারজিং খুম্থোকলোন
৪৯. কংলা মেন
৫০. মেরা চাউরেন হৌবা
৫১. সলাই ৭ লৈঙাকলোন
৫২. লাইবুংথৌ ৯ লাইনুরা ৭
৫৩. কংলৈ মাইচৌশিংগী পুব্রারী
৫৪. মীতৈ থৌরমলোন অসুবা
৫৫. কংলৈপাক্কী মৈহৌরোন্দা কংলা
৫৬. লাইহরাওবা ব্রাঙউরোল
৫৭. সলাই মীখ্রৈরৌ শিংকক
৬০. পাখঙবা থৌখৌরোন
৬১. লাইনিংথৌ থৌনিরোন
৬২. [illegible]
৬৩. খুবাক ময়ি য়েংবা অমসুং পক্লবা নুঙ তাকপা
৬৪. মহৈগী লাইরেম্বী শিললৈম

লৈহৌ নুংহৌ শঙলেন

ISBN
978-81-923222-9-2

Rs. 250/-